মণিপুরী ব্যাকরণ

শ্রীদ্বিজমণি দেবশর্ম্মা, এম, এ।


R.S.
Printers

মণিপুরী ব্যাকরণ

লেখক

শ্রী দ্বিজমণি দেবশর্ম্মা, এম, এ।

প্রকাশক
শেখর আদার্স
খাই ব্রহ্মপুর, ইম্ফাল



অনীশুবা সংস্করণ
ডিসেম্বর, ১৯৮৩ ইং

নম্কম— আর বি প্রিন্টিং হাউস, নাগা মপাল, ইম্ফাল

ভূমিকা

মণিপুরীগী ছাত্রশিংগা মতম কুইনা শম্নরকপদগী মণিপুরী ব্যাকরণগী মরমদা অৱাংপা অমসুং নীংবা থুংদবা থম্না লৈ হায়বা খঙজুনা ঐনা লোন অসিগী ব্যাকরণ অমা ইখি। মাতুবু ছাত্রশিং অমসুং বিদ্বৎসমাজনা তরাম তরাম তৌবিবা উবদা অমসুং মতুংগী পাম্বা অতু মথং মথং হেনগৎলকপা উবদা হাম্না নমখিবা লাইরিকশিং অতু লোইশ্রবনা অনৌবা সংস্করণ অসি ফোংজরি। ঐনা ঙসমথৈ শেমদোক-শেমজিন তৌজরে। অতুম ওইনমক থিজিনবগী থবক চংথরবদি মণিপুরী ব্যাকরণগী মরমদা অনৌবা পুথোক্রবা পোৎ য়াম্না লৈ হায়বসিদি পুক্নীংদা কন্না ফাওই। ঐগী চহি মতাং অসিদদি মাতুগী দমক ইতিক চাদ্রে ; মরম অসিনা থবক অসি নম্বাশিংগী খুত্তা থমজরে।

মণিপুরীগী ছাত্রশিংগী কান্নবা ওইগনি নীংজুনা মণিপুর সরকারনা য়াম্নবা মণিপুরী লোনগী বানানগী কাঙলোন অতু লাইরিকী লোইবদা হাপচরি। মসি তৌবা য়ানবা অনুমতি পীবি-বগী দমক মণিপুর সরকারবু থাগচচরি।

লাইরিক অসি নম্বা মতমদা প্রুফ পাবগী থবক্তা হেংবাংবিবগী দমক খুমল্লম শ্রীরাসবিহারী সিংহবু থাগচচরি।

গ্রন্থকর্তা।

বিষয়সূচী

মণিপুরী ব্যাকরণ

লোল

মীওইবনা পুক্নীংনা নীংবা ফোংদোক্নবগী পান্থৈবু লোল কৌই হায়রি। মাসি কয়া য়াম্না চুংগে য়েংসি।

মীওইনা হায়বসি সমাজগী জীবনি ; ঈমুং মনুংদা নত্রগা সনাফম অমগা অমগা তিন্নবা অমসুং পুন্না লৈমিন্নবা জীবনি। অসুম্না লৈমিন্নবদা অমনা নীংবা অতু অতোপ্পা অমদা ফোংদোরবা হোৎনবা হায়বসি মীওইবগী শাজৎনি। অসুম্না পুক্নীংগী ৱাখল ফোংদোকপদা মীওইবনা শীজিন্নবা পান্থৈ কয়ামকুম লৈ।

খুদম্মচিংবা শীজিন্নদুনা কনাগুম্বনা পুক্নীংগী ৱাখল খরগী মথৈ ফোংদোকপা ঙমই। হচমচম্না খোঞ্জেল খোকহন্দুনা পোরম্না ৱা ফং, সুংঙাইবনচিংবা পুকনীংগী ফিভম ফোংদোকপা ঙমই। ৱা ঙাঙবা ঙম্দবা মীনা চানীংবা, থকনীংবনচিংবা মানা পান্নিব অতু পোৱপা খঙহনবা ঙমই। উচেকশিংসু খোংহুনা মাখোযনা নীংবা অতু খরগী মথৈ ফোংদোকপা ঙমই। মাখোযনা খোংবা তারগা মাখোয় হুৱাউরি, সুংঙাইরি নত্রগা কিবে, অসিনচিংবা খরগী মথৈ খঙবা ঙমই। অসুম্না পুক্নীংগী ভাব ফোংদোকপদা শীজিন্নরিবা পান্থৈশিং অসিবু লোল কৌগদ্রা ?

মুম্না থন্দুনা য়েংলবদি ঐখোয়না উগনি, পান্থৈশিং অসিনা ফোংদোকলিবা ভাব অতু চপচাবা অমসুং তশে তশেংবা ওইদে ; পোৱপা খরগী মথৈ ফোংদোকই হায়বত্তনি। মীওইবগী পুকনীংগী অকুপ্পা অমসুং চপচাবা ৱাখল ফোংদোক্নবা পান্থৈদি মখোয়শিংসি নত্তে। মরম অসিনা মখোয়বু লোল কৌবা য়াদে। থাঙ্গৈশেংবা

[illegible] মীওইবগী অনুপ্ত থাখলবু চপচানা ফোংদোকপা [illegible]নি। [illegible] লোল কৌগদবনি। [illegible] ছায়বান মী[illegible]তনা [illegible]নি অম[illegible] পুব[illegible]গী ভাব [illegible] পা[illegible]গী মপুং[illegible]গী হেন্না ফবা পাইদেনি। পাইদ অহুদি থাইগী মতে[illegible]তনা [illegible]ন।

[illegible] মীওইবনা অমনা নীতি[illegible] অহু [illegible] অমদা [illegible]জুনা [illegible]গা হুনা ফোংদোকপা [illegible] ওইনা থ[illegible]ইফগী হেন্না ফবা পাইদ অহুবু [illegible]লোল [illegible]। [illegible] লৈবাক [illegible]বাকী ওইনা নত্রগা লৈবাক অমগী [illegible] [illegible]লুপ [illegible] ওইনা লোল যাম্না লৈ। মাদুদি— স[illegible], [illegible], [illegible]ক, লাটিন, হিন্দী, বাঙালী, উর্দু, মণিপুরী, অমিন [illegible]।

লোনাশিংগী মপুংদা হৌজিক্কি মীওইবনা ডাঙন[illegible] শীজিন্নদবা লোল থর লৈ। মখোয় [illegible] অ[illegible] [illegible]। মাদু— সংস্কৃত, গ্রীক, লাটিন, আ[illegible]। মীওইবনা [illegible] মক ডাঙন শানহুনা শীজিন্নবা [illegible] অ[illegible] [illegible] লোন [illegible]। মাদুদি ইংরাজী, হিন্দী, বাঙালী, মণিপুরী, অমসুং[illegible]। [illegible] [illegible] ওইরবশু অমিবা লোন[illegible] অম[illegible] [illegible] [illegible]নবা [illegible]গী [illegible] মীওইবনা [illegible]নবা [illegible]। [illegible] মীওইবনা [illegible] [illegible]মবা [illegible]মীওইবগী থাখল [illegible] শাদংকী [illegible] অমসুং [illegible] [illegible] লোন [illegible] [illegible]গী [illegible] [illegible]নবা [illegible] অমনা [illegible] [illegible] [illegible] তোয়না [illegible]। [illegible] লোন [illegible], অহিংবা লোনগী [illegible] অহু মাদুদাদ [illegible]।

হায়ং[illegible]লেং

১। [illegible]গে?
[illegible] হেন্না ফবা ওইরগে?

২। লোন হায়বদি করিবু কৌবগে ?

৩। অশিবা অসুম অহিংবা লোন কদায় বদাবনু কৌবগে ? খুদম পাদুনা তাকউ। অ[illegible]মিসিংগী মবম। খেন্নগী মতৌ [illegible] [illegible] লৈবগে মাডুম [illegible]উ।

৪। ভারতবর্ষগী লোন [illegible]গী মিং হায়য়ু।

৫। মণিপুরগী [illegible] থমগী মিং হায়য়ু।

বর্ণ (ময়েক)

লোন হায়বদি [illegible] ইদুনা যোংদোকই হায়দুনা [illegible] পনখ্রে। [illegible] [illegible] পুকনীংগী বাখল যো[illegible] চীম [illegible] যাং[illegible] [illegible]। চীনা [illegible]দুনা ফে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুকনীংগী বাখল যোংদোকপদি [illegible]বা [illegible] থা [illegible] বা ফাই। পৃথিবীগী [illegible] লোন [illegible] বখল [illegible] [illegible]।

লোন [illegible]নবগী পুনসিবু বর্ণ (ময়েক) কৌই।

মণিপুরী লোনগী ময়েকপগী [illegible] [illegible] ঐখোয়[illegible] [illegible] [illegible]জন্নবা [illegible]। বাঙ্গালা [illegible] [illegible]গাবনা মণিপুরদা [illegible]। মতমদা [illegible] [illegible] বর্ণমালা লৈখি। মাসিনা মরম ওইদুনা [illegible] [illegible] [illegible]দুনা লৈবা সাহিত্যগী লাইরিক পুস্তক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওইনা খোকখি। মসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী [illegible] [illegible] অচৌবা [illegible] [illegible] ওইখি।

হৌজিক অমুক মণিপুরগী থাযনগী ময়েক পঙরং অসিবু হিংগৎহন্নবগী অকনবা ঈহৌ অমা লাক্লে। স্কুলগী অঙাংশিংবু মসি তমহন্নবগী থৌরাংসু তৌরি। অদুনা অঙাংশিংনা তমগদবা ময়েকী মথল মরি শুগদৌরি। ভারতকী মফম অয়াম্বদা তম্নরিবা ময়েকী মখল অনীতনি মণিপুরগী শিক্ষাগী থবক শীল্লিবশিংনা ফিভম অসি মুম্না য়েংশিনবা চুমলে।

য়াহং পরেং

১। বর্ণ (ময়েক) কদায়বু কৌবগে ?

২। ঐথোয়না ময়েক শীজিন্নরিবসি কবিগী দমত্তনো ?

৩। হৌজিকী মতমগী মী অযাম্বনা অরিবা মণিপুরীগী লাইরিকশিং পাবা ঙমদ্রিবা করি মরম্নো ?

৪। মণিপুরগী নহারোলশিংনা করি করি ময়েক তম্লিবগে ?

ব্যাকরণ

করিগুম্বা লোন অমবু চুম্না ঙাঙবা অমসুং ইবা ঙম্নবা জ্ঞান পীবা শাস্ত্রবু ব্যাকরণ কৌই। মণিপুরীলোন চুম্না ঙাঙনবা অমসুং ইননবা জ্ঞান পীবা শাস্ত্রবু মণিপুরী ব্যাকরণ কৌই।

ব্যাকরণগী শরুক অহুম লৈ। বর্ণ (ময়েক) গী শরুক, শব্দগী শরুক অমসুং বাক্য (ৱাহৈপরেং) গী শরুক। বর্ণগী শরুক্তা ময়েকশিংবু করম্না ইগদগে অমসুং করম্না তিনশিন্নগদগে হায়বা নৈনৈ; ময়েকী উচ্চারণগী মরমদা নৈনবা য়াবা হীরম পুম্নমকসু নৈনৈ। শব্দগী শরুক্তা শব্দগী হৌফক, অমগা অমগা তিনশিন্নবা, অমগ

অমগা খেন্নবগী মতৌ, শব্দগী ওনবা মওং অসিনচিংবগী মরমদা নৈনৈ। বাক্যগী শরক্তা বাক্য কয়ম্না লেংগদগে, অমগা অমগা কয়ম্না পুনশিন্নগদগে অমসুং খাইদোক্নগদগে, বাক্য অমগা অতোপ্পা অমগা কয়িদা খেন্নবগে, মখোয়গী পোথাকম কদাই কদাইদনো, অসিনচিংবা অসি নৈনৈ।

মতমগী তুংইন্না লোন অমগী ওনবা নত্রগা হেংবা থোকপা য়াই। মাদু নৈনবগী থবক্তি ভাষাতত্ত্বগীনি। লোল অমবু হৌজিক্কী চৎনরিবা মওংদা চুম্না শীজিন্নবা ওম্লনবা তম্বিবগী থংগা ব্যাকরণ-শাস্ত্রগীনি।

ৱাহংপরেং

১। ব্যাকরণ হায়বসি কনিনো ?

২। ব্যাকরণবু শরক কয়া থোক্না থায়দোকপগে ?

৩। ব্যাকরণগী শরক খুদিংগী নৈনগদবা হীবম শুগাইনা তাকউ।

বর্ণমালা

হৌজিক মণিপুরী লোল অসি বাঙ্গালা ময়েকনা ইনরি। মাসিগী ময়েকপরেং মণিপুরী লোন্দা শীজিন্নবগী তুংইন্না স্বরময়েক ১১ অমসু ব্যঞ্জনময়েক ৩৩ না শাই।

স্বরময়েক— অ, আ, ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ, এ, ঐ, ও, ঔ।

'ং' (অনুস্বার) অমসুং ':' (বিসর্গ) অনীবু 'অং' অমসুং 'অঃ' হায়না ইতুনা স্বরবর্ণগী পরেংদা হাপচিনবা য়াওই। মাদু অরানবনি ; অনী অসিদি ব্যঞ্জনবর্ণনি।

ঋ অমসুং ৯ দি বর্ণমালাদা হাপত্রে। অনী অসি মণিপুরীদা শীজিন্নবা ময়েক নত্তে।

ব্যঞ্জনময়েক— ক্, খ্, গ্, ঘ্, ঙ্,
চ্, ছ্, জ্, ঝ্, ঞ্,
ট্, ঠ্, ড্, ঢ্, ণ্,
ত্, থ্, দ্, ধ্, ন্,
প্, ফ্, ব্, ভ্, ম্,
য্, র্, ল্, ৱ্,
শ্, ষ্, স্, হ্।

ব্যঞ্জনময়েককী উচ্চারণ তৌবা মতমদা 'অ' হায়বা স্বর অসি লোয়নননা য়াওই।

'ঁ' (চন্দ্রবিন্দু)— খুদম অসিনা স্বরময়েক অমগী থক্তা লৈরবদি স্বর অদুগী খোন্থেক অদু নাতোনগী খোঙদ তৌগদবনি হায়বা খঙহল্লি।

'ং' (অনুস্বার)— খুদম অসিনা স্বরময়েক অমগী থাদা লৈর-বদি মাদুনা 'ঙ্' গী খোন খোকহল্লি।

'ঃ' (বিসর্গ)— খুদম অসিনা স্বরময়েক অমগী থাদা লৈরবদি মাদুনা 'হ' গী খোন খোকহল্লি।

'ক্ষ্' — ময়েক অসি তেংঙানবা ময়েক অমা নত্তে। 'ক্' অমসুং 'ষ্' না শরুগা খোকপনি।

'ৎ'— স্বরময়েক য়াওদবা 'ত্' গা মান্নে।

স্বর ময়েক অতৈ অমগী মতেং য়াওদনা খোন খোকহনবা য়াবা ময়েকপু স্বরময়েক কৌই। মাদুদি— অ, আ, ই, অসিনচিংবা।

ব্যঞ্জন— স্বরগী মতেং য়াওদনা খোল খোকহনবা য়াদবা ময়েকপু ব্যঞ্জনময়েক কৌই। মাদুদি— ক, চ, ট, অসিনচিংবা।

ব্যঞ্জন ময়েকা কোন্নবা '্' (হসন্ত) গী মরমদা চেকশিনবা থোইনা লৌদ্রে। হসন্ত য়াওদবা মফমদসু 'অ' য়াওরিবা অদু উচ্চারণগী দমক্তনি হায়না খঙনগনি।

হায়িং-পরেং

১। হৌজিক্কী মণিপুরগী লোন্দা শাফিরিবা ময়েক কয়ম লৈবিনো? মখোয়বু কয়ম তানথোক্লদুনা খায়দোকপা য়াবগে?
২। কয়বু স্বর ময়েক কৌবগে? স্বরময়েকশিং অসি পরেং ইয়ু।
৩। কয়বু ব্যঞ্জনময়েক কৌবগে? ব্যঞ্জন ময়েকশিং পরেং ইয়ু।
৪। 'ং' (অনুস্বার) অমসুং ':' (বিসর্গ) অসি অসি স্বর ময়েকনা নত্ত্রগা ব্যঞ্জন ময়েকনো? মখোয়গী লোনথোক করি করিনে?
৫। 'ঁ' (চন্দ্রবিন্দু) গী উচ্চারণ করম্না তৌগনি?

ময়েক ইবা

স্বরবর্ণ

স্বরময়েক্কী অইবা মওং থক্তা উংখ্রে, স্বরময়েক অমগা ব্যঞ্জন-ময়েক অমগা পুনশিল্লবা মতমদা স্বরময়েক্কী মওং করম তৌবগে মাহৌ খাদা উংলি।

ব্যঞ্জন ময়েক অমগা 'অ' গা পুনবা মতমদা ব্যঞ্জন ময়েক্কী খাদা লৈবা হসন্তগী খুদম অদু তাংখি। মাহৌদি— ক্+অ=ক।

ব্যঞ্জনময়েক অমগা 'অ' নত্তবা স্বর অতৈগা পুনবা মতমদা স্বরশিং অদুগী মওং ওনখি। মাহৌদি— ক্+আ=কা; ক্+ই=কি; ক্+ঈ=কী; ক্+উ=কু; ক্+ঊ=কূ; ক্+ঋ=কৃ; ক্+এ=কে, ক্+ঐ=কৈ; ক্+ও=কো; ক্+ঔ=কৌ।

থক্কী খুদমশিংদগী উগনি, মাহৌদি - ব্যঞ্জনময়েক্কী খাদা স্বরময়েক লাকপদা স্বরগী চৈতপা ব্যঞ্জনগী খাদা লাকই। তৌই-গুম্বসুং 'ি' (ইকার) গী মতাংদদি স্বরগী চৈতপা ব্যঞ্জনগী মাঙদা লাকই।

গ্, ব, শ্, হ্, গী তুংদা উকার লাক্লবদি থক্তা হায়খিবা উকারগী মওং অতু ওনখি। মাতুদি - গ + উ = গু ; ব্ + উ = রু; শ্ + উ = শু ; হ্ + উ = হু।

'র' গী তুংদা উকার লাক্লবদি থক্তা হায়খিবা উকারগী মওং অতু ওনখি। মাতুদি— র + উ = রু।

হ্ গী তুংদা ঋকার লাক্লবদি থক্তা ইথিবা ঋকারগী মওং অতু ওল্লি। মাতুদি— হ্ + ঋ = হৃ।

স্বরময়েক অমনা অনুনাসিক ওইরবদি হায়বদি নাতোনগী থোঙদা উচ্চারণ তৌবা ওইরবদি স্বরময়েক অতুগী নত্রগা মাতুগী চৈতপতপ্লা ব্যঞ্জনগী থক্তা 'ঁ' খুদম অসি হাপই। মাতুদি— ইঁ, কিঁ, উঁ, কুঁ, উঁ, কুঁ অসিনচিংবা।

ব্যঞ্জনময়েক

ব্যঞ্জনময়েক অমগী থোংগ থোবহন্নবগী দমক 'অ' হায়বা স্বরময়েককী মতেং মতমলৈবা খিবিক্তা চঙই। মরম অসিনা 'ক' হায়রবদি মাতু ক্ + অ গা মান্নৈ হায়বসি খংগদবনি। 'অ' নত্তবা স্বরময়েক অতৈগা ব্যঞ্জন ময়েকা পুনবা মতমদদি 'অ' গী মতেং চঙদে।

অকারনচিংবা স্বরময়েক অমনা মরক্তা থন্দবা অনী অমসুং মাতুদগা হেনবা মশীংগী ব্যঞ্জনমথৈ তপশিন্নবা য়াই। মাতুদি— ক্ + ক্ + অ = ক্ক (মমৈগী 'অ' দি থোন্থোক্কী দমক্তনি); ন্ + ন্ + অ = ন্ন ; ম্ + ল্ + অ = ম্ল।

ব্যঞ্জনময়েকশিং অসি অমগা অমগা পুনশিন্নবা মতমদা মথোয়গী মওংগী মচেৎ থরা থরা মাঙখি ; করিগুম্বদা অহানবা ময়েক্কী মওংগী মচেৎ অমা মাঙখি, করিগুম্বদা অকোনবগী অতুগা করিগুম্বদনা অনীমক্কী মওংগী মচেৎ থরা মাঙখি। মাতুদি— ঙ্ + ক্ + অ = ঙ্ক ; ক্ + য্ + অ = ক্য ; জ্ + ঞ্ + অ = জ্ঞ।

তপ্পবা ময়েকশিং হসন্তগী খুদম (্) পীদুনা তোঙানা ইনদে। কৌইশুঙ্বসুং হসন্তগী খুদম য়াওদনা তপ্পবা য়াবা ময়েকপু করি-শুঙ্বদা তোঙানবা হায়বা মৈয়েক্লোনদা চংলে। মাদুদি— পুকনীং নঙগা পুক্নীং।

স্বরময়েকনা লক্তুনা থাদবা ব্যঞ্জনময়েক মথৈ তপ্পবা য়াই হায়বা সাধারণ নিয়ম অসি বাংলাদা লৈবা খুদম মণিপুরী লোন্দা লৈ। মাদুদি— লাইরিকশিং, লেংদোকপ, অসিনচিংবা। 'লাইরিকশিং' গী ক্ গা শ গা, অদুগা 'লেংদোকপা' গী 'ক্' গা 'প' গা তপ নিদুনা হায়না চংলে। অসিগুম্বা খুদম য়াম্না লৈরে।

'র্' গা খাগী ব্যঞ্জনময়েক অমগা তপশিন্নবদা খাগী ব্যঞ্জন-ময়েকগী মথক্তা 'র' গী রেফ ' ́ ' খুদম লাকই। মাদুদি— র্ + ক্ + অ = র্ক।

'র' না খাদা থাগী ব্যঞ্জন অমগা তপশিন্নবদি ব্যঞ্জন অদুগী মখা 'র' গী খুদম ' ্র ' ওইনা লাকই। মাদুদি— খ্ + র + অ = খ্র।

'হ' গী মখা ল্ নত্রগা 'ম' লাক্লগা অমসুংদি অকোনবা ময়েক্কী খোঞ্জেল্না হায়বা তোগানি। মাদুদি— প্রহ্লাদ। মসিগী বানানদি 'হ্ + ল্ + অ' নি, অদুগা খোঞ্জেল্না 'ল + হ + অ' নি। ব্রাহ্মণ হায়বা ওয়াহৈ অসিগীসু বানানদি 'হ্ + ম্ + অ' নি, অদুগা খোঞ্জেলদি 'ম + হ্ + অ' নি।

তপশিন্নবগা শক তোংখিবা তপশিন্নবা ময়েক্কী খুদম খরা থাদা পীরে—

ক্ + ষ্ + অ = ক্ষ	ত্ + র্ + অ = ত্র
হ্ + ন্ + অ = হ্ন	হ্ + ম + অ = হ্ম
ত + থ + অ = ত্থ	ক্ + র + অ = ক্র
ত্ + র + উ = ত্রু	ঞ্ + চ + অ = ঞ্চ

ঞ + জ + অ = ঞ্জ   ন + ধ্ + অ = ন্ধ
ন্ + থ + অ = ন্থ   ষ + ণ্ + অ = ষ্ণ
হ্ + ণ + অ = হ্ণ   জ + ঞ + অ = জ্ঞ
স্ + থ + অ = স্থ   ঙ + গ + অ = ঙ্গ
গ + ব + উ = গু   ক্ + ত + অ = ক্ত

থক্কী পরেং অসিদগী হাইক্নেং মায়বা অনীগী লক্তা লৈবা খেন্নবগী মত্তৌ অদু য়েংশিনগদবনি। মাতুংদি—

হ্ + ন্ + অ = হ্ন, তৌইগুম্বসুং হ্ + ণ + অ = হ্ণ।
ঞ্ + জ্ + অ = ঞ্জ, তৌইগুম্বসুং জ্ + ঞ্ + অ = জ্ঞ।

'জ্ঞ' বু মতৌশানা 'গ্য' হায়না উচ্চারণ তৌনৈ। খোন্থোক অসি থাঙ্গেশেংনদি অচুম্বা নত্তে। অচুম্বা খোন্থোক্তি 'জ ঞ' নি।

অনীদগী হেনবা মশীংগী ব্যঞ্জনবর্ণ পুনশিন্নবা মতমদসু থক্তা হায়খিবা নিয়মশিং অদু অতুম্মক চৎনৈ।

মাতুংদি— ম্ + প্ + র + অ = ম্প্র (চম্প্রা);
ন্ + দ্ + র্ + অ = ন্দ্র (উপেন্দ্র)

বর্ণবিশ্লেষণ (ময়েক খাইদোকপা)

কবিগুম্বা বাহৈগী ময়েক অমমমতা খাইদোক্নুমা উৎপবু বর্ণ-বিশ্লেষণ কৌই। ময়েক খাইদোকপা মতমদা ব্যঞ্জন ময়েক্তা পুনশিন্নখিবা স্বরময়েকপু তোঙানা উৎকদবনি। অয়াম্বা মতমদা নৌনা তমথংলক্লিবা হাত্রশিংনা ব্যঞ্জন ময়েক্তা য়াওবা অকারগী তোঙানবা শক উদবনা 'অ' য়াওই হায়না ময়েক খাইদোকপা মতমদা উৎনদে। বাহৈগী ময়েক খাইদোকপা মতমদা ব্যঞ্জনদা য়াওবা শক উদবা অকারবু তোঙানা উৎকদবনি! খাদা ময়েক খাইদোকপগী খুদম থনা উৎলি:—

পরীক্ষা = প্ + অ + র + ঈ + ক্ + ষ্ + আ
ইম্ফাল = ই + ম্ + ফ্ + আ + ল্

প্রহ্লাদ=প্‌+র্‌+অ+হ্‌+ল্‌+আ+দ্‌+অ
ব্রহ্মা=ব্‌+র্‌+অ+হ+ম্‌+আ
কৃষ্ণ=ক্‌+ঋ+ষ্‌+ণ+অ

মাহংপরেং

১। খাদা ইবিনা ময়েকশিং অসি পূনশিল্লগা করি করি মওং ওইগদগে ইয়ু—
খ+উ, গ+উ, র্‌+উ, শ+ঊ, প+উ, হ্‌+উ, হ+ঋ, জ+ঞ্‌, হ+ণ, ঞ্‌+জ্‌ হ+ন্‌, র্‌+গ গ+র্‌, স+থ, ত+থ্‌, ন্‌+ধ্‌, ত্‌+র্‌+উ, হ্‌+ম, ষ্‌+ণ্‌, হ্‌+ল, ক্‌+র্‌, ঙ্‌+গ্‌, ন্‌+থ্‌, গ্‌+র্‌+উ, ক্‌+ত্‌।
তপ্পবা ময়েকশিং অসিগী মুংঙগী ত্তরাথক য়াওবা মাহৈ ইয়ু।

২। খাদা ইরিবা মাহৈশিং অসিগী ময়েক থাইদোকউ—
রামচন্দ্র, মশ্বী, খ্‌ইরাকপা, প্রশ্ন, ব্রাহ্মণ, খজুবী, হৈগ্রু, ইন্দ্রান রামচন্দ্র, মশ্বী, খুইরাকপা, প্রশ্ন, ব্রাহ্মণ, খজুবী, হৈগ্রু, ইন্দ্রান কাঙ্গাই, চথবা, লক্ষ্মী, সন্ধ্যা, যজ্ঞ, পঞ্চায়, কোম্থোজম, ব্রহ্মা, প্রহ্লাদ, হৈস্নাম, বিষ্ণুপুর, গোবহরি।

বর্ণগী উচ্চারণ

ঐখোয়না নুংশাশোর হোন্দোক-হোজিন তৌবা মতমদা শোরনা খোরীউতোং নত্রগা চীন নত্রগা অনীমক্তা পনবা থেংনরবদি মতুদগী খোল থোকই। স্বরময়েকী উচ্চারণ তৌবা মতমদা শোরগী পমবা অসি খোরীউতোংদতা থোকই, চীন্দা করিমতা থোকতে। ব্যঞ্জন-ময়েকী উচ্চারণ তৌবা মতমদা খোরীউতোংদা পনবা থেংনরবসু চীন্দা থেংনত্রবসু চীন্দা মংেৎ ওইনা নত্রগা মপূংফানা পনবা থেংনৈ। চীন্দা থোকপা পনবা অসি চীনবান অনী, থক থংবা য়াগী পরেং অমসুং লৈদগী থোকই।

স্বরবর্ণগী উচ্চারণ

লৈগী য়ায়ঙংবা শরুক অদু খজিক্তং থাঙ্গৎলগা 'অ' গী উচ্চারণ তৌগদবনি। চৌনগী মুখ লৈবু নেমথনা থম্লগা তুংঙংবা শরুকপু খজিক্তং থাঙ্গৎলগা 'আ' গী উচ্চারণ তৌগদবনি। লৈগী মাঙথংবা শরুকপু ভৌগী মাঙথংবা শরুকলোনদা য়াংনা থাঙ্গৎলগা 'ই' অমসুং 'ঈ' গী উচ্চারণ তৌগদবনি। লৈগী নৌংথংবা শরুক অদু ভৌগী তুংঙংবা শরুক্তা থাঙ্গৎলগা 'উ' অমসুং 'ঊ' গী উচ্চারণ তৌগদবনি। 'ঋ' গী খোল্লোক অসি সংস্কৃততা স্বরগী খোল্লোকনি; হিন্দী, বাঙ্গালা, মণিপুরীনচিংবা লোন্দদি 'ঋ' না 'র্+ই' গী খোল্লোক পী। সংস্কৃততা স্বর ওইবগী দমক স্বরগী লক্তা হাপ্লনি। 'এ' হায়বসি 'অ' গা 'ই' গা তিল্লদুনা খোকপনি। 'ঐ' দি 'অ' গা 'এ' গা তিল্লবগা খোকপনি। 'ও' দি 'অ' গা 'উ' গা তিল্লবগা খোকপনি; অদুগা 'ঔ' দি 'অ' গা 'ও' গা তিল্লবগা খোকপনি। মাতোন অমসুং চানগী খোঙদা স্বরবর্ণ পুম্নমক্কী উচ্চারণ তৌবা য়াই।

স্বর ময়েক্কী মথক্ত অহুম খোকই— হ্রস্ব স্বর, দীর্ঘ স্বর অমসুং প্লুতস্বর। স্বর অদুগী উচ্চারণ তৌবদা মতম খজিক্তা চঙ্বা অদুবু হ্রস্ব (অতেনবা) স্বর কৌই। মাদুদি— অ, ই, উ, ঋ। মাত্রা হায়বসি অশাংবা মতম অমবু চপমান্নবা পীক্না য়েংথোক্নবা শরুক অমনি। মাত্রা অমনা তেনবা য়াই; শাংবসু য়াই। মথৌশানা এহৌয়না অতেনবা স্বর অমবু অয়ুক্তং হায়দোকপদা চঙবা মতম অদু মাত্রা অমগী মতমনি। স্বর অদুগী উচ্চারণ তৌবা মতমদা হ্রস্ব স্বরগী মতমগী শরুম অনী চঙবা মাদুবু দীর্ঘ (অশাংবা) স্বর কৌই। মাদুদি, আ, ঈ, ঊ, ৠ। স্বর অদুগী উচ্চারণ তৌবা মতমদা হ্রস্বস্বরগী শরুক অহুম চঙবা মাদুবু প্লুতস্বর কৌই। মাসিদি কৌবা মতমদা শীজিন্নৈ। প্লুতস্বরগী খুদমাদ ৩নি। মাদুদি— হে রাম ও অসিদা লাকউ।

স্বর'র্ণগী মথল অনী অমসু লৈরি— অনুনাসিক অমসু' নিরনুনাসিক। স্বর অতুগী উচ্চারণ অতু চীন অমসু' নাতোনগী থোক্তা তৌবা মাতুবু অনুনাসিক কৌই। অনুনাসিক স্বরগী থক্তা 'ঁ' (চন্দ্রবিন্দু) হাপই।

চীনগী থোক্তদা উচ্চারণ তৌবা স্বরবু নিরনুনাসিক কৌই।

অনুনাসিক নত্রগা চন্দ্রবিন্দু অমসু' অনুস্বার — অনীগী উচ্চারণদা খেন্নবনী মথৌ লৈ। অনুনাসিকী (চন্দ্রবিন্দুগী) উচ্চারণ তৌবা মতমদা শোর অসি চীন অমসু' নাতোন্দগী থোকই; অতুগা অনুস্বারগী উচ্চারণ তৌবা মতমদা শোব অসি নাতোন্দগীতা থোকই।

থক্তা পীগ্রিবা স্বর অমসুং ব্যঞ্জনময়েকশিংসি নত্তবা 'ময়েক্কী কাউলপ' অমসু লৈরি; মাখোয়না স্বরবর্ণ অমগী থাদা লাক্তুনা উচ্চারণগী মতেং পাংই। মাখোয় অদুদি 'ং' (অনুস্বার), 'ঃ' (বিসর্গ) অমসুং 'ঁ' (চন্দ্রবিন্দু) নি। কনাগুম্বনা অকুম অসি স্বরময়েক্কি হায়। মাতু নতে। মাখোয় অসিদি ব্যঞ্জন ময়েক্কি।

ব্যঞ্জনবর্ণগী উচ্চারণ

'ক' দগী 'ঙ' ফাওবা ময়েক মঙা অসি লৈগী তুংথংবা শব্দক্তা ডৌগী তুংথংবা শব্দকপু শোক্তুনা উচ্চারণ তৌগদবনি।

'চ' দগী 'ঞ' ফাওবা অসি লৈগী মাঙথংবা শব্দক্তা ডৌগী মাঙথংবা শব্দক শোক্তুনা উচ্চারণ তৌগদবনি। 'ট' দগী 'ণ ফাওবা অসি লৈগী তোন অতু নুংলোমদা কোনশিল্লগা ডৌগী মাঙথংবা শব্দক শোক্তুনা উচ্চারণ তৌগদবনি। মৈতৈরোনগী বাহৈদা মসিগী খোন্থোক লৈতে।

'ত' দগী 'ন' ফাওবা ময়েম মঙা অসি লৈগী তোন অতু থকথংবা য়াপরেং শোক্তা শন্দোক্তুনা উচ্চারণ তৌগদবা ওই।

'প' দগী 'ম' ফাওবা ময়েক মঙা অসি চীনবান অনীবু থেংনহল্লগা থুনমক খাইদোক্লতুনা উচ্চারণ তৌগদবনি।

'য' হায়বা ময়েক অসি স্বরগী তংখাইনি ; 'ই' বু ব্যঞ্জন ওইনা শাজিন্নবনি।

'ব' হায়বা ময়েক অসি লৈগী তোন্না থকথংবা য়াখোঙবু শোক্নুনা উচ্চারণ তৌগদবনি।

'ল' হায়বা ময়েক অসি লৈগী তোন্না থকথংবা য়াবীবু শোক্লগা উচ্চারণ তৌগদবনি।

'র' হায়বা ময়েক অসি খাথংবা চীনব নবু থকথংবা যা অমসুং থকথংবা চীনবানলোনদা নকশিলহল্লগা উচ্চারণ তৌগদবা ওই। ব্যঞ্জনবর্ণ অমগা 'র' গা তপশিন্নরবা মতমদাদ 'র' না স্বরগী ঃখাইগী থবক তৌই। 'শ' গী উচচাবণদি লৈগী তোন্না ঙৌ শোনহন্দুনা তৌগদবা ওই।

'ষ' গী উচ্চারণদি মৈতৈরোন্দা লৈতে। সংস্কৃতগী পুবা ৱাহৈতদা লৈ। মাসি কোক্তগী থোকপনি।

'স' গী উচ্চাবণদি লৈগী তোন্না থকথংবা য়াবু শোকহন্দুনা তৌগদবনি।

'হ' থোৱাদগী থোকপা অশাবা ময়েকনি।

'ং' (অনুস্বার) না 'ঙ্' ঞ্, ণ্, ন্, ম্, গী খোনগী ছুং শিল্লি

'ঃ' (বিসর্গ) না হ্, গী খোনগী ছুং শিল্লি।

'ক্ষ্' দি 'ক্' অমসুং 'ষ্' না তিন্নহুনা থোকপনি।

ৱাহংপরেং

১। মীওইবগী ৱা ঙাঙবগী খোন করম্না থোকই ?

২। স্বরময়েক্না উচ্চারণ তৌবা মতমদা শোবগী শনবা অসি কদায়দা থেংনৈ ? ব্যঞ্জনময়েক্না কদায় কদাযদা থেংনৈ ?

৩। অ, আ, ই, ঈ, উ, ঊ, অমসুং ঋগী উচ্চারণ করম্না তৌগনি ?

৪। স্বরগী মথল কয়ানো ? মথল খুদিংগী নুদম্নগা লোয়নননা সংজ্ঞা পীয়ু।

৫। অনুনাসিক অমসুং নিরানুনাসিক স্বর কদি করিবু কৌবগে ?

৬। চন্দ্রবিন্দু অমসুং অনুস্বারগী উচ্চারণদা করি খেন্নবা লৈবগে ?
৭। চন্দ্রবিন্দু অসি স্বরবা ব্যঞ্জনলা ?
৮। ক কাংলুপ, চ কাংলুপ, ট কাংলুপ, ত কাংলুপ অমসুং প কাংলুপকী ময়েকশিংগী উচ্চারণ করম করম্না পোগদগে ?
৯। য, র, ল অমসুং ৱগী উচ্চারণ করম্না পোগনি ?
১০। শ, ষ, স অমসুং হগী উচ্চারণ করম্না পোগনি ?

ময়েক্কী খোঙ্খোকফম
(উচ্চারণস্থান)

ময়েক অনবু উচ্চারণ তৌবা মতমদা লৈনা শোক্লিবা মফম অদু ময়েক অদুগী খোঙ্খোকফম (উচ্চারণস্থান) নি। ময়েক্কী উচ্চারণস্থান তরুক শুই। মাদুদি— কণ্ঠ (খোৱা), তালু (ডৌ), মূর্দ্ধা (কোক), দন্ত (য়া) ওষ্ঠ (চীনবান) অমসুং নাসিকা (নাতোন)।

অ, আ, ক্, খ, গ্, ঘ্, ঙ, হ্, : (বিসর্গ)— মাখোয় অসি খোৱাদগী থোকই। মরম অসিনা মাখোয়বু খোৱাদগী থোকপা ময়েক কৌই।

ই, ঈ, চ্, ছ্, জ, ঝ্, ঞ্, য্, শ্ — মাখোয় অসি ডৌদগী থোকই। মরম অসিনা মাখোয়বু ডৌদগী থোকপা ময়েক কৌই।

ঋ, ট্, ঠ্, ড্, ঢ, ণ্, র্, ষ্ — মাখোয় অসি কোকতগী থোকই। মরম অসিনা মাখোয়বু কোক্তগী থোকপা ময়েক কৌই।

ত্, থ্, দ্, ধ্, ন, ল, স্—মাখোয় অসি য়াদগী থোকই। মরম অসিনা মাখোয়বু য়াদগী থোকপা ময়েক কৌই।

উ, ঊ, প্, ফ্, ব্ ভ্, ম্—মাখোয় অসি চীনবান্দগী থোকই। মরম অসিনা মাখোয়বু চীনবান্দগী থোকপা ময়েক কৌই।

'ং' (অনুস্বার) — মযেক অসিগী খোন নাতোন্দগীতা থোকই। মরম অসিদা মাহুৎবু নাতোন্দগী থোক।। মযেক কৌই। ঙ, ঞ, ণ, ন, ম হায়রবা মযেক মঙা অসিগী খোনসু মাগী মাগী থোকফমগা লোয়নবা নাতোন্দগীসু থোকই। মরম অসিনা মাখোয়বুসু নাতোন্দগী থোকপা মযেক কৌই।

এ, ঐ — মযেক অনী অসি খোবী অমসু ভোঁদগী থোকই। মরম অসিনা মাখোয়বু খোরভৌদগী থোকপা মযেক কৌই


ও, ঔ — মযেক অনী অসি খোবা অমসু চানবান্দগী থোকই। মরম অহুনা মাখোয়বু খোবাচানবান্দগী থোকপা মযেক কৌই।

ব — মযেক অসি য অমসু চানবান্দগী থোকই। মরম অসিনা মাসিবু য়াচানবান্দগী থোকপা মযেক কৌই

প্রযত্ন

মযেকী মখল-মথাংগী খোন্থোক থোকহনবগী হোৎনববু ব্যাকরণদা প্রযত্ন কৌই। প্রযত্নগী মখল অনীনি :— অভ্যন্তর (মনুংগী ওইবা) অমসুং বাহ্য (মপানগী ওইবা)। আভ্যন্তর প্রযত্নগী মখল মারিনি— স্পৃষ্ট (অশোকপা), ঈষৎ স্পৃষ্ট (খজিক্কং শোকপা), বিবৃত (হাংদোকপা) অমসুং সংবৃত (খিংজিল্লবা)। বাহ্য প্রযত্নগী মখল ১১ নি— বিবার, সংবার, শ্বাস, নাদ, ঘোষ, অঘোষ, অল্পপ্রাণ, মহাপ্রাণ, উদাত্ত, অনুদাত্ত অমসুং স্বরিত। আভ্যন্তর অমসু বাহ্যপ্রযত্নগী বাফম অসি যাম্না কুপ্পা পোৎনি। লোল খঙনবগী মরমদা য়াম্না কায়বা নত্তে। অহনকপু ব্যাকরণগী জ্ঞানগী দমক্তা মথৌ তাই। পোৎমপ্পা কাম্নগাদবা শব্দকী মথৈ ব্যাখ্যা তৌরি।

করিগুম্বা খোন অমা থোক্লনবা হোৎনবদা খোয়দোদগী প্রাণ কৌবা নুংশিৎ অহুনা কাথৎলক্লুনা থবংক্লচিংবা মফমদা য়ৈরৈ। মাহুগী তুংদা বর্ণ নত্রগা। মাহুবু খঙহনবা খোন থোকই। খোম অহু থোক্তিঙৈগী মাঙদা লৈগী তোম্না, তোনগা নরুবা শব্দক্লা, ময়ায়না



নত্রগা মরুনা ময়েকী খোকফমদ চৌনচিংবু মপূক্কানা খুদাকপা মতমদা স্পৃষ্ট (অশোকপা) ওইরে। মাহুদি—'ক' দগী 'ম' ফাওবা ময়েকশিং। নৈগা ময়েকী খোরুফমগা খজিক্কী শোক্লবা মতমদা ঈষৎস্পৃষ্ট ওইরে। মাহুদি—য, র, ল, ব। নৈগা ময়েকী খোকফমগা লাপ্পনা লৈবা মতমদা বিবৃত ওইরে। মাহুদি—অ, আ নচিংবা স্বরবর্ণ পুম্নমক অমসুং শ, ষ, স, হ। নৈগা ময়েকী খোকফমগা নকুনা লৈবা মতমদা সংবৃত ওইরে। হায়রিবা প্রযত্নশিং অসি ময়েকী উচ্চারণ তৌদ্রিঙৈগী মাঙদা লৈবা থাকুনি। মাখোয় অসি আভ্যন্তর প্রযত্ননি।

বাহ্য প্রযত্নশিংগী মরক্তগী অকুপ্পা খরা হন্দোক্লগা অপোবা কায়বা খরদং নৈনরি। আভ্যন্তর প্রযত্ননা উচ্চারণ তৌদ্রিঙৈদা ওই; অদুগা বাহ্যপ্রযত্নদি উচ্চারণ তৌরবা তুংদা ওই। বাহ্য প্রযত্ন ১১ দগী মরিদং লৌথখি।

অঘোষ অমসুং ঘোষ— ময়েকশিং অদুগী উচ্চারণ তৌবা মতমদা শোরবুতা শীজিল্লবা মাখোয় অদুবু 'অঘোষ' কৌই। ময়েকশিং অদুগী উচ্চারণ তৌবা মতমদ খোনবুতা শীজিন্নবা মাখোয় অদুবু ঘোষ কৌই। বর্গগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ময়েক, শ, ষ, স, হ—মাখোয় অসিগী উচ্চারণ তৌবা মতমদা শোরবুতা শীজিল্লে। মরম অসিনা মাখোয় অসি অঘোষ প্রযত্নগীনি। থর্ড়া হায়রিবা ময়েকশিং নত্তবা ব্যঞ্জনবর্ণ অমসুং স্বরবর্ণ পুম্নমক ঘোষ প্রযত্নগীনি। মাখোয়গী উচ্চারণ তৌবা মতমদা খোনবুতা শীজিল্লে।

শোর শীজিন্নবগী তুংইন্না বাহ্য প্রযত্নগী মখল অনী অমসু লৈরি। মাহুদি— অল্পপ্রাণ অমসু মহাপ্রাণ। ময়েকশিং অদুগী উচ্চারণ তৌবা মতদা শোর খরতমক চঙবা মাখোয়বু অল্পপ্রাণ কৌই, শোর কল্লা হায়বা চঙবা ময়েকশিং অদুবুনা মহাপ্রাণ কৌই। কাঙলুপ খুদিংগী ২শুবা অমসুং ৪শুবা ময়েকশিং অদু মথংশিংনা ১নবা অমসুং ৩শুবা ময়েক্কা 'হ' গী খোঙ্হোক হাপচিল্লগা থোকই।

স্বরবর্ণ পুম্নমক, বর্গগী অহানবা, অহুমশুবা অমসুং মঙাশুবা ময়েকশিং, য, র, ল, ব — মাখোয় অসি অল্পপ্রাণ ময়েকনি। বর্গগী অনীশুবা অমসুং মরিশুবা ময়েকশিং, শ, ষ, স, হ অমসুং বিসর্গ— পুম্নমক অসি মহাপ্রাণগী ময়েকনি।

ব্রাহংপরেং

১। [illegible] খোঙ্‌থোকপগী বর্ণশিং কয়া লৈবগে? খোঙ্‌থোকপগী মখল কয়া শুই [illegible] ?

২। [illegible] খোঙ্‌থোকপগী [illegible] থোকপগে [illegible] হায়ু।

৩। [illegible] মাতুগী মখল কয়া শুজ? [illegible] অদুক মখল [illegible] খোঙ্‌থোকপগে? মাখোয় [illegible] কয়া [illegible]?

৪। [illegible] কয়া থোকই?

৫। [illegible] অহা বা বাহৈশিং অমিনু [illegible] —
স্পৃষ্ট, অস্পৃষ্ট, [illegible] অমসুং সংবৃত।

৬। [illegible] বাহপ্রবন্ধ [illegible] করি থেন্নবা [illegible] ?

৭। [illegible] অমসুং [illegible] কৌগে?

৮। [illegible] ময়েক [illegible] বরিবু কৌগে? অল্পপ্রাণ অমসুং [illegible] ময়েক [illegible] হায়ু।

বানান

মণিপুরী লোন্দা অয়াম্বা স্বরবর্ণগী লুম্বা অমসুং য়াংবগী তুং ইন্না বাহৈগী তোঙান তোঙানবা অর্থ লৈ। অরাম্বা অমসুং অয়াংবা খোম্‌তোক অনীমকপু ময়েক অমত্তুন। ইবদা বৈজ্ঞানিক ওইনা কায়বা করিশু লৈতে। অদুন ওইনমক পাবদা অমসুং অর্থ খঙবদা ঙ্‌ঙাই-নবগী দমক তোঙান-তোঙানবা স্বর নত্রগা ব্যঞ্জনগী মতেংনা তোঙান

তোঙানবা অর্থ ফোংদোক্কবগী পথাপ মতম কুইনগী মাঙদগী চংনরক্লি। ইংশোক ১৯২৫ দা মণিপুরী লোনগী বানানগী কমিটি অমা ফমখি। কমিটি অসিনা বানানগী পথাপ খরা লেপ্লুনা পুখোকখি। অদুগী তুংদা ইংশোক ১৯৩৪ দা গ্রন্থকর্তানা হোংনবদগী পথাপশিং অদুবু অমুক হন্না কমিটি অমন খরলুনা হোংদোক হোংজিন খরা তৌখি; কমিটি অমী অসিনা তৌখ্রিবা পুম্নমক মণিপুর সরকারনা য়াথ্রবনি। হৌজিক অমুক গ্রন্থকারগী সভা, পণ্ডিতশিং কমিটি অমমা হীরম অসি অমুক হন্না খন্নরে। লৈরিবা পথাপশিং অসিগী তুংইন্না মণিপুরী লোনগী বানান তৌনরি। পথাপশিং অসিগী চাউরাকপা নিয়ম খরা খাদা উৎলি। পথাপশিং অসিনকপুম্ব লাইরিকী লোইবদা হাপলি।

অকার

'অ' না হৌবা বাহৈগী লংগা নত্তগা য়াংবগী তু ইন্না অর্থ খেন্নবা বাহৈ পঙনা থেংনদে। ব্যঞ্জনবর্ণ অমগা পুল্লবা মতমদা লুম্না নত্রগা য়াংবগী তুংইন্না অর্থ খেন্নবগী খুদম তৌয়না থোংনৈ। তোঙান-তোঙানবা শব্দগী তোঙান-তোঙানবা বানান পীবদা খুদোং চাদবা তৌয়না থোকই। অদুগুম্বা নকনদদি বাবেংগী থক-থা য়েংলগা খোন্থোক অমম্ব'ং হৌদবদবা ওই ইরিবা মীনম্ব মরাকী অর্থ শেংননবা ইগদবা ওই। অসিগুম্বা বাহৈগী খুদম খরা খাদা পীরি—

শন্— (অযাংবদা) চীংগী মীশিংনা নঙন্দা শীজিন্নবা থুম্মোক অমা।

(অত্নম্বদা) কোক্তা হৌবা পোং।

লম— (অয়াংবদা) শাংবা ওন্ননবা খুতুপ মরিগী চাং অমা।

(অত্নম্বদা) লম্বী, হীরম।

পনবা— (অয়াংবদা) ফিগুম্বনা উদা পনবা, বা ডাঙবদা হীরম অমা পনবা।

(অত্নম্বদা) য়েৎখংপা।

ফনবা— (অয়াংবদা) শন্দোকপা।
(অৱাঙবদা) চোংবা , চোং ফনবা।
হনবা— (অয়াংবদা) অমুক হন্না চৎপা, পীবা ; অমুক হন্না তৌবা।
(অৱাঙবদা) খোন্ডোকপা।
শঙবা— (অয়াংবদা) তাইশিন্নবা।
(অৱাঙবদা) তেনশিন্নবা।
নংবা— (অয়াংবদা) নাতোনগী খেঙদা পোৎকী গুণ লৌবা ; মনম নংবা।
(অৱাঙবদা) করিগুম্বা অমবু অতোপ্পা অমনা থক্তা ননবা।

ব্যঞ্জনময়েকা লৈমিন্নবা 'অ'-গী খাদা লৈবা ময়েক্কা অৱাঙ-অয়াং শাথবা য়ারবদি তোঙানবা অপনী তুংইন্না য়াহৈগী শক তোঙাল্লি। মাহুদি—

কং— (অয়াংবদা) পাউখুম, তেনলান্নচিংবগী মরী তিংথৎনবা উনা শাবা পোৎ।
কঙ— (অৱাঙবদা) ঈশিংদা লৈবা নাপীগী মথল অমা।
নংবা— (অয়াংবদা) লায়রবা ; মতমগী মুংদা য়োৌবা।
নঙবা— (অৱাঙবদা) মহী লাঙবা পোৎনা মপং ওইশিল্লকপা।
মং— (অয়াংবদা) অশিংবগী পোংলোইফম।
মঙ— (অৱাঙবদা) তুরৈদা খোকপা থোরম।

ঐখোয়না উরে, অসিগুম্বা মফমদা 'ঙ্' অমসুং 'ং' না অৱাঙ অয়াং থঙহল্লি।

আকার

ব্যঞ্জনবর্ণদা আকার তন্না য়াহৈদি অৱাঙ অয়াং থায়নসি তুংদা লাকপা ময়েক্কী মতোং নত্তনা য়াদে। য়াদবা মফমদা য়াহৈংগী মরম মকোক য়েংলগা খোন্দোক অমসুং অর্থ লেপকদবা ওই। খুদম ওন্না পীরি—

কাবা — (অযাংবদা) মুনবা হেনজিনখিবা।

(অক্কুম্দা) অবাংবা মক্কদা চৎখৎপা।

লাবা — (অযাংবদা) অমোম্বগী শক্ত তৈনবা।

(অক্কুম্বদা) শেংবা, লূবা।

পাবা — (অযাংবদা) মরেক শুইনা ইরিবা পোং [illegible]

হাযবা ; লাম্বা তৌবা, লাম্বা পাবা।

(অক্কুম্বদা) লনখোক্পা।

চাবা (অযাংবদা) কেন্থবা।

(অক্কুম্বদা) পোংপু চৌন্দ [illegible]

[illegible] — (অযাংবদা) কবিগুপ্ত অমবু [illegible]

[illegible] ; হৌনবা [illegible]

(অক্কুম্বদা) কারক্ষ্মী অনবু [illegible]

[illegible] (অযাংবদা) তেপ্পা তপ্প [illegible] শোকনা [illegible]

(অক্কুম্বদা) [illegible] তৈনবা।

[illegible] — (অযাংবদা) [illegible]

(অক্কুম্বদা) অমোং [illegible] চৎখিবা, [illegible] পানবা।

[illegible] — (অযাংবদা) ককপা ; [illegible]

(অক্কুম্বদা) থকপা ; [illegible]

[illegible] — (অযাংবদা) চাবা, [illegible] ; [illegible]

(অক্কুম্বদা) [illegible]

[illegible] (অযাংবদা) চাইবা

(অক্কুম্বদা) [illegible]

[illegible] (অযাংবদা) [illegible]

(অক্কুম্বদা) ককপ [illegible]

[illegible] — (অযাংবদা) [illegible]

(অক্কুম্বদা) [illegible]

লাম্বা-- (অয়াংবদা) খুৎ ভিংথোক্না লাম্বা লৈবা পোৎ লৌবা।
(অরুম্বদা) চানীংবা পোকপা।
শানবা—(অয়াংবদা) থ'য়ব' পীবা ; যুম শানবা।
(অরুম্বদা) চৎপা ; খোঙশানবা।
হাম্বা--- (অয়াংবদা) মরূ য়াওদবা।
(অরুম্বদা) শেংদোকপা ; খুৎ হাম্বা।
লাকপা—(অয়াংবদা) চৎপা ; খোঙনা লাকপা।
(অরুম্বদা) খুত্নু চন্দুনা থম্বা ; সিংথৌবা লৈপাক লাকপা।

আকারগী থাদা লৈবা ময়েক্না অরুম-অয়াং থ'য়্নুনা অর্থ তোঙানবগী তুংইন্না বাংৈগী শক তোঙ'হল্লি। খুদমদি—
মাংবা — (অয়াংবদা) শে'দবা ; গ্রহণগী দময় মাংবা।
মাঙবা—(অরুম্বদ) মহুক্তগী হম্বনা ফংবা ; লন্নোনবদা শেন মাঙবা।
পাইবা—(অয়াংবদা) মশা থগুনা অভাঙবদা চংপা, উচেক পাইবা।
পায়বা—(অরুম্বদা) লেঙদনবা ফাহুনা থম্বা ; শুম্বা কলন পায়বা।
কাউবা—(অয়াংবদা) নীংশিংবা ঙমদবা।
কাওবা—(অরুম্বদা) কয়া খেংহন্দুনা চংহনবা ; খোঙনা বোল কাওবা।

ই, ঈ—বাঙন ময়েক হংদবদা অয়াংবদা 'ই' অমসুং অরুম্বদা ঈ শীজিন্নৈ। মাহুদি—
ই—(অয়াংবদা) য়ুম কুমবা নাপী।
ঈ— (অরুম্বদা) ফকচাংগী অঙাঙবা মহী।
ইবা—(অয়াংবদা) ময়েক য়েকপা।
ঈবা— (অরুম্বদা) নাবা।
ইপান—(অয়াংবদা) মোংজুথা।
ঈপান—(অরুম্বদা) ঈশিংগী মপান।
ইকোক—(অয়াংবদা) ইগী মপুন।
ঈকোক—(অরুম্বদা) ঈশিংগী হৌফম।

ব্যঞ্জন ময়েকতা তপ্পবদি ইকারনা অয়াংবদা ঈকারনা অন্নম্বদা তপকদবনি। মাদুদি—

খিবা—(অয়াংবদা) করিশুম্বগী লৈকম য়েংবা।

খীবা—(অন্নম্বদা) ফজদবা ওইবা।

শিবা—(অয়াংবদা) থবায় থাবা।

শীবা (অন্নম্বদা) চংহনবা।

ম্রি— (অয়াংবদা) তীল মখল অমা।

মী— (অন্নম্বদা) খোঙ অনী পানবা, থবায়পানবা জীব অমা।

শিং— (অয়াংবদা) চাননবা লৈপাক্তা হৌবা অশাবা পোং অমা।

শীং— (অন্নম্বদা) মৈ থাননবা অকংবা উ নত্রগা নাপী।

থিনবা—(অয়াংবদা) মচিন তুম্বা পোং অমবু করিশুম্বা অমদা চঙহনবা ; লোয়ননা পুবা ; থাংনা থিনবা ; অঙাংবু ফুলদা থিনবা।

থীনবা— (অন্নম্বদা) অচাবা মতমদগী কোম্বা।

নিনবা— (অয়াংবদা) লাঙবা, চাউবা ওইবা।

নীনবা— (অন্নম্বদা) নোনা হৌগৎপা ; লো নীনবা।

উ, ঊ—উ নত্রগা উকারবু অয়াংবদা, ঊ নত্রগা ঊকারবু অন্নম্বদা শীজিন্নৈ।

উন— (অয়াংবদা) কমজিন্নবা ঈশিং।

ঊন— (অন্নম্বদা) হকচাংগী থক্তা কুপ্না অপাবা পোং।

উরা— (অয়াংবদা) উগী মরা ; পাম্বীগী উরা।

ঊরা— (অন্নম্বদা) উচেক জাৎ অমা।

উরি— (অয়াংবদা) মরী চৎপা হরাই জাৎ অমা।

ঊরী— (অন্নম্বদা) মরী চৎপা পাম্বী জাৎ অমা।

হুই— (অয়াংবদা) পদুম জাৎ অমা।

হূই— (অন্নম্বদা) শা জাৎ অমা।

ভু— (অয়াংবদা) হকচাংগী কোক'নত্তবা মকম অতৈদা হৌবা শম মানবা পোৎ।
ভু— (অরূম্বদা) খোং
পুবা— (অয়াংবদা) করিগুম্বা অমবু লৌতুনা চৎপা।
পূবা— (অরূম্বদা) মতম খরগী দমক রায়তুনা শীজিন্নব।
ভুম্বা— (অয়াংবদা) থুনগুম্বনা ঈশিংদা ভুম্বা।
ভূম্বা— (অরূম্বদা) পোত্থাবগী ফিভম অনদা লৈবা।
ভুবা— (অয়াংবদা) মফম নাম্থোক্তুনা তাবা।
ভূবা— (অরূম্বদা) ক্ষুরিৎকুম্বা ভুবা।
ভ্রুবা— (অয়াংবদা) মকমদগী নাম্থোকপা।
ভ্রূবা— (অরূম্বদা) লোম্না লৌবা।
লু — (অয়াংবদা) কোকী তোন
লূ — (অরূম্বদা) ঙা ফাননবা পোৎ অমা।
শুবা—(অয়াংবদা) করিগুম্বা পোৎনা করিগুম্বদা থাবা।
শূবা—(অরূম্বদা) থবক তৌবা।
খোঙ্গুন—(অয়াংবদা) লৌশিং; খোঙ্গুন তাবা।
খোঙ্গূন—(অরূম্বদা) খোঙগী মকম।
খুজেং —(অয়াংবদা) খোঙগী শরূক অমা।
খূজেং —(অরূম্বদ) খুৎকী শরূক অমা।

ঋ— মণিপুরী লোন্দা 'ঋ' হায়বা স্বরগী অশেংবা খোস্থোব লৈতে; হিন্দীদসু লৈতে। সংস্কৃততদি মসি স্বর ওইনা শীজিন্নব ওই। ঋকার তপ্তুনা শীজিন্নরিবা রাইহ অতুনা 'র্+ই' না খোকপ খোস্থোক অতুতএক খোকই। মীতৈরোন্দা ক্রজ্র, শৃংশৃং, ক্র্ক্র অসিনচিংবা রাইদা ঋকার শীজিন্নবসু য়াওই।

এ— ময়েক অসি অশাংবা স্বরনি মণিপুরী লোন্দা ময়েক অসিগী অয়াংবা অমসুং অরূম্বা খোস্থোক অনীমক লৈ। অয়াংব অমসুং অরূম্বা অনীমক্তা 'এ' শীজিন্নগনি।

চেনবা—(অয়াংবদা) লোয়নবা ; মচা চেনবা।
(অরুম্বদা) বয়া অমস্তং য়াঙনা চৎপা।
হেনবা— (অয়াংবদা) মায়বস্থু য়াৎপস্থু ওইদবা।
(অরুম্বদা) ফজবা।
খেনবা—(অয়াংবদা) উৎপা।
(অরুম্বদা) লুদবা।
লেম্বা — (অয়াংবদা) ফজবা।
(অরুম্বদা) লৈহৌবা।
শেনবা—(অয়াংবদা) ঙাকপা, য়েংশিনবা।
(অরুম্বদা) ফৈবা।
খেবা— (অয়াংবদা) হয়াউত্থনা লাঙবা।
(অরুম্বদা) লোক্লচিংবনা কয়জিনবদগী শেংবগী ফংদ্রম কায়বা।

'ঐ' হায়বা স্বর অসি মণিপুরীদা অয়াংবা অংদু' ... অনীমক্তা শীজিন্নবা ওই।

হৈবা— (অয়াংবদা) মুন্না খঙবা।
(অরুম্বদা) মহী লাঙবা পোৎপু ত্রাহনবা।
পৈবা— (অয়াংবদা) খোমজিনবা।
(অরুম্বদা) ঙামথবা, চুমদবা ওইবা।
কৈ -- (অয়াংবদা) শা মখল অমা।
(অরুম্বদা) মরু মরাং পৈনবা য়ুম।
তৈবা— (অয়াংবদা) এক্লবা।
(অরুম্বদা) মহী লাঙবা পোৎপু কবিঙম্বদা শন্দে কপা ইদাক তৈবা, বাই তৈবা।

ও – 'ও' হায়বা স্বর অসি অয়াংবা অংস্তং অরুম্ব খোংথোক অনীমক্তা শীজিন্নবা ওই। বারেংগী থক থা য়েংলগা অর্থ লেপকদবনি।

কোনবা –(অয়াংবদা) হুকচাংগা হুকচাংগা শম্নবা।
(অরূম্বদা) চুমদবা ওইবা, ক্তিংদবা।
চোনবা—(অয়াংবদা) থনবা।
(অরূম্বদা) হেম্না শাংবা।
থোনবা—(অয়াংবদা) তোঙখৎহনবা।
(অরূম্বদা) লৈতেংবা।
পোনবা—(অয়াংবদা) নমগুম্বনা পোনবা ; খা পোনবা।
(অরূম্বদা) পুকনীংহম্বা ওইবা ; তু পোনবা।
পোম্বা—(অয়াংবদা) তোঙখৎপা ওইবা।
(অরূম্বদা) শাংকদবগী থিংগৎপা।
মোনবা— (অয়াংবদা) খরা খরা লোথোকপা।
(অরূম্বদা) তপ্পা।
লোনবা- (অয়াংবদা) মুপী গুম্বা লোমবা।
(অরূম্বদা) ঙাঙবা।
শোনবা—(অয়াংবদা) হায়বা ; নান শোনবা।
(অরূম্বদা) চিংখৎপা ; ঈম শোনবা।

'ঔ' হায়বা স্বর অসি অয়াংবা অনস্তুং অনেম্বা অনীমক্তা শীজিন্নবা ওই। মাইৈপরেংগী থক-খা য়েংলগা অর্থ লেপকদবনি।

কৌবা— (অয়াংবদা) লাকউ হায়বা নত্রগা মিং হায়বা।
(অরূম্বদা) অতেনবা ওইবা ; ফুরিৎ কৌবা।
ভৌবা— (অয়াংবদা) পাঙথোকপা।
(অরূম্বদা) নুংদা লৈবা পোৎপু য়োংকুম্বা খুংলায়না লৌখৎপা।
থৌবা— (অয়াংবদা) লিংজেন অফবা ওইবা।
(অরূম্বদা) থুহম্নবা তকশিনবা।
লৌবা— (অয়াংবদা) কংনা মৈনুংদা মুহুলনবা।

(অরাম্বদা) খুৎচম্নবা তৌবা।

হৌবা— (অয়াংবদা) অহানবা ওইনা পায়খৎপা।

(অরাম্বদা) পান্থীগুম্বনা লৈবাক্‌ স্বদা হিংবা।

'ই' অমসুং 'য়্'— চৈতপকী খাদা অয়াংবদা 'ই' অমুগা অরাম্বদা 'য়' শীজিন্নগদবনি।

হাইবা— (অয়াংবদা) হঙ্গৎ-হন্দা লেঙবা ; থৌরী হাইবা।

হায়বা— (অরাম্বদা) চীন্না খোনথোক্লা নত্রগা ইহুনা অর্থ লৈবা বা ফোংদোকপা ; বা হায়বা।

কাইবা— (অয়াংবদা) কন্নিগুম্বগী দমক থাক্ত্‌না থম্বা।

কায়বা— (অরাম্বদা) মচেৎ মচেৎ তাবা।

খাইবা— (অয়াংবদা) শরুক তম্বা।

খায়বা— (অরাম্বদা) মচেৎ মচেৎ তাহনবা, মচিৎ মচিৎ লৌখৎপা।

কোইবা— (অয়াংবদা) চুমত্রিং চুমদানা শাংদোক্লা চৎপা।

কোয়বা— (অরাম্বদা) অকক্লবা থবক য়াওদানা পঙচৎ চৎপা।

পাইবা— (অয়াংবদা) মশা থপ্তনা শুন্তংদা চৎপা।

পায়বা— (অরাম্বদা) খুত্তা লৌবা।

খোইবা— (অয়াংবদা) তান্নবদা হেনবা।

খোয়বা— (অরাম্বদা) নাপন তৌবা।

নোইবা— (অয়াংবদা) খুৎনা মেৎপা।

নোয়বা— (অরাম্বদা) চুম্নগী চাংদগী হেন্না চাউবা।

ফাইবা— (অয়াংবদা) মকম অমদা লেপ্পা।

ফায়বা— (অরাম্বদা) অমাংবনচিংবা পুক্নগী চংখোকহনবা।

বাইবা— (অয়াংবদা) শনগুম্বনা চীন্না লাকশিনবা।

বায়বা— (অরাম্বদা) মতম থবগী দমক শীজিন্ননবা লৌবা।

মাওথাবা স্বরনা অরাম্বা খোন থঙহনপ্রবদি তুংদা লাকপা 'ই' গী মহুৎ 'য়্' না শিজোই। মাহুদি—

উইবা— (অয়াংবদা) ভুম্নীংবা।
উইবা— (অরুম্বদা) অকনবা ওইবা।
হুই — (অয়াংবদা) শীংচেপ।
হুই — (অরুম্বদা) হুমগী শা অমা।

অয়াংবদা 'ং' অরুম্বদা 'ঙ' শীজিন্নগদবনি।

খাংবা — (অয়াংবদা) কিবা, ঙকপনচিংবা খঙহৌদনা পোকপা।
খঙবা— (অরুম্বদা) পুকনীংদা ভাব ত্তানা লৌশিনবা।
শাংবা — (অয়াংবদা) উনা য়ানাগী মচু ওইবা।
শঙবা—(অরুম্বদা) মচু হাপ্পা ; শেন্নবা।
তংবা— (অয়াংবদা) মহাউ লৌবা, মহাউ তংবা।
তঙবা— (অরুম্বদা) কনশিনবা।
তাংবা — (অয়াংবদা) অরায়মন পীদানা মীগী পোং শীজিন্নবা।
তাঙবা—(অরুম্বদা) মমলয়াম্বা ওইবা ; পোং তাঙবা।
থোং— (অয়াংবদা) ঈরম, ঈশিংগী থোং।
থোঙ— (অরুম্বদা) জীবগী চৎননবা হকচাংগী কায়াং অমা।
নংবা— (অয়াংবদা) লায়রবা ওইবা, মতমগী নুংদা য়োৌবা, ওইবা।
নঙবা— (অরুম্বদা) কুঙশিনবা ; ঈ নঙবা।
তোংবা—(অয়াংবদা) কান্নবা ফংবা।
তোঙবা—(অরুম্বদা) হেন্না য়াংখৎপা ; ই খোঙ্গ অসি য়াম্না তৌঙই।

মাঙখাবা স্বরনা অরুম্বা খোন্তোক খঙহনগ্রবদি ভুংদা লাকপা 'ং'গী মহুৎ 'ঙ' না শিল্লোই। মাহুদি—শিং—শীং (শীঙ নত্তে), খীংবা (খীঙবা নত্তে)।

'উ' বু অয়াংবদা 'ও' বু অরুম্বদা শীজিন্নগদবনি।

চাউবা— (অয়াংবদা) পিকপগী ওন্ন-তৈনবা।
চাওবা—(অরুম্বদা) শাংবা ; খুজিন চাওবা।
লাউবা— (অয়াংবদা) খোল হেৌনা কোংদোকপা।

লাওবা — (অরূপদা) পাকনা হোবা।
কাউবা — (অয়াংবদা) নীংশিংদবা।
কাওবা — (অরাম্বদা) খোঙনা কুবা।

অরূপ অয়াং খায়বগী মতাংদা খল্লা য়াওরিবা "অয়াংবদা" অমসুং "অরূপদা" হায়বা বাহৈ অনা অহু মথংশিংনা "অয়াংবা খোংথোক্লা" অমসুং "অরূপা খোংথোক্লা" হায়বানি হায়না লৌগদবনি।

বাহৈগী মনা মনবা হায়দোকপা মতমদা শেংফাত্তবা 'আকার' অসি কনাগুম্বনা লৌথোক্নবা হায়বা য়াওই। মাসিদি চংনবীগা ভুল-শনবানি। মাসি লৌথোকপবাদ অচম্বা ময়েক পুম্নক্তা হসন্ত (্) শম্না তাবনা অমসুং ওপত্রবদি মক্ষমকাং খওদাংগী মতৌ লৈগদবা মরম্না মেগা আকার অসি লৌথোকপা চুংদে। মৈগী আকারবু চাঙবদা লৌথোকপা অসি নৌ পুম্নক্তা থৌনদে। কনাগুম্বনা আকার অসি য়ামা শেংনা হায়দোকই। মরম অসিনা খুদোং চাদবা পুম্নমক খল্লবগা অমসুং বাংগিগী চংনরক্পা পোরোপগী মুম্বা য়েংলগা মেগী আকার অসি থম্বনা চুনহ হায়না লেপ্পবা য়াদে। তোইগুম্বসু মদা বিভক্তিনচিংবা কারগুম্বা অমগা তম্নবদি মৈগী আকার অসি মাংহনি। মাহুদি:— চাউবা—চাঙবনা ; তাবা—তাবদা, অসিনচিংবা।

য়াহংপরেং

মণিপুরী লোনগী বানানগী খোইদোকপা মতৌ করিনো ?
মণিপুরী বানানবু খুদিংনা চংযাংনা শাজিন্নবদা খুদোংচাদনবা মণিপুরবা করি করি থবক পাঙথংখিবগে ?
বাক্যনময়েক্তা ওম্মা অকার অমসুং আকারগী চুদা লাকপা ময়েক্তা মাখোয়গী অরূপ-অয়াং খায়বা য়াবরা ? মাখোয়গী খুদম পীয়ু।

৪। ই, ইকার, ঈ, ঈকার, উ, উকার, ঊ, ঊকারগী বানান্দা শীজিন্নগনি তাকউ।

৫। একার, ঐকার, ওকার অমসুং ঔকারগী অক্ষর-অযাং থাযনবা পাম্বৈ লৈবরা ?

৬। 'ই' অমসুং 'য়্' না কয়ম করম্বা মফমদা অক্ষর-অয়াং থায়বা য়াবগে খুদম পীদুনা তাকউ।

৭। 'ং' অমসুং 'ঙ্' না অক্ষর-অযাং থাযবগী পথাপ তাকউ। খুদম পীয়ু।

৮। 'উ' অমসুং 'ও' না অক্ষর-অযাং কয়রা থাযবগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।

৯। থাদা ইরিবা য়াইৌপবেংশিংদা য়াওবা ণংনংমথৈ মরম পীদুনা চুমথোকউ :—

মহাক্কী য়াইরোংগী নাম অদু য়াম্না নংশিল্লক্লে। নোং থিংলি থিংলি তাবা মতমদা মংদা চংলুগনু, যাম্না তম্নগনবনি। মীওইবনা বাবা থাংবা তমগদবনি। মহাক্না স্কুল লিংনববগী দমক মীয়ামদগী শেন থাইরি। চাওবনা থোংপাকনা কাউদুনা মহাকপু তাম্মোকখি। ঈপান থাদা কোইচৎ চৎলবদি অঙাংশিং নাগল্লি। শীঙ লৈতদুনা ঙসিদি চাক থোঙ্ত্রে। কীরবদি মপান থোকখিগনু। তুবদা অঙাং অদুগী উনশা হুদোকখ্রে। থবকশুবা মীনা শেন য়াম্না লৌগে হাইরে। মহাক লু নাম্না লায়রিক ইবা ঙমদে। অশোংবা নারক্তা শীং চল্লিরৈদা মহাকপু লীম্না চিকলে। হুরানবনা থোং থুগাইদুনা য়ুমগী থুংদা চংখিরমই। মশা নোইবা অঙাং অদুনা য়াম্না কম্না লাওরমই। অতোংবা চিংথক্তা কারবদি লুংশিং অশেংবা ফংগনি। মিত্তাংবা মী অদুদা লুপা অমসুং পিখো। থৌরি হায়দুনা শাম্নগনু। মীগী কা মচা অমা বাংদুনা মহাক্না মাদুদা ফুরিং তুরি। অহলশিংনা শগায়দা পোং লিগল্লি। হুয় হায়বসি মপুনিংবা শা অমনি।

সন্ধি

থংননা লৈবা বাহৈ অনীগী অহানবা বাহৈগী অকোনবা ময়েকা অকোনবা বাহৈগী অহানবা ময়েকা উচ্চারণ তৌবা নুংঙাইনবগী দমক তিন্নবগী মিং সন্ধি কৌই। সংস্কৃতগী পূবা বাহৈশিংদা সংস্কৃতকী সন্ধিগী নিয়ম পূম্নমক কায়দনা লৈ

স্বরসন্ধি :— স্বর ময়েক অমগা অতোপ্পা স্বর ময়েক অমগা, তিন্নববু স্বরসন্ধি কৌই।

অ+অ, অ+আ, আ+অ, আ+আ=আ।
বেদ+অন্ত=বেদান্ত ; হিম+আলয়=হিমালয় ;
বিদ্য+অর্থী=বিদ্যার্থী ; মহা+আত্মা=মহাত্মা।

ই+ই, ই+ঈ, ঈ+ই, ঈ+ঈ=ঈ।
কবি+ইন্দ্র=কবীন্দ্র ; পরি+ঈক্ষা=পরীক্ষা ;
মহী+ইন্দ্র=মহীন্দ্র ; মহী+ঈশ=মহীশ।

উ+উ, উ+ ঊ, ঊ+উ ঊ+ঊ=ঊ।
সাধু+উক্তি=সাধূক্তি ; বধু+উৎসব=বধূৎসব।

অ+ই, আ+ই, অ+ঈ, আ+ঈ, =এ
দেব+ইন্দ্র=দেবেন্দ্র ; মহা+ইন্দ্র=মহেন্দ্র ;
গণ+ঈশ=গণেশ ; রমা+ঈশ=রমেশ।
অ+ঋ=অর্ ; দেব+ঋষি=দেবর্ষি।
আ+ঋ=অর্ ; মহা+ঋষি=মহর্ষি।

মৈতৈলোন্দা 'আ' গা 'অ' গা তিন্নরগা 'আ' ওই।
মাহুদি— ইচা+অহল=ইচাহন ;
সনা+অহিংবা=সনাহিংবা ; মতা+অহু=মতাহু।
'অ' অমসুং 'আ' নত্তবা স্বরগীতুংদা 'অ' লাক্লবদি মাহু মাঙখি।
মাহুদি— পারি+অহন=পারিহন ; বাবু+অচৌবা=বাবুচৌবা ;

আলু+অমেৎপা=আলুমেৎপা, মনে+অদু=মনেদু, ঐ+অদু=ঐদু।

'ই' নত্রগা 'ঈ' গী খাদা 'ই' নত্রগা 'ঈ' লাক্লবদি অনীমক্কা পুল্লগা 'ঈ' ওই। মাতুদি—অশি+ইবা=অশীবা (সনামহী)।

'তাদা' হায়বা শব্দগী খাদা অকার লাক্লবদি 'দা' মাঙ্খি অদুগা 'তা' গী 'আ' গা তুংগী 'অ' গা তিন্নখি। মাতুদি—তাদা+অঙো=তাঙো; তাদা+অমু=তামু; তাদা+অতোম্বা=তাতোম্বা;

তৌইগুম্বসুং 'তাদা' গী খাদা 'অহন' লাক্লবদি 'হ্' গী মফমদা 'থ্' ওইখি। মাতুদি—তাদা+অহন=তাথন।

'তাদা' গী খাদা চাউবা, য়াইমনচিংবা খাল্লা হৌবা বাহৈ লাক্লবসু 'তাদা' গী 'দা' মাঙ্খি। মাতুদি—তাদা+য়াইমা=তায়াইমা; তাদা+গোপাল=তাগোপাল; তাদা+চাউবা=তাচাউবা।

'তাদা' গী খাদা 'ই' নত্রগা 'ঈ' লাক্লবসু 'তাদা' গী 'দা' মাঙখি। মাতুদি—তাদা+ইবুংঙো=তাইবুংঙো।

'চাউবা' গী খাদা 'অহন' লাক্লবদি 'চাউবা' গী 'বা' মাঙখি, 'অহন' গী অ সু মাঙখি। অদুগা 'হ্' গী মফমদা 'ভ্' ওই। মাতুদি—চাউবা+অহন্=চাউভন।

স্বরনা লোইবা বাহৈগী খাদা 'অচৌবা' হায়বা বাহৈ অসি লাক্লবদি 'অচৌবা' গী মফমদা 'জাউ' ওই। মাতুদি—বা+অচৌবা=বাজাউ; কৈ+অচৌবা=কৈজাউ; মী+অচৌবা=মীজাউ, অসিনচিংবা।

উ, এ না লোইবা মরীমতা খঙনবা বাহৈগী খাদা 'ইবুংঙো' নত্রগা 'ইবেম্মা' লাক্লবদি অকোনবা বাহৈগী অহৌবা 'ই' অদু লাঙখি। মাতুদি—ইচে+ইবেম্মা=ইচেবেম্মা; ইনাউ+ইবুংঙো=ইনাউবুংঙো; ইনাউ+ইবেম্মা=ইনাউবেম্মা।

সন্ধি তৌবা অর্থ য়েংহুনা তৌবা তাই। অর্থ শেরাম্নগদবা লৈয়বদি সন্ধি তৌবা য়াদে। নিপা অমা আসামদগী লাক্লে, নিপা অমা আদগী লাক্লে, অসিনচিংবা মফমদা 'অমা'গী 'আ' গা তুংগী 'আ' গা সন্ধি তৌরোইদবনি। করিনা হায়রবু 'অমাসামদগী' অমস্তুং 'অনাদগী' হায়রবদি অর্থগী কায়বা লাকই। চপমান্নবা মরমগী দমক যুমগী ই, মাগী ঈ, অসিনচিংবদস্তু সন্ধি তৌরোইদবনি।

ব্যঞ্জনসন্ধি—

ব্যঞ্জন ময়েক অমগা স্বর ময়েক অমগা নত্রগা ব্যঞ্জন ময়েক অমগা অতোপ্পা ব্যঞ্জন ময়েক অমগা অনৌগী তিন্নববু ব্যঞ্জনসন্ধি কৌই।

'ত' গী কাঙ্‌লুপকী ময়েকী খাদা 'চ্‌' গী কাঙ্‌লুপকী ময়েক লাক্লবদি 'ত্‌' গী কাঙ্‌লুপকী ময়েক অদু 'চ' গী কাঙ্‌লুপকী ময়েক্তা মথং মনাক্তা নাইনা ওন্থোকই। মাহুদি— কৎ+চরি=কচ্চরি; লাৎ+চবা=লাচ্চবা; খন্‌+জরি=খঞ্জরি; খন্‌+জুরী=খঞ্জুরী।

অনুস্বার নত্রগা ঙ, ন, ম্‌ গী খাদা কাঙ্‌লুপকী ময়েক লাক্লবদি ময়েককাঙ্‌লুপ অদুমকী অহুমশুবা ময়েক্তা ওন্থোকই। মাহুদি— শীং+কৈ=শীঙ্কৈ, খুন্‌+তাংবা=খুন্তাংবা; লন+কে= লনকৈ; যুম+তাংবা=যুম্তাংবা; নম+পোনবা=নম্পোনবা।

স্বরগী খাদা কাঙ্‌লুপকী ময়েক লাক্লবস্তু থকী নিয়ম অসি কায়দনা লৈবা থেংনৈ। মাহুদি— হি+তাংবা=হিদাংবা; ফো+ কৈ=ফৌকৈ।

'ন্‌' গী তুংদা 'ল্‌' লাক্লবদি 'ন্‌' গী মহুত্তা 'ল্‌' ওই। মাহুদি— খন্‌+লম্মী=খল্লম্মী; পুন্‌+লাকপা=পুল্লাকপা; খোগন+লোল =খোগল্লোল; শন্‌+লাবা=শল্লাবা।

'ন' অমস্তুং 'ঙ্‌' গী খাদা 'ক্‌' নত্রগা 'খ' লাক্লবদি 'ন' না 'ং' ওই

অদুগা 'ক্' অমসুং 'খ্' না গ্ ওই। শন্+কোন=শঙ্গোন; শন্+খোম=শঙ্গোম; খোঙ্+খুল=খোঙ্গুল।

'ল্' না হৌবা বাহৈগী মাঙ্দা অ' লাক্লবদি 'ল্' অদু 'র্' ওই। অ+লাপ্পা=অরাপ্পা; অ+লোইবা=অরোইবা; অ+লংবা=অরংবা।

মৈতৈরোন্দা 'ল' গা 'ন্' গা অনীগী মুংদা খেন্নবা থোক্না লৈতে। অয়াম্বা মফমদা অমগী মহুত্তা অতোপ্পা অমা শীজিন্নবা য়াই।

সংস্কৃতকী সন্ধিগী নিয়মশিংগুম্বা নিয়ম মৈতৈরোন্দা লৈগনি হায়না আশা তৌবা অরেম্বা ওইগনি। হিন্দী, বাঙ্গালানচিংবগী ব্যাকরণদা সন্ধিগী নিয়ম লৈরিবা অদুগী অয়াম্বদি সংস্কৃতকী ওাক্তান। মখোয়গী ওইবা নিয়মদি ওস্নোক্লা য়ানদে।

রাহংপরেং

১। সন্ধি হায়বদি কনানো শন্দোক্লা তাকউ।

২। মৈতৈরোন্দা সন্ধিগা মথল কয়া লৈবগে? মথল খুদি মক' উদাহরণগা লোয়ননা সংজ্ঞা পীয়ু।

৩। মথাদা ইরিবা শব্দশিং অসিগী সন্ধি তৌ—
দেব+আলয়; রবি+ইন্দ্র; মহা+ইন্দ্র, উমা+ঈশ, ব্রহ্ম+ঋষি, গোপ+ইন্দ্র, বেদ+অন্ত; মচা+অসি; পাজি+অহেন; হনে+অহেন; তাদা+অতোপ্পা; তাদা+তোম্বী; উ+অচৌবা; ইচে+ইবেম্মা।

৪। মথাদা ইরিবা শব্দশিং অসিগী সন্ধি থাইদোকউ—
ইনাউবুংঙো, হিজাউ, চাউত্তন, তায়াইমা, তাচৌ, মতৌত্ত, তাতোম্বী, পরীক্ষা, বেদান্ত, মহাশয়, গণেশ, নৃপেন্দ্র, মহর্ষি, বিদ্যার্থী, হিমালয়।

৫। মথাদা ইরিবা অসিগী সন্ধি তৌ—
হঙ্গৎ+চরি; কন্+জগে; শন্+কৈ; য়ুম+তাংবা; ফৌ+কৈ। চন্+লম্বী; অ+লোনবা; থুন্+লাকপা; অ+লাপ্পা; লাৎ+চবা। মম+পোনবা; য়ুম্বান্+লোন; য়ুম্+পুরেন; শীং+কৈ।

৯। মখাদা ইরিব' শব্দশিং অসিগী সন্ধি থাইদোকউ—
শিন্দাংবা, লোনগৈ, ব্লাজাউ, থঞ্জিনবা, পোচ্চৈ, শঙ্গোম, নখোনবী, হিদাংব', শল্লাবা, অরাপ্পা, শঙ্গাবা, থঞ্জুরী, শীঙ্গৈ, অরোইবা, খোঁগল্লোল।

শব্দ প্রকরণ

অমা নত্রগা অমদগী হেনবা ময়েক্লা করিগুম্বা অর্থ অমা থোকহল্লবদি ময়েক নত্রগা ময়েকশিং অদুবু শব্দ (ৱাহৈ) কৌই মাদুদি— শগোল, গোপাল, অঙৌবা, অসিনচিংবা। মাসিদগী ঐখোয়না খঙলে, মাদুদি অমা নত্রগা অমদগী হেনবা ময়েক্লা অথ অমা থোকহল্লবদি মাদুবু শব্দ কৌবা য়াদে। মরম অসিনা ব্যাকরণদা ঐখোয়না নৈনগদৌরিবা শব্দদি অর্থ লৈবা ঙাক্তনি।

শব্দ কয়ামুক্লা পূল্লগা মরী লৈনবা অর্থ অমা থোকহল্লবদি বাক্য (ৱাহৈপরেং) ওই। বাক্যগী শরূক অনী লৈ। মাদুদি— উদ্দেশ্য অমস্তুং বিধেয়। মহাক্কী নত্রগা মাদুগী মরমদা করিগুম্বা বা খরা হায়রিবা অদুবু উদ্দেশ্য কৌই; অদুগা হায়রিবা বা অদুবু বিধেয় কৌই। 'মহাক চৎলি' হায়বা বাক্য অসিদা 'মহাক'কী মরীদা 'চৎলি' হায়বসি হায়রিবনি। অদুনা 'মহাক' হায়বা অসি উদ্দেশ্যনি অদুগা 'চৎলি' হায়বা অসি বিধেয়নি। উদ্দেশ্য অমস্তুং বিধেয় অনীমককতা অমদগী হেনবা শব্দ লৈবা য়াই। বাক্য অমদা লৈরিবা শব্দ খুদিংমক মাগী মাগী অকরুবা থবক অমমম তৌই অমস্তুং অমগা অমগগী লক্তা লৈবা মরী অদু কোংদোকই। মাগী মাগী থৌগী তুংইন্না শব্দবু মথক তক্লক থোক্লা থান্নদোকপা য়াই। মাদুদি— বিশেষ্য নত্রগা সংজ্ঞা, সর্ব্বনাম, বিশেষণ, ক্রিয়া, ক্রিয়াবিশেষণ অমস্তুং অব্যয়।

বিশেষ্য নত্রগা সংজ্ঞা

করিগুম্বা থবায় পানবা জীব নত্রগা থবায় পান্দবা পোৎ, ভাব, গুণ, থবক্তশিংবগী মিংবু বিশেষ্য নত্রগা সংজ্ঞা কৌই। মাতৃদি— মী, শা, শাউবা, অসিনচিংবা। বিশেষ্যগী মখল তরূক লৈ। মাতৃদি— (১) জাতিবাচক, (২) নামবাচক, (৩) দ্রব্যবাচক, (৪) ভাববাচক, (৫) ক্রিয়াবাচক, (৬) সমুদায়বাচক।

(১) অমবু হায়রগা মাতৃগী জাতি পূম্নমকপু খঙহনবা বিশেষ্য অদুবু জাতিবাচক বিশেষ্য কৌই। মাতৃদি— মী, শল, উচেক, অসিনচিংবা।

(২) করিগুম্বা জীব নত্রগা পোৎকী মিং খঙহনবা বিশেষ্য অদুবু নামবাচক বিশেষ্য কৌই। মাতৃদি— চাউবা, ইম্ফাল, গঙ্গা, অসিনচিংবা।

(৩) মচেৎ পিকনা পিকনা খাইদোকপা য়াবা, খাইদোক্লবদ মাতৃগী মিং হোংদবা বিশেষ্য অদুবু দ্রব্যবাচক বিশেষ্য কৌই। মাতৃদি— ঈশিং, চিনি, য়োৎ, অসিনচিংবা।

(৪) শক উত্তনা তাকপা য়াদবা বাখনতদা লৈবা পোৎকী গুণ, ধর্ম, দোষনচিংবা খঙহনবা বিশেষ্য অদুবু ভাববাচক বিশেষ্য কৌই। মাতৃদি— শাউবা, থৌজাল, অসিনচিংবা।

(৫) করিগুম্বা থবক অমা তৌবা খঙহনবা বিশেষ্য অদুবু ক্রিয়াবাচক বিশেষ্য কৌই। মাতৃদি— কোয়বা, চৎপা, অসিনচিংবা।

(৬) কাঙলুপ খঙহনবা বিশেষ্য অদুবু সমুদায়বাচক বিশেষ্য কৌই। মাতৃদি— শম্ভু, ক্লাস, অসিনচিংবা।

নামবাচক সংজ্ঞানা জাতিবাচক [ওনবা— করিগুম্বা মী নত্রগা পোৎকী গুণ নত্রগা শাজৎ অদু অতোপ্পা মী নত্রগা পোৎকী

গুণ নত্রগা শাজৎকা মায়বা নত্রগা চাংদম্বগী ভাব থগুহনবা মতমদা নামবাচক সংজ্ঞানা জাতিবাচক সংজ্ঞা ওই। মাহুদি— কালিদাসভি ভারতকী শৈক্সপীয়ারনি। মকম অসিদা 'শেক্সপীয়ার' জাতিবাচক সংজ্ঞা ওইরে।

মিং মাপ্পবা ময়াম থগুহনবা মতমদা নামবাচক বিশেষ্যনা জাতিবাচক ওই। মাহুদি—মকম অসিদা শৌগাইজম মগাথক লাকলম্মী।

দ্রব্যবাচক বিশেষ্যনা জাতিবাচক ওনবা— শকনাইবা খোইদোকপা পোৎ থগুহনবা মতমদা দ্রব্যবাচক বিশেষ্যনা জাতিবাচক ওই। মাহুদি— তুরেল অসিগী ঈশিংদি ময়া লুই। মকম অসিদা 'ঈশিং'না শকনাইবা ঈশিংবু থগুহনবা মরম্মা জাতিবাচক ওইরে। অসিগা চপমান্নবা, 'মুমথক্তা নুং লংগন্থু' হায়বা বাহৈপরেং অসিদা 'নুং' হায়বা শব্দ অসি দ্রব্যবাচক ওইরবসু নুংগী মচেৎ থগুহনবনা জাতিবাচক ওইরে।

জাতিবাচকনসু দ্রব্যবাচক ওইবা মতম লাকই। "অঙাংশিং অহুনা মথং-মথং লোনথংনহুনা মুম কানবা কৈরাক ওইনা লেপ্পন্সী"। মকম অসিদা অঙাং হায়বা বাহৈ অসি জাতিবাচক ওইরে। কৈরাক অমগী শাননবা মচাক ওইনা লৈরে। মরম অসিনা মাসি দ্রব্যবাচক বিশেষ্যনি।

মাহৎ পরেং

১। 'শব্দ'না করিবু থগুনবগে ?

২। বাক্য হায়বসি করিনো ? মাহুগী মক্তওইবা শরক কয়াপো ?

৩। উদ্দেশ্য অমসুং বিধেয় করি করিবু কৌবগে ? খুদম পীদুনা তাকউ।

৪। পাওখোক্লিবা থবকী তুংইবা বাক্য অমগী শবশিংবু কয়া থোক্লা থায়দোকপা য়াবগে ? মথলশিং অহুগী মিং করি করিনো ?

৫। বিশেষ্য করিবু কৌবগে ? মাহুগী মথল কয়া লৈ ? মখোয়গী মিং হায়য়ু।

৬। বিশেষ্যগী মথল খুদিংমক্কী সংজ্ঞা পীডুনা খুদমগা হোৎনদুনা তাকউ।
৭। নামবাচক বিশেষ্যনা কদায়দা মতমদা জাতিবাচক ওইনা শীজিন্নবা য়াবগে? খুদম পীডুনা তাকউ।
৮। করম্বা মতমদা দ্রব্যবাচক বিশেষ্যবু জাতিবাচক ওইনা অমসুং জাতিবাচক বিশেষ্যবুনা দ্রব্যবাচক ওইনা শীজিন্নবা য়াবগে খুদম পীডুনা হংগাইনা তাকউ।

সর্ব্বনাম

বিশেষ্য অমবু হন্না হন্না হায়রবদি তাবা নুংঙাইতবা মরম্না মাদুগী মহুত্তা শব্দ অমবু শীজিন্নৈ; মাদুবু সর্ব্বনাম কৌই। মাদুদি— মহাক, ঐহাক, নহাক, অসিনচিংবা।

সর্ব্বনামগী মথল মঙা লৈ। মাদুদি—

(১) পুরুষবাচক— ঙাঙলিবা মী, তাবিবা মী নত্রগা অনী অসি নত্তবা মাদুগী মরমদা ঙাঙলিবা অতোপ্পা মী নত্রগা পোৎ অদুগী মিংগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নবিবা শব্দ অদুবু পুরুষবাচক সর্ব্বনাম (Personal Pronoun) কৌই।

মাসিগী মথল অহুম লৈ। মাদুদি—

(ক) উত্তমপুরুষকী সর্ব্বনাম— বা ঙাঙলিবা মীনা মশামকী মহুত্তা শীজিন্নবিবা সর্ব্বনাম অদুবু উত্তমপুরুষকী সর্ব্বনাম কৌই। মাদুদি— ঐ, ঐখোয়, ঐগী, ঐখোয়গী, অসিনচিংবা।

(খ) মধ্যমপুরুষকী সর্ব্বনাম— বা ঙাঙলিবা মীনা তাবিবা মীগী মহুত্তা শীজিন্নবিবা সর্ব্বনাম অদুবু মধ্যমপুরুষকী সর্ব্বনাম কৌই। মাদুদি— নহাক, নখোয়, নখোয়গী, অসিনচিংবা।

(গ) প্রথমপুরুষকী সর্ব্বনাম— ঙাঙলিবা মীনা মহাক

অমস্তং তাৱিবা মী নত্তবা অদুবু অতোপ্পা অমগী মরমদা পন্দুনা ভাঙলিবা সর্ব্বনাম অদুবু প্রথমপুরুষকী সর্ব্বনাম কৌই। মাহুদি—মহাক, মাহু, অসিনচিংবা।

(২) নিশ্চয়বাচক— অরেপ্পা পোৎ অমবু খঙহনবা সর্ব্বনাম অদুবু নিশ্চয়বাচক সর্ব্বনাম কৌই। মাহুদি—মাসি, মাহু, অসিনচিংবা।

(৩) প্রশ্নবাচক— হংবা থঙনবা সর্ব্বনাম অদুবু প্রশ্নবাচক সর্ব্বনাম কৌই। মাহুদি—কনা, কার অসিনচিংবা।

(৪) অনিশ্চয়বাচক— অরেপ্প যরিগুম্বা অমত্তবু খঙহন্দবা সর্ব্বনাম অদুবু অনিশ্চয়বাচক সর্ব্বনাম কৌই। মাহুদি—কনাগুম্বা, করিগুম্বা, অসিনচিংবা।

(৫) নিজবাচক— খন্না কনশিন্না হায়বা মতমদা সর্ব্বনামগী মমদা মশামক, নশামক, ইশামক, ঐখোয়মক, অসিনচিংবা বাহৈশিং শাগদুনা; মখোয় অসিবু নিজবাচক সর্ব্বনাম কৌই। মাহুদি—ঐ ইশামক চংলুই।

ৱাহং পরেং

১। সর্ব্বনাম কনবু কৌবগে? মাগী মখল কয়া লৈবগে?
২। সর্ব্বনামগী মখল খুদিংগী শক খুদমগা লোয়ননা শেংনা তাকউ।
৩। পুরুষবাচক সর্ব্বনামগী মখল কয়া লৈ? মখল খুদিংগী খুদম পীয়ু।

বিশেষণ

করিগুম্বা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনাম অমগী গুণ, দোষ, চাং, মশীংনচিংবা খঙহন্দুনা মাহুনু মী নত্রগা পোৎ অতৈদগী তোঙাম্না খঙহনবা ৱাহৈ অদুবু বিশেষণ কৌই। বিশেষণগী মখল মঙাথক লৈ।

(১) গুণবাচক বিশেষণ— বিশেষ্য নত্রগা সর্বনামগী গুণ খঙহনবা বিশেষণবু গুণবাচক বিশেষণ কৌই। 'গুণ' হায়বনা অফবা পুণতবু খঙহন্নে; ব্যাকরণদা গুণনা কহবা গুণ নত্রগা দোম্পুম্ খঙহল্লি। মাতুদি— ফজবা, অশীবা, অসিনচিংবা।

(২) সংখ্যাবাচক বিশেষণ— বিশেষ্য নত্রগা সর্বনামগী মশীং তাকপা বিশেষণবু সংখ্যাবাচক বিশেষণ কৌই। মাতুদি— নিপা মরি, অঙাং অহুম, অসিনচিংবা।

(৩) পরিমাণবাচক বিশেষণ— চাং খঙহনবা বিশেষণবু পরিমাণবাচক বিশেষণ কৌই। মাতুদি— শঙোম সের অমা, ঈশিং খবা, অসিনচিংবা।

(৪) নিশ্চয়বাচক বিশেষণ— বিশেষ্যবু নত্রগা সর্বনামবু থিন্দনা তাকপা, অরেম্বা খঙহনবা বিশেষণবু নিশ্চয়বাচক বিশেষণ কৌই। মাতুদি— লাইরিক অহু কনাগীনো? মহাক অসি পঙইদা! মফম অসিদা 'অহু' অমসুং 'অসি' হায়বসি নিশ্চয়বাচক বিশেষণনি।

(৫) প্রশ্নবাচক বিশেষণ— হংবা খঙনবা বিশেষণবু প্রশ্ন-বাচক বিশেষণ কৌই। মাতুদি— করি পোৎ পুরকপগে? মফম অসিদা 'করি' হায়বসিনা হংবা খঙহল্লি। মরম অদুনা মাসি প্রশ্নবাচক বিশেষণনি।

বিশেষণগী মরমদা খঙগদবা রা খরা :

মণিপুরীলোন্দা বিশেষণনা বিশেষ্যগী মাঙদা লল্লি, তুংদসু লল্লি। মাতুদি— অঙাঙবা লৈ, লৈ অঙাঙবা। মশীং খঙনবা বিশেষণদি মতম লৈবা খিবিক্তা বিশেষ্যগী তুংদা লাকই। মাতুদি— অঙাং মঙা। পরিমাণবাচক বিশেষণ অমসুং নিশ্চয়বাচক বিশেষণসু বিশেষ্যগী তুংদা লাকই। মাতুদি— শঙোম সের অমা, লাইরিক অহু। প্রশ্নবাচক বিশেষণদি বিশেষ্যগী মাঙ অমসুং তুং অনীমক্তা লমই। মাতুদি— করি পোৎ পুরকপগে? নিপা কনা লাকই।

বিশেষ্যগী তুংদা বিশেষণ লৈরবদি বিভক্তিগী বাণ্ডপ পূম্নমক বিশেষণদা তপ্পি ; মাহুত্তু বিশেষ্যগা তপ্পা বিভক্তিনি হায়না খণ্ড-নগনি। মাহুদি— নিপা অসিনা, উ অসিদগী, অসিনচিংবা।

মণিপুরীদা 'ওইবা' ক্রিয়াবু লোত্তুনা থম্লগা বিশেষণদা 'নি' তপশিন্দুনা শীজিন্নবগী থুদম য়াম্না লৈ। মাহুদি— অঙাং অসি ফত্তবনি (ফত্তবা ওই), গুলাপ অসি অঙাঙবনি (অঙাঙবা ওই), অসিনচিংবা।

গুণবাচক বিশেষণগী হিন্নদি মাহুনা গুণ ফোংদোকলিবা বিশেষ্যগী তুং ইল্লি। মাহুদি— ফজবা নিপা, ফজবী নুপী, অঙাঙবা লৈ, অসিনচিংবা।

বিশেষণগী মতাং অসিদা ক্রিয়াবিশেষণগী নৈনবা তৌদ্রে। অসিগী মরমদা তুংদা তোঙান্না নৈনবি।

য়াহং পরেং

১। বিশেষণ হায়বসি করিনো ? মাচগী মথল কয়া গুই।
২। বিশেষণগী মথল খুদিংমক্কী সংজ্ঞা থুদমগা লোয়ননা পীয়ু।
৩। মৈতৈলোলগী বাক্যদা বিশেষণগী মফম কদায়দনো ?
৪। করম-করম্বা মতমদা বিশেষণনা বিশেষ্যগী মাঙদা ফময়ই, অদুগা করম্বা মতমদা তুংদা ফময় ?
৫। বিশেষণদা করম্বা মতমদা বিভক্তি তপ্পা য়াবগে ?
৬। বিশেষণগী লিঙ্গ লৈবরা ? লৈবা লোক্রবদি, মাদুগী লিঙ্গ করম্না ওনবগে ?
৭। মৈতৈলোন্দা বিশেষণগী মতেংনা ক্রিয়াগী থবক পাঙথোকপা করম্না উৎপা য়াবগে ?

ক্রিয়া

পদ অদুনা করিগুম্বা থবক অমা তৌবা নত্রগা করিগুম্বা অমা ওইবা থঙহনবা অদুবু ক্রিয়া কৌই। ক্রিয়াগী হৌফমবু ধাতু কৌই। 'চাগনি' হায়বা ক্রিয়াগী 'চা' হায়বসি ধাতুনি; 'চংলি' হায়বা ক্রিয়াগী 'চং' হায়বসি ধাতুনি।

ক্রিয়াগী মথক অনীথক লৈ। মাদুদি— সকর্ম্মক অমসুং অকর্ম্মক। কর্ম্ম লৈবা ক্রিয়াবু সকর্ম্মক ক্রিয়া কৌই অদুগা কর্ম্ম লৈতবা ক্রিয়াবু অকর্ম্মক ক্রিয়া কৌই। সকর্ম্মক ক্রিয়াগী ফলদি কর্ম্মনা ফংই অদুগা অকর্ম্মক ক্রিয়াগী ফলদি কর্ত্তানা অদুম্মক ফংই 'ঐনা মহাকপু ফুরম্মি' হায়বা ৱারেং অসিদা 'ফুরম্মি' হায়বা ক্রিয়াগী কর্ম্ম 'মহাকপুনি'; ফুবদগী থোকপা নাবা, শোকপনচিংবা ফল অদু 'মহাক'না ফংই। মরম অসিনা 'ফুরম্মি' হায়বসি সকর্ম্মক ক্রিয়ানি। 'চাউবা তুমলি' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা 'তুমলি' হায়বা ক্রিয়াগী ফল ফংবা কর্ত্তা ওইরিবা 'চাউবা' হায়বসি নত্রবা অতৈ লৈতে। মরম অসিনা 'তুমলি' হায়বা ক্রিয়া অসি অকর্ম্মকনি। সকর্ম্মক অমসুং অকর্ম্মক ক্রিয়াগী শক খৈংথায়না অসুম্ব্রসু থাকপা য়াই— কর্ম্মনা মাদুগী ফল ফংবা ক্রিয়াবু সকর্ম্মক, কর্ত্তানা ফংববুনা অকর্ম্মক কৌই।

সমাপিকা অমসুং অসমাপিকা হায়বা ক্রিয়াগী মথক অনী অমসু লৈরি। থবক্কী লোইবা থঙহনবা ক্রিয়াবু সমাপিকা ক্রিয়া অদুগা থবক্কী মপুং ফাদবা নত্রগা লোইদবগী মতৌ থঙহনবা ক্রিয়াবু অসমাপিকা ক্রিয়া কৌই। 'মহাক চাক চারগা লাক্কনি' হায়বা ৱারেং অসিদা 'লাক্কনি' হায়বা ক্রিয়া অসিনা থবক্কী লোইবা থঙহল্লি; মরম অসিনা মাসি সমাপিকা ক্রিয়ানি। 'চারগা' হায়বা ক্রিয়া অসিনা থবক্কী লোইবা থঙহন্দে। 'চাক চারগা' হায়বা

অসিনা করিগুম্বা মপুং ফাবা ভাব অমা কোংদেক্কে। মরম অসিনা 'চারগা' হায়রবা ক্রিয়া অসি অসমাপিকানি।

সংযুক্ত ক্রিয়া — মৈতৈলোন্দা বাহৈ অমগা ক্রিয়াগা নত্রগা ক্রিয়া অমগা অতোপ্পা ক্রিয়া অমগা তিন্নদুনা অতোপ্পা ক্রিয়া শেম্নগী খুদম য়াম্না লৈ 'মহাক তগোইশারি' হায়বা বাহৈপরেং অসিদা 'তগোয়শারি' হায়বসি অস্তুম্না বাহৈ অমগা ক্রিয়া অমগা তিন্নদুনা শেম্ব ক্রিয়ানি। মতৌ অস্তুম্না 'অঙাংনা চোং-ফন্দুনা শান্নবা পাম্মি' হায়গা অসিনা 'চোং-ফনবা' হায়রবসি ক্রিয়া অমগা অতোপ্প ক্রিয়া অমগা পূন্দুনা শেম্বা ক্রিয়ানি। অস্তুম্না শেম্বা ক্রিয়াবু সংযুক্ত ক্রিয়া কৌই।

নামধাতু ক্রিয়া - বিশেষ্য নত্রগা বিশেষণবু ধাতু ওইহল্লগা শেম্বা ক্রিয়াবু নামধাতু ক্রিয়া কৌই। মাদুদি— 'মঙ' হায়বা শুম্ন তৈদা শেন্নানবগী পোকপা ভাব থগুহনবা বিশেষ্যদগী মঙই, মঙলমই, অসিন চংবা ক্রিয়া শেমই। 'খৌংখিজবা' হায়বা বিশেষণদগী 'খৌংখিজে', 'খৌংখিজরমই', অসিনচিংবা ক্রিয়া শেমই।

প্রেরণার্থক নত্রগা প্রয়োজক ক্রিয়া— কর্তানা থবক অমবু মশামক্না তৌবগী মহুত্তা কনাগুম্বা অমবু ঈনশিন্দুনা কৌহল্লবদি অস্তুম্না তৌহনবা থগুহনবা ক্রিয়া অদুবু প্রেরণার্থক নত্রগা প্রয়োজক ক্রিয়া কৌই। চুম্নগী ধাতুদা 'হন্, প্রত্যয় শপশিল্লগা প্রেরণার্থক নত্রগা প্রয়োজক ক্রিয়া শেমই। মাদুদি— তৌবা, তৌহনবা, চাবা চাহনবা; তম্বা, তাম্বহনবা; অসিনচিংবা। প্রেরণার্থক নত্রগা প্রয়োজক ক্রিয়া পূম্নমক সকর্মক ক্রিয়া ওাক্কনি।

দ্বিকর্মক ক্রিয়া— সকর্মক ক্রিয়াগী কর্ম অনী লৈরবদি মাদুবু দ্বিকর্মক ক্রিয়া কৌই। মাদুদি— 'চাউবনা মচাবু লাইরিক তম্বিবি' হায়রবা বাহৈপরেং অসিদা 'তম্বিবি' হায়রব ক্রিয়াগী কর্মদি

'মচাবু' অমসুং 'লাইরিক' হায়বা অনী অসিনি। মরম অসিনা 'ওন্থিরি' হায়বসি দ্বিকর্ম্মক ক্রিয়ানি।

বিশেষ্য, সর্বনাম অমসুং বিশেষণদা ওইবগী অর্থদা 'নি' প্রত্যয় তপশিন্দুনা ক্রিয়া শেম্বগী পথাপ মণিপুরী লোন্দা চংনৈ। মাদুদি— মাসি উপাম্বীনি; হুরানবদি মহাকনি; মহাকী অঙ্ক অসি অরানবনি। খুদমশিং অসিদা 'নি' হায়বা প্রত্যয় অসি 'ওই' হায়বা ক্রিয়াগী মহুত্তা শীজিন্নরিবনি। কনাগুম্বা অমনা 'নি' হায়বসি ক্রিয়া অমনি হায়। মাদুদি নত্তে। ক্রিয়াগী বিভক্তিনচিংবা হাপচিন্দুনা 'নি' গী শক ওহল্লনবা য়াদে।

অকর্ম্মক ক্রিয়াবু সকর্ম্মক ওইনা শীজিন্নগী খুদম য়াম্না লৈ। 'মহাক চেল্লি' হায়বসিদা চেল্লি হায়বসি অকর্ম্মকনি। তোইগুম্বসুং 'মহাক লমজেল চেল্লি' হায়রবদি 'চেল্লি' হায়বা ক্রিয়াসিগী কর্ম্ম 'লমজেল' হায়বসি লৈবনা মাসি সকর্ম্মক ওইরে।

থক্তা হায়রিবা ক্রিয়াগী মখলশিং অসিদগী এথোযনা উরে, মাদুদি— মখলশিং অসি অমগা অমগা পুমত্তোন তোঙানবা নত্তে হায়বদি ক্রিয়া অমনা মখল অমগী ওইরবদি মাদুমক্তা অতোপ্পা মখল অমগীসু ওইবা য়াদে হায়বা নৈতে। খুদমগী শক ওইনা সকর্ম্মক, নত্রগা অকর্ম্মক ক্রিয়া অমনা সমাপিকা নত্রগা অসমাপিকা ক্রিয়া ওইবা য়াই। সংযুক্তক্রিয়া অমসুং নামধাতু ক্রিয়ানসু অকর্ম্মক, সকর্ম্মক, সমাপিকা নত্রগা অসমাপিকা ওইবা য়াই। প্রেরণার্থক নত্রগা প্রয়োজক ক্রিয়াদি মতম লৈবা থিবিক্তা সকর্ম্মক ওই, করিগুম্ব-দসু অকর্ম্মক ওইদে দ্বিকর্ম্মক ক্রিয়াসু সকর্ম্মক নত্তনা অকর্ম্মক কদৌউদসু ওইদে। 'নি' প্রত্যয় তপশিন্দুনা শেম্বা ক্রিয়া পুম্নমক মতম লৈবা থিবিক্তা অকর্ম্মক ওই। করিনা হায়বদু মাসি 'ওই' হায়বা ক্রিয়াগী মহুত্তা শীজিন্নরিবনি।

য়াহংপরেং

১। কবিবু ধাতু কৌবগে অমসুং কবিবু ক্রিয়া কৌবগে খুদমগা লোয়নন তাকউ।

২। সকর্মক অমসুং অকর্মক ক্রিয়া করি কৌবগে? খুদম পীয়ু। অনী অসিগী অমনা অমগী করম মখোয়গী ... তাকউ।

৩। সমাপিকা অমসুং অসমাপিকা ক্রিয়া হায়বসি করি কৌবগে? খুদমগা লোয়নন তাকউ।

৪। সংযুক্ত ক্রিয়া, নামধাতু ক্রিয়া অমসুং প্রেরণার্থক ... ক্রিয়া করি কৌবগে খুদমগা তাকউ।

৫। দ্বিকর্মক ক্রিয়া করিবু কৌবগে? মৈখোবোনগী দ্বিকর্মক ক্রিয়াগী খুদম অমা পীয়ু।

৬। 'নি' প্রত্যয়না ক্রিয়াগী মখোই করম্বা পাণ্ডমখোকপগে? খুদম পীদুনা তাকউ।

৭। অকর্মক ক্রিয়াবু সকর্মক ওইনা শীজিন্নবগী খুদম ... লৈবা? লৈরবদি খুদম পীয়ু।

৮। মথক্তা ... ক্রিয়াগী ... অমসুং ... করম্বা মখলগী ক্রিয়ানো তাকউ:—

ঐনা লম্পীদা চংলিরুদা মহাকপু উবমই। মহাক্না লৈক চারগা লাইরিক তম্বা চংকনি। অঙাংশা! নখোয় লোক-খেনল্লি, খেনম-নম্লগনি। সুপীমচা অসিগী শক য়াম্না ফজে। ঐনা মহাকপু নংলৈক চেঙ্গলগনি। ঐনা শম্বীবু শক্তোম শুবলি। মহাক্না স্কুল অসিগী হেড মাষ্টারনি। মহাক্তি ভুম্বদা মচ় য়াম্না মশুগন্নি।

বিশেষণগী বিশেষণ অমসুং ক্রিয়াবিশেষণ

ঐখোয়না মহৌশানা বিশেষণতা হায়রবদি বিশেষ্যগী গুণ কোংদোকপা বাহৈত্তবু খঙৈ। মাসি নত্তবা বিশেষণগী মখল অনীখকসু লৈরি। মাহুদি— বিশেষণগী বিশেষণ অমসুং ক্রিয়া-বিশেষণ।

বিশেষণ অমনা অতোপ্পা বিশেষণ অমগী গুণ কোংদোক্লবদি মাহুবু বিশেষণগী বিশেষণ কৌই। মাহুদি— য়াম্না ফত্তবা মী। মফম অসিদা 'মী'গী গুণ কোংদোকপনা 'ফত্তবা' হায়বা বাহৈ অসি বিশেষণনি। 'য়াম্না' হায়বা বাহৈ অসিনা 'ফত্তবা' হায়বা বিশেষণ অসিগী গুণ অমুকসু কোংদোকহল্লি। মরম অসিনা 'য়াম্না' হায়বা বাহৈ অসি বিশেষণগী বিশেষণনি।

কারিগুম্বা বাহৈ অমনা ক্রিয়া অমগী গুণ কোংদোক্লবদি মাহুবু ক্রিয়াবিশেষণ কৌই। মাহুদি— থুনা চংলু। মফম অসিদা 'চংলু' হায়বা ক্রিয়া অসিগী থোইদোকপা গুণ 'থুনা' হায়বা বাহৈ অসিনা কোংদোকই। মরম অসিনা 'থুনা' হায়বা বাহৈ অসি ক্রিয়াবিশেষণনি।

ক্রিয়াগী গুণ কোংদোকপসি মখল মখা য়াম্বা মওংদা শুইবা য়াই। মাহুগী তুংইন্না ক্রিয়াবিশেষণ হায়বা অসি মখল মরি থোক্না খায়দোকপা য়াই। মাহুদি— কালবাচক, স্থানবাচক, পরিমাণবাচক অমসুং রীতিবাচক।

কালবাচক— ক্রিয়াগী মতমগা মরীলৈনবা গুণ কোংদোকপা বাহৈবু কালবাচক ক্রিয়াবিশেষণ কৌই। 'মহাক হংচিং লাক্কনি' হায়বা বাহৈশরেং অসিদা 'হংচিং' হায়বা বাহৈ অসিনা 'লাক্কনি' হায়বা ক্রিয়াগী মতম খঙহল্লি। মরম অসিনা 'হংচিং' হায়বা বাহৈ অসি কালবাচক ক্রিয়াবিশেষণনি।

স্থানবাচক— করিগুম্বা বাহৈ অমনা ক্রিয়া অমগী মফমগা মরীলৈনবা গুণ ফোংদোক্লবদি মাদুবু স্থানবাচক ক্রিয়াবিশেষণ কৌই। মাদুদি— মহাক মপান থোকখ্রে, মহাক মণুং চঙখ্রে, হায়বা বাহৈ পরেংশিং অসিদা 'মপান' অমস্তুং 'মণুং' হায়বা বাহৈ অনী অসিনা 'থোকখ্রে' অমস্তু 'চঙখ্রে' হায়বা ক্রিয়া অনী অসিগী মথংশিংনা মফমগা মরী লৈনবা গুণ ফোংদোকই। মরম অসিনা মখোয় অসি স্থানবাচক ক্রিয়াবিশেষণনি। করিগুম্বনা 'আসদা লাউ, অদুদা ফম্মু' আসিনচিংবা খুদমদা 'আসদা, 'অদুদা' আসিনচিংবা বাহৈবু স্থানবাচক ক্রিয়াবিশেষণনি হায়। স্থানবাচক ক্রিয়াবিশেষণদি অব্যয় ওইগদবানি হায়বদি বিভক্তি তল্লগা শব্দ হোংবা য়াবা বাহৈ ওইরোক্লদবানি। থকী উদাহরণদা 'অসিদা' অমস্তু 'অদুদা' হায়বা বাহৈ অনী আসিদি সপ্তমী বিভক্তি তম্না অধিকরণ কারকী সর্ব্বনাম পদনি। ইংরাজী লোনগী বাখল্দগী লানবা অসি থোক্লবনি।

পরিমাণবাচক— করিগুম্বা বাহৈনা করিগুম্বা ক্রিয়া অমগী চাং খঙহল্লবদি মাদুবু পরিমাণবাচক ক্রিয়াবিশেষণ কৌই। মাদুদি— 'মহাক্না য়াম্না চায়' হায়বা বাহৈ পরেং অসিদা 'য়াম্না' হায়বা বাহৈ অসিনা 'চায়' হায়বা ক্রিয়া অসিগী চাংগা মরী লৈনবা গুণ ফোঙদোকই। মরম অসিনা 'য়াম্না' হায়বা বাহৈ অসি 'চায়' হায়বা ক্রিয়াগী পরিমাণবাচক ক্রিয়াবিশেষণনি।

রীতিবাচক— করিগুম্বা বাহৈনা ক্রিয়া অমগী মওং মতৌগা মরী লৈনবা গুণ তাক্লবদি মাদুবু রীতিবাচক ক্রিয়াবিশেষণ কৌই। মাদুদি— মহাক্না থুনা চৎলি। বাহৈপরেং অসিদা 'থুনা' হায়বা বাহৈ অসিনা 'চৎলি' হায়বা ক্রিয়াগী মতৌ উৎলি। মরম অসিনা 'থুনা' হায়বা বাহৈ অসি রীতিবাচক ক্রিয়াবিশেষণনি।

রীতিবাচক ক্রিয়াবিশেষণগী মখল কয়ামুক লৈরি। মাদুদি—

নিশ্চয়বাচক— অরেপ্পা মতৌ খঙহনবা। খুদম— শোয়দনা, লেপ্পমক, খাইদেংশেংবমক, অসিনচিংবা।

কারণবাচক— মরম খঙহনবা। খুদম— মরম অসিনা, করি মরমনা, অসিনচিংবা।

স্বীকৃতিবাচক— য়াবা খঙহনবা। খুদম— হোয়।

নিষেধবাচক— খাম্বা খঙহনবা। খুদম— নত্তে।

মখলশিং অসি নত্তবা অতৈস্ত লৈরি।

করিগুম্বা বাহৈনা ক্রিয়াবিশেষণ অমগী গুণ ফোংদোক্লবদি মাহুবুস্ত ক্রিয়াবিশেষণ অমুম্মক কৌই। মাহুদি— মপাঙ্গ য়াম্না যাঙনা চেল্লি। মফম অসিদা 'য়াম্না' হায়বা বাহৈ অসিনা 'যাঙনা' হায়বা ক্রিয়াবিশেষণ অসিগী গুণ ফোংদোকই, মরম অসিনা 'য়াম্না' হায়বা বাহৈ অসি মফম অসিদা ক্রিয়াবিশেষণনি।

ইংরাজীগী adverb কা মৈতৈলোনগী ক্রিয়াবিশেষণগা চা নম্নহুনা য়েংবা কায়গনি। করিগুম্বা বাহৈ অমনা verb অমগী নত্রগা adjective অমগী নত্রগা অতোপ্পা adverb অমগী গুণ ফোংদোক্লবদি মাহুবু adverb কৌই। মৈতৈলোন্দদি ক্রিয়া (verb) অমগী নত্রগা অতোপ্পা ক্রিয়াবিশেষণ (adverb) অমগী গুণ ফোংদোকপা বাহৈ অমুবু ক্রিয়াবিশেষণ কৌই। বিশেষণ অমগী গুণ ফোংদোকপা বাহৈ অমুবুদি বিশেষণগী বিশেষণ কৌই। ইংরাজিদদি মাসিবুস্ত adverb কৌই।

য়াহৎ পরেং

১। বিশেষণগী বিশেষণ অমসুং ক্রিয়াবিশেষণ করি কবিবু কৌবগে? খুদম পীডুনা তাকউ।

২। ক্রিয়াবিশেষণগী মখল করা লৈ? মখল খুদিংগী সংজ্ঞা অমসুং খুদম তাকউ।

৩। রীতিবাচক ক্রিয়াবিশেষণগী মখল খবগী মিং অমসুং খুদম পীয়ু।

৪। ক্রিয়াবিশেষণগী গুণ কোন্‌দোনপা বাহৈ মৈতৈলোন্দা লৈব্রা ? মাদু করি শব্দনি হায়গদগে ?

৫। ইংরাজীগী 'adverb' কা মৈতৈলোনগী ক্রিয়াবিশেষণগা চাংনম্নৌ। করম্বা ইংরাজদা অমনা অমদগী তোন্নবগে ?

অব্যয়

লিঙ্গ (gender) অদুম্মক্তা, বিভক্তি (case-ending) লেপ্তা অমসুং বচন (number) পুন্নমক্তা মঙং অমতা ওইনা লৈবা, কর্বগুম্বা মতম্মদসু শক ওন্দবা বাহৈ অদুবু অব্যয় কৌই। মরম অসিনা অব্যয় অমনা লিংগ থেন্নবগী তুংইন্না শক ওন্দে, বিভক্তি অমসুং বচন থেন্নবগী তুংইন্নসু শক ওন্দে। মরম অসিনা অব্যয়বু অবিকারী শব্দ হায়নসু কৌই। ইংরাজী লোন্দা মসিবু 'indeclinable' কৌই।

অব্যয়গী মখল মরি লৈ। মাদুদি— ক্রিয়াবিশেষণ, সম্বন্ধ-বাচক, সংযোজক অমসুং বিস্ময়াদিবোধক।

ক্রিয়াবিশেষণ— ক্রিয়াবিশেষণ পন্নমক অব্যয়নি। করিনা হায়রবদি মাখোয়গী শক মতম লৈবা থিবক্তা লেঙদনা লৈ বিশেষণগী মফমদা ক্রিয়াবিশেষণগী মরমদা মতিক চানা লৈনথরে। মফম অসিদা অমুক লৌনা লৈনদবসু হায়রে।

মফম অসিদা চিংনবা অমা পোকপা যাই। করিগুম্বা বাহৈ অদুবু ক্রিয়াবিশেষণ হায়না কৌবা, অব্যয় হায়নসু কৌবা তারবাদ পদ অন্বয় (Parsing) তৌবা মতমদা বাহৈ অদুগী পদ (part of speech) করিনি হায়গনি? অব্যয় হায়বা বাহৈ অসি সামান্য শব্দনি হায়বদি মাসিনা শক ওন্দবা কাঙলুপ থকগী বাহৈশিংবু খঙহল্লি। ক্রিয়াবিশেষণ হায়বা অসিনা বিশিষ্টনি হায়বদি মাসিনা কাঙলুপ অমগী বাহৈশিংবু খঙহল্লি। পদান্বয়দদি য়াম্বিবমথৈ শক

শেংনা তাক্লনবগী দমক য়াবমথৈ কুপ্পা তাকপা ঙৈ। মরম অসিনা অসিগুম্বা বাহৈবু অব্যয় হায়দানা ক্রিয়াবিশেষণ হায়গদবনি।

সম্বন্ধবোধক— অব্যয় শব্দ অমনা করিগুম্বা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনাম অমগা বাহৈপরেং অমত্তনা লৈমিন্নবা অতোপ্পা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনাম নত্রগা ক্রিয়া অমগা লেনবা মরী ফোংদোক্লবদি বাহৈ অদুবু সম্বন্ধবোধক অব্যয় কৌই। ইংরাজীদা সম্বন্ধবোধক অব্যয়না মাতুনা মরী তাক্লিবা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনাম অদুগী মাঙদ লৈ। মরম অসিনা মাদুবু preposition কৌই। তোইগুম্বসুং মৈতৈরোন্দদি সম্বন্ধবোধক অব্যয়না মাতুনা মরী তাক্লিবা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনাম অদুগী তুংদা লাকই। মরম অসিনা মাদুবু Postposition কৌবা য়াই। হিন্দীনচিংবা লোন্দসু Preposition লৈতে, postposition তমক লৈ। খুদমগী শক ওইনা, A bed of roses, A house for them; Run with them, অসনাচংবা খুদমদা of, for with, না মাখোয়না মরী তাক্লিবা noun pronoun গী মাঙদা লৈরে। মরম অসিনা মাখোয়বু preposition কৌই। তোইগুম্বসু 'মাখোয়গী দমক য়ুম অমা শারে' হায়বা বাহৈপরেং অসিদা 'দমক' হায়বা সম্বন্ধবোধক অব্যয় অসিনা মাতুনা মরী তাক্লিবা 'মাখোয়' হায়বা সর্ব্বনাম অসিগী তুংদা লৈরে। মরম অসিনা 'দমক' হায়বা অসি postposition নি। পুন্নমক অসিদগী ঐখোয়না উরে, মাতুদি মৈতৈরোন্দা preposition লৈতে, postposition লৈ।

মৈতৈরোন্দা করম করম্বা বাহৈনা সম্বন্ধবোধক অব্যয় (postposition) ওইবগে হায়বসি খোইদোক্না নৈনগদবা হীরম অমনি। মৈতৈমচানা ইংরাজী, হিন্দীমচিবা লোল তম্মুবা তুংদা তম্মুরিবা লোল অদুগী মতৌ মৈতৈরোন্দা পুশিন্নবগী দমক হোৎনবদগী চম্মবগী মতৌ থোকই। খুদমগী শক ওইনা, 'A book is on the

table' হায়বা ইংরাজীগী বাহৈ পরেং অসিদা 'on' হায়বা অসি 'table' গী মাঙদা লৈদুনা 'book' কা লৈনবা মরী তারে। মরম অসিনা 'on' হায়বসি preposition নি। মাসিগী মতৌ ওমদুনা 'লাইব্রিক অমা টেবলগী থক্তা লৈ' হায়বা মৈতৈরোনগী বাহৈপরেং অসিদা 'on' গী অর্থ থঙহনবা 'থক্তা' হায়বা শব্দ অসিনা 'টেবল' অমসুং 'লাইব্রিক'কী মরী তারে, মরম অসিনা 'থক্তা' হায়বসি preposition নি হায়। 'on' না 'table' গী মাঙদা লৈ অদুগা 'টেবল'গা তুংদা 'থক্তা' লে হায়বাসিদি মাখোয়না য়েংশিন্রে। 'on' না 'table' গী মাঙদা লৈবগী মরক preposition (pre=মাঙ) কৌরিবনি। মৈতৈরোনদদি 'থক্তা' না 'টেবল'গী তুংদা লাক্লবনা preposition কৌবা যাদে হায়বসি য়েংশিনবা যাংলে।

অদুবু, থক্তা পীখিবা 'লাইব্রিক অমা টেবলগী থক্তা লৈ' হায়বা বাহৈপরেং অসিদা 'থক্তা' হায়বা বাহৈ অসি অব্যয় (indeclinable) বা নত্তবরা হায়বা অসিমসু য়েংশিন্দরে। 'থক' হায়বা বাহৈ অসি মৈতৈরোন্দদি অব্যয় নত্তে, করিনা হায়রবদু, মাসিগী শব্দ 'থক', 'থকপু', 'থক্তগী', 'থক্তা' অদুম্না শাইহনবা য়াই। মরম অসিনা ইংরাজীগী prepositionশিংগী অর্থ ওইনা চন্দোকপা মৈতৈরোনগী বাহৈশিং অদু preposition নত্তে। লোল পুম্নমকী থোইদোকপা মতৌ লৈনরিবনি।

সম্বন্ধবোধক অব্যয়না preposition ওইনা লৈবা হিন্দী লোনগা অদুগুম্বা চপ মান্নবা মতৌ লৈবা মৈতৈরোনগা চাংদমদুনা য়েংবা যান্নগনি। হিন্দীগী নে, কো, সে নচিংবা কারকী বিভক্তিনা বিশেষ্য অমসুং সর্ব্বনামগী তুংদা লৈদুনা ইংরাজীগী preposition-গী থবক তৌই। মরম অসিনা কনাগুম্বনা মাখোয় অসিবু postposition হায়না কৌই। মাদুগী তুং ইন্দুনা কনাগুম্বা হিন্দী-হৈবা মণিপুরীনা না, বু, দগী নচিংববু postposition নি হায়।

হিন্দীলোনগী নে, কো, সে নচিংবা অসিবু postposition কৌবদগী কারকী বিভক্তি কৌবনা হেন্না ফৈ। মরমদি মথোন্ন অসিনা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামগা ক্রিয়াগা লৈনবা মরী অদুতবু ফোংদোকই। ইংরাজীগী preposition নত্রগা অতৈ অতৈ post-position না তৌবা শুম্না মাথোন্ন মথন্তা নীংতম্না লেপচবা ঙমদে। নীংতদগী ফিভম অসি লৈত্রবসু হিন্দীদা নে, কো সে নচিংবু তাঙানবা বাহৈ ওইনা ই। মৈতৈলোন্দদি, না, দু, দগী নচিংবা অসি ইবা মতমদা অতৈগা পুনশিন্নখ, তোঙানবা বাহৈ ওইনা লৈতে। অব্যয় হায়রবসিদি তোঙানবা বাহৈ অমা ওইনা লেপকদবনি, মরম অসিনা হিন্দীদা ওইবা পোৎ অদু মৈতৈলোনদা ওইবা যাদে। লোন খুদিংমকী থোইদোকপা মতৌ লৈনরিবনি।

অন্যান্য postposition দি ক্রিয়াবিশেষণগী পবক তৌই, মাথোন্নদা ক্রিয়াগী থবকী পংথৈ পী। ক্রিয়াবিশেষণনা অতৈ অমগী মতেং য়াওদানা ক্রিয়াগী থবকী পংথৈ লেপই; অদুগুম্বনা post-position না বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামগী মতেং লৌদুনা ক্রিয়াগী থবকী পংথৈ পী। 'মহাক্না য়াঙনা চেল্লি' হায়রবা বাক্যদা অসিদা 'য়াঙনা' হায়বা ক্রিয়াবিশেষণ অসিনা 'চেনবা' থবকী পংথৈ পী। 'শেন নঙনা করিমত্তা তৌবা য়াদে' হায়বা বাক্যদা অসিদা 'নঙনা' হায়রবা postposition অসিনা ক্রিয়াগী পংথৈ পীনবা 'শেন' হায়রবা বাহৈগী মতেং লৌই।

মৈতৈলোনদা সম্বন্ধবোধক অব্যয় পুম্নমকপু বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামগা পুন্না ইরোইদবনি, তোঙান্না ইগদবনি। করিনা হায়রবদু মাখদা য়ু অসি তোঙানবা বাহৈনি।

মৈতৈলোনগী সম্বন্ধবোধক অব্যয় (postposition) গী খুদম খরা মথাদা পীরি :—

দনক, দমক্তা— ঐগী দমক, মাগী দমক্তা।

লোয়ননা—	মহাকা লোয়ননা।
য়াওদানা—	মহাক য়াওদানা।
ভুংইম্না—	মাহুশী ভুংইম্না।
মরম্না—	মাহুশী মরম্না।
গুম, গুম্না—	মংগৌ গুম, যতৌ গুম্না।
কুম, কুম্না—	মহাক কুম, মহাক কুম্না।
কাওনা—	মহাক্না কলিকতা কাওনা চৎলে।
মহুত্তা—	যামগী মহুত্তা শ্যাম লাকই।
ওয়তৈমনা—	মাসিগা ওয়তৈমনা।
মরমদা—	লাইরিক অম্বগী মরমদা।
মায়োক্না	মাহুগা মায়োক্না।
নত্তনা—	মহাক নত্তনা মাহু ওয়োই।
লাপ্না—	ইম্ফালদগী লাপ্না।

অসিনচিংবা।

খক্ত ভুংদা, খাদা, অসিনচিংবা মৈতৈলোনগী বাহৈ খংবু ইংরাজী নত্রগা হিন্দীগী বাহৈ খরগা অর্থ মান্নে হায়হুনা 'preposition নত্রগা postposition নি হায়বা য়াদে। মথং ওনবা য়াবা মরম্না মাখোয় অসি মৈতৈলোন্দা অব্যয় মত্তে।

সংযোজক অব্যয় (Conjunction)

শব্দ অনী নত্রগা বাহৈপরেংগী শব্দক অনী নত্রগা বাহৈপরেং অনীবু ভাইনহল্লিবা বাহৈ অহুবু সংযোজক অব্যয় কৌই। 'চাউবা অমসুং তোম্বা মফম অসিদা লাক্লমই'। মফম অসিদা 'অমসুং' হায়বা অব্যয়না 'চাউবা' অমসুং 'তোম্ব'বু ভাইনহল্লি। মরম অসিনা মাসি সংযোজক অব্যয় (Conjunction) নি। "মফম অসিদা লাক্লম্বা অমসুং লাইরিক পুরক্লম্বা অতাং অহু অসিনি" হায়বা বাহৈ-পরেং অসিদা 'মফম অসিদা লাক্লম্বা' অহুগা "লাইরিক পুরক্লম্বা"

হায়বা ৱাহৈপৱেংগী শরুক অনী অসিবু 'অমসুং' হায়বা অব্যয় অসিনা তাইনহল্লি। মরম অসিনা 'অমসুং' হায়বা অসি মকম অসিদা সংযোজক অব্যয়নি। 'মহাক চৎকেরা নত্রগা মহাকপু চৎহল্লুরা' হায়বা ৱাহৈপৱেং অসিদা 'মহাক চৎকেরা' অমসুং 'মহাকপু চৎহল্লুরা' হায়বা ৱাহৈপৱেং অনী অসিবু 'নত্রগা' হায়বা লসিনা তাইনহল্লি। মরম অসিনা 'নত্রগা' হায়বা অসি মকম অসিদা সংযোজক অব্যয়নি। তৌইগুম্বসু, অদুগা, অদুম ওইনমক, মরম-অসিনা, অদুওইরবদি, অদুবু, অমহিকসু, অদুমক্তদি ওইরবদা, নত্রবদি, নত্রগা, নত্রবসু, অমসুং, অদুনা, নত্রবদবু, অসিনচিংবা অসি সংযোজক অব্যয় (Conjunction) নি।

বিস্ময়াদিবোধক অব্যয় (Interjection)

লাইরিকইবা মী নত্রগা রা শাওলিবা মীগী ওকপা, ৱাবা, হরাউবা, ইকায়রবা, তুক্কচবমচিংবা, পুকনীংগী ফিভম থওচ নবাবাহৈ অদুবু বিস্ময়াদিবোধক অব্যয় কৌই। হা !, আ !, অচ্চা !, এ !, ওস্তোকপনি !, ইস !, তোল্লিদা !, হাইমা !, হাইমাইপেম্মা !, অসিনচিংবা অসি বিস্ময়াদিবোধক অব্যয় (Interjection) নি। অসি নত্তনা বিশেষ্যদগী, সর্ব্বনামদগী, বিশেষণদগীসু পুকনীংগী ইপোমবু থওহল্লবদি বিস্ময়াদিবোধক অব্যয় শেম্বা য়াই। ফজেদা ! হয়েহয়ে !, কবি !, অসিনচিংবা অসি বিস্ময়াদিবোধক অব্যয়নি।

ৱাহংপৱেং

১। অব্যয় হায়বগী অর্থ করিনো ? মসিগী সংজ্ঞা পীয়ু।

২। অব্যয়গী মথল কয়া শুই অমসুং মথোয় অদু করি করিনো ?

৩। ক্রিয়াবিশেষণনা অব্যয় ওইরবদি পদাথয়গী মতমদা ক্রিয়াবিশেষণ অমবু অব্যয়নি হায়গদরা ? মরমগা লোয়ননা পাউথম পীয়ু।

৪। সম্বন্ধবোধক অব্যয় করিবু কৌবগে ? খুদম পীদুনা তাকউ।

৫। ইংরাজীগী preposition হায়রবছ মৈতৈরোল্দা লৈব্রা ? লৈয়রবদি মাদু করিনো, অদুগা লৈত্রবদি preposition পী থবক অদু মৈতৈরোল্দা করিনা পাঙথোকপগে ?

৬। "য়ুম অসিগী মুংদা মী মঙা লৈ।" হায়রবা বাক্য অসিগী 'মুংদা' হায়রবা শব্দ অসিগী শক শেংনা তাকউ। মাসি ইংরাজীগী preposition হায়রবা পদ অদুগী মাহৈরা ?

৭। সম্বন্ধবোধক অব্যয়গী মখোদা হিন্দীগা মণিপুরীগা চাংদম্নো।

৮। ক্রিয়াগী অর্থগা মরী লৈননা postposition অমসুং ক্রিয়াবিশেষণ অনীগী লক্তা খেন্নবগী মতৌ করি লৈবগে শুগাইনা তাকউ।

৯। মৈতৈলোনগী সম্বন্ধবোধক অব্যয়গী খুদম মঙা পীয়ু।

১০। সংযোজক অব্যয় করিবু কৌবগে ? খুদম পীদুনা তাকউ।

১১। বিস্ময়াদিবোধক-অব্যয় হায়রবসি করিনো ? মসিগী খুদম থরা পীয়ু।

বিশেষ্যগী শক ওনবা

মৈতৈলোনগী মাহৈ পুম্নমক্পু চাউরাক্না অনীথোক্না থায়দোকপা য়াই। মাদুদি— শকওনবা (বিকারী) অমসুং শকওন্দবা (অবিকারী)। বিশেষ্যদি শকওনবা শব্দনি। মাসিগী শক করম করম্না ওনবগে হায়বদু মথং মথং লৈনরক্নি।

লিংগ (Gender)

লিংগ খেন্নবগী তুংইন্না বিশেষ্যগী শক ওল্লি। লিংগগী অর্থদি খুদমনি। করিগুম্বা বিশেষ্যনা নিপাবু খঙহল্লদি মাদুবু পুংলিঙ্গ কৌই, নুপীবু খঙহল্লগা স্ত্রীলিঙ্গ কৌই অদুগা থবায় পান্দবা পোৎপু খঙহল্লগনা মাদুবু ক্লীবলিঙ্গ কৌই। অসিগী থক্তা করিগুম্বা বিশেষ্যনা নিপা অমসুং নুপী অনীমকপু খঙহল্লি, মাদুবু উভয়লিঙ্গ

কৌই। মরম অসিনা ঐথোয়না উরে, মৈতৈরোন্দা লিংগ মরিথক লৈ। মাহুদি— পুলিঙ্গ, স্ত্রীলিঙ্গ, ক্লীবলিঙ্গ অমসুং উভয়লিঙ্গ। করিগুম্বা পুংলিঙ্গগী স্ত্রীলিঙ্গদি তোপ-তোপ্পা বাহৈনা ওই; করিগুম্বগীনা বাতপ (প্রত্যয়) হাপ্লগা শেম্মি অদুগা করিগুম্বগীনা নিপাম্নুপী খঙহনব। তোপতোপ্পা বাহৈ হাপচিন্দুনা শেমই। কাঙলুপশিং অসিগী মরমদা তোঙান তোঙান্না নৈনরক্লি। অচানবদা, তোঙান্ তোঙানবা বাহৈনা পুংলিঙ্গ অমসুং স্ত্রীলিঙ্গ ওইবা থুদম খরা থাদা পীরি :—

পুংলিঙ্গ	স্ত্রীলিঙ্গ
পাম্মৌ	পলেম
পিবা	নিঙোল, মৌ
পাখং	লৈশাবী, নুবা, নিঙোল
পাগ্রা	লুগ্রা, লুগ্রাবী
লাবা	অমোম
লামচা	অমোম, হাঁ তম
নিপা	নুপী
বামোন	থৌবাণী
নিংথৌ	লৈমা
নিংথৌরেল	লৈমরেন্
লায়নিংথৌ	লাইরেম্মা
শোরেল	অপূম্বী
অঙোমনিংথৌ	থুরাইলৈমা, অসিনচিংবা।

মৈতৈরোনগী মরীমতা খঙনবা বাহৈ পুম্নমক ঐ, নঙ, মাহাক, অহুম অসিগী মুংদগী বাহৈ অমগা পুন্না হায়ররবদি য়াদবা গুম তৌরে। বাসি হৈনখিবননি। খুদমগী শক ওইনা, ইংরাজীগী বাহৈ 'mother' গী মৈতৈরোনগী বাহৈ করিনো হায়ববদি 'ইমা' হায়নরি। তৌইগুম্বসুং মাসিদি চুমদবনি। 'mother' গী মৈতৈরোন্দি 'মা'

ওইগনিদবনি। এরগী মা হায়বদগী 'ইমা' ওইখি ; নওগী মা হায়বদগী 'নমা' ওইখি অমসুং মহাক্কী মা হায়বদগী 'মমা' ওইখি। অমসুম 'পা' (father) দগী ইপা, নপা, মপা ওইখি। অশিগুম্বা খুদম খরা-খরা দা পীরি : —

পুংলিঙ্গ	স্ত্রীলিঙ্গ	পুংলিঙ্গ	স্ত্রীলিঙ্গ
পা, পাবা, পাজি, পাপু	মা	[illegible]	চন
		[illegible]	[illegible]
পু	বেন	[illegible]	তা
[illegible]	নেম	বুং	চে, [illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	বেক্কো	মাক	মো
পন	অ্যান	[illegible]	চন
[illegible]	[illegible], নেম	[illegible]	চে, চেম, [illegible]
[illegible]	নেক্সো [illegible]	[illegible]	চন

[illegible] পুংলিঙ্গদা [illegible] হা [illegible] চিন্দুনা [illegible] লিঙ্গ শেম্মই

চাউবা	চাউবী	হিংচাবা	হিংচাবী
[illegible]	মাইবী	[illegible]	হুম্বী
[illegible]	তোম্বী	হুঙ্গবা	হুঙ্গবী
[illegible]	কিশ্যাবী	[illegible]	খাক্কাকপী
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	তুরানবী	পুরেনবা	পুরেনবী
			অসিনচিংবা

[illegible] পুংলিঙ্গ [illegible] লিঙ্গ শেম্মই।

পুংলিঙ্গ	স্ত্রীলিঙ্গ
[illegible]	[illegible]-অমোম
[illegible]	[illegible]-অমোম

পুংলিঙ্গ	স্ত্রীলিঙ্গ
শামুলাবা	শামু অমোম
কাঙলাবা	কাঙ-অমোম
য়েন্নাবা	য়েন-অমোম
তেনবাংলাবা	তেনবা-অমোম

অসিনচিংবা।

অাং অমগী মুপী নহংগা নিঙোল খঙহনবদা 'নুবী' নত্রগা 'চনু' হাপ্লুনা স্ত্রীলিঙ্গ শেমই। মাহুদি— বামোননুবী, তখেনচনু, মৈহৈনুবী, বরোচনু অসিনচিংবা।

পুংলিঙ্গ খঙনবা বাহৈদা বী, পী হাপ্লুনা স্ত্রীলিঙ্গ শেমই। মাহুদি— অহোন--অহোনবী ; মায়পাক—মায়পাকপী, অসিনচিংবা।

অাং অমদা ওংবী লুপী খঙহনবদা স্ত্রীলিঙ্গদা 'ওংবী' অমসুং 'মো' লাকই। মাহুদি — লাইশ্রমওংবী, অঙোমমো।

অাং খঙনবা বাহৈগী নিপা হায়্রগা পুংলিঙ্গ অমসুং নুপী হায়্রগা স্ত্রীলিঙ্গ ওই; 'নুপী' গী মহুত্তা 'নুবী' সু ওই। মাহুদি—বাঙ্নিপা, বাঙ্নুপী ; মন্নাংনিপা, মন্নাংনুবী।

ফরিঙগুম্বা মী নত্রগা পোৎ অমগী মিংদগী মফম অমগী মিং খঙনরবদি মিং অদু স্ত্রীলিঙ্গ ওই অদুগা 'তাবী' অমসুং 'পোকপী' না মৈদা ইল্লি। মাহুদি— হৈবোংপোকপী, হৈতুপপোকপী, থালতাবী, পাঙনতাবী।

মৈতৈলোন নত্তবা অতৈ লোন্দগী লাকপা বাহৈ খরগী পুংলিঙ্গ অমসুং স্ত্রীলিঙ্গ থাদা পীরি :—

পুংলিঙ্গ	স্ত্রীলিঙ্গ
ব্রাহ্মণ	ব্রাহ্মণী
ক্ষেত্রি	ক্ষেত্রাণী
সাহেব	মেম, বিবি

পুংলিঙ্গ	স্ত্রীলিঙ্গ
শূদ্র	শূদ্রাণী
বাবু	বাবুনী
দেব	দেবী
ইন্দ্র	ইন্দ্রাণী

অসিনচিংবা।

নিপামুপী অনীমকপু খঙহনবা বিশেষ্যবু উভয়লিঙ্গগী বিশেষ্য কৌই। মাহুদি— অঙাং, নহা, অহল, শগোল, শামু, উচেক, অসিনচিংবা। 'শামু' হায়বসি উভয়লিঙ্গগী ৱাহৈনি। মাসিগী পুংলিঙ্গগী মওং শামুলাবা অহুগা স্ত্রীলিঙ্গগীনা শামু অমোম ওইগনি।

লৈগী অর্থ খঙহনবা মৈতৈরোনগী ৱাহৈ খরদি স্ত্রীলিঙ্গগী ৱাহৈ ওইনা শীজিন্নে। মাহুদি— লৈহাউ, থম্বাল, থরো, জাতি, জুতি, অসিনচিংবা।

মৈতৈরোন্দা সর্ব্বনামগী শব্দনা লিঙ্গ ওনবগী তুংইন্না মওং ওন্দে। খুদমগী শক ওইনা "মহাক লাক্লমই" হায়বসিদা 'মহাক' হায়বসি নিপাদস্থু নুপীদস্থু শীজিন্নবা য়াই।

ৱাহং পরেং

১। বিকারী অমসুং অবিকারী শব্দ করি করিবু কৌবগে ?

২। লিঙ্গ হায়বসি করিনো ? মৈতৈরোন্দা লিঙ্গ করা লৈ ? লিঙ্গ খুদিংমগী সংজ্ঞা পীবু।

৩। থাদা হরিবা ৱাহৈশিংগী ওন্ন-তৈনবা লিঙ্গ পীবু—
শোরেল, মৌ, অঙোমনিংথৌ, হাতম, নিঙোল, নিংথৌরেল, লুখ্রা, পাজি, অশিংবা, নম্বা, ফিশুবী, মাইবা, শল্লাবা, য়েল্লাবা, ৱাঙ্নিপা, পাওননিপা, সাহেব, দেব, ব্রাহ্মণী ক্ষেত্রি, ইন্দ্রাণী।

৪। থাদা ইরিবা ৱাহৈশিংগী লিঙ্গ তাকউ—
থম্বাল, য়াম্বা, নেম্বোক, জাতি, শামু, অঙাং, শগোল, লৈহাউ, তেনবা, পিবা, হৈবোংপোকপী, বাবু, জুতি, শেলুংবা, থরো।

বচন

অমা নত্রগা অমদগী হেনবা মশীং খঙহনবা থাহৈগী মওং অদুবু বচন (Number) কৌই। মৈতৈরোন্দা বচনগী মথক অনীনি— একবচন অমসুং বহুবচন।

মশীং অমত্তা খঙহনবা থাহৈবু একবচনগী থাহৈ কৌই। মাহুদি— শল, শগোল, মী, অসিনচিংবা।

অমদগী হেনবা মশীং খঙনহনবা থাহৈবু বহুবচনগী থাহৈ কৌই। মাহুদি— শলশিং, শগোলশিং, মীশিং, অসিনচিংবা।

মৈতৈরোন্দা একবচনগী থাহৈদা বিভক্তি তপ্লগা বহুবচনগী মওং শেমগী চৎনবী লৈতে। একবচনগী থাহৈগী তুংদা বহুবচন খঙহনবা শিং, ময়াম, শঙ্গ, খোয়, মপৈ, পুম্নমক, অসিনচিংববু চৎনবীগী তুংইন্না হাপচিল্লগা বহুবচন শেমই। মাহুদি—মীশিং, মী ময়াম ঊচেক শঙ্গ, শা পুম্নমক, ঐখোয়, নখোয়, মাখোয় অসিনাচিবা ঐখোয়না উবে, মাহুদি— বহুবচন খঙহনবা 'শিং' অমসুং 'খোয়' দি মাখোয়না মশীং খঙহনগদবা ওইবা বিশেষ্য নত্ত্রগা সর্বনামগা থাহৈ অমত্তা ওইনা পুনশিন্নখি। অতৈদি তোঙানবা থাহৈ ওইনা লেপই।

মশীং খঙনবা বিশেষণগা লোয়ননা লৈরবদি বিশেষ্যদা বহুবচনগী খুদম হাপ্পদে। মাহুদি—মী ভরা।

করিগুম্বা থাহৈ অমবু হন্না হায়রুনা বহুবচন ফোংদোকই। মাহুদি— মীশিং অদু য়ুম-য়ুমদা হন্নখ্রে। মফম অসিদা 'য়ুম' হায়বা থাহৈ অসিবু হন্না হায়রুনা বহুবচনগী থাহৈনি হায়বা ফোংদোকই।

বিশেষণবু হন্না হায়রগসু বহুবচন ফোংদোকই। মাহুদি—ফজবা ফজবা লৈ চেকলকউ। মফম অসিদা 'ফজবা'বু হন্না হায়রুনা বহুবচন ফোংদোকই।

কাঙলুপ খণ্ডহনবা বিশেষ্যবু একবচনগী বাক্যে ওইনা শীজিন্নে। মাতুংদি— স্কুল অসিদা শ্রেণী কয়া লৈ?

সর্বনামগী বাক্যেবু হন্না হায়রগা বহুবচন খণ্ডহল্লি। মাতুংদি-- কনা কনা চংকনি? মফম অসিদা 'কনা' হায়বা সর্বনাম অসিবু হন্না হায়তুনা বহুবচন খণ্ডহল্লি।

ঈকায়খুম্নব নাইগা নোংলুমপগী ওইতো খণ্ডহনবদা একবচনগী মতম্তা বহুবচন শীজিন্নে। ঐখোয়না তৌজগনি।

সর্বনামগী বচন খায়নবদা বিশেষ্যগী মায়বগা চপ মান্নদে। একবচনগী সর্বনামদা 'খোয়' তপ্‌ন্দ্রগা বহুবচনগী বাক্যে শেম্মি। মাতুংদি — ঐ—ঐখোয়, নহাক— নখোয়, নঙ—নখোয়। একবচনগী সর্বনামদা অদুম্ মসাম, পুম্নমক, মইপানচি বা হাপ্লুনা বহুবচন শেম্মদে।

রাক্‌হং পরেং

১ [illegible]
২ [illegible]
৩ [illegible]
৪ [illegible]
৫ [illegible]
৬ [illegible]

কারক

কারক হায়বসি কোনগে হায়বসিগী মরমদা [illegible] মত থবা লৈ। [illegible] অমগী তুংইন্না, বাক্যগী অমদা [illegible]

ৱাহৈপরেং অতুগী মুংদা লৈবা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামগা লৈনরিবা মরী অতুবু কারক কৌই। মত অসিগী তুংইন্না কারক্কী মথল তরূক্লি। মাতুদি— কর্ত্তা, কর্ম্ম, করণ, সম্প্রদান, অপাদান অমসুং অধিকরণ। অতোপ্পা মতকী তুংইন্না, কারক হায়বসি ৱাহৈপরেং অমদা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামগা ৱাহৈপরেং অতুদা লৈবা অতোপ্পা ৱাহৈ অমগা লৈনরিবা মরী অতুনা ওই। মত অসিগী তুংইন্না থক্তা হায়খিবা কারক্কী মশীং অতুদা সম্বন্ধকারক অমসুং সম্বোধনকারক হায়বা অনীবু হাপচিন্দুনা কারক্কী মশীং নিপান শুহল্লি। তৌইগু-স্বসুং কুপ্না খল্লবদি মত অসিগী তুং ইন্নসু সম্বোধনদি কারক নত্তে। খুদমগী শক ওইনা, 'চাউবা অসিদা লাউ' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা 'চাউবা' হায়বা ৱাহৈ অসিগা ৱাহৈপরেং অসিগী ৱাহৈ অতৈগগী লক্তা মরী করিমত্তা লৈতে। 'চাউবা' হায়বসিদি নীংতম্বা ৱাহৈনি; মসিনা নীংতম্বা ৱাহৈপরেং অমগী ৱাখল ফোংদোকই। কৌবা খঙনবা ৱাহৈনা, 'পুকনীং চঙঙু' 'চোকশিল্লু' অসিনচিংবা মপুংফাবা ৱাখল ফোংদোকই। মরম অসিনা কৌবনচিংবা খঙনবা ৱাহৈশিংদি কারক নত্তে।

বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনাম অমগী মওংনা ৱাহৈপরেং অতুদা লৈরিবা ৱাহৈ অতৈগগী লক্তা লৈরিবা মরী ফোংদোক্লবদি মাতুবুসু কারক কৌই। মত অসিগী তুংইন্না 'মরী' অতুমক্তা কারক ওইদ্রে, মরী অতু ফোংদোক্লিবা ৱাহৈগী মওং অতুবু কারক কৌবা তাব্রে। তোঙান তাঙানবা কারক ফোংদোক্লবা ৱাহৈগী মৈদা তপ্পা বিভক্তি অতুবু কারকবিভক্তি কৌই। মাতুদি— না, বু, শা, দা, দগী, গী, দা। মাখোয় অসিনা করিগুম্বা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামগী তুংদা ইন্দুনা ৱাহৈ অতুগা অতোপ্পা ৱাহৈ অমগগী লক্তা লৈবা মরী খঙহল্লি। মরম অসিনা ইংরাজীগী Preposition অমনা তৌবা অতুগা হিন্দী, মৈতৈরোন্নচিংবদা postposition অমনা তৌবা গুন্না থবক তৌবনা মাখোয়বু postposition হায়রনসু কৌবা য়াই। তৌইগুম্বসুং

মাখোয় অসিদি preposition নত্রগা postposition অমা শুম্না নীংতম্বা ৱাহৈ নত্তে। মরম অসিনা মাখোয়বু কারকবিভক্তি কৌবা চুমই। কারকবিভক্তি অসি হিন্দীদদি তোঙানবা ৱাহৈ ওইনা ইনৈ; মৈতৈরোন্দদি বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামগা পুনশিন্দুনা ইনৈ।

থক্তা হায়খিবা অসিদগী ঐখোয়না খঙলে, মাতুদি ক্রিয়াগা মরী লৈনবগী মায়কৈদগী য়েংলবদি কারক্কী মখল তরাক্তনি— কর্ত্তা, কর্ম্ম, করণ, সম্প্রদান, অপাদান, অধিকরণ। অতোপ্পা মত অমগী তুংইন্না থক্কী তরাক অসিদা সম্বন্ধকারক অমসুং সম্বোধনকারক হায়বা অনী অসিমগা হাপচিল্লগা কারক্কী মখল নিপাল শুই।

কর্তৃকারক

থবক্কী মপু ওইরিবা হায়বদি থবক পাঙথোক্লিবা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামবু কর্তৃকারক কৌই। কর্তৃকারক্তা 'না' বিভক্তি তপই; করিগুম্বদা বিভক্তি অসি য়াওদ্রবসু কর্ত্তৃকারক ফোঙদোকই। মাতুদি— রাম্না লাইরিক পারি। মাসিদা পাবগী থবক্কী মপুদি 'রাম' নি। মরম অসিনা 'রাম' কর্ত্তৃকারকনি। 'রাম লাক্লমই' হায়বা ৱাহৈ পরেংঅসিদা লাক্লম্বা থবক্কী মপুদি 'রাম' নি; মাসিদা 'না' বিভক্তি য়াওদে। অতুম ওইনমক মাসি কর্ত্তৃকারকনি।

কর্ম্মকারক

ক্রিয়াগী ফল ফংলিবা বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনাম অতুবু কর্ম্মকারক কৌই। কর্ম্ম কারক্তা বু, পু বিভক্তি হাপই, বিভক্তিশিং অসি হাপ্তানা কর্ম্মকারক শীজিন্নবসু য়াই। মাতুদি— মপানা রামবু ফুরমই। থুদম অসিদা ফুবা থবক্কী কর্ত্তা মপানি; ফুবগী থবক্কী ফল নাবা, ঈ-থোকপা, চৈক্কম্নচিংবসি রাম্না ফংই। মরম অসিনা মফম অসিদা 'রামবু' কর্ম্মকারকনি। 'মহাক্না থা য়েংলি' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা 'থা' হায়বা ৱাহৈ অসি বু, পু, য়াওদ্রবসু কর্ম্মকারক ওইরে।

মৈতৈবোন্দ। থবায পান্দবা নত্রগা অতোনবা জীবনা কর্ম্ম ওইবা মওমদা বু, পু বিভক্তি হাপ্দে। থবায পানবা জীবনা কর্ম্ম ওইবা মওনদদি বু, পু হাপনৈ হাপ্দবসু যাম্লই। তৌইগুম্বসুং খোংদোক-পা অর্থ খঙতনবা মওংদদি থবায পান্দবা জীবদসু বু' পু বিভক্তি হাপই। মাদুদি— ঈশ্বর বু অমুপ থবপা অমাংদি ঐহাক উদ্রি। মথম অসিদা 'ঈশ্বর' দা 'বু' বিভক্তি শপলিবাস পোইদোকপা অর্থদা ওপলিবন।

অকর্ম্মক ক্রিয়াগী কর্ম্ম লৈতে, সকর্মক ক্রিয়াগী কর্ম্ম লৈ। কনি কবিগুম্বদা সকর্ম্মক ক্রিয়াগী কর্ম্ম অনী লৈ। মাদুদি— মমানা মচাবু চাক পীজে। মথম অসিদা পীজব হায়বা ক্রিয়া অসিগী কর্ম্মদি 'মচাবু' অমসুং চাক অনী অসিন কর্ম্ম অনী অসিগী লক্তা 'চাক' হায়বসি মক্ক ওইবা কর্ম্মনি, অসিন মুখ্য কর্ম্ম কৌই 'মচা' হায়বা অসিসু মক্ক ওইদ্রবা কর্ম্মনি, মসিবু গৌণকর্ম্ম কৌই অসিগুম্বা কর্ম্ম লৈবা ক্রিয়াবু দ্বিকর্ম্মক ক্রিয়া কৌই

করণকারক

ক্রিয়াগী থবক পাঙনবগী মরমদ পাইশ ওইবিবা নত্রগা খুৎলাই ওইবিবা বাকৈ অদুবু করণকারক কৌই। কারণকারকতা 'না' বিভক্তি শপই। মাদুদি— ঐনা থাঙনা খুদী খোকই। মসিদা 'খোকপা' হায়বা পক্ক। পাঙনববগী খুৎলাই নত্রগা পাইংদি থাঙ নি। মবম অসিনা মসি করণকারকনি।

সম্প্রদান কারক

'সম্প্রদান'গী অর্থদি দান তৌবা, পীবা হায়বনি। কনাগুম্বা অমনা মানা মপু ওইরিবা পোৎ অমগী মপু ওইবগী মতৌ অদু পাদোকনা অতোপ্পা, শমদ পোৎ অদু লৌখরো অমসু পোৎ অদুগী মপু ওইখরো হায়না পীরবদি লৌবিবা মী অদু সম্প্রদাননি

সম্প্রদানকারক্তা দা, তা বিভক্তি হাপই। 'চাকনিবদা ঐনা লুপা অমা পীরে' হায়বা রাহৈপরেং অসিদা ঐনা লুপা অমা পীবদা লৌরিবা চাকনিবসি সম্প্রদান কারকনি। শূননবগী দমক কি ধোবীদা পীবা, হূরানবনা মপুদা হূরানপোৎ পীবা, অসিনচি বা অসি সম্প্রদান নত্তে। করিনা হায়রবু মাসি মপু ওইবগী মতৌ থাদোক্তুনা পীবা নত্তে।

অপাদানকারক

করিগুম্বা পোৎ অমনা অতোপ্পা পোৎ অমদগী থাইদোক্লবদি নত্রগা কায়নরবদি লেঙদানা লৈহৌবা পোৎ অদু অপাদানকারকনি। 'উদগী উনা কেল্লি' হায়বা রাহৈপরেং অসিদা উগা উনাগা কায়নবদা লেঙদানা লৈহৌরিবা উ অসি অপাদাননি।

সম্বন্ধকারক

ক্রিয়াগা মরী লৈনবগী মায়কৈগী য়েং লবদি সম্বন্ধ অসি কারক নত্তে। রাহৈপরেং অমগী কারিগুম্বা বিশেষ্য নত্রগা সর্বনামগা রাহৈপরেং অদুদা লৈবা মতোপ্পা রাহৈ অমগা লৈনারবা মরী অদুনা কারক ওইবা তারবদি সম্বন্ধ অসি কারক অমনি। 'রামগী যুম' হায়বসিদা রামগা মপু ওইবা য়ুম নত্রগা রামগা লৈরিবা য়ুম, অসিনচিংবা 'রাম' গা 'য়ুম' গা অনী অসিগী লক্তা লৈবা সম্বন্ধ নত্রগা মরী অদু ফোংদোকই। মরম অসিনা 'রামগী' হায়বসি সম্বন্ধকারকনি। গী, কী হায়বা বিভক্তি অসিনা সম্বন্ধকারকী খুদম্নি।

অধিকরণকারক

ক্রিয়াগী থবক পাঙথোকপগী মফম, মতম অমসুং থাকী মওং খঙহনবা বিশেষ্য নত্রগা সর্বনাম অদুবু অধিকরণকারক কৌই। মফম খঙ হনবা অধিকরণবু স্থানাধিকরণ কৌই। মাহ্লাদ— মহাক

যুমদা লৈ। মহাক্না লৈবগী মফম 'যুম'নি। মরম অসিনা 'যুমদা' অধিকরণকারকনি। মতম খঙহনবা অধিকরণবু কালাধিকরণ কৌই। মাদুদি--মহাক নুংথিলদা চুমহি। 'নুংথিলদা' হায়বা ৱাহৈ অসিনা তৌবগী মতম খঙহল্লি। মরম অসিনা 'নুংথিলদা' হায়বা অসি কালাধিকরণনি। 'থবক অসি তৌবদা মহাক্কী পরি তোংজবা লৈ?' হায়বা ৱাহৈপরে অসিদা 'তৌবদা' হায়বা থবক অসিনা 'লৈ' হায়বা ক্রিয়া অসিগী অধিকরণনি। মরম অসিনা 'তৌবদা' হায়বা অসি অধিকরণকারকনি।

সম্বোধন

কৌবা খঙহনবা ৱাহৈবু সম্বোধনপদ কৌই। হে হো, অসিনচিংবা কৌবা খঙনবা অৱাবনা সম্বোধনপদগী মমাংদা থাই।

থক্কা হায়রে, সম্বোধনপদগা ৱাহৈপরেংগী মুংদা লেপ্পা অতোপ্পা ৱাহৈ অমগা মরী লৈনদে। মরম অসিনা মাসিবু কারকক্কী মুংদা চঙলনবা চুহদে।

শব্দরূপ

তোঙান তোঙানবা কারকক্কী থুইনা শব্দগী শকল ওনববু শব্দরূপ কৌই। কারকক্কী বিভক্তিশিং থাদা পীরি :—

	একবচন	বহুবচন
কর্তা	না	শিংনা, ময়াম্না, অসিনচি বা
কর্ম্ম	বু, পু,	শিংবু, ময়াম্বু, ,,
করণ	না	শিংনা, ময়াম্না ,,
সম্প্রদান	দা, তা	শিংদা, ময়ামদা ,,
অপাদান	দগী, তগী	শিংদগী, ময়ামদগী ,,
সম্বন্ধ	গী, কী	শিংগী, ময়ামগী ,,
অধিকরণ	দা তা	শিংদা, ময়ামদা ,,

'মী' শব্দগী রূপ

	একবচন	বহুবচন
প্রথমা	মী, মীন।	মীশিং, মীশিংনা,— পূম্নমক।
দ্বিতীয়া	মীবু	মীশিংবু,— পূম্নমকপু
তৃতীয়া	মীনা	মীশিংনা,— পূম্নমক্না
চতুর্থী	মীদা	মীশিংদা,— পূম্নমক্তা
পঞ্চমী	মীদগী	মীশিংদগী,— পূম্নমক্তগী
ষষ্ঠী	মীগী	মীশিংগী,— পূম্নমক্কী
সপ্তমী	মীদা	মীশিংদা,— পূম্নমক্তা
সম্বোধন	মী	মীশিং,— পূম্নমক।

মৈতৈরোনগী শব্দরূপতি ইচমচম্ষ্ট অমসুং চাং নাই। স্বর অমসুং ব্যঞ্জন পূম্নমক্না লোপ্না য়াইদ পূম্নমক্কী শব্দরূপ থক্কী অসিগা মান্ননা তৌগদবনি। সর্বনামশব্দ ঐ, ঐহাক, নঙ, নহাক, মা, মহাককী শব্দরূপতি থকবা অসিগা থরা থেন্নে।

ঐ, ঐহাক

	একবচন	বহুবচন
১মা	ঐ, ঐহাক, ঐনা, ঐহাক্না	ঐখোয়, ঐখোয়না
২য়া	ঐবু, ঐহাকপু	ঐখোয়বু
৩য়া	ঐনা, ঐহাকনা	ঐখোয়না
৪র্থী	ঐঙোন্দা	ঐখোয়দা
৫মী	ঐঙোন্দগী	ঐখোয়দগী
৬ষ্ঠী	ঐগী, ঐহাক্কী	ঐখোয়গী
৭মী	ঐঙোন্দা	ঐখোয়দা

কনা, করিনচিংবা সর্ব্বনামগী রূপতি থাদা উৎলিবা গুম্না তৌগদবনি।

	একবচন	বহুবচন
১মা	কনা, কনানা	কনাকনা, কনাকনানা

	একবচন	বহুবচন
২য়া	কনাবু	কনাকনাবু
৩য়া	কনানা	কনাকনানা
৪থী	কনাদা	কনাকনাদা
৫মী	কনাদগী	কনাকনাদগী
৬ষ্ঠী	কনাগী	কনাকনাগী
৭মী	কনাদা	কনাকনাদা

মতৌ অহুম্মা 'করি'গী রূপ তৌগদবনি।

অসি, অদু, মাসি, মাদুগী রূপতি থাদা উৎলি—

	একবচন	বহুবচন
১মা	অসি, অসিনা	মাখোয় অসি, মখোয় অসিনা
২য়া	অসিবু	মাখোয় অসিবু
৩য়া	অসিনা	মাখোয় অসিনা
৪থী	অসিদা	মাখোয় অসিদা
৫মী	অসিদগী	মাখোয় অসিদগী
৬ষ্ঠী	অসিগী	মাখোয় অসিগী
৭মী	অসিদা	মাখোয় অসিদা

'অদু'গী রূপ 'অসি'গা চপমান্নানা তৌগদবনি।

'মাসি, অমসুং 'মাদু'গী রূপতি একবচনদা থক্কী অসিগা মান্নগনি। বহুবচনদদি লৈতে।

ৱাহং পরেং

১। কারক হায়বসি করিনো?

২। কারক্কী মখল কয়া শুই হায়বগী মরমদা তোঙানবা মত করি করি লৈবগে? মতশিং অদু শুগাইনা তাকউ।

৩। 'সম্বোধন হায়বসি কারক নত্তে' হায়বগী মরমদা য়ানীংবা য়ানীংদবা পুন্নমক মরম পীদুনা তাকউ।

৪। কারক বিভক্তি হায়বসি করিনো? ইংরেজীগী Preposition,

ছিন্দীগী কারকবিভক্তি অমসুং মাণপুনীগী কারকবিভক্তি— অহুম অসিবু অমগা অমগা চান্দম্নো।

৫। কর্তৃকারক হায়বসি করিনো অমসুং মাদুগী বিভক্তি করিনে? বাক্য অমদা কর্তৃকারক্কী খুদম পীয়ু।

৬। কর্মকারক করিবু কৌরগে অমসুং মাদুগী বিভক্তি করিনো? কর্মগী মখল কয়া শুই? মখল খুদিংমকপু তোঙানা তাকউ।

৭। করণকারক, সম্প্রদানকারক, অপাদানকারক, সম্বন্ধকারক অমসুং অধিকরণকারক করি করিবু কৌরগে অমসুং মাখোয়গী বিভক্তি করি করিনো?

৮। শব্দরূপ হায়বসি করিনো? কারক খুদিংগী একবচন অমসুং বহুবচনগী বিভক্তি পীয়ু।

৯। মখা তারবা শব্দশিংগী শব্দরূপ তৌ— রাম, নিংথৌ, গুরু হানে কাব, অতু নহাক।

১০। খাদা ইরিবা বাক্যশিংগী বিশেষ্য অমসুং সর্বনামগী মখা থন্দে কয়া মাখোয়গী কারক তাকউ

রামগী ম.ম অমা লৈ। লৈন তা নবদা লুপা অমা পীরম্মি। মহাক্না শীংদুনে টমখি। চাংদগী হুরেন চেঙ্গরকই। মণিপুরদা নোংমা লৈরে। অজাং চাকশিংবু পাক্ত কম্বিদি লুপা অসিনা থরাযথোর নমা 'ডাবদা মিংগী পিশাশিংনা খড়ংহাগ খোরাদা ত্রেনা পুদিং মচাথক শননবা পাকি। পাকসনা থাবা ... চুরানপোৎ মপুদা হনবিখ।

পুরুষ

'পুরুষ' হায়বা সংস্কৃতকী বাহৈ অসিগী অর্থ 'নিপা'নি। চৌইগুমসুং ব্যাকরণদদি মাসিনা নিপাশিংবু হন্ডনদে, নিপা, নুপী, থবাক্পানবা জীব অতৈ অতৈ অমসু থবাকপান্দবা পোৎ অতৈ

অতৈবুসু খঙহল্লি । পূন্নমক অসিবু ব্যাকরণদা কাওলূপ অহুম থোক্না খায়দোকই । ঐ, ঐহাক অমসুং অনী অসিদগী রূপ তৌদুনা ভনখিবা রাহৈশিংবু উত্তমপুরুষকী রাহৈ কৌই । নঙ, নহাক অমসুং অনী অসিদগী রূপ তৌদুনা ভনখিবা রাহৈশিংবু মধ্যমপুরুষকী রাহৈ কৌই । ঐ, ঐহাক, নঙ, নহাক অমসুং মখোয় অসিদগী থোকপা রাহৈশিং নত্তবা মহাক, মাসি, মাদুনচিংবা, জীবপানবা অমসুং পান্দবা লেমহৌরিবা রাহৈ পুন্নমকপু প্রথমপুরুষকী রাহৈ কৌই ।

মরম অসিনা ঐখোয়না উরে, মাদুদ— ব্যাকরণদা পুরুষগী মখল অহুমনি । উত্তমপুরুষ, মধ্যমপুরুষ অমসুং প্রথমপুরুষ । খুদমশিং—

উত্তমপুরুষ— ঐ, ঐহাক, অসিনচিংবা ।

মধ্যমপুরুষ— নঙ, নহাক ” ।

প্রথমপুরুষ— মহাক, মাসি, মাদু, শগোল, শাম্, উ, নাগা, লৈপাক, ঈশং, অসিনচিংবা ।

রাহংপরেং

১। পুরুষকী অর্থ করিনো অমসুং ব্যাকরণদা মাসিনা করিবু খঙহনবগে ?

২। ব্যাকরণগী পুরুষকী মখল কয়া লৈ ? মখল খুদিংমক্কী খুদম পীদুনা তাকউ ।

কাল

কালগী অর্থদি ‘মতম’নি । করিগুম্বা ক্রিয়া অমগী মতমবু কাল কৌই । কারগুম্বা থবক অমা তৌবগী মতম অদু হৌজিকলা, হৌখ্রবা মতমদরা নত্রগা লাক্কদৌরিবা মতমদরা হায়বা খঙহনবা মতম অদুবু কাল কৌই ।

কাল হায়বাস চাউবাক্না অহুমথোক্না খায়দোকপা য়াই। মাহুমি— বর্তমানকাল, অতীতকাল অমসুং ভবিষ্যৎকাল।

কারিগুম্বা থবক অমবু পাঙথোকপগী মতম অহু হৌজিক্কী ওই-রবদি মাহুবু বর্তমানকাল কৌই, হৌখিবা মতমগী ওইরগা অতীতকাল অমসুং লাক্কদবা তুংগী মতমগী ওইরগনা ভবিষ্যৎকাল কৌই। 'ঐনা থবক অমা তৌরি' হায়বসিদা 'তৌরি' হায়বা হৌজিক্কী মতমগী থবা খঙহনবনা বর্তমানকালগী ক্রিয়ানি। 'ঐনা থবক অমা তৌ-রমই' হায়বদা 'তৌরমই' হায়বনা হৌখিবা মতমগী থবক খঙ-হনবনা অতীতকালগী ক্রিয়ানি হায়বা খঙহল্লি। 'ঐনা থবক অমা তৌগনি' হায়বসিদা তুংগী থবা হায়বনা 'তৌগনি' হায়বা ক্রিয়া অসি ভবিষ্যৎকালগীনি হায়বা খঙহল্লি।

থক্তা পাংরবা কালগী মখল খুদিংমকপু অমুক্তা মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। বর্তমানকালবু সামান্য বর্তমান, অপূর্ণ বর্তমান অমসুং পূর্ণ বর্তমান হায়না অহুমথোক্না খায়দোকপা য়াই। 'শন্না শঙ্গাক চায' হায়বা ৱাক্যৈপরেং অসিদা 'চায়' হায়বা ক্রিয়া অসিনা থবক্কী মতৌ শাগী ওইবা অচম্বা নংগী মতমতমক খঙহল্লি; মরম অসিনা অসিগুম্বা থবক্কী মতমবু সামান্য বর্তমানকাল কৌই। 'শন্না শঙ্গাক চারি' হায়রবদি হৌজিকমক তৌরিবা চাবগী থবক অহু লোইদ্রি অমসুং মপুং ফাদ্রি হায়বা খঙহল্লি। মরম অসিনা অসি-গুম্বা থবক্কী মতমবু অপূর্ণ বর্তমানকাল কৌই। 'মহাক চাক চারে' হায়বসিদা চাক চাবগী থবক অহু হৌজিক্তা মপুং ফারে হায়বা খঙ-হনবনা অসিগুম্বা থবক্কী মতমবু পূর্ণ বর্তমান কাল কৌই। অপূর্ণ বর্তমানকালগী থক্তা হায়খিবা মওং অহু নত্তবা অমসু লৈরি। 'হুমিং তরেংনি চুম্না নোং চুররি', হায়বা ৱাক্যৈপরেং অসিদা হৌজিক্কী মতম-দা তৌরিবা থবক অহু মতম শাংনা লেপ্তনা চথরক্লবনা থক্তা পীখিবা অপূর্ণ বর্তমানগী 'চারি' হায়বা মওং অসিদগী তোপ তোপ্পা মওংগী ক্রিয়া ওইরে। অনী অসিগী খেন্নবদি অসিনি— 'চারি' হায়রবদি

চারগী থবক অদু হৌজিকমক তৌরি হায়বা খঙহল্লি অদুগা চাবগী থবক অদু মতম ঙাইহাক্কুগী চথবানি হায়বসু খঙহল্লি তৌইগুম্বসুং 'চারক্লি' হায়ববদি হৌজিকমক তৌরিবা থবক অদু মতম শাংনা চথরক্লি হায়বসি শেংনা খঙহল্লি।

মতৌ অসুম্না অতীতকালগীসু সামান্য অতীতকাল, অপূর্ণ অতীতকাল, পূর্ণ অতীতকাল হায়না মখল অহুম লৈ। 'মহাক লাকখি' নত্রগা 'মহাক লাক্লমই' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা 'লাকপা' হায়বা থবক্তা হৌখিবা মতমদা লোকখিবগী মতৌতমক খঙহল্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মতমবু সামান্য অতীতকাল কৌই। 'ঐহাক্না থুংলবা মতমদা মহাক চাক চারমই' অমসুং 'মহাক নুমিৎ তরেৎনি চুপ্পা চরা হেল্লমই' হায়বা ৱাহৈপরেংশিং অসিদা চাদুনা লৈরম্বা (লোইদ্রিবা) অমসুং চরা হেন্দনা মতম থরা চুপ্পা লৈরম্বা মথংশিংনা খঙহল্লি। অসিগুম্বা অতীতকালবু অপর্ণ অতীত কৌই। 'ঐনা থুংলবা মতমদা মহাক চাক চারম্লে' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা চাবগী থবক অদু হৌখিবা মতমদা লোইরম্লে নত্রগা মপুংফারম্লে হায়বা খঙহল্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা অতীতকালবু পূর্ণ অতীত কৌই।

মতৌ অসুম্না ভবিষ্যৎকালগীসু মখল অহুম লৈ। 'ঐ হয়েং মফম অদুদা চৎকনি' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা তুংদা তৌগদবা থবক অমবু ইচমচম্না হায়রি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ভবিষ্যৎপু সামান্য ভবিষ্যৎ তৌই। 'নংনা হয়েং চাকপা মতমদা ঐ নহাকপু ঙাইদুনা লৈরমগনি' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা তুংগী মতমদা মতম থরা চুপ্পা তৌদুনা লৈগদবা থবক অমবু ফোংদোকই। অসিগুম্বা ভবিষ্যৎপু অপূর্ণ ভবিষ্যৎ কৌই। "নহাক্না হয়েং লাকপা মতমদা ঐহাক থবক অদু লোইরম্লগনি" হায়বা ৱাহৈপরেং অসিদা তৌজিকতি লোইদ্রিবা থবক অমা হয়েংদি কারগুম্বা থবক (লাকপা) অমগী মাঙদা মপুং ফাদুনা লৈরম্লগনি হায়বা খঙহল্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ভবিষ্যৎ কালবু পূর্ণ ভবিষ্যৎকাল কৌই।

য়াহৈং পরেং

১। কালগী অর্থ করিনো ? ব্যাকরণদা কালনা করিদু খণ্ডনবগে ?

২। কালগী মখল কয়া শুই ? মখল খুদিংগী শক খুমদগা লোয়ননা তাকউ।

৩। কালগী মখল খুদিংমকপু অমক মখল কয়া থোক থাম্বাদোরপগে ? মখল খুদিংগী মি, শক অমসুং খুদম পীয়ু।

ক্রিয়াগী প্রকার নল্লগা মওং

নখোয়না উবে, ক্রিয়াগী পুরুষ বচন অমসুং কাল খেন্নবগী তুং ইন্না ক্রিয়াগী রূপ মখলমখা থোক্লা ওল্লি। মাসিদসু নত্তনা ক্রিয়াগী শক ওনবগী মরম খরসু লৈরি। করিগুম্বা ক্রিয়ানা ক্রিয়াগী থৌদবগী যিভম খণ্ডহল্লি, করিগুম্বনা থৌদোক অমগী মরমদা চিংনবা খণ্ডহল্লি, করিগুম্বনা হায়জবা অমসু পাউতাক, য়াথংনচিংবা পীবা খণ্ডহল্লি অমসুং করিগুম্বা ক্রিয়ানা থক্লা হায়রিবা মথাম অসিগ খণ্ডহন্দানা চুম্নগী ইচমচম্বা ধাতুগী অর্থখক্ত খণ্ডহল্লি। অসুম্না থক্লবা মওং খণ্ডহনবা অদুবু ক্রিয়াগী প্রকার নল্লগা মওং (mood) কৌই।

থবক অমগী মরমদা শোয়দবগী মতৌ খণ্ডহনবা ক্রিয়াগী মখলগ নিশ্চয়ার্থক প্রকার (Indicative Mood) কৌই। মাদুদি চাউবা লাকই, মহাক চৎলে, ঐহাক চৎলি, অসিনচিংবা। নিশ্চয়ার্থক ক্রিয়া পুম্নমক্কী কাল পুম্নমক্তা রূপ ওল্লি।

থবক অমগী মরমদা চিংনবা হায়বদি ওইবসু যাবা ওইদনসু যাবগী মতৌ খণ্ডহনবা ক্রিয়াগী মখলবু, সম্ভাব্য প্রকার (Subjunc tive Mood) কৌই। মাদুদি মহাক্না লাক্লবদি ঐহাক চৎলনি নত্তদ অসিদা ঐগী চৎপগী থবক অসি মহাক্না লাক্পা নত্তগা লাক্লবগী

থক্তানি। মসিম আমনা এগী চৎপগী ওবক অসি চিংনবগী শক্ত হইনা লে। অমশুংদা ক্রিয়াবু মতৌবা প্রকারগী ক্রিয়া কৌই।

কমশুংদা ক্রিয়াবু হায়জবা, য়াথং, পাউজেল, আশীর্বাদ [illegible] পীবা থক্তক শক্তি মশাবু বিধায়ক [illegible] প্রবর্তনার্থক প্রকার (Imperative Mood) [illegible]। মখোয়দা [illegible] পীরু, থগা চংলো, মতম চেৎনা [illegible], মহাক [illegible], আমনাচিংগা।

মসিগা মরক্তা [illegible] ক্রিয়াগী প্রকার [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাল অমত্তা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিংগী [illegible] [illegible] [illegible] য়াথং, হায়জবনাচিং [illegible] ক্রিয়াসিমক্তগী [illegible] [illegible] বর্তমান অমসুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] শাস্ত্রিবা বাক্য, পীবিবা আশীর্বাদনচিংগা পুম্নমক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসিনা বিধায়ক [illegible] প্রবর্তনার্থক ক্রিয়া [illegible] [illegible] আমত্তা ক্রিয়াগী [illegible] [illegible] [illegible]।

চুমদিংবুম্না পীবা য়াথং, আশীর্বাদ, হায়জবা, অসিনচিংবা শক্তনবা ক্রিয়াবু বিধায়ক মরুপা প্রবর্তনার্থক ক্রিয়া কৌই। কৌইনা পীবা য়াথং, আশীর্বাদ, হায়জবনাচিংবরুদি প্রকার অসিগী ক্রিয়ানি হায়বা য়াদে। মখোয় অদুদি মীৎবা কোংদোকপা মখল (ইচ্ছার্থক প্রকার) নীনি। খুদক্কী শক্ত হইনা, 'মহাক মু ভাইনা পামসন্নু' অমসুং 'মহাক মুংভাইনা পাম্নু' হায়রবা বাক্য অনী অসিদা অহানবা বাকাদা চুংগী মীৎবা অমতা য়োংদোকপনি অদুগা অনী-শুবা বাক্যদনা চুমদিংবুম্না আশীর্বাদ পীবনি।

ইচমচম্না শাত্নুনা ফোংদোকপা অর্থ যুক্তা শঙ্ঘনবা ক্রিয়া অদুবু সামান্য ক্রিয়া কৌই। মাছুদি— চাবা, তৌবা, চৎপা, অসিনচিংবা।

ধাতুরূপ

তৌবা— নিশ্চয়াত্মক প্রকার

সামান্য বর্তমান কাল

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌই।

অপূর্ণবর্তমান কাল

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌরি।

পূর্ণবর্তমান কাল

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌরে।

সামান্য ভূত

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌখি।

অপূর্ণ ভূত

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌরমই।

পূর্ণ ভূত

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌরম্মে, তৌরে।

সামান্য ভবিষ্যৎ

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌগনি।

অপূর্ণ ভবিষ্যৎ

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌরম-গনি।

পূর্ণ ভবিষ্যৎ

ঐনা, ঐখোয়না, নঙনা, নখোয়না, মহাকনা, মখোয়না— তৌরম্ন-গনি।

বিধ্যর্থক নত্রগা প্রবর্ত্তনার্থক প্রকার

য়াথং পীবা অমসুং লৌবা, পাউতাক পীবা, নিবা, বর পীবা, অসিনচিংবদা বিধ্যর্থক নত্রগা প্রবর্ত্তনার্থক বিভক্তি শীজিন্নৈ। থক্তা ঐখোয়না উপ্রে, বর্ত্তমান, ভূত অমসুং ভবিষ্যৎকাল অনুস্মক্তা পুরুষ অমসুং বচন খেন্নবগী তুংইন্না নিশ্চয়ার্থক প্রকারগী ক্রিয়াগী শক ওন্দে। তৌইগুম্বসুং অনুজ্ঞা (য়াথং, য়াবা) দদি পুরুষ খেন্নবগী তুংইন্না ক্রিয়াগী শক ওল্লি। উত্তমপুরুষতা 'গে' বিভক্তি তপ্পি; মধ্যমপুরুষতা উ, য়ু, অমসুং 'ও' অমসুং প্রথমপুরুষতা 'সনু' বিভক্তি শীজিন্নৈ।

উত্তমপুরুষ— ঐ, ঐখোয়, তৌগে।

মধ্যমপুরুষ — নঙ, নখোয় য়েংউ, ফারুু, চাও।

প্রথমপুরুষ— মহাক, মখোয়, তৌসনু, চাসনু।

হায়জবা থঙহনবা ধাতু অমসুং বিভক্তিগী লক্তা 'পি' হাপচিল্লি। 'পি' গী 'প্' না কাঙলুপকী অহানবা নত্তবা ময়েক অতৈগী তুংদা 'ব্' ওল্লি। চাবিয়ু, তৌবিয়ু, অসিনচিংবা।

খাম্বা নত্রগা থিংবা থঙনবা মধ্যমপুরুষকী ধাতুগী তুংদা গনু, কনু লাকই। চাগনু, চংকনু, অসিনচিংবা। প্রথমপুরুষকী ধাতুগী তুংদদি 'দসনু' নত্রগা 'তসনু' লাকই। তৌদসনু, চত্তসনু, অসিনচিংবা।

ৱাহং পরেং

১। ক্রিয়াগী প্রকার হায়বসি করিনো? মাদুগী মখল কয়া ওবগে?

২। ক্রিয়াগী প্রকার খুদিংমকী সংজ্ঞা পীয়ু। প্রকার খুদিংমকী খুদম পীয়ু।

৩। বিধ্যর্থক নত্রগা প্রবর্ত্তনার্থক ক্রিয়াগা করম্বা কালগা মরী লৈনবগে?

৪। বিধ্যর্থক নত্রগা প্রবর্ত্তনার্থক প্রকারগী ক্রিয়া অমসুং ইচ্ছার্থক প্রকারগী ক্রিয়া— অনীগী লক্তা করি খেন্নবা লৈবগে?

৫। নিশ্চয়ার্থক প্রকারগী ক্রিয়াগী রূপ তোংডান তোংডানবা কালদা করম্না

গুনবগে ? পুরুষ অমসুং বচন খেন্নবগী তুংইন্না মাপিগী ক্রিযাগী রূপ গুনবরা গুন্দবরা ?

৬। হায়জবা খণ্ডহনবা ক্রিয়া অমসুং ২, ৪া ওন্নগা লিংবা খণ্ডহনবা ক্রিয়া করম্না শেম্বগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।

ৱাহৈপরেং [বাক্য]

লোল হায়বা অসি মীওইবগী ৱাখল কোংদোক্নবা পাম্বৈ অমনি। মীওইবগী ৱাখল কোংদোক্লবগী দমক মানা মানা লোল্লিবা লোল অদুগী ৱাহৈশিংবু লোল অদুগী চৎনবী কায়দানা শীজিন্নবা নাই। অসুম্না পুকনীংগী ৱাখল কোংদোকপদা মপুংফাবা ৱাখল অমা খণ্ডহনবা ওম্বা ৱাহৈশিং অদুবু ৱাহৈপরেং নত্রগা বাক্য কৌই। এখোয়না উরে— ঐখোয়গী ৱাখলবু নীংথিনা কোংদোকপা ঙমদ্রবদি লোল অমা হৈবগী কান্নবা লৈতে। ৱাহৈপরেং শেম্বা (বাক্যরচনা) হৈত্রবদি ঐখোয়গী ৱাখল চুম্না কোংদোকপা ঙমদে।

ৱাহৈপরেং অমদা যোগ্যতা, আকাঙ্ক্ষা অমসুং আসত্তি লৈগদবনি। যোগ্যতাগী অর্থদি মতিকচাদগী মতৌ হায়বনি। বাক্য অমদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অদু অমগা অমগা তাইনবদা মতিকচাবা ওইগদবনি। খুদমগী শক ওইনা, "মহাক্না নাকোংনা মনম নল্লি" হায়রবদি নাকোংনা মনম নম্বা য়াদবনা বাক্য অসিদা যোগ্যতা লৈত্রে। "নাতোন্না মনম নমই" হায়রবদি মাসিদা যোগ্যতা লৈরে।

অর্থবু মপুং ফাহনবা ৱাহৈ লৈবগী মতৌবু আকাঙ্ক্ষা কৌই। "মহাক্না ফুই" হায়রবদি কনাবু ফুই হায়না খঙনীংবা অমা লাকই। "মহাক্না তোম্ববু ফুই" হায়রবদি খঙনীংবা পুম্নমক খঙলে অদুগা অর্থসু মপুং ফাবা ওইরে। অদুনা মফম অসিদা আকাঙ্ক্ষা

লৈরে। "শগোল, শামু, চুই, হৌদোং" হায়বসিদা আকাঙ্ক্ষা লৈতবনা মাসি বাক্য ওইদ্রে।

আসত্তি হায়বসি নক্লবগী মতৌ হায়বনি। বাক্য অমগী ৱাহৈ অমবু ঙসি হায়রগা মথংগী ৱাহৈ অত্তুবুনা হয়েং হায়রবদি অত্তুদা আসত্তি লৈত্রে। খুদমগী শক ওইনা ঙসি 'শগোল' হায়রগা হয়েংনা 'চেল্লি' হায়রবদি ৱাহায় অত্তু আসত্তি লৈতবনা বাক্য ওইদ্রে। মরম অসিনা বাক্য অমগী শব্দশিং অত্তু নক্লনা মথং মথং হাংগদবা ওই।

সাধারণ ওইনা ব্যাকরণশাস্ত্রনা তাবই, মাদুদি, ৱাহৈপরেং (বাক্য) অমদা য়ামদ্রবদা তঙায়ফদনা কর্ত্তা ওইবা পদ অমা লৈগনি অমসুং মাদুগী ক্রিয়াপদ অমা লৈগনি, মাদুদগী অহেনবা ৱাহৈ অতৈ অতৈসু লৈবা য়াই, তৌইগুমসুং ৱাহৈশিং অসিবু ৱাহৈপরেং অমদা হাপচিনবা অসি অর্থগী চান্নবা চান্নদনগী মতৌ ইয়েং য়েংদানা হেক তৌবা য়াদে। ব্যাকরণগী ৱাহৈপরেং লেংবগী নিয়ম পুম্নমক কায়বা য়াদে; অত্তুগী শক্তা অমুক অর্থগী মরমদা করি কায়বা লৈবগে হায়বা অত্তুসু বুপ্পা য়েংবা তাই।

ৱাহৈপরেং (বাক্য) হায়বসিবু মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মাদুদি— সরলবাক্য (Simple Sentence), সংযুক্তবাক্য (Cmpound Sentence) অমসুং মিশ্রিতবাক্য (Complex Sentence)। বাক্যরচনা তৌবা মতমদা মখল অহুম অসিগী বাক্যশিংবু মীনা মানা মানা খুদোংচাবা অমসুং হৈনবগী তুংইন্না শীজিন্নে।

সরলবাক্য— সরলবাক্য হায়বসি ইচমচম্বা বাক্যনি। মসিনা অর্থগী মরীমখোঙদা মরীলৈনবা নত্তনা, ৱাহৈপরেং অতৈগা খোইনা মরী থমদে। মাসিনা মথন্তনা মপুংফাবা অর্থ অমা ফোংদোকই। খুদম— ঐনা লাইরিক পাই।

সংযুক্তবাক্য (Compound Sentence)— বাক্য অত্তুদা অনী নত্রগা অহুমগী হেনবা নীংতম্বা সরলবাক্যশিংনা অব্যয়না

তাইনবা ওইনা লৈরবদি মাদুবু সংযুক্তবাক্য কৌই। মাদুদি— মহাক লাক্লে অমসুং ঐনা চৎলে। মফম অসিদা "মহাক লাক্লে" অমসুং "ঐনা চৎলে" হায়বা বাকা অনী অসিবু 'অমসুং' হায়বা অব্যয়না তাইনরি। মরম অসিনা মাসি সংযুক্তবাক্যনি।

মিশ্রিতবাক্য (Complex Sentence)— বাক্য অমুদা কোক ওইবা বাক্য অমগী খাপোন্না অতোপ্পা বাক্য অমা নত্রগা অমুদগী হেনবা বাক্যনা লৈরবদি বাকা অদুবু মিশ্রিতবাক্য কৌই। মাদুদি— যদু লাক্কনি হায়দুনা মহাক্না হায়রমই। মফম অসিদা 'যদু লাক্কনি' হায়বা বাক্য অসি 'মহাক্না হায়রমই' হায়বা কোক ওইবা বাক্য অসিগী খাপোন্না লৈ। মরম অসিনা মাসিবু মিশ্রিত-বাক্য কৌই।

উপবাক্য (Clause)— কর্ত্তা অমসুং সমাপিকা ক্রিয়া য়াওবা বাক্য (ৱাহৈপরেং) অমনা অতোপ্পা বাক্য অমগী খা পেন্দুনা লৈরবদি মাদুবু উপবাক্য কৌই। উপবাক্য অমনা করিগুম্বা বিশেষ্য, বিশেষণ নত্রগা ক্রিয়াবিশেষণ ওইবা পদগী থবক তৌই।

বিশেষ্য উপবাক্য— উপবাক্য অমনা বিশেষ্যপদগী থবক তৌবা মতমদা কর্ত্তা নত্রগা কর্ম্মগী থবক তৌই। "মহাক হুরানবা মী অমনি হায়বসি শোয়দ্রবা ৱানি" হায়বা বাকা অসিদা "মহাক হুরানবা মী অমনি" হায়বা উপবাক্য অসিনা বিশেষ্যপদ ওইনা কর্ত্তাগী থবক তৌরি। "মহাক হুরানবা মী অমনি হায়বসি ঐনা খঙই" হায়বা বাক্য অসিদা "মহাক হুরানবা মী অমনি" হায়বা উপবাকা অসি 'ঐনা খঙই' হায়বা মপুং ওইবা বাক্য অসিগী 'খঙই' হায়বা সকর্ম্মকক্রিয়াগী কর্ম্ম ওইনা লৈরে। মরম অসিনা মফম অসিদা উপবাক্য অসিনা কর্ম্ম ওইনা বিশেষ্যপদগী থবক তৌরি। বিশেষ্যপদ ওইনা উপবাক্য অমনা কারক অতৈ অতৈগী থবকসু তৌই।

বিশেষণ উপবাক্য— উপবাক্য অমনা বিশেষণপদগী থবকশু তৌই। "অঙ্কদা পুক্নমকী কোক ওইখি হায়বা অঙাং অদু অসিনি"

হায়রবা বাক্য অসিদা "অঙ্কদা পুম্নমক্কী কোক ওইখি" হায়বা উপবাক্য অসিনা "অঙাং" হায়বা বিশেষ্য অসিগী গুণ কোং'দাক্ত্না বিশেষণপদগী থবক তৌদুনা লৈরে। মরম অসিনা উপবাক্য অসি বিশেষণ উপবাক্যনি।

ক্রিয়াবিশেষণ উপবাক্য— উপবাক্য অমনা ক্রিয়াবিশেষণগী থবক তৌই। "মহাকনা ঈশৈ শক্লিঙৈদা ঐদি তুম্লমই" হায়বা বাক্য অসিদা "মহাকনা ঈশৈ শক্লিঙৈদা" হায়বা উপবাক্য অসিনা "ঐদি তুম্লমই" হায়বা মপুং ওইবা বাক্য অসিগী "তুম্লমই" হায়বা ক্রিয়াগী মতম খঙহল্লি, মরম অসিনা মকম অসিদা উপবাক্য অসি ক্রিয়াবিশেষণ উপবাক্যনি।

বাক্যাংশ

বাক্যাংশ হায়বসিবু ইংরাজীলোন্দা 'Phrase' হায়রগা খঙনৈ। সমাপিকাক্রিয়া নত্তবা বাহৈ অনী নত্রগা অহুদগী হেনবা মশীংনা পুনশিন্দুনা বাহৈ অমত্তগী মতৌগুম্না করিগুম্বা বাক্য অমদা করিগুম্বা পদ অমগী মতৌগুম্না থবক তৌরবদি মাদুবু বাক্যাংশ কৌই। উপবাক্য অমসুং বাক্যাংশগী লক্তা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ঐখোয়না উই, মাদুদি, অনীমক বাক্য অমগী মুংদা লৈবা ডাক্তুনিদি হায়রগা উপবাক্যদা সমাপিকাক্রিয়া য়াওই, বাক্যাংশদদি সমাপিকাক্রিয়া য়াওদে।

বাক্যাংশ অমনা বিশেষ্যনচিংবা পদগী থবক তৌই। "মহাক ফিজেৎ লৈতেং তৌদুনা মপান্দা থোরক্লমই" হায়বসিদা "ফিজেৎ লৈতেং" হায়বসি বিশেষ্যগী বাক্যাংশনি। "মহাক মকম অসিদা চা-থক্ত্না কুইনা লৈরমই" হায়রবা বাক্য অসিদা 'চা-থক্ত্না' হায়বসি ক্রিয়াগী থবক তৌবা বাক্যাংশনি। "লমচৎফজবা অঙাং অমনা অদুম্না তৌবা হৌনদে" হায়বসিদা 'লমচৎফজবা' হায়বসি বিশেষণগী থবক তৌবা বাক্যাংশনি। "মহাক্না য়েংবদা মুঙাইনা থবক তৌই"

শুনবগে ? পুরুষ অমসুং বচন খেন্নবগী তুংইন্না মাসিগী ক্রিয়াগী রূপ শুনবরা শুন্দববা ?

৬। হায়জবা খওহনবা ক্রিয়া অমসুং থাম্না নম্রগা থিংবা খওহনবা ক্রিয়া করম্না শেম্বগে খুদমগা লোয়নননা তাকউ।

ৱাহৈপরেং [বাক্য]

লোল হায়বা অসি মীওইবগী ৱাখল ফোংদোক্লবা পাউগী অমনি। মীওইবগী ৱাখল ফোংদোক্লবগী দমক মানা মানা লোল্লিবা লোল অমুগী ৱাহৈশিংবু লোল অমুগী চংনবী কায়দানা শীজিন্নবা তাই। অসুম্না পুকনীংগী ৱাখল ফোংদোকপদা মপুংফাবা ৱাখল অমা খওহনবা ওস্না ৱাহৈশিং অদুবু ৱাহৈপরেং নত্রগা বাক্য কৌই। ঐখোয়না উরে— ঐখোয়গী ৱাখলবু নীংথিনা ফোংদোকপা ঙমদবদি লোল অমা হৈবগী কান্নবা লৈতে। ৱাহৈপরেং শেম্বা (বাক্যরচনা) হৈত্রবদি ঐখোয়গী ৱাখল চুম্না ফোংদোকপা ঙমদে।

ৱাহৈপরেং অমদা যোগ্যতা, আকাঙ্ক্ষা অমসুং আসত্তি লৈগদবনি। যোগ্যতাগী অর্থদি মতিকচাবগী মতৌ হায়বনি। বাক্য অমদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অদু অমগা অমগা তাইনবদা মত্তিকচাবা ওইগদবনি। খুদমগী শক ওইন, "মহাক্না নাকোংনা মনম নম্লি" হায়রবদি নাকোংনা মনম নম্বা য়াদবনা বাক্য অসিদা যোগ্যতা লৈত্রে। "নাতোন্না মনম নমই" হায়রবদি মাসিদা যোগ্যতা লৈরে।

অর্থবু মপুং ফাহনবা ৱাহৈ লৈবগী মতৌবু আকাঙ্ক্ষা কৌই। "মহাক্না ফুই" হায়রবদি কনাবু ফুই হায়না খঙনীংবা অমা লাকই। "মহাক্না তোম্ববু ফুই" হায়রবদি খঙনীংবা পুম্নমক খঙলে অদুগা অর্থসু মপুং ফাবা ওইরে। অদুনা মফম অসিদা আকাঙ্ক্ষা

লৈব্রে। "শগোল, শামু, হুই, হৌদোং" হায়বসিদা আকাঙ্ক্ষা লৈতবনা মাসি বাক্য ওইদ্রে।

আসত্তি হায়বসি নক্তবগী মতৌ হায়বনি। বাক্য অমগী বাহৈ অমবু ওসি হায়রগা মথংগী বাহৈ অতুবু না হয়েং হায়রবদি অতুদা আসত্তি লৈত্রে। খুদমগী শক ওইনা ওসি 'শগোল' হায়রগা হয়েংনা 'চেল্লি' হায়রবদি বাহায় অতু আসত্তি লৈতবনা বাক্য ওইদ্রে। মরম অসিনা বাক্য অমগী শব্দশিং অতু নক্তনা মথং মথং হাগদবা ওই।

সাধারণ ওইনা ব্যাকরণশাস্ত্রনা তাকই, মাতুদি, বাহৈপরেং (বাক্য) অমদা য়ামদ্রবদা তঙাইফদনা কর্তা ওইবা পদ অমা লৈগনি অমসুং মাতুগী ক্রিয়াপদ অমা লৈগনি, মাতুদগী অহেনবা বাহৈ অতৈ অতৈসু লৈবা যাই, তৌইঙুসসুং বাহৈশিং অসিবু বাহৈপরেং অমদা হাপচিনবা অসি অর্থগী চান্নবা চান্নদবগী মতৌ ইয়েং য়েংদানা হেক তৌবা য়াদে। ব্যাকরণগী বাহৈপরেং লেংবগী নিয়ম প্রমূনক কায়বা য়াদে; অতুগী থক্তা অমুক অর্থগী মরমদা করি কায়বা লৈবগে হায়বা অতুসু কুপ্পা যেংবা তাই।

বাহৈপরেং (বাক্য) হায়বসিবু মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। মাতুদি— সরলবাক্য (Simple Sentence), সংযুক্তবাক্য (Cmpound Sentence) অমসুং মিশ্রিতবাক্য (Complex Sentence)। বাক্যরচনা তৌবা মতমদা মখল অহুম অসিগী বাক্যশিংবু মীনা মানা মানা খুদোংচাবা অমসুং হৈনবগী তুংইন্না শীজিন্নে।

সরলবাক্য— সরলবাক্য হায়বসি ইচমচম্বা বাক্যনি। মসিনা অর্থগী মরীমথোঙদা মরীলৈনবা নত্তনা, বাহৈপরেং অতৈগা খোইনা মরী থমদে। মাসিনা মথন্তনা মপুংফাবা অর্থ অমা ফোংদোকই। খুদম— ঐনা লাইরিক পাই।

সংযুক্তবাক্য (Compound Sentence)— বাক্য অতুদা অনী নত্রগা অহুমগী হেনবা নীংতম্বা সরলবাক্যশিংনা অব্যয়না

তাইনবা ওইনা লৈরবদি মাতুবু সংযুক্তবাক্য কৌই। মাতুদি—মহাক লাক্লে অমস্তুং ঐনা চৎলে। মফম অসিদা "মহাক লাক্লে" অমস্তুং "ঐনা চৎলে" হায়বা বাক্য অনী অসিবু 'অমস্তুং' হায়বা অব্যয়না তাইনরি। মরম অসিনা মাসি সংযুক্তবাক্যনি।

মিশ্রিতবাক্য (Complex Sentence)— বাক্য অতুদা কোক ওইবা বাক্য অমগী খাপোন্না অতোপ্পা বাক্য অমা নত্রগা অহুদগী হেনবা বাক্যনা লৈরবদি বাক্য অতুবু মিশ্রিতবাক্য কৌই। মাতুদি-- যতু লাক্কনি হায়তুনা মহাক্না হায়রমই। মফম অসিদা 'যতু লাক্কনি' হায়বা বাক্য অসি 'মহাক্না 'হায়রমই' হায়বা কোক ওইবা বাক্য অসিগী খাপোন্না লৈ। মরম অসিনা মাসিবু মিশ্রিত-বাক্য কৌই।

উপবাক্য (Clause)— কর্ত্তা অমস্তুং সমাপিকা ক্রিয়া য়াওবা বাক্য (ঋাহৈপরেং) অমনা অতোপ্পা বাক্য অমগী খা পেন্দুনা লৈরবদি মাতুবু উপবাক্য কৌই। উপবাক্য অমনা করিগুম্বা বিশেষ্য, বিশেষণ নত্রগা ক্রিয়াবিশেষণ ওইবা পদগী থবক তৌই।

বিশেষ্য উপবাক্য— উপবাক্য অমনা বিশেষ্যপদগী থবক তৌবা মতমদা কর্ত্তা নত্রগা কর্ম্মগী থবক তৌই। "মহাক হুরানবা মী অমনি হায়বসি শোয়দ্রবা ঋানি" হায়বা বাক্য অসিদা "মহাক হুরানবা মী অমনি" হায়বা উপবাক্য অসিনা বিশেষ্যপদ ওইনা কর্ত্তাগী থবক তৌরি। "মহাক হুরানবা মী অমনি হায়বসি ঐনা খঙই" হায়বা বাক্য অসিদা "মহাক হুরানবা মী অমনি" হায়বা উপবাক্য অসি 'ঐনা খঙই' হায়বা মপুং ওইবা বাক্য অসিগী 'খঙই' হায়বা সকর্ম্মকক্রিয়াগী কর্ম্ম ওইনা লৈরে। মরম অসিনা মফম অসিদা উপবাক্য অসিনা কর্ম্ম ওইনা বিশেষ্যপদগী থবক তৌরি। বিশেষ্যপদ ওইনা উপবাক্য অমনা কারক অতৈ অতৈগী থবকসু তৌই।

বিশেষণ উপবাক্য— উপবাক্য অমনা বিশেষণপদগী থবকসু তৌই। "অঙ্কদা পুম্নমক্কী কোক ওইখি হায়বা অঙাং অতু আসনি"

হায়বা বাক্য অসিদা "অঙ্কদা পূম্নমক্কী কোক ওইখি" হায়বা উপ-বাক্য অসিনা "অঙাং" হায়বা বিশেষ্য অসিগী গুণ কোং'দাক্তুনা বিশেষণপদগী থবক তৌদুনা লৈরে। মরম অসিনা উপবাক্য অসি বিশেষণ উপবাক্যনি।

ক্রিয়াবিশেষণ উপবাক্য— উপবাক্য অমনা ক্রিয়া-বিশেষণগী থবক তৌই। "মহাকনা ঈশৈ শক্লিঙৈদা ঐদি তুম্লমই" হায়বা বাক্য অসিদা "মহাকনা ঈশৈ শক্লিঙৈদা" হায়বা উপবাক্য অসিনা "ঐদি তুম্লমই" হায়বা মপূং ওইবা বাক্য অসিগী "তুম্লমই" হায়বা ক্রিয়াগী মতম খঙহল্লি, মরম অসিনা মফম অসিদা উপবাক্য অসি ক্রিয়াবিশেষণ উপবাক্যনি।

বাক্যাংশ

বাক্যাংশ হায়বসিবু ইংরাজীলোন্দা 'Phrase' হায়রগা খঙনৈ। সমাপিকাক্রিয়া নত্তবা রাহৈ অনী নত্রগা অদুদগী হেনবা মশীংনা পুনশিন্দুনা রাহৈ অমত্তগী মতৌগুম্না করিগুম্বা বাক্য অমদা করিগুম্বা পদ অমগী মতৌগুম্না থবক তৌরবদি মাদুবু বাক্যাংশ কৌই। উপবাক্য অমসুং বাক্যাংশগী লক্তা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ঐখোয়না উই, মাদুদি, অনীমক বাক্য অমগী মুংদা লৈবা ডাকুনিদি হায়রগা উপবাক্যদা সমাপিকাক্রিয়া য়াওই, বাক্যাংশদদি সমাপিকা-ক্রিয়া য়াওদে।

বাক্যাংশ অমনা বিশেষ্যনচিংবা পদগী থবক তৌই। "মহাক ফিজেৎ লৈতেং তৌদুনা মপান্দা থোরক্লমই" হায়বসিদা "ফিজেৎ লৈতেং" হায়বসি বিশেষ্যগী বাক্যাংশনি। "মহাক মফম অসিদা চা-থক্তুনা কুইনা লৈরমই" হায়বা বাক্য অসিদা 'চা-থক্তুনা' হায়-বসি ক্রিয়াগী থবক তৌবা বাক্যাংশনি। "লমচৎফজবা অঙাং অমনা অতুম্না তৌবা হৌনদে" হায়বসিদা 'লমচৎফজবা' হায়বসি বিশেষণগী থবক তৌবা বাক্যাংশনি। "মহাক্না য়েংবদা মুঙাইনা থবক তৌই"

হায়রবা বাক্য অসিদা 'য়েংবদা লুংঙাইনা' হায়বসি ক্রিয়াবিশেষণগী থবক তৌবা বাক্যাংশনি।

পদান্বয়

থক্তা ঐখোয়না নৈনথ্রিবা অ্যাসদগী ৱাহৈপরেং অমগী মনুংদা করি কারি লৈবা য়াবগে, করম্না ৱাহৈপরেং অমা লেংগদগে, করম্না ঐখোয়না নীংলিবা ভাব অদু ফোংদোকদগে, অসিনচিংবা উরে। হৌজিক্তি ৱাহৈপরেং অমগী মনুংদা ৱাহৈ অমগা ৱাহৈ অমগা কারি মরী লৈনফম থোকপা নৈনবা তারি।

ৱাহৈপরেং অমগী মনুংদা ক্রিয়াগা কর্ত্তা, কর্ম্ম অমসুং অতৈ অতৈ কারকশা লৈনবা মরী, সর্ব্বনামগা বিশেষ্যগা লৈনবা মরী, বিশেষণগা বিশেষ্যগা লৈনবা মরী, ক্রিয়াবিশেষণগা ক্রিয়াগা লৈনবা মরী, বিশেষণগী বিশেষণগা বিশেষণ অমগা লৈনবা মরী, অসিনচিংবা শেংনা তাকপবু পদান্বয় কৌই।

বিশেষ্য— বিশেষ্যপদগী অন্বয় তৌবা মতমদা করম্বা বিশেষ্য-নো, কারি লিঙ্গনো, করি বচননো, করি পুরুষনো, করি কারকনো, কর্ত্তা ওইরগনা মাহুগী ক্রিয়া করিনো, কর্ম্ম ওইরগনা করম্বা ক্রিয়া-গীনো, অতৈ কারক ওইরগনা করি ক্রিয়াগা মরী লৈনবগে হায়বদু শেংনা তাকদবনি।

সর্ব্বনাম— করম্বা মখলগী সর্ব্বনামনো, করম্বা বিশেষ্যগী মহুৎ শিল্লিবনো, মহুৎশিল্লিবা বিশেষ্য অদুগী লিঙ্গ, বচন, পুরুষ অমসুং কারক অদু সর্ব্বনামগীসু ওইগদবনি।

ক্রিয়া— করম্বা মখলগী ক্রিয়ানো, মাহুগী কর্ত্তানা করিনো, সকর্ম্মক ক্রিয়া ওইরবদি মাহুগী কর্ম্মনা করিনো, করি বাচ্যনো, করি কালনো, কর্ত্তাগী তুংইন্দুনা লিঙ্গ অমসুং পুরুষ তাকদবনি।

বিশেষণ— করম্বা মখলগী বিশেষণনো, করম্বা বিশেষ্যগী গুণ ফোংদোকপগে তাকদবনি।

ক্রিয়াবিশেষণ— করম্না মথলগী ক্রিয়াবিশেষণনো, করি ক্রিয়াগী গুণ ফোংদোকপা ত্তাক্কদবনি।

বিশেষণগী বিশেষণ— করম্না বিশেষণগী বিশেষণনো ত্তাক্কদবনি।

অব্যয়— করম্না মথলগী অব্যয়নো, ক্রিয়াবিশেষণ ওইরবদি করম্না ক্রিয়াগী গুণ ফোংদোকপগে, সম্বন্ধবোধক অব্যয় ওইরবদি করম্না পদগা সম্বন্ধ লৈনবগে, সংযোজক অব্যয় ওইরবদি করিগা করিগা তাইনহনবগে, বিস্ময়াদিবোধক অব্যয় ওইরবদি থকল্লিংগী করম্না ফিভম ফোংদোকপা অব্যয়নো ত্তাক্কদবনি।

পদক্রম

ৱাহৈপরেং অমগী নুংদা অর্থগী তুংইন্না অমসুং ৱাহৈ অমগা ৱাহৈ অমগা লৈননা মরাগী তুংইন্না ৱাহৈশিংসু মাগী মাগী মফমদা থম্নগী মথং মনাউবু পদক্রম কৌই। পদক্রম হায়রবসি পদ (ৱাহৈ) শিংগী মথং-মনাউনি।

ৱাহৈপরেং অমগী অহানবমত্তুদা কর্ত্তা লৈগনি; মথংদা লৈরবদি কর্ম্ম, অদুগী তুংদা ক্রিয়া লৈগনি। মাসিনা অচম্বা ৱাহৈপরেংগী পদক্রমনি। খুদমদি— রামনা থাবু য়েংলি।

কর্ত্তাগী অমসুং কর্ম্মগী বিশেষণদি মাঙদসু লৈ, তুংদসু লৈ। খুদম— অয়াঙবা শগোল অমা চেল্লকই নত্রগা শগোল অয়াঙবা অমা চেল্লকই। মহাক্না অয়াঙবা শগোল অমবু নত্রগা শগোল অয়াঙবা অমবু থোরম্নই। থীরিবা ৱাহৈপরেংশিং অসিদা 'অয়াঙবা' হায়বা শগোলগী বিশেষণ অসি কর্ত্তাগীসু কর্ম্মগীসু অমুক্কা মাঙদা, অমুক্কা তুংদা ফম্লে।

ক্রিয়াবিশেষণদি ক্রিয়াগী মাঙদা মতমলৈনথিবিক্কা ফমই। খুদম— রামনা য়াঙনা চেল্লি।

কর্ম্ম অনী লৈবা সকর্ম্মকক্রিয়া ওইরবদি গৌণকর্ম্মনা অহানবদা, তুংদা মুখ্য কর্ম্ম ফমই। খুদম— বামনা শলবু খোম শুমই।

সম্বন্ধবোধক অব্যয়দি সম্বন্ধ নাগা মরী লৈনরিবা পদগী তুংদা ফমই। খুদম—ঐনা ইচাগী দমক শান্নপোৎ লৈরকই।

সম্বোধনপদদি বাহৈপরেংগী অহানবমক্তদা ফমই। খুদম—রাম! নহাক অতুদা চৎকনু।

সংযোজক অব্যয়দি মাতুনা তাইনরিবা বাহৈশিং নত্রগা বাহৈপরেংশিংগী লমতা ফমই। খুদম— রাম অমসুং শ্যাম লাকই। নহাক্কা ওয়া তৌগৎলমহ অমসুং লাইরিক পাবমই। হায়রিবা বাহৈপরেং অনা অসিদা 'অমসুং' হায়বা সংযোজক অব্যয় অসিনা অহানবদা লৈই অনীবু পাইনহল্লি; অনীগুবদা বাহৈপরেং অনীবু তাইনহল্লি।

হংবা খঙহনবা সর্ব্বনামদি কর্ত্তা ওইনসু কর্ম্ম ওইনসু বিশেষ্যগী মতোংগুম্না মফম ফংগনি। খুদম— লাইরিক মযাম অসিগী লওবা কারনা কৈ? নহাক্না করিবু পামই? তোঙগুম্বসুং হংবা খঙনবা সর্ব্বনামদা বিশেষণ ওইনা শীজিন্নবা ওইরবদি, মতম লৈবাথিবক্তা বিশেষ্যগী মাঙদ ফমই। মাতুদি— নহাক্না কবগা পোৎ পাম্বগে?

তা— 'তা' হায়বা অব্যয় অসি মাতুগা অর্থদা মরী লৈনরিবা বাহৈ অমগী হেক মথংদা ফমই। "তোম্বীতা শান্নতুনা লৈ" হায়বা বাহৈপরেং অসিদা তোম্বী নত্তবা অতৈ কনামত্তা শান্নতুনা লৈতে হায়বা খঙহল্লি। "তোম্বী শান্নতুনতা লৈ" হায়বা বাহৈপরেং অসিদা তোম্বীদি শান্নবা নত্তবা অতৈ করিমত্তা তৌদে হায়বা খঙহল্লি।

সু— 'সু' হায়বা অব্যয় অসি মাতুগা অর্থদা মরী লৈনরিবা বাহৈগী হেক তুংদা ফমই। "তোম্বীসু লাইরিক পাই" হায়বা বাহৈপরেং অসিদা তোম্বী নত্তবা মী অতৈসু লাইরিক পাই হায়বা খঙহল্লি। "তোম্বী লাইরিকসু পাই" হায়বা বাহৈপরেং অসিদা তোম্বীনা লাইরিক পাবা নত্তবা অতৈ থবকসু তৌই হায়বা খঙহল্লি।

অয়ুম্না অব্যয় অতৈ অতৈস্তু অর্থদা মরী লৈনবা ৱাহৈগী হেক ছুংদা ফমই।

ৱাহংপরেং

১। বাক্য করিবু কৌবগে? মাতুংদা শুঙাইফদনা কনি কবি লৈনবা তাই?
২। যোগ্যতা, আকাঙ্ক্ষা অমসুং আসত্তি হায়বসি কনি কনিবু কৌবগে? খুদমগা লোয়নননা শুগাইনা তাকউ।
৩। সরলবাক্য, সংযুক্তবাক্য অমসুং মিশ্রবাক্য কনি কনিবু কৌবগে? খুদম অমমম পীদুনা তাকউ।
৪। উপবাক্য হায়বা অসি কনিনো? মাসিগী মথং কয়া শুই? মথক খুদিংগী খুদম পীয়ু।
৫। বাক্যাংশ কবিবু কৌবগে? উপবাক্য অমসুং বাক্যাংশগী লক্তা খেন্নবগী মতৌ করিনো?
৬। বাক্যাংশগী মথক কয়া শুই? মথক খুদিংমকী খুদম পীদুনা তাকউ।
৭। পদান্বয় কনিবু কৌবগে? পদ খুদিংগী ওইনা পদান্বয় তৌবগী নিয়ম হায়যু।
৮। পদক্রম হায়বসি কবিনো? কর্ত্তা অমসুং কর্ম্মগা লোয়নননা মাখোয়গী বিশেষণ কনা থমগদগে।
৯। ক্রিয়াগা মাদুগী ক্রিয়াবিশেষণগা করম্না থমগনি তাকউ।
১০। দ্বিকর্ম্মক ক্রিয়াগী কর্ম্মশিংবু বাক্যদা করম্না থমগদগে?
১১। 'তা' অমসুং 'সু'গী শীজিন্নফম তাকউ।

বাক্যবিশ্লেষণ

ৱাহৈপরেং হায়বসি তোঙান তোঙানবা ৱাহৈনা, উপবাক্যনা (Clause) অমসুং বাক্যাংশ (Phrase) না শেমই। ময়াম অসিবু তোঙান তোঙান্না খাইদোক্তুনা অমগা অমগী লক্তা লৈনরিবা মরী উৎপবু বাক্যবিশ্লেষণ (analysis) কৌই।

বাক্যবিশ্লেষণগী মতাংদা উদ্দেশ্য বিধেয় হায়বা ৱাহৈ অনী অসিবু নীংথিনা লৈনবা চুমই। ৱাহৈপরেং অমদা মাতুগী মরমদা বা

থরা হায়রিবা অহুবু উদ্দেশ্য কৌই। "ওদোনা লাইরিক ভন্দিরি" হায়বা বাহৈপরেং অসিদা ওজাগী মরমদা মতাক্তা কবি ভৌরি হায়বদু হায়রি। মরম অসিনা 'ওজানা' হায়বা অসি উদ্দেশ্যনি। উহ্য শুগী মরমদা হায়রিবা বাশিং অহু বিধেয়নি। থক্তা পীরিবা বাহৈপরেং অসিদা 'লাইরিক ভন্দিরি' হায়বা অসিনা ওজানা কবি ভৌবগে হায়বহুগী মরমদা থঙহল্লি। মরম অসিনা 'লাইরিক ভন্দিরি' হায়বা বাহৈশিং অসি বিধেয়নি। উদ্দেশ্যদি মতৌশানা কর্তৃকারক লৈ

অসিগী মাঙদা সরলবাক্য (Simple Sentence), সংযুক্তবাক্য (Compound Sentence) অমসুং মিশ্রবাক্য (Complex Sentence) কদায়বু কৌবগে হায়বদু লৈনখে। বাক্যবিশ্লেষণ তৌবা মতমদা বাহৈপরেং অমবু কয়ম্বা বাকানো হায়বদু ইৎকনর্বনি। উপবাক্য (Clause) অমসুং বাক্যাংশ (Phrase) গী মরমদসু ঐখোয়না লৈনখ্রে। পূর্ণমক বাক্যবিশ্লেষণ তৌরমদাইদা অমুক নীংশিংবা চুমই। করিনা হায়রবু, উপবাক্য অমসুং বাক্যাংশনা বাক্যগী মুংদা বাহৈ থবগী অপনবা কাডল্লপ ওইনা পদগী পনক তৌই। মরম অসিনা বাক্য অমদা লখোয়গা বাক্য অহুগী বাহৈ অহৈকগা লৈনবিবা মরী অহু পুখোকপা তাই।

সরলবাক্যগী বিশ্লেষণ তৌবা তারবদি অহানবদা মাহুগী উদ্দেশ্য অমসুং বিধেয় পুখোকদবনি। অহুগী মুংদা উদ্দেশ্যবু শক্লোকপা হায়বদি গুণ তাকপা বাহৈ খন্দোকদবনি। অহুগী মুংদা বিধেয়গী তোঙান তোঙানবা শরুক উৎকদবনি। বিধেয়গী মুংদা ক্রিয়া, কর্ম্ম, ক্রিয়াবিশেষণ, কর্ম্মবু শন্দোকপা হায়বদি গুণ তাকপা বাহৈ অমসুং পূরক লৈবা য়াই।

সংযুক্তবাক্যগী বিশ্লেষণ তৌবা মতমদা সংযোজক অব্যয়না তাইনহল্লিবা বাক্যশিং অহুবু তোঙানা উৎলগা, অব্যয় অহুমকপু উৎলগা সরলবাক্যগী বিশ্লেষণ তৌবগী হৌনবাগী তু ইন্না বাক্যশিং অহুগী বিশ্লেষণ তৌগদবনি।

সরলবাক্যবিশ্লেষণগী খুদম

বাক্য— (১) মুংশিংবা নিংথৌনা লায়রবা চাকনিববু লুনা তৌই।

(২) মীয়ামা মহাকপু সভাপতি খনখ্রে।

সরলবাক্য	উদ্দেশ্য		বিধেয়				
	কর্ত্তা	কর্ত্তাবু শন্দোকপা	ক্রিয়া	ক্রিয়াগী পূবক	কর্ম্ম	কর্ম্মবু শন্দোকপা	ক্রিয়া বিশেষণ
(১)	নিংথৌনা	মুংশিংবা	তৌই		চাকনিববু	লায়রবা	লুনা
(২)	মীয়ামা		খনখ্রে	সভাপতি	মহাকপু		

সংযুক্তবাক্যবিশ্লেষণগী খুদম

বাক্য— (১) ইচানিপা ডরাং লাক্লমই অমসুং মহাক্না থবক অসি তৌরমই।

সংযুক্ত বাক্য	সরলবাক্য	সংযোজক অব্যয়	উদ্দেশ্য		বিধেয়				
			কর্ত্তা	কর্ত্তাবু শন্দোকপ	ক্রিয়া	পুরক	কর্ম্ম	কর্ম্মবু শন্দোকপা	ক্রিয়াবিঃ
(১)	(ক) ইচানিপা ডরাং লাক্লমই		ইচানিপা		লাক্লমই				ডরাং
	(খ) মহাক্না থবক অসি তৌরমই	অমসুং	মহাক্না		তৌরমই		থবক	অসি	

মিশ্রিতবাক্য অমগী বিশ্লেষণ তৌবা তারবদি কোক ওইবা বাক্য অদু হান্না পুথোক্কদবনি। অদুগী তুংদা মাদুগী খাপোন্না লৈরিবা বাক্য করি করি লৈবগে পুথোক্কদবনি। খাপোনবা বাক্য অদু বিশেষ্য ওইনা লৈবরা, বিশেষণ ওইনা লৈবরা নত্রগা ক্রিয়াবিশেষণ ওইনা লৈবরা মাদুসু শুগাইনা উৎকদবনি। অদুগী তুংদা মিশ্রিতবাক্য অদুগী কোক ওইবা বাক্য অমসুং খাপোনবা বাক্য পুম্নমককী সরল-বাক্য অমমম ওইনা বিশ্লেষণ তৌগদবনি।

মিশ্রিতবাক্যবিশ্লেষণগী খুদম

বাক্য— (১) মহাক্না চাউবা লাকনি হায়রমই।

মিশ্রিতবাক্য	সরলবাক্য	উদ্দেশ্য		বিধেয়
		কর্ত্তা		ক্রিয়া
(১)	মহাক্না হায়রমই (প্রধান উপবাক্য)	মহাক্না		হায়রমই
	চাউবা লাকনি (অধীন উপবাক্য) কর্ম্ম	চাউবা		লাকনি

হাইংপরেং

১। উদ্দেশ্য অমসুং বিধেয় করি করিবু কৌবগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।

২। বাক্যবিশ্লেষণ করিবু কৌবগে শুগাইনা তাকউ।

৩। সরলবাক্য, সংযুক্তবাক্য, অমসুং মিশ্রিতবাক্যগী বিশ্লেষণ করম কয়না তৌগদগে তোঙান তোঙান্না অমসুং শন্দোক্না তাকউ।

৪। খাদা ইরিবা বাক্যশিংগী বিশ্লেষণ তৌ—
মপা শিগ্রবদা অঙাং অদুনা নোংঙানবা ফাওবা কপ্লুনা লৈরমই। খবক তৌবা লোইবগা মহাক করম্বা মতমদা হল্লকনি হায়বা ঐহাক খল্লে। নঙনা থেঙনা লাকপা অসিদা ঐহাক যাম্না নুংঙাইরে; অদুমকপু হন্দক্কী অসিমদি ঐহাক্না ঙাকপিরগে। ঐহাক্না লংকৈদগী হল্লকপদা কুইনা চাযরুবনা ঐগী হকচাং যাম্না শোল্লমই; তৌইজবসুং ঐগী অঙাংশিংবু উবদগীদি হকচাং কনথৎলকখি। নহাক্দি ঐনা

স্কুলদা চৎলুবদা কদি পৌত্রনা ঐহাক্না মতম অয়াম্বদা কোয়ত্তুনা লৈ-থোকপগে হায়ত্তুনা পক্খানা ংম্লমই! ঐহাক চৎলম্দ্রে হায়বা থত্তু-লহুনা থংনবা য়ুমদা লৈবা নিপা অমনা পোং হানগে হায়ত্তুনা নীংলোমদগী ঐগী য়ুমদা চত্তুলক্লমই।

সমাস

ঐখোয়না রাঙাঙবা নত্রগা ইবা মতমদা তেঙ্গা নত্রগা শব্দ হায়নীংলবদি বাহৈ অনী নত্রগা অহুদগী হেনবা বাহৈশিংবু পূনশিন্দুনা বাহৈ অমত্তা ওইনা শীজিন্নৈ। অসুম্না পূনশিনবা বাহৈবু সমাস কৌই। 'নিংথৌগী মচা' হায়বগী মহুত্তা ঐখোয়না 'নিংথৌমচা' হায়বা য়াই। অকোনবগী বাহৈ অসি সমাস ওইবা বাহৈনি। মরম অসিনা বাহৈ অনী নত্রগা অহুদগী হেনবা বাহৈশিংনা পূনশিন্দুনা অমত্তা ওইবা বাহৈবু সমাস কৌই। পূনশিনবগী থবক অসি সমাসকী বাহৈ শেম্লিবা বাহৈশিংগী লক্তা লৈবা বিভক্তি, অমসুং নত্রগা বাহৈশিং অহুগী মরী তাকপা বাহৈশিং অদু কোথোক্লগা পাঙথোকপা ওই।

থকী সমাসকী সংজ্ঞাদা 'অমত্তা ওইবা' হায়বা বৈশিং অসিনা সমাস হায়বসি সন্ধিদগী তোঙাল্লি হায়বা খোংদোক্লই। সন্ধিদা বাহৈ অনী নত্রগা অহুদগী হেনবা বাহৈশিং পূনশিল্লি হায়না থনবা য়াই, মাহু অরানবনি। সন্ধিদদি থকথংবা বাহৈগী মৈথংবা ময়েক্কা খা-থংবা বাহৈগী অহানবা ময়েক্কা সন্ধিগী নিয়মগী মতুংইন্না পূনশিল্লি; তৌইগুম্বসুং বাহৈ অনী অহুদি থক পূনশিন্নদে; বাহৈ অনীমক তোঙান তোঙানবা বাহৈ ওইনা অতুম্মক লৈ। অদুগা সমাসতদি বাহৈ অনী অহুনা পূন্নগা বাহৈ অমত্তা ওইথি। সন্ধিদা অহানবা বাহৈগী বিভক্তি মাঙদে। সমাসতদি অহানবা বাহৈগী বিভক্তি মাঙথি, অহানবা বাহৈগী মৈগী ময়েক্কা অকোনবা বাহৈগী অহানবা

ময়েক্কা য়ারবদি সন্ধি তৌথি। সন্ধিগা সমাসকগী খেন্নবগী মতৌ অসি মুন্না য়েংশিনগদবনি।

পাণিনিগী মতকী ভুং ইল্লবদি সমাসকী মখল মরিভমকনি। মাদুদি— দ্বন্দ, তৎপুরুষ, বহুব্রীহি অমসুং অব্যয়ীভাব। কনাগুম্বা পণ্ডিতনা কর্মধারয় অমসুং দ্বিগু হাযবা সমাস অনীসু লৈরি হায।

মত অসিগী ভুং ইল্লবনি সমাসকী মখল ভরুকনি। পাণিনিগী মততদি অনী অসি তোঙানবা মখলগী সমাস নত্তে অমসুং তৎপুরুষকী নুংচনবনি।

সমাস তৌবা মতমদা অর্থগী মরী থোক্কবগী মতৌ মুন্না য়েংগদবনি। অর্থগা মরী থোক্কদ্রবদি সমাস তৌবা য়াদে। মাদুদি— 'ভানুগী মকুম' হায়বগী মহুত্তা 'ভানুমকুম' হায়বা য়াই। তৌইপু-মসুং 'মকুমগী ভানু' হায়বদি য়াদবনিনা 'মকুমভানু' হায়বদি যাদে।

সমাস তৌবা মতমদা রাহে অনীগী হুদা অহানবনা করিগুম্বা সমাসতা মরু ওই, করিগুম্বা সমাসতনা অকোনবনা মরু ওই, করি-গুম্বা সমাসতনা অমীমক্কা মরু ওই, অদুগা করিগুম্বা সমাসতনা অনীমক নত্তবা অতোপ্পা তোঙানবা অমনা মরু ওই। পূম্নমক অসি ঐখোয়না মথংদা কুপ্পা নৈনরক্নি।

সমাস তৌদুনা থোকপা অপুনবা পদ অদুবু সমস্তপদ হায়না কৌই; পদশিং অদুবু সমস্যমানপদ কৌই। সমাসকী অর্থ ভাকপা রাহৈশিংবু ব্যাসবাক্য নত্রগা সমাসবাক্য হায়নসু কৌই।

সমাস হায়বসি তঙাই ফদবা নত্তে। ভাঙলিবা নত্রগা ইরিবা মীনা সমাস তৌগে হায়রবসু য়াই, তৌরোই হায়রবসু য়াই; ব্যাক-করণগী মিৎয়েংদগী মাদুদা কায়বা করিমত্তা লৈত্তে। অদুম্নদি ওইরগা, সমাস তৌদুনা য়াম্না তোয়না শীজিন্নরবা রাহৈশিংবু থুগায়দুনা শীজিন্নববু অফবা ওইনা শীঙথানবা য়াদে। চাইথশেল নত্রগা চাইশেল হায়না সমাস তৌরবা রাহৈ অসিগী মহুত্তা চাইথনবা শেল হায়না পঙনা শীজিন্নদে।

দ্বন্দসমাস

অহানবা (ওয়থংবা) পদ অমস্তুং অনীশুবা (য়েৎথংবা) পদ অনীমক চপমান্নবা মরু ওইবা সমাস অদুবু দ্বন্দসমাস কৌই। দ্বন্দ-সমাসতা 'অমস্তুং'নচিংবা তাইনহনবা অব্যয় অমনা রাইহেশিংগী লক্তা থল্লি। 'সীতা অমস্তুং রাম' হায়বসিনা সমাস তৌরগা 'সীতারাম' থোকই।

থক্কী দ্বন্দগী সংজ্ঞাদা 'মরু ওইবা' হায়বসি মুন্না খঙগদবা ওই। মরু ওইবা হায়বসি বাক্য অমগী মুংদা ক্রিয়াগা মরী লৈনবগী মতাংদা চপমান্নে হায়বনি। "সীতারাম হায়বসি অযোধ্যাদা লৈবা মীশিংগী নীংনবা লাইনি" হায়বা বাক্য অসিদা সীতাসু রামসু চপমান্নবা মরু ওইবা মকম হায়বদি ক্রিয়াগী কর্তা ওইরি। অনীমক অমনা অমগী থা পোন্দে।

নিপা খঙনবা রাইহেগা নুপী খঙনবা রাইহেগা দ্বন্দসমাস তৌবা তারবদি নুপী খঙনবা রাইহেনা মাঙ থাই। মাতুদি— সীতারাম, লক্ষ্মীনারায়ণ, রাধাকৃষ্ণ, মমামপা, অসিনচিংবা। নিপা খঙনবা রাইহেনা মাঙধাবগী খুদমসু থেংনৈ। মাতুদি— খম্বাথোইবী, শিবদুর্গা, পাখংলৈশাবী, অসিনচিংবা।

সমাস তৌগদৌরিবা শব্দগী মুংদা গুণদা হেনবা রাইহেনা মাঙ থাই। মাতুদি— মপুমনাই, গুরুশিষ্য, লাইহিংচাবা, ব্রাহ্মণ-ক্ষত্রিয়, অচৌ-পিশক, অসিনচিংবা।

বিশেষণপদসু বিশেষ্যপদগুম্না সমাস তৌবা থেংনৈ। অপঙবা অমস্তুং অশিংবা— অপঙ-অশিং; অকবা অমস্তুং কত্তবা— অক-কত্তা; অকনবা অমস্তুং অথৌবা— অকন-অথৌ, অসিনচিংবা। খুদমশিং অসিদা মৈগী 'বা' মাঙথ্রিবা অসি মুন্না য়েংশিনগদবনি।

'নত্রগা'নচিংবা খাইদোকপা অব্যয়না লক্তা থল্লগসু দ্বন্দসমাস ওই। মাতুদি— মরি নত্রগা মঙা— মরিমঙা; তরা নত্রগা কুন— তরাকুন, অসিনচিংবা।

তৎপুরুষসমাস

সমাস তোগদোরিবা পদ অনীগী মনুংদা অহানবা (পুয়থংবা) পদদগী অকোনবা (য়েৎথংবা) পদনা অর্থদা মরু ওইবা হেল্লবদি সমাস অদুবু তৎপুরুষসমাস কৌই। মরু ওইবা হায়বগী অর্থদি ক্রিয়াগা মরী লৈনবদানি হায়না হায়না হায়গ্রে। 'নিংথৌমনাই অমা চংলি' হায়বা বাহৈপরেং অসিদা নিংথৌমনাই হায়নদি নিংথৌগী মনাই অমনা চৎপগী বা হায়রিবনি। চৎপগী থবক্তা মরী লৈনবিবসি 'মনাই'নি, 'নিংথৌ' নত্তে। মরম অদুনা, ক্রিয়াগা মরী লৈনরিবা 'মনাই' অসিনা মরু ওইবা বাহৈ ওইরি। অসিগুম্বা সমাসপু তৎ-পুরুষসমাস কৌই।

অহানবা পদগী মাডগ্রবা বিভক্তিগী তুংইন্না তৎপুরুষকী মখল তরূকথক লৈ। মাদুদি— দ্বিতীয়াতৎপুরুষ, তৃতীয়াতৎপুরুষ, চতুর্থীতৎপুরুষ, পঞ্চমীতৎপুরুষ, ষষ্ঠাতৎপুরুষ অমসুং সপ্তমীতৎপুরুষ।

দ্বিতীয়াতৎপুরুষ – দ্বিতীয়া বিভক্তিনা লোম্বা বাহৈ অমগা তুংগী সতোম্বা বাহৈ অমগা সমাস তৌরবদি মাদুবু দ্বিতীয়াতৎপুরুষ সমাস কৌই। মাদুদি— শাবু চাবা শাচাবা ; শগোলবু তোংবা— শগোলতোংবা ; ঈশিংবু থোরাংবা ঈশিংথোরাংবা ; চাকপু নিবা— চাকনিবা, অসিনচিংবা।

তৃতীয়াতৎপুরুষ— তৃতীয়াবিভক্তিনা লোম্বা বাহৈগা তুংগী বাহৈ অমগা সমাস তৌরবদি মাদুবু তৃতীয়াতৎপুরুষ সমাস কৌই। মাদুদি-- মৈনা চাকপা— মৈচাকপা ; লুপানা য়াম্বা—লুপায়োম্বা , ঈশিংনা চোৎপা—ঈশিংচোৎপা ; থোরীনা পুনবা—থোরীপুনবা ; নানা পডবা—নাপডবা ; লোশিংনা রাংপা লোশিংরাংপা ; মডানা হেনবা—মডাহেনবা ; তরানা তাবা—তরাতাবা, অসিনচিংবা।

চতুর্থীতৎপুরুষ— চতুর্থীবিভক্তিনা লোম্বা বাহৈনা অহানবা বাহৈ ওইনা তুংগী বাহৈ অমগা সমাস তৌরবদি মাদুবু চতুর্থীতৎপুরুষ

সমাস কৌই। মাতুদি— লাইদা কৎপ্রবা—লাইকৎপ্রবা ; বরদা-দান---বরদান ; গুরুদা কৎপা---গুরুকৎপা ; ভূতকী দমক্তা বলি— ভূতবলি, অসিনচিংবা।

পঞ্চমীতৎপুরুষ— পঞ্চমীবিভক্তিনা লোইবা ৱাহৈনা অহা নবা ৱাহৈ ওইনা তুংগী ৱাহৈ অমগা সমাস তৌরবদি মাতুবু পঞ্চমী তৎপুরুষ সমাস কৌই। মাতুদি— মৈদগী কিবা—মৈকিবা ; লম্মন্দগী কোকপা---লম্মনকোকপা ; ফমদগী দাবা---ফমদাবা ; লৌদগী কারকপা—লৌকারকপা ; বৈথেন্দগী কুম্না—বৈথেনকুম্না, অসিন চিংবা

ষষ্ঠীতৎপুরুষ— ষষ্ঠীবিভক্তিনা লোইবা ৱাহৈনা মাঙ থারগা তুংগী ৱাহৈ অমগা সমাস তৌরবদি মাতুবু ষষ্ঠীতৎপুরুষ সমাস কৌই মাতুদি— নিংথৌগী মচা---নিংথৌমচা ; নিংথৌগী মনাহ— নিংথৌ মনাহ ; লাইগী শঙ—লাইশঙ ; শাগী মতু—শামতু, অসিনচিংবা

সপ্তমীতৎপুরুষ--- সপ্তমীবিভক্তিনা লোম্বা ৱাহৈ অমনা মাং ওইনা তুংগী ৱাহৈ অমগা সমাস তৌরবদি মাতুবু সপ্তমীতৎপুরু সমাস কৌই। মাতুদি— থাঙদা হৈবা—থাঙহৈবা ; লাইরিক্ত হৈবা—লাইরিকহৈবা ; গঙ্গাদা স্নান—গঙ্গাস্নান ; লৌদা তাবা—লৌতাবা ; শঙদা কাবা- শঙ্কাবা ; চান্নবদা থোইবা--চান্নথোইবা ইংথোনদা তাংবা--ইংথোন্তাংবা ; য়ুমদা তাংবা- য়ুমতাংবা নত্রগ য়ুমদাংবা, অসিনচিংবা।

কর্ম্মধারয়সমাস

ঐথোয়না নৈনখ্রে, ৱাহৈ অনী সমাস তৌনবদা অকোনবা ৱাহৈন মরু ওইরবদি মাতুবু তৎপুরুষ সমাস কৌই। থক্তা ঐথোয়না নৈন খিবা বিভক্তিগী তৎপুরুষসমাসশিং অসি নত্তবা ৱাহৈ অনী সমা তৌনবদা অকোনবা ৱাহৈনা মরু ওইবা সমাসকী মথল অতৈ লৈরি। কর্ম্মধারয়সমাস অসি মাখোয়গী মনুংদা অমনি।

সমাস অদুদা সমাস তৌনরিবা ৱাহৈশিং অদুনা বিশেস্য বিশেষণগী ভাৰতা লৈরবা নত্ত্রগা থাইনবা য়াদবা সম্বন্ধন। অর্থ অমত্তবু থঙহল্লবদি মাদুবু কর্ম্মধারয়সমাস কৌই। মাদুদি--- অশংবা থম্বাল---অশংবথম্বাল।

বিভক্তিগী তৎপুরুষকা কর্ম্মধারয়গগী লক্তা করি খেন্নবা লৈবগে য়েংশি। ঐখোয়না উবে, বিভক্তিগী তৎপুরুষতা অহানবা ৱাহৈগী বিভক্তিগা অকোনবা ৱাহৈগী বিভক্তিগা বদৌভৈদস্তু মান্নদে। 'নিংথৌগী মচা' হায়রবসিদা অহানবা ৱাহৈদা ষষ্ঠী বিভক্তি লৈ অদুগা অকোনবা ৱাহৈদা প্রথমা বিভক্তি লৈ। অদুগা কর্ম্মধারয়সমাস-তদি, খুদম ওইনা, 'অশংবথম্বাল' লৌশি, অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱাহৈ অনীমক চপমান্নবা প্রথমা বিভক্তিদা লৈ। অদুনা বিভক্তি মান্নদবা ৱাহৈশিংনা শেম্বা তৎপুরুষসমাসপু ব্যধিকরণতৎপুরুষ কৌই; অদুগা বিভক্তিমান্নবা ৱাহৈশিংনা শেম্বা তৎপুরুষসমাসপু সমানাধি করণতৎপুরুষ কৌই। তৌইগুম্বসু, মক্তৌশাগী ওইনদি ব্যধিকরণ-তৎপুরুষতমক তৎপুরুষসমাস হায়না কৌই; সমানাধিকরণতৎ-পুরুষপুনা কর্ম্মধারয়সমাস কৌই।

ঐখোয়না নৈনম্রে, তৎপুরুষসমাসতা অকোনবা ৱাহৈনা মরু ওই। কর্ম্মধারয়সমাসসু তৎপুরুষসমাস ওইবা মরম্না মাদুগী অকোনবা ৱাহৈনা মরু ওই। মাসি লোন অয়াম্বগী নিয়মগী তুংইন্ননি। মৈতৈরোন্দসু অদুম্মক চানৈ। তৌইগুম্বসুং মৈতৈরোন্দা বিশেষণ-পদনা বিশেস্যগী তুংদা ফম্বগী চৎনবাসু লৈবনা অসিগুম্বা মফমদদি কর্ম্মধারয়সমাসতসু অহানবা পদনা মরু ওইগনি। মফম অনীমক্তা অহানবা ওইরবসু অকোনবা ওইরবসু বিশেস্যপদনা মরু ওইগনি।

কর্ম্মধারয়সমাসকী অহানবা বিশেষণপদগী অরোইবা 'বা' হায়বা ৱাতেক অসি করি করিগুম্বদা লৌথোকখি। মাদুদি— মুংশিবা লমদম—মুংশিলমদম; মুংশিবা পাউ—মুংশিপাউ; মুংশিবা খোল —মুংশিখোল; অচাবা চেঙ—অচাচেঙ, অসিনচিংবা।

করিগুম্বা কর্ম্মধারয়দা বিশেষণগী অহৌবা ৱাতেক 'অ' অমসুং অরোইবা ৱাতেক 'বা' অনীমক লৌথোক্লগা মাতুং বিশেষ্যগী তুংদা থমদুনা কর্ম্মধারয়সমাস শেমই। মাতুংদি— অনিনবা থা—থানিন; অশিবা থা—থাশি; অথাবা হৈ—হৈথা; অচৌবা শন--শঞ্জাও (চৌগী ওন্থোকপা মওং); অপৌবা লং---লংবৌ (মওং ওনবা); অথৌবা হুই---হুইথৌ; অথুম্বা হৈ—হৈথুম; অকংবা উ—উকং; অকংবা লম—লমগং (মওং ওনবা); অচৌবা খোন—খোঞ্জাও; অচৌবা ঙা—ঙাচাউ; অথোকপা ফৌ--ফৌথোক: অথীবা খোন—খোন্থী; অচৌবা য়ুম—য়ুমজাউ; অচোইবা মী—মীচোই; অচৌবা মী—মীচাউ; অচোনবা প্লক—প্লকচোন: অতোঙবা লম—লমদোং; অপিকপা মী---মীপিক: অথৌবা য়োং--য়োংথৌ; অমুবা ফি---ফিমু; অঙাঙবা ফি---ফিঙাং।

বিশেষণপদ অনী তিন্নরগা কর্ম্মধারয় সমাস শেমই। অসিগুম্বা মফমদা অহানবা বিশেষণগী অরোইবা ৱাতেক 'বা' মাঙখি। মাতুংদি--হৈবসু হৈবা শিংবসু শিংবা--হৈশিংবা; ফজবা ফজদবা--ফজফজদবা, অসিনচিংবা। করিগুম্বদা বিশেষণ অনীমক্কী মৈগী ৱাতেক 'বা' মাঙখি। মাতুংদি—অহাউবা+হাউতবা=অহাউহাউতা; অচংপা+চত্তবা=অচংচত্তা; অমুনবা+মুন্দবা=অমুনমুন্দা, অসিনচিংবা।

মপুংফাবগী অর্থদা প্রত্যয় (ৱাতপ) তপ্লবা ৱাহৈ অমগা মাতুং নত্তবা অর্থগী ৱাহৈ অমগা তিন্নহনা কর্ম্মধারয়সমাস শেমই। মাতুংদি--তৌরবা অমসুং তৌদ্রিবা—অতৌতৌদা; পারবা অমসুং পাদ্রিবা—অপাপাদা; উরবা অমসুং উদ্রিবা—অউউদা, অসিনচিংবা।

মচু থঙনবা ৱাহৈ অনীনা তিন্নহনা কর্ম্মধারয়সমাস শেমই। মাতুংদি--- অঙাঙবা অমসুং অশংবা---অঙাঙঅশং; অমুবা অমসুং অঙৌবা--অমুঅঙৌ, অসিনচিংবা।

চাংদম্নগদৌরিবা (উপমেয়) পোৎকা চাংদম্নফম (উপমান) গা তিন্নরগা কর্ম্মধারয়সমাস শেমই। মাসিবু উপমিতকর্ম্মধারয় সমাস

কৌই। মাহুক্তি — থাজা মানবা মায়থোং — মায়থোংথাজা ; সনাগুম্বা চরণ — সনাচরণ ; থম্বাল মানবা মিংসা — মিংসাথম্বাল, অসিনচিংবা। খুদমশিং অসিদা থাজা, সনা, থম্বাল, উপমাননি। মায়থোং, চরণ, মিংসা উপমেয়নি।

উপমানগা উপমেয়গগী লক্তা লৈবা মান্নবগী মতৌ অহু অস্থ-পকী মতৌক হেনবদগী পোৎ অনী অহুবু অনত্তা ওইবা গুম থনবা মতমদা রূপকসমাস ওই। মৈচাক্কুম্বা বাবা — অবাহৈগাক। 'মৈচাক' কা সমাস তৌরবা মতমদা 'বাবা' গী মাগুদা 'অ' লাকই অমসুং 'বা' মাগুখি। মকম অসিদা মৈচাক্কা বানগা অনী অসিবু চপনায়না লৌরে। মৈচাক্কা পোৎপু চাকথেকপা ঙম্বা গুম্না বাবসু থম্মোয়বু চাকথেকপা ঙম্মি হায়বা উৎলি। অহুম্না ঈপাক্কুম্বা তাইবঙ — তাইবঙঈপাক।

কর্রি কর্রিগুম্বা মত্তমদা কর্ম্মধারয়সমাসকী লক্তা লৈবা পদ মাগুখি। মাহুক্তু মধ্যপদলোপী কর্ম্মধারয়সমাস কৌই। মাহুক্দি — সিংহ (নোংশা) য়েক্কপা আসন (ফমদা) — সিংহাসন ; তরাদগী অমা থোইবা — তরামাথোই ; য়ুমদা লোইবা শং — য়ুমশং, শগোল পোনবা শাজৈ — শগোলশাজৈ ; শগোল্লা চিংবা গাড়ী — শগোল-গাড়ী, অসিনচিংবা।

মশীং খঙনবা ৱাহৈগা লোয়ননা শেম্বা কর্ম্মধারয়সমাসপু দ্বিগুসমাস কৌই। মৈতৈরোন্দা মশীং খঙনবা ৱাহৈদি বিশেষ্যগী মৈদা লাকই। মরম অসিনা সংস্কৃতনচিংবা লোন্দা মশীং খঙনবা ৱাহৈনা মাগুদা ফম্লবসু মৈতৈরোন্দদি তুংদা ফমই। দ্বিগুসমাসনা শীরিবা মশীং অহুগী অপুনবগী ভাব ফোংদোকই। মাহুক্দি — মরোল অহুনগী অপুনবা পোৎ — মরোলঅহুম ; মায়কৈ তরাগী অপুনবা পোৎ — মায়কৈতরা ; শলাই তরেৎকী অপনবা পোৎ — শলাইতরেৎ, অসিনচিংবা। দ্বিগুসমাসতা মশীং খঙনবা ৱাহৈনা মৈদা লৈতবগী খুদম লৈ। পুং তরেৎকী মীচম — তরেৎপুং।

বহুব্রীহি সমাস

সমাসকী ব্যাসবাক্যগী পূর্ব্বপদ (ওয়থংবা) অমসুং উত্তরপদ (য়েৎথংবা) অনীমক্কী অমত্তনসু মরু ওইদবা, মৌইগুম্বসুং অনীচু নত্তবা অতোপ্পা পদ অমনা মরু ওইবা সমাস অদুবু বহুব্রীহিসমাস কৌই। 'পাম্বোনশাংবা' হায়বসিদা অশাংবা পাম্বোন লৈবা কনা-গুম্বা অমবু খঙহল্লি। সমস্তপদনা অশাংববুসু খঙহন্দে. পাম্বোম্বুসু খঙহন্দে ; অশাংবা পাম্বোম পানবা কনাগুম্বা নিপা অমবু খঙহল্লি। মরম অসিনা খুদম অাস বহুব্রীহিসমাসকীনি। মতৌ অদুগুম্না শুংত্তেকপা, ফিঙাঙশেৎপা, মিৎলাওবা, মিত্তাঙবা, য়োংতোংবা (উ), অসিনচিংবা অাস বহুব্রীহিসমাসকী খুদমনি।

বহুব্রীহিসমাসকা কর্ম্মধারয়সমাসকগী লক্তা লৈবা খেন্নবগী মতৌ অদু মুন্না য়েংগদবনি। কর্ম্মধারয়সমাসতা পূর্ব্বপদ (ওয়থংবা) অমসুং উত্তরপদ (য়েৎথংবা) অনীমক সমানাধিকরণ ওইনা হায়বদি বিশেষ্য-বিশেষণগী ভাবতা বিভক্তি অমত্তদা লৈ। অদুগা ওয়থংবদা লৈরবসু য়েৎথংবদা লৈরবসু বিশেষ্যগী অর্থনা মপুং ওই। তৌইগুম্বসুং বহু-ব্রীহিসমাসতদি ওয়থংবা অমসুং য়েৎথংবা বাহৈ অনীনা সমানাধিকরণ ওইনা লৈরবসু বাহৈ অনীমক্কা খঙহনবা নত্তবা অতৈ অতোপ্পা পোৎ অমবু খঙহল্লি। অচেৎপা পুকনীং—অচেৎপপুকনীং। মাসিদা 'অচেৎপা'না পুকনীংগী বিশেষণ ওইনা লৈ অমসুং পুকনীংগী অর্থনা মরু ওই। মরম অসিনা মাসি কর্ম্মধারয়সমাসকী খুদমনি। 'পুকনীং চেৎপা' হায়বসিগী থাইদোকপা বাহৈশিংদি অচেৎপা পুকনীং লৈবা (মহাক অদু, মৈতৈরোন্দা বিশেষণনা বিশেষ্যগী তুংদসু লাকই) হায়বসিনি। মাসিনা সমাস অসি শেম্লিবা 'অচেৎপা' অমসুং 'পুকনীং' হায়বা বাহৈ অনী অসিনা খঙহল্লিবা করিগুম্বা পোৎ অমত্তবু খঙহন্দে, তৌইগুম্বসুং অচেৎপা পুকনীং লৈবা মী অদুবু খঙহল্লি। শম্না হায়রবদা কর্ম্মধারয়সমাসতা বিশেষ্যগী অর্থনা মরু ওই, বহুব্রীহিসমাসতনা অতোপ্পা অমগী অর্থনা মরু ওই।

অমগা অমগা মায়োক্না থেংনবদা চপমান্নবা থবক তৌবা খণ্ডহল্লবদি বহুব্রীহিসমাস ওই। শম চিংডুনা শম চিংডুনা খৎনবা —শমজিংনবা ; খোঙনা কাংডুনা খোঙনা কাংডুনা শান্নবা—খোঙগাঙবী ; কিম্না থিন্দুনা কিম্না থিন্দুনা খৎনবা— কিন্থিন্নবী ; চৈ হাইডুনা চৈ হাইডুনা খৎনবা— চৈহাইবী ; থাঙ হাইডুনা থাঙ হাইডুনা খৎনবা— থাঙহাইনবী ; মীগা মীগা উন্নডুনা নত্রগা থেংনডুনা তিন্নবা—মীতিন ; হকচাংগা হকচাংগা থেংনবা হকথেংনবা ; খুৎকা খুৎকা থোকনবা (থে নবা)—খুথোক্নবা।

পোৎ অমগী পোকপা খণ্ডহনবদা বহুব্রীহিসমাস ওই। তাইবেন পোকপা মফম—তাইবেনপোকপী , বা পোকপা মফম—বাপোকপী ; লাং পোকপা মফম—লাংপোক ; হৈনৌ পোকপা মফম—হৈনৌপোক।

মণিপুরী লোন্দা য়ুম্নাক খণ্ডহনবা বহুব্রীহিসমাসকী খুদম যাম্না লৈ। যেন অরাংবা লোহবা য়ুম নত্রগা য়ুম্নাক—য়েন্নাংবম , ককচিংদা তাবা কাঙবু নত্রগা য়ুম্নাক—ককচিংতাবম , কোংবা লাই লাংপা য়ুম্নাক—কোংব্রাইলাংপম ; ফুরাদা লাই লাংপা য়ুম্নাক—ফুরাইলাংপম , খোংবান্দা তাবা য়ুম্নাক—খোংবান্তাবম, অসনা ইংবা।

মহৌশাগী শাজং খণ্ডহনবদা সকম্মকক্রিয়াগী থবক খণ্ডহনবা বাহৈগা ক্রিয়া অমগী কন্থগা লোয়ননা বহুব্রীহিসমাস শেমই। ভাবু লাক্কুনা লাক্কুনা চাবনা শাজং ওইবা (উচেক) ভারাকপী ; থবায়বু লাক্কুনা লাক্কুনা পুবনা শাজং ওইবা (উচেক)—থবায়লাকপী ; উবু তুবনা (চাম্না কনবনা) শাজং ওইবা উতুবী।

মণিপুরী লোন্দা শিন খণ্ডহনবা বহুব্রীহিসমাসকী খুদম যনা য়াম্না লৈ। য়োংশুবনা শিন ওইবা (মা)—য়োংশবা ; উ শুবনা শিন ওইবা (মী)—উশুবা ; য়ুম শাবনা শিন ওইবা (মা)—য়ুমশাবা , লৌউবনা শিন ওইবা (মী)—লৌউবা ; ফিশাবনা শিন ওইবা মী—ফিশাবা, অসনা ইংবা।

করিগুম্বা লম অমগী লাকপা খণ্ডহনবগী বহুব্রীহিসমাসকী খুদম মণিপুরী লোন্দা য়াম্না লৈ। খুলবু লাকপা—খুল্লাকপা ; স্কাইস্কুলবু লাকপা—স্কাইস্কুললাকপা ; খ্বাইবু লাকপা—খ্বাইরাকপা ; স্লাংখৈবু লাকপা—স্লাংখৈলাকপা, অসিনচিংবা।

লৈবা অমসুং লৈতবা খণ্ডহনবগী বহুব্রীহিসমাসকী খুদম মণিপুরী লোন্দা ফনা য়াম্না লৈ। নিংথৌনা পানবা (লৈবাক)—নিংথৌপানবা (লৈবাক) ; নিংথৌনা পান্দবা (লৈতবা)—নিংথৌপান্দবা (লৈবাক)। জাৎ নাইবা (লৈবা)—জাৎনাইবা ; জাৎ নাইদবা—জাৎনাইদবা (লৈতবা)। মুংশিবা হৈবা (লৈবা)—মুংশিহৈবা ; মুংশিবা হৈতবা (লৈতবা)—মুংশিহৈতবা। কোক পানবা (লৈবা) —কোকপানবা ; কোক পান্দবা (লৈতবা)—কোকপান্দবা।

বহুব্রীহিসমাসকী অচোইবা খুদম খরা খাদা পীরি—

শগোল পনবা (মফম)—শগোলপন অসিদগী শগোলবন।

খেৎপদা মৈ হৌবা (পোৎ)—মৈখেৎ।

অয়াংবা পোৎ, চেংতেক, রাইনচিংবা কোকপা (য়াওহন্দবা) পোৎ—য়াংকোক।

য়েন (হকচাংগী পাঙ্গল) শাংদোকহনবা চানবা পোৎ--য়েনশাং।

(মাঙখিবা) ঈবু শিংবা (হাপচিনবা) পোৎ--ঈশিং।

ঈশিং চাইবা মফম---ঈশিংচাইবী (জলপ্রপাত)।

মুক (মথন্তা) তাবা কলম---মুক্তাবী।

লাইবক্তা তাঙবা---লাইত্তাঙবা।

লম্বী ময়াম লোঙবগী মফম—লম্লোঙ।

মোইরাংবু খোমখিবা মফম—মোরাংখোম।

(ঈরমগী) মরিল লোঙখিবা (থাইদোকখিবা) মফম—লিলোং।

অব্যয়ীভাব সমাস

করিগুম্বা বিশেষ্য অমগা অব্যয় অমগা পূল্লগা শেম্বা সমাস অদুবু অব্যয়ীভাবসমাস কৌই। সংস্কৃতনচিংবা লোন্দা অব্যয়না মাঙ থাই। ত্তৌইগুম্বসুং মৈতৈরোন্দদি অব্যয়না তুংদা লাকই অমসুং মাদুগী অর্থনা মপুং ওই। হন্না হন্না হায়বা, ঙমথৈ, অসিনচিংবগী অর্থদা অব্যয়ীভাবসমাস ওই।

হন্না হন্না হায়বা—খুন খুন--খুনখুদিং; মুমিৎ মুমিৎ—মুমিৎ-খুদিং ; ঙমথৈ— লম্বীগী ঙমখৈ য়োৌবা—লম্বীফাওবা ; মুমিৎকী ঙমথৈ ফাওবা---মুমিৎচুপ্পা।

অব্যয়ীভাবসমাসকী বাহৈ পূন্নমক অব্যয় ওইদুনা লৈ ; মৈতৈরোন্দা ক্রিয়াবিশেষণ ওইনা শীজিন্নৈ ; হিন্দীদসু ক্রিয়াবিশেষণ ওইনা শীজিন্নৈ। মাসিনা ব্যাকরণশাস্ত্রগী হৌনবীনি। কনাগুম্বনা সংস্কৃতকী মতৌ তমদুনা সংস্কৃতা লৈবা পোৎ অদু নমদুনা মৈতৈরোন্দা পুশিল্লক্লবা হোৎনৈ। খুদমগী শক ওইনা, সংস্কৃতকী উপগৃহম্ (য়ুমগী নাক্তা) হায়বা বাহৈগী মৈতৈরোন্দা হন্দোক্লবা 'য়ুম্নাক' হায়বা অসিবু অব্যয়ীভাবকী খুদম্নি হায়রি। 'য়ুম্নাক' হায়বা বাহৈ অসি মৈতৈরোন্দা ক্রিয়াবিশেষণ ওইনা থক শীজিন্নদে ; মরম অসিনা মাসি অব্যয়ীভাবকী খুদম নত্তে। মতৌ অদুগুম্না অঙাংমথৈ, ঐগুম্বা, অসিনচিংববুসু অব্যয়ীভাবকী খুদমনি হায়রি। থক্তা পনখিবা মরম অদুমক্না মাখোয় অসি অব্যয়ীভাবকী খুদম নত্তে।

য়াহৎপরেৎ

১। সমাস করিবু কৌবগে ? সমাসকী কান্নবা মতৌ করিনো ? সমাস ত্তৌবগী থবক করম্না থোকপগে শন্দোক্লা ইয়ু।
২। সমাস অমসুং সন্ধি—অনীগী লক্তা থেন্নবা করি লৈবগে ?
৩। সমাসকী মথল কয়া ভই ? মাখোয়গী মিং হায়য়ু।
৪। সমস্তপদ, সমস্যমানপদ, ব্যাসবাক্য, সমাসবাক্য করি করিবু কৌবগে ভগাইনা তাকউ।

৫। সমাস তৌবগী থবক অসি করাইফদবরা ?
৬। দ্বন্দ্বসমাস করিবু কৌবগে খুদমগা লোয়ননা শব্দোংবা তাকউ। দ্বন্দ্বসমাসতা করম্বা বাক্যনা মরু ওইবগে ? মৈতৈলোনগী দ্বন্দ্বসমাস তৌবগী নিয়মশিং হায়য়ু।
৭। তৎপুরুষসমাস করিবু কৌবগে ? মাসিদা করম্বা বাক্যনা মরু ওইবগে ?
৮। তৎপুরুষকী মখল করম্বা তুই অমসুং করি করিনো ?
৯। দ্বিতীয়া, তৃতীয়া, চতুর্থী, পঞ্চমী, ষষ্ঠী অমসুং সপ্তমী তৎপুরুষ করি করিবু কৌবগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।
১০। কর্মধারয়সমাস করিবু কৌবগে খুদম পীদুনা তাকউ। বিভক্তিগী তৎপুরুষকা কর্মধারয়সমাসকা অনীগী করম্বা খেন্নবা বাক্য লৈবগে শব্দোকা তাকউ।
১১। তৎপুরুষসমাসতা করম্বা শব্দনা মরু ওইবগে ?
১২। একশেষসমাস, মধ্যপদলোপী কর্মধারয় অমসুং দ্বিগুসমাস করি করিবু কৌবগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।
১৩। কর্মধারয় অমসুং দ্বিগু হায়বসি তোঙানবা মরম সঙ্গা নকনবা লৈবগে ?
১৪। বহুব্রীহিসমাস করিবু কৌবগে মাসিদা করম্বা বাক্যনা মরু ওইবগে ?
১৫। বহুব্রীহি অমসুং কর্মধারয়গী তোঙানবা করি লৈবগে ?
১৬। সমানাধিকরণ অমসুং ব্যধিকরণ তৎপুরুষ করি করিবু কৌবগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।
১৭। অব্যয়ীভাবসমাস করিবু কৌবগে খুদম পীদুনা তাকউ।
১৮। খাদা পীরিবা বাক্যশিংবুদা শব্দবা সমাসকী ব্যাসবাক্য থাই দোক্লুনা কনম করম্বা মখলগী সমাসনো তাকউ

মহাত্মা সনাগোম্বা হীদাকপু অমা পুরক্লে। খম্বাগোইবীগী বাক্য ফারদা মহাক মুংখ্রে। নিংখোমনাই অকন-অথৌ সম্মক শুংলে। চাকনিব অমা সমদানা মী অমদগী লুদা মাংগঙদা নিরমই। মাসি লাইবংখ্রবা লোনি। থাওইবা মীনা হাঙদা শি। অঙাং অসি অহাউ-হাউনা অমসুং অমুনমুন্দা যিদানা অহংবা পোৎলা চাগ। অচা চেঙগী মমল হৌজিক্তি শাম্না হাইগৎখ্রে। সনাচরন্দা হঙৎকদবা বা অমা লৈ। মহাত্মা ত্রৈগী ভুংশিপাউ করি পুরকপগে ? কংগ্রেস য়াওবা মীদি লৌবা

শেৎলি। পুনসীঙ্গিচেন্দা তাউথবা মতমদা অৱানং ফংবদি হৌনবীনি। শনগাডী থোৱা নিপানা শনবু য়াম্না লুনা তৌই। মথোলঅহুমগী য়ুম অমা ঐহাক্না লৈরে। চৈহাইবী শাম্নবদা অঙাং থরদি শোক্লবা ওইরে। য়েল্লাংবমগী তাদা অচু ঙসিদি লাংপোক থুন্দা চৎখ্রে। থৱায়লাকপীনা খোংলবদি মী থরা শিবা শোয়দ্রে। হুংশিহৈতবা থরাইবাকপনা লৌউবা মী থরবু ফুবিরে। শগোল লাইতাঙবী অমা তোংহনা মহাক্না লমলোঙদা লাক্লমই। হুমিৎচুপ্পা শাম্নরগা অঙাংশিংনা মাগী মাগী য়ুমদা হল্লখ্রে। মহাক্না য়ুমথুদিং চত্তুনা চেঙ নিরমই। ঙশিংচাইবাগা ঙশিং য়েংবদা পুকনীং পেল্লি।

বাচ্য

বাচ্য হায়বসি কর্ত্তাগা থবক অমগগী লক্না লৈবা সম্বন্ধ অচু ক্রিযাপদনা করম্না ফোংদোকপগে হাযবগী মওং অচুনি। কম্নিগুম্না রাহৈপরেং অমদা কর্ত্তাগা ক্রিয়াগা লৈনবা সম্বন্ধ অসি মথলমথা থোক্না লৈবা য়াই। কর্ত্তামক্না থবক পাঙথোকপগী মপু ওইবা য়াই, ওইদবস্ত যাই। থুদমগী শক ওইনা, ঐনা থাবু য়েংনীংহনা থা থোকদবা মতমদা য়েংগে হায়না হোৎনহুনা য়েংলবদি য়েংবগী কর্ত্তা (থবক পাঙথোকপা মপু) ঐনি। অচুদি নত্তহুনা ঐনা থাবু য়েংগে হায়না। নী লুদানা অস্নুম মায় ওন্থোকপদা থাবু উরবদি ঐমক্না য়েংনবগী দমক হোৎনরুদ্রবস্থ থানা ঐগী মিংকী মাঙদা তারবদা উবনি। থুদম অনী অসিদা উবগী থবক তৌরিবা ঐগা 'উবা' ক্রিয়াগা লৈনরিবা সম্বন্ধ অনী অসি থেন্নৈ। অহানবদনা ঐমক্না হোৎনহুনা উবগী থবক পাঙথোকপনি, অকোনবদনা ঐনা হোৎনরুদানা থানা ঐগী মাঙদা তাররবদা ঐনা উবনি। মতাং অসিদা ইংরাজীগী Active voice অমসুং Passive voice হায়বা ব্যাকরণগী রাহৈশিংগী অর্থগা চাংদম্নবা য়াই। Active voice কী রা

হায়বদা subject (কর্ত্তা) অদু active হায়বদি থবকতৌবা ওই নত্রগা ক্রিয়াগী থবক পাঙথোকপগী মতৌ subject (কর্ত্তা) দগী থোরবই হায়বনি। অদুগা Passive voice কী বা হায়বদা subject অদু passive ওই (থবক তৌদে) হায়বদি থবক পাঙথোকপগী মতৌ অদু subject (কর্ত্তা) দগী থোরক্তে হায়বনি। মাসিদগী ঐখোয়না উরে, Active voice কা Passive voice কা অনীগী লক্তা লৈরিবা খেন্নবগী মতৌ অদু বা হায়বগী মওংতদা নত্তে, অর্থদম্বনি।

থক্কী অসিদগী ঐখোয়না উরে—থাবু ঐনা য়েংগে হায়না নীংলুদানা থানা মাঙদা তাররবদা উবা অদুগী বা হায়বদা কর্ম্ম ওইরিবা থাবু 'উবা' থবক্কী পাঙথোক্লবা পোৎ ওইনা উংলে। মতৌ অসুম্না, থাঙ অমগী অকবা মথৌ উংননবা করণ ওইবা থাঙবু মপুং ওইনা উৎপা য়াই। য়াম্না মপুংফানা কংলবা শীংবু য়াম্না চাকই হায়না উংননবগী দমক করণ (কুৎলাই, পাম্বৈ) ওইরিবা শীংবুসু মপুং ওইনা উৎপা য়াই। মতৌ অসুম্না মীওইবগী বাহায় আস অর্থগী অমসুং অবস্থাগী তুংইন্না খেন্নৈ।

কর্ত্তানা থবক তৌই হায়না উৎলিবা বাহায় অদুবু কর্ত্তৃবাচ্য কৌই। থবক পাঙথোকপদা কর্ত্তানা মরু ওইদবা, কর্ম্মনা মরু ওইবা বাহায় অদুবু কর্ম্মবাচ্য কৌই।

মৈতৈরোন্দা কর্ত্তৃবাচ্য লৈ হায়বদি পুম্নমক্না য়ানরবসু কর্ম্মবাচ্য লৈ অমসুং লৈতে হায়বগী মরমদা মত্ত অনী লৈ। পেটিগ্র্যু সাহেবনা ইহানহানবা ওইনা মৈতৈরোন্দা কর্ম্মবাচ্য লৈতে হায়খি। মহাক্না অহানবা ওইনা মণিপুরী লোনগী ব্যাকরণ অমা ইংরাজী ব্যাকরণগী নমুনাদা ইরমই। ব্যাকরণগী বাহৈনচি বা পুম্নমক্তা ইংরাজীগী মিংঙাক্তা পুশিল্লমই। মিংশিংবু পুশিল্লকপতা নত্তনা মণিপুরী লোনগী ব্যাকরণবু ইংরাজীগী য়ুম্ফমদা শাগৎলমই। মণিপুরী ব্যাকরণগী মরমদা খনবা বাখন পুম্নমক ইংরাজীগী ব্যাকরণগী মায়কৈদগীতা তৌরমই। ইংরাজী লোনগী মওংগা মান্নবা মণিপুরী লোনগী মওং

লৈতে হায়না খনবদগী মণিপুরী লোন্দা কর্ম্মবাচ্য লৈতে হায়রম্বনি। কর্ম্মবাচ্যগী ৱাহায়গী মওংতা নত্তনা অর্থগী মওংস্থু য়েংলম্লবদি নত্রগা মহাক্না ইংরাজী লোনগী খক্তা পনখিবা Active voice অমসুং Passive voice—অনীগী লক্তা লৈবা অর্থগী খেন্নবগী মতৌ অদু খঙলম্লবদি নত্রগা খঙবা থোক্লবস্থু অর্থগী মায়কৈদগী মণিপুরী লোনবু য়েংশিল্লম্লবদি অস্থুম্না হায়রম্লোইদবনি।

পুরুষ অমসুং বচনগী তুংইন্না মৈতৈরোন্দা ক্রিয়াগী শক ওন্দবা মরম্না মৈতৈরোন্দা কর্ম্মবাচ্য লৈতে হায়। অদু ওইরবদি কর্ত্তৃবাচ্যস্থু লৈতে হায়বা য়ারবরা? কর্ম্মবাচ্য লৈতে হায়রবদি কর্ত্তৃবাচ্যস্থু লৈতে হায়বা য়াফম থোকই। অওইবা ৱাদি পেটিগ্রু সাহেবনচিংবা নোংচুপকী মী অমসুং মাখোয়নবু হায়রবদি শোয়দনমক চুম্লগনি হায়না খনবা মশাগী ৱাখন খনবগী শক্তি লৈজদবা মীশিং অসিনা উবা ওমদ্রবনি। কর্ত্তৃবাচ্যদা কর্ত্তানা বাক্যগী উদ্দেশ্য ওই হায়বদি বাক্য অদুগী বিধেয় (হায়রিবা ৱা পুম্নমক) অদু কর্ত্তা ওইন্নিবা উদ্দেশ্যগী মরমদা হায়রিবনি; কর্ম্মবাচ্যদনা কর্ম্মনা উদ্দেশ্য ওইরগা অতৈ ৱা পুম্নমক্না বিধেয় ওইরিবনি। খুদমগী শক ওইনা "ঐনা থাবু য়েংই" হায়বা বাক্য অসিদা 'ঐ' গী মরমদা ৱা অতৈ পুম্নমক হায়রিবনি। মরম অসিনা 'ঐ' অসি কর্ত্তানি অমসুং ৱাহায় অসি কর্ত্তৃবাচ্যগীনি। "থবক অসি ঐনা তৌরবনি" হায়বা ৱাহায় অসিদা উদ্দেশ্যদি 'থবক'নি অমসুং বাক্য অসিদা হায়রিবা পুম্নমক 'থবক' কী মরমদনি। 'থবক' হায়বা ৱাহৈ অসিদি 'তৌরবনি" গী মুংদা লৈবা 'ওই' হায়বা ক্রিয়াগী কর্ত্তানি অমসুং 'তৌরবা' হায়বা অসিনা কৃদন্ত (Past participle) নি। ঐখোয়না হীরম অসিদা সংস্কৃত অমসুং ইংরাজীগা চাংদম্নবা য়াই।

থবক অসি ঐনা তৌবনি—মণিপুরী
ইদং কার্য্যং ময়া কৃতম্—সংস্কৃত
This work is done by me—ইংরাজী

থকী বাক্য অহুম অসিদা কর্ম্ম ওইরিবা 'থবক', 'কয্যাম্' অমসুং

'work'—অহুম অসিনা উদ্দেশ্য ওই ; কর্ম্মবাচ্যগী রায়েং অহুম্মক্তা 'তৌবা' 'কৃতম্' অমসুং 'done'—কৃদন্ত (participle) পদ অহুম অসিনা পূরক ওইদুনা লেপ্লি। ক্রিয়ানা মথংশিংনা 'তৌবনি' দা য়াওরিবা 'ওই', 'ভবতি' অমসুং 'is' নি। 'ওই' হায়বা ক্রিয়াগী কর্ত্তাদি 'থবক'নি। সংস্কৃত অমসুং ইংরাজীগী বাক্য অনীনা কর্ম্ম-বাচ্যগী ওইরবদি মণিপুরী বাক্য অসিদি করিগী দমক কর্ম্মবাচ্যগী বাক্য ওইরোইদদগে ? মণিপুরী বাক্য অসিনা কর্ম্মবাচ্যগী নত্রবদি সংস্কৃত অমসুং ইংরাজীগী বাক্য অনী অদুসু কর্ম্মবাচ্যগী ওইদবা তারে।

মৈতৈরোন্দা পুরুষ অমসুং বচনগী তুংইন্না ক্রিয়াগী শক ওন্দবা মরম্না কর্ম্মবাচ্য লৈতে হায়। ক্রিয়াগী শক ওন্দবগী মরম্না কর্ম্মবাচ্য লৈতে হায়রবদি মরম অদুমক্তনা কর্ত্তৃবাচ্যদি লৈতে হায়বদা করি লানবা লৈগনি ? অওইবমক্তি, ক্রিয়াগী শক ওনবসু য়াই, ওন্দনসু য়াই ; তৌইগুম্বসুং কর্ত্তৃবাচ্যদা কর্ত্তানা অমসুং কর্ম্মবাচ্যদা কর্ম্মনা উদ্দেশ্যবু ওইরবদি ক্রিয়াগী শক ওনবা নত্রগা ওন্দবনা করিসু কায়বা থোকহন্দে। রাফম অমনা, মৈতৈরোন্দা পুরুষ অমসুং বচনগী তুংইন্না ক্রিয়াগী শক ওন্দে হায়বসি পুমচুমচুম্বা রা ওইরবরা ? নোংচুপকী পণ্ডিতশিংনা মৈতৈরোন মুন্না হৈত্তবদগী হায়বদি ঙাকপিবা য়াই। মখোযবু মিত্তাঙবা গুন্না তুংইনবা মৈতৈমচাবুদি ঙাকপিফম থোক্কে। ঐখোয়না খুদম খরা লৌশি। "শানা নহাকপু শোকসনু" হায়বা বাক্য অসিদা 'শানা' কর্ত্তানি, 'নহাকপু' কর্ম্মনি অমসুং 'শোকসনু' ক্রিয়ানি। কর্ত্তা ওইরিবা 'শা' না উদ্দেশ্যনি। মরম অসিনা বাক্য অসি কর্ত্তৃবাচ্যগীনি। মাসিবু কর্ম্মবাচ্যদা ওন্থোকপা তারবদি 'নহাক শানা শোকউ' হায়বা বাক্য অসিনা ওইবা তারে। মফম অসিদা কর্ম্ম ওইরিবা 'নহাক' না উদ্দেশ্য ওইরে ; 'শোকউ' হায়বা ক্রিয়াসু 'নহাক'কী তুংইল্লে। মরম অসিসা মাসি কর্ম্মবাচ্যগী বাক্য ওইরে। থক্তা পীরিবা খুদমশিং অসিদগী পুরুষগী তুংইন্না ক্রিয়াগী শক ওন্দে হায়বা য়ারিবরা ?

পুরুষ অমস্তং বচনগী তুংইন্না ক্রিয়াগী শক ওনবা অসি সংস্কৃত কুপ্পা লোন্দা চাংনাইবা শুম্না লোন অতৈদা ওইদে। ইংরাজীদা We are, you are, they are হায়বা য়াই। মাসিদগী ইংরাজীদা পুরুষ খেন্নবদা ক্রিয়াগী শক ওন্দে হায়বা য়ারবরা অতুগা ইংরাজীদা Passive voice লৈতে হায়বস্থ য়ারবরা? ইংরাজী লোনবা পেটিগ্রু সাহেবনা মাগী লোনগীদি Passive voice লৈ হায়বগা মণিপুরীগীদি কর্ম্মবাচ্য লৈতে হায়বসি মরমচাদবনি।

য়াহং পরেং

১। বাচ্য হায়বসি করিনো? মাতুগী মখল কয়া শুই?

২। কর্তৃবাচ্য অমস্তং কর্ম্মবাচ্য করি করিবু কৌবগে? অনী অসিগী লক্না লৈবা অর্থগী অমস্তং ব্যাকরণগী মাসৈদগী খেন্নবা মতৌ পুন্নমক শুগাইনা ইয়ু।

৩। মৈতৈলোন্দা কর্ম্মবাচ্য লৈতে হাযবা করানা হায়রমই? মহাক্কী মতম্পু শন্দোক্না নৈনৌ।

৪। মৈতৈরোন্দা পুরুষ অমস্তং বচনগী তুংইন্না ক্রিয়াগী শক ওন্দে হায়বসি চুমত্রা নৈনৌ।

৫। পুরুষ অমস্তং বচনগী তুংইন্না ক্রিয়াগী শক ওনবা ওন্দবগী মরমদা সংস্কৃত, ইংরাজী অমস্তং মৈতৈলোন—অহুম অসিবু চাংদম্নৌ।

৬। থাগী বাক্যশিংগী বাচ্য ওস্থোকউ—
ঐনা মহাকপু উন্নরমই। রাবণ থাম্না হাৎপনি। ঐহাক লাইদিব পাররোই। নহাক নৈনা চাও। দলিল অসি মহাকনা ঙবনি। নহাক চাক চাগরা? ঐথোয়না লাইরিক ইরি। মযাম্না মহাকপু সভাপতি থনম্মে।

প্রত্যয়

মাতপ অমবু শব্দগী মৈদা তপ্পা মতমদা শব্দ অতুগী অর্থ হোংলবদি মাতপ অতুবু প্রত্যয় কৌই। 'মহাক ঈশৈ শক্তুনা লাকই' হায়বা মাহৈপরেং অসিদা 'শক্তুনা' হায়বা মাহৈগী মৈদা তপ্পা 'তুনা' হায়বা অসি প্রত্যয় অমনি। 'নিংথৌরেন' হায়বা মাহৈগী মৈদা তপ্লিবা 'লেন' নত্রগা 'রেন' হায়বা অসি প্রত্যয় অমনি। করিনা হায়ববু 'তুনা' অমসুং 'লেন' প্রত্যয় অনী অসিনা মথংশিংনা 'শকপা' অমসুং 'নিংথৌ'গী অর্থ খরগী মথৈ হোংহল্লি। মরম অসিনা মখোয় অনী অসি প্রত্যয়নি।

ব্যাকরণশাস্ত্রদা বিভক্তিগা প্রত্যয়গা অনীমক্কী থেম্নবা মতৌ মুম্না য়েংগদবনি। শব্দগী মৈদা তপ্পা বচন, পুরুষ অমসুং কারক্কী তুংইন্না শক ওহল্লনবা শুদমশিং অতুবু বিভক্তি কৌই। প্রত্যয় হায়-বসিদি শব্দগী মৈদা তপ্লগা অতোপ্পা শব্দ অমা শেম্বনি। হৌরম অসি প্রত্যয়গী মরমদা নীংথিনা নৈনরবা মতমদা অমুক্কা হেন্না শেংনা উগনি।

প্রত্যয়গী মখল অনীনি। মাতুদি— কৃৎপ্রত্যয় অমসুং তদ্ধিত প্রত্যয়।

ধাতুগী মৈদা তপ্লগা বিশেষ্য, বিশেষণনচিংবা শেম্বা য়াবা মাতপ অতুবু কৃৎপ্রত্যয় কৌই।

ধাতু নত্তবা শব্দ অতৈগী মৈদা তপ্লগা শব্দ অতৈ শেম্বা য়াবা মাতপ অতুবু তদ্ধিতপ্রত্যয় কৌই। হৌজিক্তি কৃৎ অমসুং তদ্ধিত প্রত্যয় মথংশিংনা শুগাইনা নৈনরসি।

কৃৎপ্রত্যয়

কদবা

করিগুম্বা থবক অমা তৌফম থোকই, তৌবা চুমই, অসিনচিংবা অর্থ খঙহনবদা ধাতুগী মৈদা 'কদবা' কৃৎপ্রত্যয় তপ্পি অমসুং বিশেষণপদ শেমই। মাহুদি— শক্+কদবা=শক্কদবা (ঈশৈ); তৌ+কদবা=তৌগদবা (বর্গগী অহানবা ময়েক নত্তবা ময়েক্কী থাদা কবর্গগী 'ক্'না 'গ্' ওইখিবা), অসিনচিংবা।

তুনা

করিগুম্বা থবক অমা তৌনা তৌনা অতোপ্পা থবক অমসু মতম অমত্তদা তৌবা খঙহল্লবদি অহানবা থবক খঙহনবা ক্রিয়াগী ধাতুদা 'তুনা' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— মহাক্না ঈশৈ শক্তুনা লাকই হায়বগী অর্থদা শক্+তুনা=শক্তুনা ; চোং+তুনা=চোংদুনা ('ত্'না 'দ্' ওইবা)।

থবক অমা তৌরবা তুংদা অতোপ্পা থবক অমা তৌবা খঙহল্লবদি অহানবা থবক খঙহনবা ক্রিয়াগী ধাতুদা 'তুনা' তপ্পি। মাহুদি— মহাক চাক চাদুনা চৎখ্রে।

রগা

থবক অমা তৌরবা তুংদা অতোপ্পা থবক অমা তৌবা খঙহনবা মতমদা অহানবা থবক্কী ক্রিয়াগী ধাতুদা 'রগা' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি —মহাক চাক চারগা লাকনি। মহাক থবা চৎলগা পোথাগনি (র্ না ল্ ওইবা)।

রদুনা

থবক অমগী তুংদা থবক অমা তৌবা খঙহল্লবদি অহানবা থবক্কী ক্রিয়াগী ধাতুদা 'রদুনা' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— মহাক্না খোঙ্জেল

অদু তারদুনা চঙশিল্লমই। মহাক্না চৎলদুনা (র না ল্ ওইবা) অঙাং অদুবু ফুবিরমই।

তুনা, রগা, রদুনা, হায়রিবা প্রত্যয়শিং তপ্পা ৱাহৈদি অব্যয় ওইবা মরম্মা মাখোয়দা বিভক্তি তপ্পা য়াদে। মাখোয় অসি অসমাপিকা ক্রিয়া গুম্বনি।

রবা

ধাতুগী তুংদা মপংফাবগী মতৌ খঙহনবদা 'রবা" প্রত্যয় তপ্পি। মাদুদি—চারবা, তৌরবা, কল্লবা (র্ না ল্ ওইবা)। 'রবা' প্রত্যয় তপ্পা শব্দশিং অদু বিশেষণ ওই।

রিবা

ধাতুগী তুংদা হৌজিকমক লোইড্রিবা মতৌ খঙহনবদা 'রিবা' প্রত্যয় তপ্পি। মাদুদি—চারিবা, চৎলিবা ('র্' না 'ল্' ওইবা)। 'রিবা' প্রত্যয় তপ্পা শব্দশিং অদু বিশেষণ ওই।

থ্রবা

ধাতুগী তুংদা হৌখিবা মতমদা মপুং ফাবগী অর্থ খঙহনবদা 'থ্রবা' প্রত্যয় তপ্লুনা বিশেষণপদ শেম্মি। তৌথ্রবা থবক, পাথ্রবা লাইরিক।

না

তৌরিবা অমসুং চৎথরিবা থবক খঙহনবা মতমদা ধাতুগী মৈদা 'না' প্রত্যয় তপ্পি। অসিগুম্বা ৱাহৈ অদু অনীরক হন্না শীজিন্নগল্লি। মাদুদি— মহাক ঈশৈ শকনা শকনা লাকই। 'না' প্রত্যয় তপ্পা ৱাহৈশিং অদু অব্যয় ওই অমসুং ক্রিয়াবিশেষণগী থবক তৌই। তদ্ধিতপ্রত্যয় 'না' হায়বা অমসু লৈরি। মাদুবু মতাং চানা নৈনরকনি।

বা, পা

করিগুম্বা থবক অমা ইচমচম্না খঙহনবা মতমদা মহৌশানা

ধাতুগী তুংদা 'বা' 'পা' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— চৎপা, তৌবা (প্ না ব্ ওইবা)।

ক্রিয়াবাচক বিশেষ্য খঙহনবদা ধাতুগী তুংদা বা, পা প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— পাবা, কোয়বা, অসিনচিংবা।

থবক্কী ফল ফংবা কর্ম্মনা মাঙথাবা ধাতুগী তুংদা থবক পাঙ-থোকপা কত্তা খঙহনবদা বা, পা প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— য়োং-শূবা, সনাশাবা, উশূবা, ঈশৈংহনবা, খাবমলাকপা, অসিনচিংবা।

থবক্কী মওংমতৌ খঙহনবা মতমদা ধাতুগী মৈদা তপ্পা বা, পা প্রত্যয় অসি মাঙখি। মতম অহুদা থবক্কী মওংমতৌ খঙহনবা ওইনা ধাতুগী মাঙদা মওং অমসুং মতৌগী অহানবা ময়েক 'ম' লাকই। চৎপগী মওংমতৌ—মচৎ ; চাবগী মওংমতৌ—মচা ; তৌবগী মওংমতৌ—মতৌ ; কপ্পগী মওংমতৌ—মকপ।

রমদাই

ক্রিয়ানা ফোংদোকপা থবক্কী মতমগী হেক থংনবা মাঙগী মতম খঙহনবদা ধাতুদা 'রমদাই' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— চৎপগী মাঙগী হেক থংনবা মতম—চৎলমদাই ('র' না 'ল' ওইবা)। তৌবগী মাঙগী হেক থংনবা মতম- তৌরমদাই। পীবগী মাঙগী হেক থংনবা মতম—পীরমদাই। প্রত্যয় অসি তপ্পা রাহৈদু বিশেষ্য ওই।

নীঙাই

করিগুম্বা থবক অমা তৌবা পাম্বা নত্রগা নীংবা খঙহনবগী অর্থদা ধাতুগী মৈদা 'নীঙাই' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— মতেং পাং-বিবা পাম্বা নত্রগা পাংবিগে নীংবা—মতেং পাংবিনীঙাই। থবক নোম্বিবা পাম্বা নত্রগা নোম্বিগে নীংবা—থবক নোম্বিনীঙাই। থক্কী খুদমশিং অসি কর্ত্তৃবাচ্যগী অর্থদনি। কর্ম্মবাচ্যদসু প্রত্যয় অসি তপ্পি। পীবা পাম্বা নত্রগা পীগে নীংবা—পীনীঙাই। তৌবা পাম্বা নত্রগা তৌগে নীংবা—তৌনীঙাই। কর্ত্তৃবাচ্যগী অর্থদা থবক্কী মপ্পু

থঙহল্লি। কর্ম্মবাচ্যগী অর্থদা থবক্কী ফল ফংলিবা কর্ম্মবু খঙহল্লি। 'নীঙাই' প্রত্যয় তপ্পুনা শেম্বা শব্দ অচু বিশেষণ ওই।

ঙৈ

করিগুম্বা হৌগ্রবা থবক অমগী মতম খঙহনবদা ধাতুদা 'ঙৈ' প্রত্যয় তপ্পি। মাচুদি— হৌগ্রবা মতমদা চেনবগী মতম—চেনঙৈ। হৌগ্রবা মতমদা চৎপগী মতম—চৎঙৈ। প্রত্যয় অসি তপ্পা মাহৈ অচু বিশেষ্য ওই।

নবা, ননবা

করিগুম্বা নীংবা নত্রগা মরম খঙহনবা মতমদা ধাতুগী মৈদা 'নবা' নত্রগা 'ননবা' প্রত্যয় অসি কর্তৃবাচ্য অমসুং কর্ম্মবাচ্য অনীমক্তা তপ্পি। চৎকে নীংবা নত্রগা চৎপগী মরম লৈবা—চৎনবা নত্রগা চৎননবা। চাগে নীংবা নত্রগা চাবগী মরম ওইবা—চানবা নত্রগা চাননবা। "নবা--ননবা" তপ্পা মাহৈ পুম্নমক বিশেষণ ওই।

রোইদবা

করিগুম্বা থবক অমবু তৌবা চুমদে হায়না খঙহনবা মতমদা ধাতুগী মৈদা 'রোইদবা' প্রত্যয় তপ্পি। মাচুদি—চাবা চুমদবা—চারোইদবা; পাবা চুমদবা—পারোইদবা। মসি কর্ম্মবাচ্যদনি।

করিগুম্বা থবক অমবু তেক থংনবা মতমদা তৌগে হায়না নীংদবা খঙহনবা মতমদা কর্তৃবাচ্যদা ধাতুগী মৈদা প্রত্যয় অসি তপ্পি। মাচুদি— চৎকে হায়না নীংদবা—চৎলোইদবা; তৌগে হায়না নীংদবা—তৌরোইদবা; পাগে হায়না নীংদবা—পারোইদবা।

থক্কী থুদমশিংদা 'তৌরোইদবা' অমসুং 'পারোইদবা' অনী অসি কর্তৃবাচ্য অমসুং কর্ম্মবাচ্য অনীমক্তা লৈ। অনীগী খেন্নবা মুম্না য়েংগদবনি। 'লাইরিক পারোইদবা ছাত্র' হায়বসিদা 'পারোইদবা' হায়বসি কর্তৃবাচ্যদা শীজিন্নরে। 'লাইরিক অসি পারোইদবনি' হায়বা অসিদা 'পারোইদবনি' হায়বসি কর্ম্মবাচ্যদা শীজিন্নরে।

মতৌ অদুম' "থবক তৌবোইদবা মী" হায়বসিদা 'তৌরোইদবা' হায়বসি কর্তৃবাচ্যদনি ; 'মসি তৌরোইদবা থবকনি' হায়বসিদা 'তৌরোইদবা' হায়বসি কর্ম্মবাচ্যদনি ।

'রোইদবা' প্রত্যয় তম্না শব্দ পুম্নমক বিশেষণ ওইরক্কনি । ধাতুদা প্রত্যয় অমা তম্লুনা শেম্বা ক্রিয়াপদশিং কৃদন্তপদ নত্তে । খুদম ওইনা, চৎ + থোক + পা—চথোকপা—কৃদন্তপদ নত্তে ।

হাইরপকী অর্থদা ধাতুদা 'তক' প্রত্যয় তম্লুনা ক্রিয়াবিশেষণ শেমই । মাহুদি—হাইরপ থাবগী অর্থদা থা + তক = থাতক, হাইরপ থোংপগী অর্থদা থোং + তক = থোংতক, হাইরপ মোনবগী অর্থদা মোন + তক—মোন্তক ; হাইরপ পৈবা—পৈ + তক = পৈতক ।

ফেং—হাইরপকী অর্থদা করিগুম্বা ধাতুদা 'ফেং' প্রত্যয় তম্লিনা অমসুং ক্রিয়াবিশেষণ ওই । মাহুদি—হাইরপ নোকপা—নোক + ফেং = নোকফেং ; হাইরপ তাইবা—তাই + ফেং = তাইফেং ।

রপ্, লপ্—হাইরপবা অর্থদা করিগুম্বা ধাতুদা রপ্, লপ প্রত্যয় তম্লিনা অমসুং ক্রিয়াবিশেষণ শেমই । মাহুদি—হাইরপ ডংবা—ডাংলপ ; হাইরপ মুবা—মুরপ ; হাইরপ থাবা—থারপ ।

কক্ - হাইরপকী অর্থদা করিগুম্বা ধাতুগী তুংদা কক্ প্রত্যয় তম্লিনা অমসুং ক্রিয়াবিশেষণ শেমই । মাহুদি - হাইরপ যেকপা—যেক + কক - যেক্কক ; হাইরপ লংপা—লং + কক্ - লংকক ।

রুম্—হাইরপকী অর্থদা করিগুম্বা ধাতুদা রুম্ প্রত্যয় তম্লিনা অমসুং ক্রিয়াবিশেষণ শেমই । মাহুদি—হাইরপ কাবা—কা + রুম —কারুম ।

ৱাহংপরেং

১। প্রত্যয় হায়বসি করিনো ? খুদম পীদুনা তাকউ ।
২। বিভক্তি অমসুং প্রত্যয় অনাগী ওইবা খেন্নবা করি নৈনবগে ?
৩। প্রত্যয়গী মথক কয়ানো অমসুং করি করিনো ?
৪। কৃৎপ্রত্যয় করিগুম্বা কৌবগে খুদম পীদুনা তাগাইনা তাকউ ।

৫। খাদা ইরিবা প্রত্যয়গী মশীজিন্না খুদমগা লোয়ননা তাকউ—
তুনা, রতুনা, না, কদবা, রিবা, রমদাই, রোইদবা, নীঙাই, রমদাই।
৬। খাদা ইবিবশিংগী মতুং শিনবা ৱাহৈ অমমম পীয়ু :— চাবগী তুংদা, হায়বগী মতিকচাবা, পাবা চুমদবা, হৌগ্রবা মতমদা তৌবগী মতম, তুম্বগী মাঙগী হেক থংনবা মতম, পাবগী মতৌ, তৌফম থোকপা, চাবগী মতৌ, তাবগী তুংদা।
৭। খাদা ইবিবা ৱাহৈগী হৌফম অমসুং প্রকাশ তাকউ :— লেকপবা, কক্রবা, পমতুনা, চংলিবা, পাননবা, পাৱোইদবা, চেলিংই, থক্লমদাই, পারিবা, চংগ্রবা, পুবগা, চংপীনিঙাই, লৌগদবা।

তদ্ধিত প্রত্যয়

ধাতু নত্তবা শব্দ অতৈগী মৈদা শব্দ অতৈ শেম্নবা তপ্পা মচেং অতুবু তদ্ধিত প্রত্যয় কৌই। বিশেষ্য, বিশেষণ অমসুং সর্বনামগী মৈদা তদ্ধিতপ্রত্যয় তপ্পি। খাদা মণিপুরী লোনগী তদ্ধিত প্রত্যয় খরগী খুদমগা লোয়ননা শীজিন্নফম তাকলি।

রেন

কাঙলুপ অমগী কোক, অথোইবা, খ্বাইদগী হেনবা, অসিনচিংবা খঙহনবদা বিশেষ্যদা 'রেন' তপ্পি। মাতুদি—নিংথৌশিংগী কোক—নিংথৌরেন; ফক্কী লক্তা অথোইবা—ফক্লেন ('র' না 'ল' ওইবা); কাওগী লক্তা অথোইবা—কাওরেন। লৈগী লক্তা অথোইবা—লৈরেন, অসিনচিংবা।

তা

মতৌ খঙহনবদা বিশেষ্যগী মৈদা 'তা' তপ্পি। মাতুদি—শকী মতৌ—শক্তা; কোক্কী মতৌ—কোক্তা; মিংকী মতৌ—মিত্তা।

রোয়

থৌ খঙহনবদা বিশেষ্যদা 'রোয়' প্রত্যয় তপ্পি। মাহূদি :— হি হোনবনা থৌ ওইবা মী—হীরোয় ('হি'গী থোক অক্কম্বা ওইরে) ; দোলাই পুবনা থৌ ওইবা মী—দোলাইরোয়, অসিনচিংবা।

থোই, দোই

'হেনবা' অর্থ খঙহনবদা বিশেষ্যদা থোই, দোই প্রত্যয় তপ্পি। মীগী লক্তা হেনবা— মীথোই ; হান্নগী শেন্দগী হেনবা—শেন্দোই ; অনী হেনবা—নীথোই (তরানীথোই) ; হান্নগী ফৌদগী হেনবা ফৌ —ফৌদোই, অসিনচিংবা।

তম্

মওংমতৌ খঙহনবদা বিশেষ্যগী তুংদা 'তম্' প্রত্যয় তপ্পি। মাহূদি—শক্কী মতৌ—শকুম ; লমগী মতৌ—লমদম (ত্ না দ্ ওইবা)।

নাউ

মচা নত্রগা অপিকপা পোৎ খঙহনবদা বিশেষ্যদা 'নাউ' তপ্পি। শনগী মচা—শন্নাউ ; অপিকপা থোঙ্—থোঙ্নাউ, হূয়গী অপিকপা মচা—হূয়নাউ, অসিনচিংবা।

শিং

অমদগী হেনবা মশীং খঙহনবদা 'শিং' প্রত্যয় তপ্পি। অমদগী হেনবা মশীংগী মী--মীশিং ; অঙাংমচাশিং, নুপীমচাশিং, অসিনচিংবা।

শুবা, শুরকপা

পংথৈ নত্রগা মপূংফাবা মতৌ খঙহনবা অর্থদা মশীং খঙহনবা বিশেষণপদগী মৈদা 'শুবা' প্রত্যয় তপ্পি। মাহূদি—মপূং ফারবা অনী—অনীশুবা ; মঙাশুবা। 'শুরকপা' প্রত্যয়গী মশীজিন্নমক্ত 'শুবা' গীগা মান্নৈ। 'শুরকপা' প্রত্যয় তপ্পা বাহৈনা মথং মথং চথবগী ভাব খঙহল্লি।

মান

করিগুম্বা পোং নহৌপা জীবগা মান্নবা মতৌ খঙহনবদা বিশেষ্যগী তুংদা 'মান' প্রত্যয় তশ্লি। মাহুদি—হরাইগা মান্নবা, হরাইমান ; যোংগা মান্নবা, যোংমান, অসিনচিংবা।

জম

শিনগী অর্থদা বিশেষ্যগী তুংদা 'জম্' প্রত্যয় তাশ্লি। মাহুদি—থাঙ্ শাংবা শিন ওইবা (মী), থাংজম ; শেন শাবনা শিন ওইবা মী, শেঙজম, অসিনচিংবা।

মক

কনশিন্না ব্রা ভাগ বা মখমদা বিশেষ্য নত্তগা সব নামগী মৈদা 'মক' প্রত্যয় তশ্লি। মাহুদি—মী+মক, মীমক ; নহাব+মক, নহাবমক ; ঐখোয়+মক, ঐখোয়মক।

রক

মশীং খঙহনবা বিশেষণগী তুংদা মশীং অহুম হন্না থাক অমা তৌবা খঙহনবদা 'রক' প্রত্যয় তশ্লি। মাহুদি—অনী+রক, অনীরক ; অহুম+রক, অহুমলক ('র' না 'ল' ওইবা)।

থক

অকক্নবা মশীং খঙনবদা মশীং খঙহনবা রাহৈগী মৈদা 'থক' প্রত্যয় তশ্লি। মাহুদি—অনী+থক, অনীথক ; তরা+থক, তরাথক, অসিনচিংবা।

রাই, রাইরম

চাউরাকপা মতম অমত্তুং মফম খঙহনবদা বিশেষ্য অমত্তুং সর্ব্বনামগী তুংদা 'রাই' প্রত্যয় তশ্লি। মাহুদি—নুমিদাং+রাই, নুমিদাংরাই ; (মফম) অসি+রাই, অসিরাই, অসিনচিংবা। মতম খঙহনবদা 'রাইরম' শীজিন্নে। নুমিদাং+রাইরম, নুমিদাংরাইরম।

স্না

অহেনবা মতৌ খঙ্নবদা বিশেষ্যগী তুংদা 'স্না' তপ্লি। মাহুদি— মিৎ+স্না, মিৎস্না।

তং

অবক্লবা মতৌ খঙহনবদা বিশেষ্য অমস্তুং সর্ব্বনামগী তুংদা 'তং' প্রত্যয় তপ্লি। মাহুদি— খিৎ+তং, খিত্তং; ঐহাক+তং, ঐহাকতং, নহাক+তং, নহাকত্তং, অসিনচিংবা।

'তং' প্রত্যয় তপ্লবদি ধাতুগী মৈগী আবার মাঙখি। মাহুদি— চানা+তং, চানতং; অমা+তং, অমতং।

কুস্না, গুস্না

মান্নবগী অর্থদা বিশেষ্য অমস্তুং সর্ব্বনামগী তুংদা কুস্না, গুস্না প্রত্যয় তৌই। মাহুদি—মীগা মান্নবা, মীগুস্না; ঐহাকা মান্নবা, ঐহাকুস্না; শাগা মান্নবা, শাগুস্না, অসিনচিংবা। কুস্না, গুস্না তপ্লা শব্দ বিশেষণ ওই।

কুস্না, গুস্না প্রত্যয়না তদ্ধিত প্রত্যয় ওইরবসু কুম, গুম দি তদ্ধিত প্রত্যয় নত্তে, অব্যয়নি।

খৈ

শরুক্কী অর্থদা বিশেষ্যগী তুংদা 'খৈ' প্রত্যয় তপ্লি। মাহুদি— লনগী শরুক, লনখৈ; মিংগী শরুক, মিংখৈ, অসিনচিংবা।

ব্যঞ্জন শব্দ্নুপর্বী অনীশুবা ময়েকী থাদা 'খৈ'গী খ অদু গ ওই মাহুদি— কিক+খৈ, কিগৈ; থৌ+খৈ, থৌগৈ।

নি

মশাং খঙহনবা বিশেষণগী মৈদা মশাং অদুনা ফোংদোকপা গুনিংনশং চুপ্না করিগুম্বা থবক অমা তৌবগী অর্থদা 'নি' প্রত্যয় তপ্লি মাহুদি— মঙানি, ওয়ানি; অসিনচিংবা। অনী অমস্তুং

অহুমগী তুংদা "নি" তপ্পবদি অহৌবা স্বর অ মাঙ্খি। মাহুদি—অনী +নি=নিনি ; অহুম+নি=হুমনি।

থং

চাউরাকপা মতম খঙহনবদা মতম অহু খঙহনবা বাহৈগী তুংদা 'থং' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— মমৈ+থং, মমৈথং ; কোনবা+থং, কোম্থং, অসিনচিংবা।

ঙৈ

চাউরাকপা মতম খঙহনবদা 'ঙৈ' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি— অহু+ঙৈ, অহুঙৈ ; মমাঙ্+ঙৈ, মমাঙ্ঙৈ।

হাক

ঐ, নঙ, মা হায়বা সর্ব্বনামশিংগী তুংদা থন্না কনশিনবা অর্থ খঙহনবদা 'হাক' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি—ঐ+হাক, ঐহাক ; নঙ্+হাক, নহাক ('ঙ' মাঙখিবা) ; মা+হাক, মাহাক নত্রগা মহাক।

থক্তা পীরিবা সর্ব্বনামশিংগী তুংদা সম্প্রদান কারক্তা 'ঙোন' প্রত্যয় তপ্পি। মাহুদি—ঐ+ঙোন, ঐঙোন , নঙ+ঙোন, নঙোন (ঙ মাঙবা ; মা+ঙোন, মাঙোন।

কৃৎপ্রত্যয়, তদ্ধিতপ্রত্যয় অমস্তং অতৈ অতৈগী লক্তা চযেৎনবা মতৌ ফনা তোয়না থেংনৈ। কৃৎপ্রত্যয়গা তদ্ধিত প্রত্যয়গগী লক্তা খেন্নবা মতৌবু ফনা নীংথিনা নৈনব্রে, মখোয় অসিগা অতৈ অতৈগা খেন্নবা মতৌ থন্না নৈনবা য়াই। 'ফাবা' হায়বা ক্রিয়াগী 'ফা' অমস্তং 'বা' গী লক্তা অতৈ অতৈ বাতেক লাক্নুনা থোকহনবা ফাহনবা, ফাগৎপা, ফামিন্নবা, ফাজবা, ফানবা, ফাকবা, ফারকপা, ফাথিবা, অসিনচিংবা শব্দশিংবু কৃৎপ্রত্যয় তপ্নুনা শেম্বা বাহৈনি হায়না খনবা চুমদে। মখোয় অসি ক্রিয়াপদ ঙাক্তনি। তি, দি, কুম, গুম, অসিনচিংববু তদ্ধিত প্রত্যয়নি হায়না থনবা চুমদে মখোয় অসি অব্যয় ঙাক্তনি।

ৱাহংপরেং

১। তদ্ধিতপ্রত্যয় করিবু কৌবগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।
২। কৃৎপ্রত্যয় অমসুং তদ্ধিতপ্রত্যয়—অনীগী লক্তা খেন্নবা করি লৈবগে তুগাইনা তাকউ।
৩। খাদা পীরিবা প্রত্যয়শিংগী শীঞ্জিন্নকম তাকউ:—রেন, নাউ, ৱাই, তং, থৈ, নি, ডৈ, হাক, দপ, রোথ, তা, কক্, ফেং, রম, তুম, খোই, জম।
৪। খাদা ইরিবশিংগী মতুংতা ৱাহৈ অমমম শিন্নঃ—হিগী লক্তা অথোইবা, চাইরপ ভোবা, মিংগী শরুক, হাইরপ রেকপা, শকী মকৌ, হিচোন-বনা খৌ ওইবা মী, চাইরপ থুম্বা, য়োংগী মচা, অশিকপা শন, অতুম চেনবা।
৫। খাগী ৱাহৈশিংগী চৌকম অমসুং প্রত্যয় তাকউ:— ফৌরেন, শিনতক, উইরুম, মুতক, নাতক, তাইফেং, টাচনাচ, লমদম, কুপ্রি-খোই, চায়খোঙ, মচারক, য়োংমান, লমথৈ, মমাংচৈ, ঐহাক, হংম, চৌতক, থুন্নপ।

উপসর্গ

ঐখোয়না ৱাহৈগী তুংদা তপ্পা প্রত্যযশিংগী মরমদা খরদ্ম নৈনরে। প্রত্যয়শিং অহু নত্তবা অতৈসু লৈগনি নীংই, থিব খিরগা অতৈসু খোরক্নি হায়না আশা তৌই। তৌঞ্জিক্তি ৱাহৈগী মাডদা হাপ্পা ৱাতপ খরগী মরমদা নৈনরসি। ধাতুগী মাডদা তপ্পা ৱাতপ্স উপসর্গ কৌই। ধাতু নত্তবা ৱাহৈগী মাডদা তপ্পা ৱাতপ্স কনাগুম্বনা উপসর্গনি হায়না নীংই। মাতু চুমদবনি। উপসগ হাযরবাদ

ব্যাকরণশাস্ত্রদা ধাতুগী মাঙদা তপ্পা বাতপুবু খঙবৈ। খাদা উপসর্গ খরগী খুদম পীরি :—

ই+লুপ্পা=ইরূপ্পা ('ল্' গী মফমদা 'র্' লাকপা)

ই+লাৎপা=ইরাৎপা „ „ „ „

চ+লাঙ্নবা=চরাঙ্নবা „ „ „

ম+ফবা=মফবা

চ+তৎনবা=চতৎনবা

থবক্কী কংবগী নত্রগা কনশিনবগী মতৌ খঙহনবদা 'ই' অমসুং 'শুক্' উপসর্গ তপ্পগা ক্রিয়াবু অনৌরক হল্লি। মাহুদি :—

ই+মুবা=ইমুমুবা ; ই+শংবা=ইশংশংবা।

ই+লংবা=ইরংলংবা ; ই+লাঙবা=ইরাঙলাঙবা।

শুক্+খঙদবা=শুকখঙখঙদবা ('শুক্'কী মফমদা 'শুপ্' সু ওই)

কয়ি কয়িগুম্বা মফমদা উপসর্গগা কোপ্পা কোপ্পনা ধাতু অদুবু অনৌরক হল্লি। মাহুদি :—

ত+রূবা=তরূতরূবা ; ত+ভাঙ্বা=তভাংতভাংবা।

তি+ঙকপা=তিঙকতিঙকপা।

থক্কী খুদমশিং আসদগী উগনি, মাহুদি :— উপসর্গ তপত্রিবৈদা ক্রিয়াগী খোম্থোক লুপ্পখা অদু উপসর্গগা লোয়ননা অনৌরক হল্লবা মতমদদি য়াংলকই। অদুনা বানানদা হোংবা লৈরিবনি।

খোৎপা নত্রগা চিনবা ফোংদোকপা মতমদা 'ম' উপসর্গ তপই। মাহুদি :— ম+তৌবা=মতৌবা, নহাক থবক অদু মতৌরো ; কয়া কাম্নগা হায়বদি নী দে, পোৎ অদু পুবদি মপুখো ; নঙনা উরকপদু মহায়যু, তাসি, ডাক্তরবু কৌবদি মকৌকগে, লাক্নি হায়বদি থাজদ্রে।

চাংদগী হেন্দোকপগী অর্থদা ধাতুগী মাঙদা 'পঙ্' উপসর্গ তপই অমসুং ধাতুবু অনৌরক হল্লি। মাহুদি :— পঙ্+ভাঙ্বা=পঙভাঙ্-ভাঙবা ; পঙ্+তৌ+বা=পঙতৌতৌবা, অসিনচিংবা।

তৌহনবগী অর্থদা করিগুম্বা ধাতুগী মাঙদা 'পি' লাকই। মাহুদি— পি+থক্+পা=পিথকপা ; পি+চাবা=পিজবা ; ('চ' না 'জ" ওইবা)।

ধাতুগী মাঙদা 'ম' তপশিল্লগা বিশেষ্যপদ শেমই। মাহুদি— ম+চৎ=মচৎ ; ম+ই=মই ; ম+তৌ=মতৌ, অসিনচিংবা।

ধাতুগী মাঙদা 'অ' তপশিল্লগা বিশেষণপদ শেমই। মাহুদি— অ+মু+বা=অমুবা ; অ+ঙাঙ্+বা=অঙাঙবা ; অ+চৎ+পা=অচৎপা ; অ+থঙ্+বা=অথঙবা ; অ+মাঙ্+বা=অমাঙবা ; অ+ফংবা=অফংবা' অসিনচিংবা।

মৈতৈরোনগী উপসর্গ অতৈ লৈরমগনি। হীরম অসোমদা থিজিল্লগা অতৈসু থোরকনি হায়না আশা তৌই।

রাহুৎপরেং

১। উপসর্গ করিবু কৌবগে খুদম পীদুনা তাকউ।

২। থাদা ইরিবশিংবু পূর্নশিল্লু :—
ত+মেংবা, চ+ময়বা, ই+ঙৌবা, পঙ্+শাউবা,
ম+ৱৈ, ম+চৎ, ই+মম্বা, চ+তৎনবা,
ই+ঙাঙ্বা, চ+কুংনবা, ম+য়েং, পি+চাবা, চ+লায়বা।

৩। থাদা ইরিবশিংগী অমমম হাপ্লুনা বাক্য শেমউ :—
মতৌবা, পঙশানশান্নবা, মচংসু, শুপতৌতৌদবা, তিঙকতিঙকপা, ইচমচম্বা, চরায়বা, ইপঙপঙবা, ইশানশান্দবা।

ধাতুগী প্রত্যয়শিং

মৈতৈরোনগী ধাতুদা প্রত্যয় অমা নত্রগা অমদগী হেনবা তপশিল্লগা মখল মখলগী ক্রিয়াপদ শেম্বগী খুদম য়ায়া লৈ। মখোয়

অসি ধাতুগা বিভক্তিগা অনীগী লক্তা লাকই। উপসর্গনা ধাতুগী অর্থ হোংহনবা গুম্না মখোয়নসু ধাতুগী অর্থ হোংহল্লি। মখোয়গী খুদম খরদং খাদা পীরি :—

রক্, লক্

তো+রক্+পা=তোরক্পা ; চং+লক্+পা=চংলক্পা ;
চুম্+লক্+বা=চুম্লক্পা ; লান্+লক্+পা=লানলক্পা।

ন

কং+ন+বা=কংনবা ; তো+ন+বা=তোনবা ;
চা+ন+বা=চানবা ; কো+ন+বা=কোনবা।

হন্

চা+হন্+বা=চাহন্বা ; তো+হন্+বা=তোহন্বা ;
চু+হন্+বা=চুহন্বা ; পা+হন্+বা=পাহন্বা।

মিন্+ন

তা+মিন্+ন+বা=তামিন্নবা ; চং+মিন্+ন+বা=চংমিন্নবা ;
তো+মিন্+ন+বা=তোমিন্নবা ; চা+মিন্+ন+বা=চামিন্নবা।

খৎ, গৎ

পু+খৎ+পা=পুখৎপা ; ফা+গৎ+পা=ফাগৎপা ;
চোং+খৎ+পা=চোংখৎপা ; শু+গৎ+পা=শুগৎপা।

থোক্, দোক্

চং+থোক্+পা=চংথোক্পা ; পা+থোক্+পা=পাথোক্পা ;
হৈ+দোক্+পা=হৈদোক্পা ; শো+দোক্+পা=শোদোক্পা।

শিন্

চা+শিন্+বা=চাশিন্বা ; চঙ্+শিন+বা=চঙশিন্বা ;
পু+শিন্+বা=পুশিন্বা ; ই+শিন্+বা=ইশিন্বা।

করিগুম্বদা 'শিন্' গী 'শ্' অদু 'চ্' নত্রগা 'জ্' দা ওম্মোকই। মাহুদি :--থক্+শিন্+বা=থকচিনবা ; হৈ+শিন্+বা=হৈজিনবা।

চ

তৌ+চ+বা=তৌজবা (চ্ না জ্ ওইবা); চং+চ+বা=চংচবা,
পা+চ+বা=পাজবা ; লেপ্+চ+বা=লেপচবা।

থ

পা+থ+বা=পাথবা ; চং+থ+বা=চথবা ;
পঙ্+থ+বা=পঙ্থবা ; ফু+থ+বা=ফুথবা।

কন্

তৌ+কন্+বা=তৌগন্বা ; চং+কন্+বা=চংকন্বা ;
(ক্ না গ্ ওইবা)
কি+কন্+বা=কিগন্বা , পাখং+কন্+বা=পাখংকন্বা।

পি

চা+পি+বা=চাবিবা (প্ না ব্ ওইবা) ; কং+পি+বা=কংপিবা ;
তৌ+পি+বা=তৌবিবা ; চং+পি+বা=চংপিবা।

থং, দং

কক্+থং+পা=ককথংপা ; থং+দং+পা=থংদংপা, থদংপা।
[illegible] থং+পা=[illegible] ; ফু+দং+পা=ফুদংপা।

হং

তু+হং+পা=[illegible] , লাউ+হং+পা=লাউহংপা ,
চৈ+হং+পা=চৈহংপা , নম্+হং+পা=নমহংপা।

মন্

কোয়+মন্+বা=কোয়মন্বা ; চং+মন্+বা=চংমন্বা ,
পা+মন্+বা=পামন্বা ; চা+মন্+বা=চামনবা।

নীং

চা+নীং+বা=চানীংবা ; তৌ+নীং+বা=তৌনীংবা ;
চং+নীং+বা=চংনীংবা ; ফু+নীং+বা=ফুনীংবা।

চ+নীং

চা+চ+নীং+বা=চাজনীংবা ('চ' না 'জ' ওইবা) ;
চং+চ+নীং+বা=চংচনীংবা („ „ ওইদবা)।

(থোক্+দোক্)+(রক্+লক্)

পী+থোক্+রক্+পা=পীথোরকপা —	'থোক্'	কী ক্	মাঙবা
পী+থোক্+লক্+পা=পীথোক্লকপা	„	„	মাঙদবা
পা+থোক্+রক্+পা=পাথোরকপা	„	„	মাঙবা
পা+থোক্+লক্+পা=পাথোক্লকপা	„	„	মাঙদবা
হৈ+দোক্+রক্+পা=হৈদোরকপা	'দোক্'	কী ক্	মাঙবা
হৈ+দোক্+লক্+পা=হৈদোক্লকপা	„	„	মাঙদবা
শৌ+দোক্+রক্+পা=শৌদোরকপা	„	„	মাঙবা
শৌ+দোক্+লক্+পা=শৌদোক্লকপা	„	„	মাঙদবা

রক্ তপ্লগা থোক্ নত্রগা দোক্ কী ক মাঙই, লক্ তপ্লগা মাঙদে

ন+রক্

কং+ন+রক্+পা=কংনরকপা ; চং+ন+রক্+পা=চংনরকপা

ন+হন্

চা+ন+হন্+বা=চানহনবা ; থং+ন+হন্+বা=থংনহনবা

থং, গং+লক্

তৌ+থং+লক্পা=তৌথংলকপা।
ফা+গং+লক+পা=ফাগংলকপা।

শিন্+ন

কপ্+শিন্+ন+বা=কপশিন্নবা ; চা+শিন্+ন+বা=চাশিন্নবা ।

খৎ+কন্

পা+খৎ+কন্+বা=পাখৎকনবা ;
চোং+খৎ+কন্+বা=চোংখৎকনবা ।

য়াহং পরেং

১। মৈতৈরোনগী ধাতুগী তুংদা প্রত্যয় তপশিন্দুনা ধাতুগী অর্থবু করম্না হোংহনবগে খুদমগা লোয়ননা তৗগাইনা তাকউ । অসিগুম্বা প্রত্যয়গা উপসর্গগা অনীগী লক্তা থেন্নবা করি লৈবগে ?

২। থাদা ইরিবশিংবু পূনশিল্লু :—
শৌ+শিন্+বা ; থক্+শিন্+বা ; ফু+দোক্+পা ;
শক্+ন+বা ; পা+মিন্+ন+বা ; চেন্+চ+বা ;
কপ্+চ+বা ; চা+কন্+বা ; শেম্+পি+বা ;
চেন্+কন্+বা ; তৌ+কন্+বা ; চৎ+থোক্+লক্+পা ;
চেন্+থোক্+রক্+পা ; ফু+দোক্+রক্+পা ।

৩। থাদা ইরিবশিংগী ধাতু অমসুং প্রত্যয়শিং তাকউ :—
শমজিল্লকপা, তৌগনবা, হৈদোরকপা, তুমগনবা, শকৎলকপা, হৈজিনবা, পামিন্নবা, চোংখৎলকপা, ফুমজিনবা, চাথোকপা, থদৎপা, চখনা, তৌমনবা, পাথোরকপা, চুমথোকপা, তৌথোরকপা, ফুজিল্লকপা, চৎকনবা ।

য়াবা খঙহনবা বাক্য (Affirmative Sentence)
য়াদবা ,, ,, (Negative ,,)
হংবা ,, ,, (Interrogative ,,)

করিগুম্বা বাক্য অমনা থোকখিবা থৌদোক অমবু ইচমচম্না হায়রবা অমসুং করিগুম্বা হৗরম অমগী য়াদবা খঙহন্দবা অদুগুম্বা বাক্য অদুবু য়াবা খঙহনবা (Affirmative) বাক্য কৌই । মাদুদি

—ঐ ঙসি কৈথেন্দা চৎকনি। বাক্য অসিদা করিগুম্বা থবক অমা তৌগদৌরি হায়না ইচমচম্না হায়রি, অদুনা মাসি য়াবা খণ্ডহনবা বাক্যনি।

করিগুম্বা বাক্য অমনা থৌদোক অমা থোকখিদে হায়না নত্রগা হীরম অমগী য়াদবা ফোংদোক্লবদি মাদুবু য়াদবা খণ্ডহনবা বাক্য (Negative sentence) কৌই। মাদুদি— মহাক লাক্লমদে: বাক্য অসিদা থৌদোক অমা থোকখিদে হায়রি। মরম অসিনা মাসি য়াদবা খণ্ডহনবা বাক্যনি।

করিগুম্বা বাক্য অমনা করিগুম্বা হীরম অমগী মরমদা হংবা খণ্ডহল্লবদি মাদুবু হংবা খণ্ডহনবা বাক্য কৌই। মাদুদি—মহাক ঙরাং অসিদা লাক্লমব্রা? বাক্য অসিদা করিগুম্বা হীরম অমগী মরমদা হংবা খংহাল্ল। মরম অসিনা মাসি হংবা খণ্ডহনবা বাক্যনি।

থক্তা পনখিবা মখল অহুমগী বাক্যশিং অসিগী অমবু অমদা অমগা অমগা ওন্থোক্লবা য়াই। মাদুগী খুদম খরা খাদা উৎলি:—

য়াবা—মহাক চৎলি
য়াদবা—মহাক চত্তে
হংবা—মহাক চৎপ্রা?
য়াবা—মহাক চৎলমই
য়াদবা—মহাক চৎলমদে
হংবা—মহাক চৎলমব্রা?
য়াবা—মহাক চৎলুরে
য়াদবা—মহাক চৎলুদে
হংবা—মহাক চৎলুব্রা?
য়াবা—মহাক চৎকনি
য়াদবা—মহাক চৎলোই
হংবা—মহাক চৎকদ্রা?

য়াবা—মহাক চৎখ্রে
য়াদবা—মহাক চৎখিদ্রি
হংবা—মহাক চৎখ্রব্রা?
য়াবা—মহাক চৎলম্লগনি
য়াদবা—মহাক চৎলম্লোই
হংবা—মহাক চৎলম্লগদ্রা?
য়াবা—মহাক চৎলগনি
য়াদবা—মহাক চৎলরোই
হংবা—মহাক চৎলগদ্রা?
য়াবা—মহাক তৌ
য়াদবা—মহাক তৌগনু।

য়াথং পীবা বাক্যগী হংবা মওংগী বাক্য লৈতে

য়াবা—ঐখোয় চংসি নত্রগা চংলসি
য়াদবা—ঐখোয় চংকমুসি
য়াদবা—মহাক চংলোই
হংবা—মহাক চংলোইদ্রা ?
য়াদবা—মহাক চংলমদে
হংবা—মহাক চংলমদব্রা ?
য়াদবা—মহাক চংলুদে
হংবা—মহাক চংলুদব্রা ?
য়াদবা—মহাক চংখ্রিরোই
হংবা—মহাক চংখ্রিরোইদ্রা ?
য়াদবা—মহাক চত্তে
হংবা—মহাক চত্তব্রা ?
য়াদবা—মহাক চংখিদ্রি
হংবা—মহাক চংখিদ্রিব্রা ?
য়াদবা—মহাক চংলম্নোই
হংবা—মহাক চংলম্নোইদ্রা ?

মাহংপরেং

১। য়াবা থওহনবা, য়াদবা থওহনবা অমসুং হংবা থওহনবা বাক্য করি করিযু কৌবগে খুদমগা লোয়নবা ভাকউ।

২। থাগী বাক্যশিংবু য়াদবা থওহনবদা ওন্থোকউ :— মহাক চংকনি হায়না হায়রমই। ঐহাক লাইরিক অড় পাদ্দাংই। মহুনা থবক অড় তৌরম্লগনি। মহাক কৈথেন্দা চংলমব্রা ? চাউবনা থবক অড় তৌব্রা ? মহাক মফম অড়দা চংলমই। নহাক্না থবক অড় তৌখোকউ। ঐখোয় কৈথেন্দা চংলুসি।

৩। থাগী বাক্যশিংবু হংবা থওহনবদা ওন্থোকউ :— নহাক মফম অড়দা চংলুই। মহাক্না থবক অড় তৌরম্লোই। ঐখোয় চংসি। নহাক্না লাইরিক অড় পারোই। মহাক্না থবক অড় তৌখিদ্রি। মহাক্না জগোই শাদে। মহাক্না চত্রিঙৈদা থবক অড় লোইখোক্লসগনি। চাউবনবু লাক্লবদি শোয়দনমক চৈরগনি। মহাক্তি থবক অড় তৌরুদে। মহাক ঈশৈ শক্লিরোই।

চুমদ্রিংচুম্বা পাউতম্বা (Direct narration)
কোইনা পাউতম্বা (Indirect narration)

কনাগুম্বা অমনা হায়রকপা রা অহু মী অমনা অতোপ্পা মী অমদা তম্বা মতমদা— (১) মী অহুনা হায়রক্লিবা ৱা অহুগী মগুংনত্তৌ ইকায় কায়হন্দানা চুমদ্রিংচুম্বা তম্বা য়াই নত্রগা (২) মী অহুনা হায়রক্লিবা ৱা অহুবু পাউতম্লিবা মী অহুনা মশাগী ৱা ওইনা শেমদোক্তুনা কোইনা তম্বসু য়াই। খুদমগী শক ওইনা, রামনা ঐভোন্দা হায়, "নহাক লাকউ"। মাসি চুমদ্রিংচুন্না হায়রক্লিবা মী অহুগী ৱাগী মগুংমত্তৌ কায়হান্দনা পাউ তম্বনি। হায়রিবা ৱা অসিবু "রামনা ঐবু লাকউ হায়না হায়" হায়নসু কোইনা পাউতম্বা য়াই। খুদম অনীমক্তা হায়রিবা ৱাগী অর্থাদে চংমান্নে; পাউতম্বগী মতৌ খেন্নবতনি। অহানবগী ৱাহায় অহুবু চুমদ্রিংচুম্বা পাউতম্বগী বাক্য কৌই, অতুগা অকোনবগী অহুবুনা কোইনা পাওতম্বগী বাক্য কৌই। অনী অসিগী অমবু অমদা ওস্থোকপা য়াই। ওস্থোকপা মতমদা কনানা ৱা হায়বা, কনাদা হায়বা অমসুং কনাগী মরমদা হায়বা অহু মুন্না য়েংগদবনি। খুদমগী শক ওইনা, রামনা ঐভোন্দা হায়, "নহাক লাকউ" হায়বা চুমদ্রিংচুম্বা বাক্য অসিদা মরী লৈনরিবা মীদি অনীতনি: মপাস্থোংদদি রাম, ঐ. নহাক হায়বা অহুম অসিনি। তৌইগুম্বসু অর্থ মুন্না য়েংলবদি 'ঐ'গা 'নহাক'কা অমত্তনি। চুমদ্রিংচুম্বা পাউতম্বদা হায়রা হায়খিবা ৱা অহুমক অমদবা য়াদবগী তৌবান। কোইনা পাউতম্বা মতমদদি মী অনী অসি অমত্তা ওইরকই। চুমদ্রিংচুম্বা প্রক্তা পীরিবা বাক্য অসি অকোইবদা ওস্থোকপা মতমদা 'রামনা ঐবু লাকউ হায়না হায়' ওইগনি। চুমদ্রিংচুম্বা বাক্যগী প্রধান বাক্যগা উপবাক্যগা 'হায়না' হায়বা সংয়োজক অব্যয় অসিনা ভাইশিন্নহাল্লে। "হায়না" য়াওদবা কোইনা পাউতম্বা বাক্যগী খুদমসু য়াম্না লৈ। থাদা বাক্যগী মগুং অনী অসিগী অমদগা অমদা ওস্থোকপগী খুদম খরা পীরিঃ—

চুমদ্রিংচুম্বা---রামনা হায়, "ঐহাক লাইরিক পাই।"
অকোইবা—রামনা মহাক লাইরিক পাই হায়না হায়।
চুঃ—তোম্বনা হায়, "ঐহাক ঙরাং স্কুল চৎলমদে।"
অঃ—তোম্বনা মহাক থংনবা মাঙ্গী নুমিত্তা স্কুল চৎলমদে হায়।
চুঃ—যদুনা হায়, "ঐহাক চৎলোই।"
অঃ—যদুনা মহাক চৎলোই হায়।
চুঃ—রামনা মাঙোন্দা হায়বমই, "নহাক লাকউ।"
অঃ—রামনা মহাক লাকউ হায়না মাঙোন্দা হায়রমই।
চুঃ—ঐনা মাঙোন্দা হায়গনি "মাহু তৌবা যত্তে।"
অঃ—ঐনা মাঙোন্দা মাহু তৌবা যত্তে হায়না হায়গনি।
চুঃ—মহাক্না ঐঙোন্দা হায়বমই, "নহাক্না মাহু পামব্রা?"
অঃ—ঐহাক্না মাহু পামব্রা হায়না মহাক্না ঐঙোন্দা হংলমই।
চুঃ—গুজানা ছাত্রশিংদা হায়রমই, "ফালগী থক্তা লেপথৎলু।"
অঃ—ফালগী থক্তা লেপথৎলু হায়না গুজানা ছাত্রশিংদা হাবরমই নত্রগা য়াথং পীরমই।

চুঃ--মিস্তাঙ্বনা ইনাকখুনবদা হায়, "চানবিদুনা লুপা অমত্তং পীবিয়ু।"
অঃ--মিস্তাঙ্বনা ইনাকখুনবদা লুপা অমত্তং পীবিয়ু হায়না হায়খি।
চুঃ—মহাক্না হায়রমই, "হে ঈশ্বর, ইচানা পুনসীবা পীনবিয়ু।"
অঃ—মচানা পুনসীবা পীনবিয়ু হায়দুনা মহাক্না ঈশ্বরবু কৌদুনা হায়জরমই।

চুঃ—মহাক্না হায়রমই, "পৃথিবীনা নুমিৎপু কোয়দুনা চৎলি।"
অঃ—পৃথিবীনা নুমিৎপু কোয়দুনা চৎলি হায়না মহাক্না হায়রমই।
চুঃ—মহাক্না তোম্বদা হায়, "রাম যত্তবা অঙাংনি।"
অঃ—রাম যত্তবা অঙাংনি হায়না মহাক্না তোম্বদা হায়।
চুঃ—মহাক্না হায়রমই, "ঐ হয়েং চৎক না।"
অঃ--মথংগী নুমিত্তা চৎকনি হায়না মহাক্না হায়রমই।

চু:—ঐনা হায়রমই, "মীনম্বা বা ঙাঙ্‌বা পাপনি।"
অ:—মীনম্ববা বা ঙাঙ্‌বা পাপনি হায়না ঐনা হায়রমই।
চু:—মহাক্না হায়রমই,"নুংঙাইরেদা! শাম্নবদা ঐখোয়না থোইরে।"
অ:—শাম্নবদা মাখোয়না থোইরে হায়না মহাক্না নুংঙাইবা ফোং-দোক্লমই।

চু:--মহাক্না হায়রমই, "অবাবনি, ঐগী মরূপ নোঙ্গাগ্রে।"
অ:--মাগী মরূপ নোঙ্গাগ্রে হায়দুনা মহাক্না বাবা ফোংদোক্লমই।

থক্তা পীরিবা চুমদ্রিংচুম্না পাউতম্বা বাক্যদগী কোইনা পাউতম্বগী বাক্যদা ওন্থোকপগী মওং অসি নত্তবা অমসু চৎনরক্নি। প্রধান বাক্য অমসুং খাপোনবা উপবাক্যবু 'মাদুদি' হায়বা সংয়োজক অব্যয়না জাইনহল্লগা অকোইবা পাউতম্বগী বাক্য শেম্বা চৎনরি। খুদম খম্না খাদা পীরি :---

চুমদ্রি চুম্বা:---মহাক্না হায়রমই, "ঐহাক চৎলোই।"
অকোইব ;---মহাক্না হায়রমই মাদুদি মহাক চৎলোই।
চু:--ওজানা হায়রমই, "মুমিৎপু পৃথিবীনা কোয়দুনা চৎলি।"
অ:--ওজানা হায়রমই মাদুদি মুমিৎপু পৃথিবীনা কোয়দুনা চৎলি।

হংবা খঙহনবা বাক্য অমসুং য়াথং, হায়জবনচিংবা য়াওবা চুমদ্রিংচুম্না পাউতম্বা বাক্যবুদি "মাদুদি" হায়বা সংয়োজক অব্যয়না জাইনহন্দুনা কোইনা পাউতম্বগী বাক্যদা ওন্থোকপা য়াদে।

চুমদ্রিংচুম্না পাউতম্বদগী কোইনা পাউতম্বদা খাদা পীরিবা মাহৈশিংগী মওং অমুম্না ওল্লি :---

ঙসি—মুমিৎ অদুদা ;
হয়েং—মথংগী মুমিত্তা ;
মফম অসিদা—মফম অদুদা ;
মফম অসিদগী—মফম অদুদগী ;
ঙরাং—থংনবা মাঙ্‌গী মুমিত্তা
হৌজিক—মতম অদুদা
মাসি—মাদু
অসোমদা—অদোমদা

শম্না হায়রবদা, চুমত্রিংচুম্না পাউতম্বদগী কোইনা পাউতম্বদা [illegible]নবা নতনদা নক্ক ওইনা অর্থগী কায়বা লৈতবগী মতৌ য়েংগদবনি। [illegible] অমসুং চংনবী কাযত্রবাদি দোষনৈতবা ওইগনি। কোইনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

রাতংপরেং

১। [illegible]

২। [illegible] :—

[illegible]

[illegible]

বাক্যরচনা

লোল অমবু চুম্না ইবা অমসুং ঙাঙবগী মরমদা জ্ঞান পীবা হায়বসি ব্যাকরণশাস্ত্রগী থৌনি হায়না ঐখোয়না খঙ্না উরে। ব্যাকরণগী নিয়মশিংবু নীংথিনা খঙ্লবা মী অহুনা লোল অমবু মপূংফানা খুত্থনমবা ঙমই। কনাগুম্বনা লোল অমবু ঙাঙ্বা মীগী লোল অতুদা থারীবা তাক্না শাড়্না লোল অতুবু তম্বা ঙমই হায়নসিদি চুমই। অতুম ওইনমক, অসুম্না লোল অতুগী মরমদা ফংবা মশাক্কী জ্ঞান অতু ফদোক্তুনদনা মপুংফাবা ওইদে। লোল অতুগী ব্যাকরণ নীংথিনা হৈরবা মতমতদা মহাক্না লোল অতুবু মপুন্না খঙবা ঙমই। মরম অসিনা ব্যাকরণশাস্ত্র হায়বাসি লোল অমবু তম্বগী দমক মক্ক ওইবা পাম্বে অমনি। মণিপুরী লোনবু চুম্না ইবা অমসুং ঙাঙনবগী দমক মণিপুরী ব্যাকরণগী নিয়ম পুম্নমক ঙাক্কদবা ওই; ঙাক্তবাদি লোন অদু অচুম্বা ওইদে।

মতাং অসিদা ছাত্রশিংনা অমসুং কনাগুম্বা লেখকনা তোয়না লানগনবা খুদম খরা নৈনরি। মসিনা মণিপুরী লোন ইবা অমসুং ঙাঙবদা লান্দনবগী মরমদা তেংবাংগনি অমসুং শরুক্না শম্না লাম্লিবনে। হায়না ব্যাকরণগী মায়কৈদগী নৈনরকপা অহুনদু বাক্য-রচনাগী মরমদা জ্ঞান যাম্না পীগনে।

১। "নহা ওইরিবৈদা মহৈ তম্বগী অরেপ্পা মতমনি।"

বাক্য অসিদু মম্না যেংলবদি মাতুংদা ব্যাকরণগী দোষ লৈরে হায়বা তাই। "নহা ওইরিবৈগী মতম।" না উদ্দেশ্যনি, 'মতম' না বিধেয়নি। ব্যাকরণগী নিয়মগী তুংইন্নবদি উদ্দেশ্যদা সপ্তমী বিভক্তি লৈবসি লাপ্লে, প্রথমা বিভক্তি লৈগদবনি। মরম অসিনা অচুম্বা শেংদোক্লবা বাক্যদি অসি ওইগনি :— নহা ওইরিবৈগী মতমসি নত্রগা নহা ওইরিবৈসি মহৈ তম্বগী অরেপ্পা মতমনি।

২। "মহাক্না থবক পাঙদবগী মরমদি তনবননি।"

বাক্য অসিগী 'তনবননি' হায়বা বাহৈদা য়াওরিবা 'না' হায়বা াতপ আসি মরমগী অর্থদান। 'মরমদি' হায়বা বাহৈ অমা থক্তা লবনা পুনরুক্তি দোষ লৈরে। "মহাক্না থবক পাঙদবদি তনবননি" াত্রগা "মহাক্না থবক পাঙদবগী মরমদি তনবনি" হায়গদবনি।

৩। "মহাকপু হাৎখিবা মকম্না ইম্ফালদানে।"

বাক্য অসিগী উদ্দেশ্য 'মকম্না' নি, বিধেয়না 'ইম্ফাল' নি। উদ্দেশ্য অমসুং বিধেয় অনীমক্তা প্রথমা বিভক্তি লৈগদবনি। 'মকম' দি প্রথমা বিভক্তি লৈরবসু 'ইম্ফাল'দদি প্রথমা বিভক্তি লৈতে। মরম আসনা 'ইম্ফালদান' হায়বগী মহুত্তা 'ইম্ফালনি' ওইগদবনি।

৪। "ছৌজিক ঙহাক মশিত্তা মাপ তাবা অতুনা হয়েং ভুংদা অফবা মুংঙাইবা ওইগদৌরিবনি।"

'প' হায়বসি মিত্তগী ভাই, মিত্তা তাদে। অপাদানদা পঞ্চমী বিভক্তি থমগদবনি। মরম আসনা 'মিত্তা' গী মহুত্তা 'মিত্তগী' ওইগদবনি।

৫। "পণ্ডিত য়াম্না তিল্লে সভাসে।"

বাক্য অসিগী 'সভা' আসি পাণ্ডত মথামগী তিনফমনি। অধি-করণদা সপ্তমী বিভক্তি থইগদবনি। মরম অসিনা 'সভাসে' হায়বগী মহুত্তা 'সভাসিদা' হায়গদবনি।

৬। 'পণ্ডিতশিংগী পুকনীংনা থৃাইদগী ফনা হেন্দুনসু মথন্তনা থাজবা ঙমদে।'

মকম অসিদা 'মথন্তনা' হায়বসিগী মহুত্তা 'মথন্তবু' হায়গদবনি, করিনা হায়ববু মসি কর্ম্মকারক্তা লৈ।

৭। "নঙনবু শেল বাৎপরনে?"

বাক্য অসিগী ক্রিয়াদি "বাৎপরনে" নি; কর্ত্তাদি 'শেল' নি; নঙনবু' নত্তে। শেল বাৎপাদ 'নঙ্'গীনি। মরম অসিদা 'নঙনবু' হায়বগী মহুত্তা 'নঙ্গীবু' হায়না সম্বন্ধদা ষষ্ঠীবিভক্তি থমগদবনি।

৮। "লাইবিক পাৎদা মহাক্না পাম্বা লৈতে।"

বাক্য অসিগী ক্রিয়াদি 'লৈতে'নি; কর্তাদি 'পাম্বা' নি, 'মহাক্না' নত্তে। মরম অসিনা 'মহাক্না' হায়বগী মতম্তা 'মহাক' হায়দুনা সম্প্রদান বিভক্তি থমগদবনি।

৯। "ইচ [illegible] খুং হৌদেকপা মী অমত্তু কনাদে।"

বাক্য অসিদা 'ই[illegible]গী মতুংদা 'ইচাগী' হায়গদবনি।

১০। "ইচাগী [illegible]ইননদা ঐ য়াবা [illegible]"

বাক্য [illegible] 'লৈ[illegible]' [illegible] ক্রিয়াগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়গদবনি। [illegible] [illegible] লোইদনা [illegible] [illegible] [illegible] নত্রগা [illegible] হায়গদবনি

১১ '[illegible] মচা[illegible] [illegible] ইম্ম চ[illegible]

মরম অসিনা '[illegible]লাইম্ম'গী মতুংদা '[illegible]' হায়[illegible] অমত্তা খোং[illegible]ক [illegible] '[illegible]'গী মতুং '[illegible]' [illegible]দবনি। 'ন' [illegible] উপধ্বনিমবা অমত্তা নত্তে; করিনা [illegible] 'ন' [illegible] [illegible] 'ন' নি। অরম্মা [illegible] [illegible]

১২ "[illegible]চা অসি [illegible] [illegible] যো[illegible]"

'আস'গী মতুংদা '[illegible]সগী' [illegible]গদবনি

১৩। "খম্বা [illegible]'দা ম[illegible] [illegible] য়াবা অমা [illegible]খি

'[illegible]'গী [illegible] '[illegible]গী' [illegible]গদবনি।

১৪। "নতুগী লোম্নবাশি দা [illegible] চা[illegible]গদবনি।"

'লোম্নবাশি দা'গী মতুংদা 'লোম্নবাশিগা' হায়গদবনি।

১৫। "[illegible]গী ইচাবু ভুনামা শোক্লদবা কনা লৈবগে?"

'ভুনামা' হায়বসি 'ইচাগী' নি। মরম অসিনা 'ইচাবু'গী মতুংদা 'ইচাগী' হায়গদবনি।

১৬। "অঙ্গল [illegible]ইরক্লবা মত[illegible] [illegible]ইন[illegible]গী মতমনি।"

'মতমদা' হায়বসি উদ্দেশ্য ন ; মাসিদা প্রথমা বিভক্তি লৈগদবান।

১৭। "ননাই ঐগাক সনচয়ন্দা করি অমুক হঙ্গচ্চনিংঙাই লৈত্রে।" 'ঐগাক' কী মহুত্তা 'ঐগাকী' ওইগদবনি।

১৮। "শঙ্গা মখুৎ লোম্নরে, মিত্তা শিবু তাহনা।" 'মিত্তা' গী মহুত্তা 'মিত্তগী' ওইগদবান।

১৯। "লৈকাই য়ুমখোঙ্ পুদিংদা কোয়ৌ মুমিৎ পুদি গী
চেংনি ফৌন চৎপসে, তোকপিরোনে ইচেম্মা
ঐ প ঙ্গল চাউরেদে ইচেগী নহুৎ শিল্লগে।"

'ঐ' গী মহুত্তা "ঐগী" ওইগদবান।

২০। "নাগী মাংম্মায় অত্তু নী পূম্নক্কী মুংশিবা পোকথিরনই।"
'অত্তু' গী মহুত্তা 'অত্তুদা' ওইগদবান।

২১। "অহুম ওইরবী ফজরবী নুপী অসিগী চহি মতাংদি চহি কুন্থরেংলোন ওইগান।"

"অহুম ওইরবী ফজরবী নুপী অসিগী চহি মতাংদি কুন্থরেং-লোনগী ওইগান।" নত্ৰগা, "অহুম ওইরবী ফজরবী নুপী অসিগী চহি কুন্থরেংলোন ওইগনি।" হায়রবদি বাক্যগী দোষ লৈরোই।

২২। "ঋষিবু ঐনা ইকাইখুম্নহনা আশ্রমদা চৎপনি ; লাই-নীংবগী মচা শকুন্তলাবু পাম্বা নত্তে।"

'পাম্বা' গী মহুত্তা "পামহনা হায়গদবনি।

২৩। "ঐ খুৎ অমগী খুদোল পুম্নমক অসি হাৎকদৌরিবা অসিগী ভক্তা লৈশিনবিনবা ফ্রং ফ্রং চোংলে।"

বাক্য অসিগী ক্রিয়া "চোংলে" নি, "খুদোল পুম্নমক অসি" না কর্ত্তানি, 'ঐ' হায়বা প্রথমা বিভক্তিদা লৈবা সর্ব্বনাম অসিগী ক্রিয়াদি লৈতে। মাসিবু ষষ্ঠীবিভক্তিদা থমহনা 'খুৎ' কা সম্বন্ধ থমগদবনি ; "ঐ" গী মহুত্তা "ঐগী" ওইগদবনি।

২৪। "ইবুংঙো, চুম্নগী ধর্ম্ম তৌবমকপু মীথাপোনবা মীনি মহাক্তি।"

'ধর্ম্মতৌবমকপু' হায়বা বাহৈ অসি "মীথাপোনবা" গী অধিকরণনি। মরম অসিনা "ধর্ম্মতৌবমক্তবু" হায়গদবনি।

২৫। "মণিপুরবুদি গৌহাটিনা শাবা হেল্লি।"

চাংদম্নবদা অমনা অমদগী হেল্লি হায়রবদি বাংপা পোৎ অদুবু পঞ্চমীবিভক্তিদা থমগদবনি। মরম আসনা "মণিপুরবুদি" হায়বগী মহুত্তা "মণিপুরদগীদি" হায়গদবনি।

২৬। "ঐনা মাসিদা থাজবা পোকপা ঙমদে।"

'পোকপা' হায়বা ক্রিয়াগী কর্ত্তাদি 'থাজবা' নি, 'ঐনা' নত্তে। 'থাজবা' দি 'ঐ' গী নি। মরম অসিনা 'ঐনা' গী মহুত্তা 'ঐগী' হায়গদবনি।

২৭। "মহাক্না ঐবু লম্মন কোকপিরে।"

"কোকপিরে" হায়বা ক্রিয়াগী কর্ম্মদি 'লম্মন' নি, 'ঐবু' নত্তে 'লম্মন' দি 'ঐ' গীনি। মরম অসিনা "ঐগী লম্মন" হায়গদবা৹ নত্রগা, 'ঐ' বু কর্ম্ম ওইনা থমগে হায়রবদি 'লম্মন্দগী' হায়তুনা "ঐবু লম্মন্দগী" হায়গদবনি।

২৮। "ঐঙোন্দগী মহাক্না লুপা মঙা হেল্লি।"

মাসিদা চাংদম্নরিবা অসি 'ঐ' গী লুপাগা 'মহাক' কী লুপাগনি; 'মহাক' কা 'ঐ' গা নত্তে। মরম অসিনা "ঐঙোন্দগী' অমসুং 'মহাক্না' হায়রিবা বাহৈ অনী অসি লাল্লে। ষষ্ঠীবিভক্তিদা লুপাগা সম্বন্ধ থমগদবনি। মরম অসিনা চুমথোক্লবা বাক্যদি "ঐগীদগী মহাক্কী লুপা মঙা হেল্লি" ওইগনি।

২৯। "সন্ধ্যাদা মৈ থাঙ্গৎপগী মতমনি।"

বাক্য অসিগী উদ্দেশ্যদি 'সন্ধ্যা' নি। মাসিদা সপ্তমীবিভক্তি থম্লিবা অসি লাল্লে; মাসিদা প্রথমাবিভক্তি থমগদবনি।

৩০। "নঙ লৈবসিনি, ঐনা থবক পাঙত্রবা।"

থবক পাঙদবগী মরমদি "নঙ্লৈবা" নি। মরম অসিনা 'নঙলৈবা' দা 'না' প্রত্যয় তৌদুনা "নঙ লৈবসিননি" হায়গদবনি।

৩১। "লাম্দা নহাক্না জয় ওইরে।"

বাক্য অসিগী ক্রিয়াদি 'ওইরে' নি, কর্তাদি 'জয়' নি, 'নহাক্না' নত্তে। মরম অসিনা 'নহাক' কা 'জয়' গা সম্বন্ধ থমদুনা 'নহাক' তা ষষ্ঠীবিভক্তি তপ্লগা "নহাক্কী জয় ওইরে" হায়গদবনি।

৩২। "নৈতৈগী সিংহাসনদি পাখংবগী মচামশুদগীতনি।"

কনশিন্না হায়বা মতমদা দা, তা প্রত্যয় শীজিন্নে। থক্কী বাক্য অসিদা মফম অমত্তদা 'দা' সু 'তা' সু শীজিন্নরে। অনীমক 'গী' বিভক্তিগী মাঙ্দা লৈবসু য়াই, তুংদা লৈবসু য়াই। মরম অসিনা 'মচামশুতগীনি' নত্রগা "মচামশুগীতনি" হায়গদবনি।

৩৩। "ঐগী যাত্রাদ ঙসিনা মফরে।"

বাকা অসিদা 'যাত্রা' না থবক অমা খঙহল্লি অতুগা 'ঙসি' না মতম অমা খঙহাল্ল। যাত্রাগী মতম থিরকপদা 'ঙসিনা মফরে' হায়রিবানি। মরম অসিনা "ঐগী যাত্রাগী মতমদি ঙসিনা মফরে" হায়গদবনি।

৩৪। "নিংথৌনা ঐবু মনা পীবিরমই।"

বাক্য অসিগী 'ঐবু" হায়বা বাহৈ অসি সম্প্রদান কারকনি। সম্প্রদান কারক্তা 'বু' বিভক্তি তপ্পা চুমদে। মরম অসিনা 'ঐবু' হায়বগী মহুওা 'ঐঙোন্দা' হায়গদবনি।

৩৫। "তোম্বীগী মতৌ উবদা ঐদি পুকনীং বারেদা!"

বাক্য অসিগী 'রারে' হায়বা ক্রিয়াগী কত্তাদি "পুকনীং" নি; 'ঐ' নত্তে। 'ঐ' গা 'পুকনীং' গা সম্বন্ধ থমদুনা 'ঐ' দা ষষ্ঠীবিভক্তি শীজিন্নরগা "ঐগী পুকনীং বারেদা!" হায়গদবনি।

৩৬। "বেণীমাধবনা লাইরিক ইরগা ঐহাক চৎলমই।"

বাক্য অসিদা কত্তা অমত্তনা ইথসু চৎপসু তৌরবদি 'ইরগা' হায়বা অসমাপিকা ক্রিয়া অসি শীজিন্নবা চুম্লগদবনি। তৌইগুম্বসুং

সমাপিকা অমসুং অসমাপিকা ক্রিয়া অনীমক্কী তোঙান তোঙানবা কর্তা লৈরবনা 'হৈরগ' হায়বাস অচুম্বা ওইদ্রে। মরম অসিনা 'হৈরগ' হায়বসিগী মহুত্তা "হৈরবদ" হায়গদবনি।

৩৭। "কৈদি ওংলরবা নত্রগা লাম্‌দ্রবদি হিংনা তৌদে।"

বাক্য অসিদা ব্যাকরণগী ওইবা দোষ কারিমত্তা লৈতে। তৌই-শুম্নসুং অর্থগী মায়কৈদগী যেংলুবদা ওইথোক্কবা মতম অমা ফংলে। কৈদি লান্দ্রবদি হিংসা তৌদে হায়বাস চুমই; অদুবু ওংল-রবদি হিংসা তৌদে হায়বা মতৌক অসিমদি ওইথোক্তে। ওংলরগা হিংসা তৌই, ওংলদ্রবদি হিংসা তৌদে হায়রানি। মরম অসিনা থক্কী বাক্য অসিবু "কৈদি ওংলদ্রবা নত্রগা লামদ্রবদি হিংসা তৌদে" হায়না চুম্থোকদবনি।

৩৮। "ঐগা নঙগা ভূসিংগী মরী কবিমত্তা লৈত্রবনি।"

বাক্য অসিদা 'ঐ' অমসুং 'নং'— অনীমক্কা 'মরী' গা সম্বন্ধ লৈনরিবনি। সম্বন্ধ অসি যেংদোকপা বিভাও য়াওদ্রে। মরম অসিনা "নঙগা ঐগগী" হায়গদবনি।

৩৯। "ঐগা লোয়নবশিংনা ঐবু থিবা মাকপদা তপোবনগী খুদোংথীবা ফংলমাল্লে।"

বাক্য অসিদা 'তপোবন' না 'খুদোংথীবা ফংলমাল্লে' হায়বসিগী কর্তানি। মরম অসিনা "তপোবনগী" হায়বগী মহুত্তা 'তপোবননা' হায়গদবনি। নত্রগা "তপোবনগী" হায়বাস অসুম্বা থমগে হায়র-বদি মাদুগা "খুদোংথীবা" গা সম্বন্ধ থমদুনা 'খুদোংথীবা'বু কর্তা ওইহল্লগা "ফংলমাল্লে"গী মহুত্তা "থোরমাল্লে" হায়বহ য়াই!

৪০। "চাউবগী লুপাগী মশীংগা ঐগোন্দগী হেল্লি।"

মক্কম অসিদা চাংদম্নিবা পোৎ অসি চাউবগী লুপাগী মশীংগা ঐগী লুপামশীংগা অনী অসিনি, চাউবগী লুপাগী মশীংগা ঐগা নত্তে। মরম অসিনা "ঐগোন্দগী" হায়বগী মহুত্তা "ঐগীদগী" হায়গদবনি।

৪১। "মহাক লুহোংবা মতম হৌখিগদৌরে।"

বাকা অসিগী ক্রিয়াদি 'হৌখিগদৌরে' না ওইরি, কর্তানা 'মতম' নি; 'মহাক' নত্তে। 'মহাক' কা 'মতম'গা সম্বন্ধ থমজনা 'মহাক' কী মহুত্তা "মহাকী" হায়না শেমদোক্লবদি বাক্য অসি চুমগনি।

৪২। "চক্লবু মৈনা শাক্লগা উং ওল্লি।"

করিনা উং ওল্লি হায়না হংলবদি চক্লনি হায়না খুম্না ফাই। করম্না মতমদা হায়না হংলগনা মৈনা চাক্লবা মতমদা হায়না পুম্না ফাই। অদু ওইরবদি থকী বাক্য অসিবু নীংখিনা লেংদ্রে। "মৈনা চাক্লবা চক্লনা উং ওল্লি" হায়রবদি বাক্যগী দোষ লৈররোই।

থক্তা নৈনব্রিবা খুদম করামুক অসিদগী ঐপোয়না উবে; মণিপুরী লোনবা ছাত্রশিংনা মণিপুরী ইবা মতমদা লাল্লিবা অসি ব্যাকরণগী নিয়মশিং অদু কুম্না খঙজিল্লুদবদগীনি। খঙজিক্তুং চোক-শিল্লগা করিগুম্বা লানবা তৌরোই। লাইবকখীবদি ঐপোয়গী বোকথোংবা লাইরিককইবা মীশিংসু হীরম অসোমদা থোইনা চোক-শিল্লুদবদগী মাখোয়গী লাইরিক্তা ব্যাকরণগী ওইবা দোষ ফংনা নীংথনা উবা ফংই। থক্তা পীরিবা খুদমশিং অসি নৈনবদগী চঙ্‌ক্র-শিংগী কান্নবা থরদি লৈগনি হায়না আশা তৌই।

আকাশবাণী, ইম্ফালগী মণিপুরীদা পাউশীবা মীশিংগী লোনগী মরমদা থরদং নৈনবা কৈ। মাখোয়না পীবা পাউবু ইংরাজী অমসুং অতৈ অতৈ লোন্দা পীবা পাউ তাবা ওমদবশিংনা হন্দোকফবা ওইনা ফানরিবনি— ওসশিংনসু মণিপুরগী ওইবা পাউবু ফানবিরদবগী হন্দোক-ফদবা ওইনা ফানরিবনি। মাখোয়গী লোন অদু ভাষাবিজ্ঞান অমসুং ব্যাকরণগী নিয়ম কায়দবা ওইকম থোকই। নত্রবদি, মাখোয়-গী কন্নবা লোন্না মণিপুরী সাহিত্যদা কন্নবা ফল পুরকপা ময়েক্লা ফাবনি। থোইদোক্না লাইরিক ওমথৎলক্লিবা মহাশিংগী পুক্নীংদা

কন্তবা লোলগী মি তাপ্পবদি মাম্ভুবু লৌথোকপা অরাবা ওইগ-দৌরিবনি। লাইবকথীবনা মণিপুরীদা পাউ লাউথোকপশিংনা নোংমগী থবক নংনবা তৌবদা, অনৌ অনৌবা রাথল কোংদোক্লবা হোৎনবদা অমসুং ঐথোয়গী লোম্না কোংদোকপা বাবা অনৌবা ভাব কোংদোক্লবগী দমক লোন শেম্নবা হোৎনবদা লোনগী নিয়ম কায়দ-নবগী মরমদা থোইনা চোকশিন্দবা মতৌ উই। করিনা অচুম্বনো করিনা অরানবনো হায়বা খন্দোকথঞ্জিন তৌবা ঙমদবশিংদদি অরানবা লোন অদু য়াম্না মাঙননবা ওই। মরম অসিনা আকাশ-বাণীগী থবক শীল্লাংলিবশিংগী পুকনীং হৌরম অসোমদা চিংশিল্লি পাউ লাউথোকপশিংনা থৌরাং তৌবা পাউগী অইবা চে অদু মাথোয়দগী থরা হেন্না খঙহৈবা মী অমবু লাউথোক্লিনৈগী মাঙদা হান্না অমুক্তং য়েংহনবা ফৈ। অদু ওইরবদি ফিভম থরা ফগৎলক্কনি হায়না আশা তৌই।

মণিপুরী পাউ পীবা মীশিংনা তোয়না শীজিন্নবা খুদম থরদং নৈননবগী প্রস্তাব তৌরি। মাথোয়গী মফমদা অসম্মান উৎপগী পুক্নীং করিমত্তা লৈতদে। মণিপুরী সাহিত্যগী ফননবগী দমক্তনি হায়না খনবিদুনা মুংঙাইতবা তৌবিগনু হায়না ঐনা হন্না হন্না হায়জরি।

(১) "মতাং অসিদা ঙসিগী ওইনদি মণিপুরী পাউগী অরোই-বনি।" রাহায় অসি মণিপুরী পাউ লাউবা মী অমনা মুমিদাং পুং তরেৎ মথায় তাবদা মহাক্না পাউ লাউবা খুদংগী লোইবদা শীজিন-নবনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা শৌনবা ঐগী সভাপতিত্বদা ফম্বা মণিপুরী ব্যাকরণগী বিচারগোষ্ঠী অমদা ঐনা থক্তা পীরিবা রাহায় অসিদা লৈবা ব্যাকরণগী ওইবা নিয়মবু ঙাকতবগী মতৌ পুন্নমক সমালোচনা তৌখি। অদুগী হেক তুংদগী রাহায় অসি তাবা ফংখিদ্রে। মাসিগী মহুৎ "পাউ লোইভরে" না শিনখি, গোষ্ঠী অদুদা ঐনা হায়খিবা রা অদু থাগী অসিনি :—

"অরোইবা" হায়বা শব্দগী পদদি বিশেষণনি। মাসিগী প্রকৃতি-প্রত্যয়দি অ+লোই+বা নি। ধাতুগী মাঙদা 'অ' উপসর্গ অমসুং তুংদা 'বা' কৃৎপ্রত্যয় তপ্লগা শেম্বা বিশেষণপদনি। অরানবা, অকোনবা, অহানবা, অফবা, অঙাঙবা, অশংবা, অমোৎপা, অসিন-চিংবা বাহৈশিং অসি 'অরোইবা' গুম্বা বিশেষণপদ ঙাক্তনি। পাউগী হায়বা সম্বন্ধ খঙহনবা বিশেষ্যগা "অরোইবা" বিশেষণপদগগী সম্বন্ধ উৎপা অসি অরানবনি। 'পাউগী'গী তুংদা বিশেষ্যপদ থমগ-দবনি। অমরোমদা অমুক, "অরোইবা" বিধেয়গী উদ্দেশ্যদি 'মতাং অসিদা'নি। উদ্দেশ্য ওইরিবা বাহৈবু সপ্তমীবিভক্তিদা থম্বা অরান-বনি; প্রথমাবিভক্তিদা থমগদবনি। অদু ওইরবদি 'অরোইবা'বু বিধেয় ওইনা থম্বা য়াই; 'পাউগী'গী তুংদা 'মরীদা' হায়বা বিশেষ্য হাপ্পা ভাই। বিধেয়দা বিশেষণ থমদানা বিশেষ্যপদ থম্মসু য়াই, মাদুগী মওংদি 'লোইবা'নি। মরম পুম্নমক অসিনা থক্কী থম্লরিবা বাহৈপরেং অসিবু থাদা পীরিবা মওং অদুন অসিগী অমা ওইনা শেমদোক্লবাদ ব্যাকরণগী নিয়ম কায়দবা লান ওইগনি:—

(ক) মতাং অসিনা ঙসিগী ওইনদি মণিপুরী পাউগী মরীদা অরোইবনি।

(খ) মতাং অসিদা ঙসিগী ওইনদি মণিপুরী পাউ লোইরে।

(গ) মতাং অসিনা ঙসিগী ওইনদি মণিপুরী পাউগী লোইবনি।

(২) "বিল অসিদা গোভর্ণরনা অয়াবা পীরে"

"অয়াবা" হায়বা বাহৈবু মতৌ অসুম্না শীজিন্নবা য়াম্না তোয়না থেংনৈ। বাহৈপরেং অসিদা 'অয়াবা' হায়বসি 'পীবা' ক্রিয়াগী কর্ম্মনি। 'অয়াবা' হায়বা শব্দ অসিদি থক্তা উৎপ্রে, বিশেষণপদনি। বিশেষণবু কর্ম্ম ওইরক্তা থম্বদি লাল্লি; বিশেষ্যগী মওং থমগদবা ওই। 'অয়াবা'গী বিশেষ্যগী মওংদি 'য়াবা' নি। মরম অসিনা বাহৈ-পরেং অসিগী অচুম্বা মওংদি "বিল অসিদা গোভর্ণরনা য়াবা পীরে" ওইগনি। মাসিবু ইংরাজীগী বাহায়গী তুংইনবান হায়না লৌরবদি

অচুম্বা মণিপুরীদি "বিল অসিবু গোভর্মেননা য়ারে" হায়গসিনা ওইগনি।

(৩) "ডিপুটী কমিশনারনা চে অমা থোকলে" নত্রগা "ডিপুটি কমিশনারনা থোকপা চে অমনা অসুম্না হায়রি"— অসিগুম্বা ৱাহৈ য়াম্না তোঙনা ভাবা ফংই। ৱাহায় অসিদা 'থোকপা' ক্রিয়াবু সকর্ম্মক ওইনা শীজিন্নরে। তৌইগুম্বসুং 'থোকপা' ক্রিয়াদি মওং-লৈবথিবিক্তা অকর্ম্মক ক্রিয়ানি, মাতুগী কর্ম্ম লৈবা য়দে। 'থোকপা'গী সকর্ম্মকতি প্রয়োজক ওইনা "থোকহনবা"নি। মরম অসিনা থক্তী ৱাহায় অসিবু "ডিপুটি কমিশনারনা চে অমা থোকহল্লে" নত্রগা "ডিপুটি কমিশনারনা থোকহনবা চে অমনা অসুম্না হায়রি" হায়না শেমদোক্রবদি অচুম্বা লোন ওইগনি। নত্রগা, "ডিপুটি কমিশনারদগী চে অমা থোকলে" নত্রগা "ডিপুটি কমিশনারদগী থোকপা চে অমনা অসুম্না হায়রি" হায়না শেমদোক্রবসু য়াই।

(৪) "ভারতনা স্বাধীন ফংবা"— ৱাহায় অসিবু ফনা তোঙনা ভাবা য়ংই। 'স্বাধীন' সংস্কৃত শব্দবু মফম অসিদা লম্না শীজিন্নরে। 'স্বাধীন'গী পদদি বিশেষণনি। বিশেষণপদবু 'ফংব' ক্রিয়াগী কর্ম্ম ওইনা শীজিন্নরে। বিশেষ্য নত্রগা সর্ব্বনামকবু কর্ম্ম ওইনা শীজিন্নবা য়াই। 'স্বাধীন'গী বিশেষ্যগী মওং 'স্বাধীনতা'নি। মরম অসিনা ৱাহায় অসিবু "ভারতনা স্বাধীনতা ফংবা" হায়না শেমদোক্কদবনি।

(৫) "তঙাইফদবা লৈ, তঙাইফদবা পন্দুনা হায়রি" অসিগুম্বা ৱাহায় য়াম্না তোয়না তায়। 'তঙাইফদবা' হায়বা ৱাহৈ অসি বিশেষণপদনি। মাসিবু 'লৈ' ক্রিয়াগী কর্ত্তা ওইনা হায়বদি বিশেষ্য-পদ ওইনা, 'পনবা' সকর্ম্মক ক্রিয়াগী কর্ম্ম ওইনা হায়বদি বিশেষ্যপদ ওইনা শীজিন্নরে। 'তঙাইফদবা' গী বিশেষ্যগী মওং 'তঙাইফদবগী মতৌ' ওইগনি। মরম অসিনা থক্তী ৱাহায়শিংবু "তঙাইফদবগী

মতৌ লৈ, তঙাইফদবা মতৌ পন্দুনা হায়রি" হায়না শেমদোক-কদবনি।

মৈতৈরোন্দা বাহৈগী মাঙদা "অ" বাতপ তপ্পা বাহৈশিংবু শীজিন্নবগী মরমদা চয়েৎনবগী মতৌ য়াম্না উই। অচম্বা মীনা অমসুং আকাশবাণীগী মীনা মফমমরাং খঙদানা পঙশী-শীজিন্নবতা নত্তনা মণিপুরী সাহিত্য নৈনরিবা অমসুং লাইরিক ইরিবা মীশিংনসু পঙশী-শীজিন্নবা উই। মাসিবু শেংদোক্নবা হোৎনবা তঙাইফদবা ওইরে। মরম অসিনা হৌরম অসিদা মণিপুরগী বিদ্বৎসমাজগী পুকনীং চিংশিন-জরি; গ্রন্থকর্ত্তানা থনবা বাথন থরসু ফোংদোকচরি।

মহৌশানা থবক অমবু ইচমচম্না খঙহনবা মতমদা ধাতুগী তুংদা 'বা' অমসুং 'পা' কৃৎপ্রত্যয় তপ্পুনা বিশেষ্যপদ শেমই। মাসিবু ক্রিয়াবাচক বিশেষ্য কৌই। মাদুদি— চৎ+পা=চৎপা; পা+বা=পাবা; অসিনচিংবা। মাসিদা 'অ' উপসর্গ তপশিল্লগা বিশেষণপদ শেমই। মাদুদি— অ+চৎ+পা=অচৎপা; অ+পা+বা=অপাবা, অসিনচিংবা। 'অশোঙবা মফমদা চৎপা ফত্তে, মহাক অফবা লাইরিক পাবা পামই' হায়বা খুদমদা 'চৎপা' অমসুং 'পাবা' ক্রিয়াবাচক বিশেষ্যনি, 'অশোঙবা' অমসুং 'অফবা' বিশেষণপদনি। খোইদোকপা ওইনা, সকর্ম্মক ক্রিয়াগী ক্রিয়াবাচক বিশেষ্যগী মওং অদুমকপু past participle ওইনা শীজিন্নে। অসিগুম্বা বাহৈবু ইংরাজীদা participial adjective কৌই; সংস্কৃততদি কৃদন্ত বিশেষণ কৌই। অসিগুম্বা বিশেষণ অসিনা বক্তা অমগা পুল্লগা বিশেষণউপবাক্য শেমই। খুদম— 'মহাকনা শকপা ঈশৈ ঐহাক্তি তাদ্রি, মহাকনা তৌবা থবক য়াম্না ফজে' অসিনচিংবদা 'শকপা' 'তৌবা' হায়বসি বিশেষণ ওইনা লৈরে; কর্ত্তা অমগা কোয়না ক্রিয়াগী থবকসু তৌই অদুগা বিশেষণগী থবকসু তৌই। অকর্ম্মক ক্রিয়াগী ক্রিয়াবাচক বিশেষ্যবুদি থক্কী অসুম্না বিশেষণ ওইনা শীজিন্নবা য়াদে।

কনাগুম্বা লাইরিক লেবা মীনা "অহৈবগী রা থবদং" হায়না হৈদুনা ইনা যাগনি। অকোঙবা মীনস্থ 'অকোঙবগী রা থবদং' হায়না হৈদুনা হংঙে যাগনি। খুদম অসী অসিদা 'অহৈবা' অমসুং 'অকোঙবা' হায়রিবা ৱাহৈ অসী ভাগসং লায়না শীজিনরে। 'অহৈবা' অমসুং 'অকোঙবা'না জাতি লৈব্রগা কাডুলুপ অমবু খঙহন্দে। কনাগুম্বা অহৈবা মী অমসুং অকোঙবা মী অমগুম্বু খঙহল্লি। মরম অসিনা অহৈবা' অমসুং 'অকোঙবা' বিশেষণপদ অসী অসিবু বিশেষ্য ওইনা শীজিল্লবসি ওৎনবানি খুদম অসী আসগী অনুশ্না ৱাহৈযদি "অহৈবা লোগী রা থবদং" অকোঙবা মীগী রা থবদং" হায়রবনা ওইগনি। জাতি লৈব্রগা কাডুলুপ খঙহনবা মতমদদি মৈতৈলোন্দস্থ ইংরাজী, সংস্কৃতকচি বা লৈ[illegible] [illegible] গুম্না বিশেষণবু বিশেষ্য ওইনা শীজিন্নে হৈনাকথুনবাশ না, কায়রবাশংনা, মহৈহৈরবশিনা, অসিনচিংবদা বিশেষণবু জাতি লৈব্রগা কাডুলুপ খঙহনবদা বিশেষ্য ওইনা শীজিন্নরে। হৌজিক পীখিবা 'অহৈবা' অমসুং 'অকোঙবা' ৱাহৈশু জাতি লৈব্রগা কাডুলুপ খঙহনবা অথাদ, বিশেষ্য ওইনা শীজিন্নবা অদু জাতি লৈব্রগা কাডুলুপ খঙহনবদা বিশেষ্য ওইনা শীজিন্নবা থকী খুদমশিংগী মতৌ যেংদুনা লম্না শীজিন্নখিবা ওইগনি নীংই।

ৱাহং

[illegible] মণিপুরগী [illegible] চুমথোকউ

অচৌবা ওইরবদ [illegible] অনোয়া ম[illegible] মহাক্না পরীক্ষাদা লোযবাদ লাইরিক পাদবগী মহাক্না চৎকদবা মতমদি কালকা[illegible]দনি। ঐগী মিক্স [illegible] পারিবা অসিগী মংমাদ লৌনলকো? ভাসগী লীলাসে মী যায়া তিন্নেদা ঐনা মসিদ [illegible] কপা ঙমদে। ঐবু চাবা ৱাৎলে, অদুনা যাঙ কংশিল্ল [illegible]নি। ঐন থাগ্রিবা মা অসিবু মডুনামা [illegible]কহনদে। রামগী তুংইনবদা সীশান কাদোনা ৱারা লৈবমদে। ঐন লাইরিক পাবগা মহারা তুমহ। মহাকী চহীন ঐডঙ কগী ৱাংলি। মচানা নাব কববদা মপানা পুবনী যায়া হরাউরমই শমুংমক্তগী থবক্না লুপ্তিনন ঐ অসি লাইনীংবগী মংম থৌখিদোরে। অসী

পেংনরবদি অমনা মায়থীবা অদুগা অমনা জয় ওইবা সংসারগী হৌনবীনি। মহাকপুদি ঐনা হনাকথুনবা হেল্লি। লনগী অপাম্বা থাদোক্লবদি পুকনীংগী ঊংবা ফংবা ঙমগনি। মী অম শিন্দুনা লৈরক্লে হায়না পুলিসনা থোকপা পাউনা চংথরি। ঐনা হৌদোকপা বানা সভাগী অয়াম্বা মশীংগী অয়াবা ফংলে। ম্পীমচ অসিনা অশাংবা অগোইদি সাম্না থক্তে। ঐগী অরাবা লন্ডনা থগুদে।

শব্দ

অমা নত্রগা অদুদগী হেন্না মরেক্লা পূর্ণশিন্নগা থোকহনবা অর্থ লৈবা খোন্দোকপু শব্দ কৌই হায়না খঙ্গা পনগ্রে। উচেক্লা খোংবনচিংবগী খোন্দোক মখল অমত্তু লৈরি। তৌইগুম্বস্ব মাদুগী চপচাবা অর্থ লৈতে। মখল্লা মাদুগা ব্যাকরণশাস্ত্রগা মরী লৈনদে খোয়না নৈনগদবদি অর্থলৈবা খোন্দোক্তুনি।

উপসর্গ অমসুং প্রত্যয় হায়বা শব্দদি নত্তবা অদুগা শব্দগী মাংডদা অমত্তু তুংদা মপাংশিংনা তপ্নগা মরু ওইবা শব্দগী অর্থগী মওং শেমদোকপা শব্দগী মচেং খরমু লৈবা মখোয় অদুবু মতাং চানা নেনগ্রে।

শব্দগী হৌঃমগী ভুং ইমা শব্দবু মখল অহুমথোক্ল থায়দোকপা ঙাই। মাদুদি— যৌগিক, রূঢ় অমসুং যোগরূঢ়।

যৌগিক— করিগুম্বা শব্দ অমা মদুগী মরু অমসুং প্রত্যয়না শেম্ব নত্রগা রাহৈ অতোপ্পা অমগা পূন্দুনা শেম্বা অমসুং মাদুগী মচেং মচেংকী অর্থসু লৈবা অদুগুম্বা শব্দ অদুবু যৌগিক কৌই। মাদুদি— য়োংশুবা। রাহৈ অসি 'য়োং' অমসুং 'শুবা' হায়বা রাহৈ অনীনা পূন্দুনা শেম্বনি। শেমিবা মচেংশিংগী অর্থসু লৈ। অদুনা মাসি যৌগকনি।

রূঢ়ি— থ্বাইনা খঙনবা মশাগী অর্থ লৈবা, রাহৈগী মচেং মচেংনা মাগী মাগী অর্থগা লোয়ননা পূন্দুনা শেম্বা নত্তবা রাহৈ অদুবু রূঢ় শব্দ কৌই। মাদুদি— মী, শা, উচেক, অসনচিংবা।

যোগরূঢ়ি— যৌগিক ওইরবসু যৌগিক অর্থ প্নমককপু খঙহন-দনা করিগুম্বা থোইদোকপা অর্থ অমবুতা খঙহনবা শব্দ অদুবু যোগরূঢ়ি শব্দ কৌই। মাদুদি—চাইশেন। চাইথনবা শেল হায়বসি যৌগিকনি। তৌইগুম্বসুং চাইশেন্না চাইথনবা কোল, খুঙাইনচিংবা অকৈবু খঙহন্দানা শকনাইবা কোল অমবুতা খঙহল্লি। অদুনা মাসি রূঢ়িনি। অসুম্না যৌগিক অমসুং রূঢ়ি অথ পুন্দুনা শেম্বা রাহৈবু যোগরূঢ়ি কৌই।

অর্থগী মায়কৈদগীসু শব্দবু মখল অহুম থোক্না থায়দোকপ য়াই। মাদুদি— বাচক শব্দ, লক্ষক শব্দ অমসুং ব্যঞ্জক শব্দ।

বাচক— শব্দগী খ্বাইনা মহৌশানা খঙনবা অর্থ হায়বা রাহৈ অদুবু বাচক শব্দ কৌই। মাদুদি—শল হায়বসি মথোং মরী পানবা শা অমনি। মফম অসিদা শল হায়বা শব্দ অসিনা মাসিনা মহৌ-শানা খঙহনবা অর্থ অদুওমক ফোংদোকই। মরম অসিনা মাসি মফম অসিদা বাচক শব্দনি। বাচক শব্দনা খঙহনবা অর্থবু বাচ্যার্থ কৌই।

লক্ষক— করিগুম্বা রাহৈ অমনা মাদুনা মহৌশানা খঙনবা অর্থ অদুবু থাদোক্লগা অর্থ অদুগা মরী লৈনবা তোঙানবা অর্থ অম লৌরবদি মাদুবু লক্ষক শব্দ কৌই। মাদুদি—রাম হায়বসি শানি। বাক্য অসিদা রাম হায়বসিদি শাদি নত্তরনিনা শাগী শাজং চংপা জীবনি হায়বান। মরম অসিনা মফম অসিদা 'শা' হায়বসি লক্ষক শব্দনি। লক্ষক শব্দনা খঙহনবা অর্থবু লক্ষ্যার্থ কৌই।

ব্যঞ্জক :— বাচ্যার্থ অমসুং লক্ষ্যার্থ অনী অসি নত্তবা শব্দগী মচেক্না য়ৈদুনা খঙহনবা অরুবা অর্থ অমসু লৈরি। মাদুবু খঙহনবা শব্দবু ব্যঞ্জক কৌই। মাদুদি— "অঙাং অসিদি ইমুংগী মাঙ তাক্লবা হায়বদুনি; হুংঙাইরেদা! নহাক্না তৌরিবসি!" মফম অসিদা 'হুংঙাইরেদা' হায়বা শব্দগী অর্থদি বাচ্যার্থ অমসুং লক্ষ্যার্থ নত্তবা

অতোপ্পা ওম্মৈতেনবা 'মুংঙাইত্রেদা' হায়বা অসিনি। অসিগুম্বা অর্থ খঙহনবা শব্দবু ৱাক্তক কৌই।

ৱাহং পরেং

১। তৌকমগী ভুংশন্না শব্দগী মথক্তা কনা থোক্কা থাদোকপা যাবগে? মথোক অমা করি কাংনো?

২। মৈতৈ [illegible] অমসুং [illegible] শব্দ করি করিবু [illegible] লোননা [illegible]।

৩। [illegible] শব্দগী মথক্তা, কনা শুরু? মাথোথগী মিং কায়ু।

৪। [illegible] শব্দ হায়বসি কার করিনো [illegible]।

মণিপুরী ৱাহৈগী পুকৈ

মণিপুরী লোলগী পাঙ্কলোনবা ৱাহৈশিংবু মকুওইবা শব্দক অনৌবা হায়দোকপা নাই। মাদুদ— অরিবা অমসুং অনৌবা মণিপুরী। পাঙ্কলোনবা অরিবা মণিপুরীদা চৎনরিবা মণিপুরী পাঙ্কলোনগী অদুম্বা মরিক লৈরে, মাদুগী হৌজিক্কী মৈতৈ চমচাশিংনা অরিবা মণিপুরীগী অর্থ খঙবদা যাম্না ৱাবা ফঙই। অরিবা মণিপুরী পাগে হায়দুনা পোওইনা হোৎনবা মী খরা নত্তনা কনাগুম্বনা তেক পাগে হায়দুনা তৌকবদা অর্থ খঙবা ঙমদে। মাদুগী অথোইবা মরমদি হৌজিক্কী মণিপুরীগী ৱাহৈগী পুকৈগা অরিবা মণিপুরীগী ৱাহৈগী পুকৈগা যাম্না খেন্নবা মতৌনি। থাদা খুদম খরা পীরি :—

অরিবা		অনৌবা	অরিবা		অনৌবা
পামেল	—	উ	লাইজা, ইমু	—	ঈশিং
মালংবা	—	মুংশিং	কোরৌ, তাউদনবা, য়োকিময়াই	—	নুমিৎ
ৱাইবী	—	থবায়			
পক্সৌ	—	পা			

অরিবা		অনৌবা	অরিবা		অনৌবা
পলেম	—	মা	ফাউমা	—	পুকচেল
চেংলৌ	—	মিৎ, মায	ডিনবা	—	পকনী
কাও	—	শল	খাঙ্গী	—	[illegible]
তাউবা	—	তুয়	[illegible]	-	[illegible]
মরালয়াই	—	যুম	যাংলৌ	—	লগী
চেক্লা পোম্বী	—	উচেক	লাঙ্গোই		শগোল, শা[illegible]
য়ারেল	—	য়া	চেনবা	—	ক্বাক
তরা	—	চাক	শমু	—	হক[illegible]
কোলোই	—	মিং	লেমলৈ	—	[illegible]
চরৈ	—	ফি	নারা	—	[illegible]
নম্	—	মী	কোলোই	—	[illegible]
খুমু	—	নৌ	পাম্বা	-	[illegible]
চোইনৌ	—	সনা	চৌডু	-	[illegible]
তিমেল	—	ভা	[illegible]		[illegible]
শা	—	শরেল	রাকৈয়	—	[illegible]
যাওরৌ	—	শা	[illegible]	—	[illegible]
ইয়োং		যোঙ থম	খোইমা	—	নাপী
			শয়েং		পাম্বোন

থক্তা পীরিবা খুদমশিং অসিদা [illegible] — অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী বাহৈগী পুক্কগা অনৌবা সাহিত্যগী বহৈগী পুক্কগ যাম্না খেন্নে। হৌজিক্কী মীরোনগী মীশিং না খোঙইনা নৈনবদ্রবদি হৌজিক্কী সাহিত্যদা চঙলকপা ইযোং, পাম্বানচিংবা অরিবা বাহৈ খর নঙনদি বাহৈ অতৈগী অর্থ খঙবা বারবনি। অরিবা মণিপুরী-দগী করম তৌনা হৌজিক্কী অনৌবা মওংদা লাকপগো অদুগা লোল অসিনা করম করম্বা ফিভমদা লাক্কুনা মথং মথং করম্না চাওখৎ-লকপগো হায়বা ঐতিহাসিক ওইনা নৈনগদবা থবক অদুদি হীরম

আসদা গবেষণা তৌনীৱ নীগী খুত্তা থম্লে ; ঐখোয়গী নৈনগদবা ঙীবম নাত্তে

অদুবা মণিপুরীদগী অনৌবা তৌজিক্কী মণিপুরীদা লাকপদা লেপ্লে অসিনা মথং মথং যম্না শক্লক্লে। শক্লক্লবা অবস্থাশিংগী মুংদ সম্পুক্ত মাহৈ অমস্তুং মাহুৎ মরী নৈনব লানশিংগা লোয়নবা নৈনক নাম মণিপুরী লোলদা থোকই। পরিবর্তন লাকই। মণিপুরীগী পাল্লক্ক শব্দ সংস্কৃতকী চা অঙ্গনপী লৈ খ্যাং লৈবদি সংস্কৃতকী লাইরিক লেংবা চঙা পাংল যাগনি। হৌবাং অসিগী ফলনা মণিপুরী সংস্কৃতদা সম্পুক্ত লোলগী ৱাহৈশিং চংশিল্লকপা তৌই। শাম্না হায়রদা তৌজিক্কী মণিপুরী অসি অদুবা মণিপুরীগী মথং মথং শকনা লাযেংকহল্লক্লবা অমস্তুং মাংদা সংস্কৃত সাহিত্যগী ৱাহৈশিংসু চংশিল্লকবা লোন অমনি।

তৌজিক্কী মণিপুরী যেংবগী মথং মথং হেংদক্কপগী লমখাংদা লৌবা সংস্কৃত শব্দ চংবা তৌবক্লবা তৌজিক্কী মণিপুরীদি হৌজিক্কী মণিপুরী লোনগী অর্থ খরগী মখা চংবা যাবরা অদুবা অমস্তুং অনৌবা মণিপুরীগী য়াম্নবা মণিপুরীগী নমুনা অমা থাদা উৎলি :—

"নৌরম অসি মতুংদা লাইরেন মৈতৈ চনু নৈ পান্থোইবী লিনজান চেনএ, ভক্তিলক্ষণ লম নাইএ, থাকাংদা লৈনা যাথং মঙ্ পানএ হায়রবু শ্রীলোকনাথ লৌশিংবনা লাপ্না শাগৎরগী তবা তোক্চং তৌখোইব, নোইবু থুন মযোন পানখোইব, নিংনা হৈগা চান থুমখোইবা, শানখোন হৈবিকলাই অমুক হাংখোইকদা শানা চৈথং ফংনখোকপু মানখো ফিরোই মশিংশুনা থাকয়ে চাউখোইব হায়রবু পুংবুবেন থেন মাইরাংনা কৎতল্লে।" চিংথংখোম্বা মহারাজ গম্ভীর চংবা।

হৌজিক্কী মণিপুরীগী শব্দগী পুক্কে করিনা নকগদগে হায়রবা হীরম অসিগী মরমদা খরদং নৈনসি। মণিপুরীশিংগী লক্তা কাংবু অনীথক লৈ। অমনা অদুবা মণিপুরীগী ৱাহৈশিং অসি য়াথমৈ

শীজিন্নতুনা মণিপুরীগী অনৌবা শক্তম অমা পুথোক্লবা হোৎনরি। অতোপ্পা অমনা হায়না শীজিন্নতুনা লৈরিবা সংস্কৃতকী বাহৈশিংগী থক্তা অমুক্কা বাহৈ অতৈ লৌশিন্দুনা মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা অতোপ্পা শক্তম অমা পুথোক্লবা হোৎনরি। তৌজিক্কী মণিপুরীবু অরিবা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা হোৎনবসি ইতিহাসকী মথং মপং চত্থরকপা খোঙচৎ তঙ্গৎতল্লবা হোৎনবা ভাগনি। অমুক্কা, মণিপুরী লোনদা সংস্কৃতকী বাহৈ হেনমল্লা পুশিল্লকপসু অফবা নত্তে। অফবা লম্বীদি গনীমক্কী লক্তা লৈগনি।

অরিবা বাহৈবু তৌজিক্কী মণিপুরীদা পুশিল্লকপা য়াই, কৌইগুম্বসুং পুশিল্লক্লিবা বাহৈ অদু তৌজিক্কী মণিপুরী লোনবু মীনা খঙবা ঙম্বদি ওইবা থাই। মতৌ অদুক্না সংস্কৃত বাহৈসু চঙলকপা য়াই। লোল হাসি লোম্লিবা মীনা খাবদা অমসুং পাবদা খঙবা ঙম্বা লোম্বদি ওইবা তাই, নত্রবদি, অনৌবা চঙলক্লবা বাহৈ অদু ঙিংবা ঙমদে। কনাগুম্বনা লম্বাইগী লোল অমা শেমতুনা চৎনহনগে হায়না নীংল-গদি মহাক কদৌইউদসু থবক পাঙথোই। লোল অমদা করিগুম্বা ভাব অমা ফোংদোক্লবা চপচাবা বাহৈ লৈত্তবনা অনৌবা বাহৈ শেম্বা তারবদি শেম্লিবা বাহৈ অদু খাংনক্লদা নত্রগা উপমন্তদা মাদুগী অর্থ অদু অপাবা মীনা পাকনা দা লৌবা ঙম্বা ওইগদবনি, অদু নত্রবদি অনৌবা শেম্লিবা বাহৈ অদু চৎনবা ওইরোই। খুন্নগী শক ওইনা, থামচং, তকশেল নচিংবা বাহৈশিং অসি হায়না লেরবা নত্তে; ঐনা মণিপুরীগী 'শব্দবিভাগ'তা লৈবা মতমদা থবক্তা তকশিনবদগী শেমখিবনি। মণিপুরী সমাজনা বাহৈশিং অসিবু লৌখিবনা বাহৈশিং অসিগী মশেম চুমখি হায়বা উৎলি। বাহৈশেম্বগী থবক অসি লোল হৃদিংবক্কী তৌদবা য়াদবা থবক অমনি। তৌবদবু অপাবা মীনা খঙবা ঙম্নবা তৌগদবনি। অইবা মীনা অর্থ তাক্তুনা লম্বাইগী ওইবা, মীনা খঙবদা বাগদবা, লোল শেম্বা কৈদৌউদসু য়ারোই।

মণিপুরী লোনদা মখল মরিগী শব্দ ফংই। মাহুদি, তৎসম, তৎভব, দেশী, বিদেশী।

মওং কায়দানা সংস্কৃততগী চঙলকপা শব্দবু তৎসম শব্দ কৌই।

মওং খরা হোংলগা চঙলকপা সংস্কৃতকী শব্দবু তৎভব শব্দ কৌই।

সংস্কৃতকা মরী লৈনদবা মৈতৈলৈবাক্কী থাঙ্গশেংবা লোনবু দেশী কৌই। ইংরাজীনচিংবা মপানগী লোন্দগী চঙলকপা শব্দবু বিদেশী কৌই।

তৎসম ঃ— গুণ, কৃপা, আচমন, স্নান, সেবা, প্রসাদ, কীর্ত্তন, মিথ্যা, ছাত্র, পৃথিবী, উপায়, কবি, ঈশ্বর, কবিতা, সত্য, গুরু, দোষ, ইতিহাস, অমৃত, আশা, পূজা, কন্যা, মন্দির, যজ্ঞ, উপবাস, মন্ত্র, যন্ত্র, মহারাজ, সেনাপতি, মন্ত্রী, প্রজা, চন্দ্র, শাসন, আত্মা, ব্রহ্ম, রবি, সোমনচিংবা, শুক্লা, কৃষ্ণা, অমাবস্যা, পূর্ণিমা, প্রতিপদ, দ্বিতীয়ানচিংবা, গ্রহ, গ্রহন, সূর্য্য, চন্দ্র, ভক্তি, প্রেম, বেদ, পুরাণ, কাব্য, দয়া, ব্রত, অসিনচিংবা।

তৎভব ঃ—দখিনা, খের, আরাত্তি, বেভার, মাগুপ, কাক, আগর, হণ্ডা, নাগেশ্বর, নারাণ, চুচু, কেতুকী, মলয়া, সনা, নোপুর, শোরাৎ, অভতায়, অনিক, গুমু, হুদি, শিলোট, পাজি, কা, পেনা, কুতোন, ভাবক, কোর্জোল, খিরশা, নাপেত, জাতিন, চোলোম, অসিনচিংবা।

দেশী ঃ--- মখল অনী থোকই---অরিবা অমসুং অনৌবা মণিপুরী। অরিবা—লায়জা, পাইমা, লাজোই, অসিনচিংবা। অনৌবা--পুক্নীং, ঈশিং, কোক, কৈ, অসিনচিংবা।

বিদেশী ঃ— বিদেশী শব্দশিংগী মথন্দা শক হোংদনা চঙলকপা শব্দ অমসুং শক হোংহুনা চঙলকপা শব্দ হায়রবা মখল অনী থোক্না থায়রি। মাহুদি ঃ—

শক হোংদবা :—স্কুল, ষ্টেসন, থিয়েটর, প্রোফেসার, কোট, বালটি, হোকি, ফুটবল, মোটর, ট্রেন, রেল, গবর্ণমেন্ট, টেবল, বাই-সিকল, বেঞ্চ, দরবার, আফিন, জাত্র, আপিল, কলম, অফিস, কমিটি, ইউনিভার্সিটী, কট্রম, শার্ট, ড্রামা, কলেজ, মাষ্টর, অসিনচি বা।

শক হোংবা :— ইঞ্চ, গিলাস, বম্ফোটি, ওডা, কোমলা, ফলটি, সিফাই, দেৱাল, চর্জন, মেথর, গুদাম, বৈফং, উকীল, অসিনচিংবা।

ৱাহংপাহং

১। অতিকা অমসুং অনৌবা মণিপুরীগী ৱাহৈ খেন্নবা মতৌ করি করি লৈবগে শম্দোক্না ইয়ু।

২। মণিপুর লোনগী মথং তথং থোংলকপগী মায়মা লেপ্লবা ওইনা অসি ঙ্গ্নু।

৩। সংস্কৃতকী শব্দবু লৌবা শীজিন্নবা অমসুং অতৈ মণিপুরীগী ৱাহৈবু লৌবা শীজিন্নবা—অনীগী লৈবা খৈদোক্না তৌজবা মণিপুরীগী চমক ফর্মান খাঘনা লৌবগে? নত্রগা, অদুম অদোমা অমা ... ... কানাদো?

৪। হান্না লৈরম্বা মণিপুরী ৱাহৈ ... ... ৱাদা অনৌবা ৱাথল কোং দোক্না অনৌবা ৱ ... ... গে?

৫। হৌরককুমগী তুংইন্না মণিপুরী লোনদা মথম কয়াগী শব্দ লৈবগে? মথোয় অত্ত করি করিনো?

৬। তৎসম, তদ্ভব, দেশী অমসুং বিদেশী শব্দ করি করিবু কৌবগে থুদমগা লোয়ননা তাকউ।

৭। বিদেশী শব্দগী মথল করি কবিনো থুদমগা লোয়ননা তাকউ।

চৎনবীগী তুং ইন্না ক্রিয়াগী অর্থ

খোঙ্গোকী নেম্বা অমসুং থাংবগী তুং ইন্না মণিপুরী লোনগী বানান করম তৌবগে হায়বদু ঐখোয়না বানানগী মতাংদা নৈনখ্রে হৌজিক্তি ঐখোয়না খোঙ্গোক মাম্নবসু মামদ্রবসু চপনাম্নবা বানানগী

ক্রিয়াপদ অমগী চৎনবীগী তুংইন্না তোঙান তোঙানবা অর্থ লৈবা অতুগী মরমদা নৈনগনি। লোন অসিদা অসিগুম্বা ক্রিয়াগী মশীং অসি শঙ্গোক্না য়ামগ্রে, খোনজিনবগী লোইবা লৈতে। তুংদা অতৈ অতৈ ক্রিয়াপদ য়ম্না পুথোক্লক্কনি, আশা তৌই।

উবা :— মিৎনা য়েংবা — থাবু উবা
খবক শূবা — থো উবা।

ককপা :— তূপহনবা — থাঙনা উ ককপা।
লাল্লি হায়হনা উংপা — মরে য়েংনবদা বা ককপা।
য়ানবা — চীং ককপা।

কাবা :— থক্তা হাইগংপা — উ কাবা, চীং কাবা, ঈথক কাবা, চাক কাবা (চাক চেংগা লোনপা), ফম কাবা, লুংশিং কাবা, তৈ কাবা (খবক মায় থাকপ), পাঙ্গন কাব, কোহিলং কাবা, নাপল কাবা, লেপুং কাবা (লৈমাইদা ময়াম লুংডাইনা বারী-রা হাই শাতনা কপা), পাজোম পান কাবা, মায়হিং কাবা, মনল কাবা (হেনগংপা), মদিন কাবা, লাল্লুপ কাবা
হোবা — যা কাবা, উপল কাবা।
মে চেঙ্গনবা — চাক কাবা।
ময়ু ওইবা — ময়ু কাবা।
অহানবা ওইনা চঙবা — শঙ কাবা।
হল্লকপা — লীকাবা, লোইকাবা।
পীবা — শেন্দোয় কাবা, লোইচোং কাবা।
লৈবা নগ্রগা য়োনগা চংপা — কৈথেল কাবা।
মুশিনবা — বাবনা কাবা।

কিবা :— পুনশিনবা — লংনা পোং কিবা।
পুকনীংগী কিভন অমা পোকপা — কৈ উবদা কিবা।

কোনবা :— (অয়াংবদা) তুংগী ওইবা — লাকপদা কোনবা।

(অয়াংবদা) ঙাকপা, য়োকপা— মপানা মচা কোনবা, নিংথৌনা কোনবা।

" খৌশিনবা—লম কোনবা।

" হুকচাংগা হুকচাংগা শোরুবা—লেং কোন্নবা, মুক্রা কোন্নবা।

(অরুম্বদা) খোয়বা— উ অহু মফম অনীদা কোল্লি। (অকর্ম্মক)

খোয়হনবা--লীচৈ কোনবা। (সকর্ম্মক)

কৌবা :—(অয়াংবদা) অথাপ্পদা লৈবা অমগী পুক্নীং চিংশিন্দুনা ঙাঙ্‌বা —মী কৌবা।

" মিং থোনবা—মহাক্কী মিং চাউবা কৌই।

(অরুম্বদা) তেনবা—ফুরিং কৌবা।

রাংপা—চাননবা ফৌ কৌবা।

খংপা :— বুদ্ধি তাদনা ফিংবা —জগোয় শাবদা খংপা।

খুৎনা শোক্তুনা খোন পোবহনবা—পুং খংপা, সেন্তার খংপা। খুদম তৌদুনা খঙহনবা—খুৎ খংপা।

খনবা :— পুকনীংদা শাবা — রাথন খনবা।

মযামগী লক্তনী অপাম্বা অমা তৌবা - সভাপতি খনবা, মীহুৎ খনবা।

সেবা তৌবা— মপ্‌ খনবা, গুরু খনবা।

অনীগী লক্তা লৈবা—মরক খনবা।

থক্তা কুপ্পা--মাগুণ খনবা, পে খনবা।

খাকপা : - শরুক তমদুনা থম্বা—অঙাংগী দমক চাক খাকপা।

শোনবনা তেকনবা ওইবা—উ খাকপা।

অকিবা খোন থোকহনবা—নোং খাকপা।

খাঙ্‌বা :—লুম্বা পাবা— ফত্তবনা নৈবা খাঙ্‌বা।

শীজবা—মরাপপ্‌ চাক খাঙ্‌বা।

য়ানবা — কাঙ্‌জৈ থাঙ্‌বা ।
ননবা — মোন থাঙবা ।
পনবা — হি থাঙবা ।

খাবা — করিগুম্বনা কোম্বশিনবা — ইংখোল খাবা ।
মহাউ অমা পীবা — হীদাক খাবা ।
অসিগুম্বা মহাউ পুকনীংদা পোকপা — মুংশিদবনা খাবা ।

খৌবা — কিবা — ফুবদগী খৌবা ।
নাবা ফরবগী তুংদা অমুকহন্না নাদনবা তৌবা — লাইখৌবা ।

ঙম্বা — মতিকচাবা ওইবা — থবক ঙম্বা ।
মান্নথীবা পীবা — ফুনবদা ঙম্বা ।
কা-হেন্দোকপা -- মহাক য়াম্না তৌবা ঙম্বা মানি ।

ঙানবা - মঙাল পীবা — থাবা ঙানবা ।
মনিন্না মুঙ্গলনবা — চাক্তা খোংক্রম মচেৎ ঙানবা ।

চঙবা - মুং লোমদা চৎপা — যথ চঙবা ।
হাংদবা—মরূ চঙবা ।

চনবা খোংডিনবা — শীংচনবা ; য়োবা — মীয়ায় চনবা ।
কৎপা — লুক চনবা ; লৌশিন্নবা — উচন চনবা, লৌ চনবা ।

চম্নবা--- (অরাংবদা) নুংশিনবা — মাগা ঐগা চান্নে ।
(অনেম্বদা) অওইবা ওইবা - কৈ লাকপা চান্নরেনা !

চাবা — (অনেম্বদা) -- পোৎ শায়রুনা য়োৎপা — চাক চাবা ।
„ চুনবা—ফুরিৎ অদু ঐঙোন্দা চপ চারে ।
„ পক্নবা—মাগী শাক্ৎ অদু ঐগা চানদে ।
(অরাংবদা) কোয়চৎ চৎপা— ঙানা ঈশিংদা চাবা ।
„ অরেম্বদা চৎপা—অঙাংনা লম্বীদা চাবা ।
„ লনবা—কি চাবা ।

চিংনবা— করিগুম্বগী মরমদা থঞ্জানবা—করিগুম্বা মাক্মদা চিংনবা ।
হঙ্গৎহন্দা চিংথোক চিংশিন তৌবা—থৌরী চিংনবা ।

চিনবা— কোমচবা—ফুরিৎ চিনবা, পৎক চিনবা।
লৈতেং চাম্পা—লৈ চিনবা।

চিবা— খজক থজিক ওইনা মহী লাউবা পোৎ পুথোকপা—ঈশিং চিবা।
বাখরকুপ—শেল চিবা।

চীকপা— য়ানা ফাবা—লৈনা চীকপা, ঙা চীকপা, লিম্না চীকপা।

চোংবা— চকথাংবু হুনবা—মাঙ জোং চোংব, খোংবান চোংবা।
খিনগৎপা—মখোল চোংবা।

তকপা— তানবা—শেনং চমত্তা বনাগুপু তকপা।
কুপ্‌ওইনবা—বেন তকপা।
মকু থাকপা—ফো তকপা।

তাকপা— তাম্বা—লাইরিক তাকপা।
থঙহনবা— পাউ তাকপা।
মাঙবা লন্থুম তাকপা।

তাঙবা— মচু অমগা অমগা পূনবা—লাইবক তাঙবা।
মমল তেনবা নপুগা ফংবা রাবা—চেঙ তাঙবা।
শম তৌনবা—কোক তাঙবা।

তাবা— (অৱাংবদা) থক্তগা মারোমদা নাইবা—উদগী তাবা।
,, থঙবা—ভাব তাবা।
,, শেল ফংবা—শেল তাবা।
,, ৱারেপ লৌবা—ৱারেপ তাবা।
,, থবক হৌবা—লৌতাবা।
,, বাবহার নীংদনা ঋডবা—লৈপাকমচা তাবা।
,, হুম্বা—মমল তাবা।
,, শেম্বা—খুন তাবা।
,, লোথোক্লবা ওইবা—ফম তাবা।
,, মতম য়ৌবা—পুং তাবা।

(অহ্নাংবদা) চৌনবী কায়বনা হন্দ্রবা ওইব — জাৎতাবা।
" উদবা ওইবা — মুমং তাবা।
" চতবা — কাদোক তাব।
" ইজ্জং মাঙবা, থাক হন্থবা — কল্লক মাঙদা চাং তাবা।
" পাম্বা — শোয়তাবা।
" ওইবা — অশংবা তাব।
(অকোয়দা) লোইশংপা — খোংনা তাবা।
" পুর্ণিশিন্দুনা কনাশিনহন্নবা — লং তাবা।
" মঙ্গ নাইনা শেগা — লৈপাক তাবা, লৈমং তাবা।
" লোনবু নাকোনা লোনা খঙবা ঈশিং তাবা।

হিংবা - শাংনা যানবা থৌরী হিংবা।
চৎহনবা, থরা চৌবা — লেল হিংবা।
মবুনচি বনা চিঙনা শাবা — পু হিংবা।

ভুম্বা — লেইহনা লাঙবা — লম্বুম ভুম্বা।
চেন্দ পিরাশনবা — চৈগী চোন ভুম্বা।
মহী থনবা — থুমনা ঈশিংদা ভুম্বা।
চাকপা লোতব — আশিবা হকচাংনা মৈন ভুম্বা।

ভুম্বা--- পোত্থাবগী ফিভম অমদা লৈবা - অহিংদা ভুম্বা।
কোৎবা শোয়বা মাচুগী মখংদি তুংশ ভুমহ।

তৈবা-- কারিগুপা পোৎনা লানবা শুম্ব তৈব, বাহ তৈবা।
শুম্বা শুক্বা -- শা তৈবা।

তোংবা--কারিগুপগী থক্তা ফম্বা শগোল তোংবা. শামু তোংবা।
শেঙ্গেপ্পুগী চন্না কংব -- লঙ্গ্রোনবদা শেল তোংবা।

তোনবা - শেন পুবা --মীগী শেন চোনব।
ইরোই লোইবা ওহব - মচান মনাউশগী মুংদা তোনবা।
হম্ববা ফিভংদা লৈব।- ফিভমদা চোনবা।

তোপ্পা--হাপচিনবা--লৈথোম তোপ্পা, সনা তোপ্পা, লুপা তোপ্পা।
তোঙানবা ওইবা—মাসিদি মাতুদগী তোপই।

থকপা—মহীলাঙ্বা পোৎ য়োৎপা-ঈশিং থকপা, শঙ্গোম থকপা।
খৎপা—থবক তৌবদা থকপা।
লংথৎপা--মিৎ থকপা।

থাবা— (অয়াংবদা) লৈবাক্তা হৌননবা তৌবা-- উ থাবা, য়েনশাং থাবা।
,, লংথবা--মুক্তা থাবা।
,, য়ৈবা--খুবাক্তা থাবা।
,, শেন চানবা--জুবারদা শেন থাবা।
,, চাং নাইনা থম্না--পোৎক্ষমদা পোৎ থাবা
(অনেম্নদা) অরাপ্পদা য়ৌহনবা--শেন থাবা।
,, পাদবা--ভল থাবা।
,, কায়নবা--মমানা মচানু থাবা।
,, য়োনবা--কৈথেন্দা ক্কা থাবা।
,, খাক্তবা -জবারদা খুং থাবা।

থোংবা - মৈদ, মুঙ্গলনবা, চাক থোংবা, য়েনশাং থোংবা।
হাপকৎপা--শগোলগা ওয়্রনবগী দমক শমদা লুপা মচু থোংবা।
থাঙ্গৎপা—লেংবান্দা থোংবা।

থোনবা--(অয়াংবদা) থাঙ্গংপদা মতেং পাংবা, পোৎ থোনবা।
,, শীবা—অভাংগী ফি পোনবা।
(অনেম্নদা) মরোল মরোল লোনবা—লৈগী মমা থোনবা।
,, ঈকায় খুম্নবা মীগী মরমদা হায়বদা ফি শেৎপা--গুরুদেবনা নমথাং থোনবা।
,, কৎপা, লৈতেংবা--লাইদা লৈ থোনবা।
,, অমদগী হেন্না পায়বা--ফম অনী থোনবা।

থোম্বা—(অরাংবদা) য়ৈ-পা—কাংক্রম থোম্বা।
,, কুপশিনবা—হীদাক থোম্বা।
(অনেম্বদ) হাপচিনবা—থবক থোমজিনবা।
থৌবা—(অরাংবদা) পংদবা য়া পানবা—থাঙ থৌবা।
,, থৌনা কবা—লান্দা থৌবা।
,, শিংবা—হুইগী না য়াম্না থৌই।
(অনেম্বদা) কম্ম চেহ্লনবা—শগোল থৌবা।
,, ভকশিনবা—থবক থৌবা।
,, থঙনবা হোৎনবা—মীগী পুক থৌবা।
নংবা—মতমগা চানবা—চল্লিবা কাংথোন অসি লুহোংবা নংগনি।
অওন্থা ফঙবা—মহাক য়াম্না নংলে।
ননবা—পোৎ অমগী থক্তা অমা থম্বা—নুংনা চে ননবা।
লুম্বা পীবা—স্কুল অসিগী হিংবাদ মাগী থক্তা নল্লি।
ভকপা—নুংনা ননবা।
নানবা—(অনেম্বদা) শৃং শৃং লাউবা—লম্বী নানবা।
,, লুবা—মশা নানবা।
,, শোয়গনবা—চীন নানবা।
নোনবা—নেমথবা—হৈ পানবা পাম্বীনা নোনবা।
য়াংপা—স্তুর নোনবা।
খুরুম্বা—ওঝা উবদা কোক নোনবা।
পকপা—চানবা—অশংবা ফিদি নওোন্দা পক্তে।
নপ্তুনা লৈবা—ফিদা নাপী পকপা।
পনবা—(অনেম্বদা) মতম থয়গী দমক লৈবা—গৌহাটিদা মুমিং
নিনি পনবা।
,, লেঙদবা ওইবা—থোংবান্দা ঈশিং পনবা।
(অরাংবদা) মতাং চানা হায়বা—ঈশিং চাউবগী বা পনবা।
,, লৌবদগী থাঙহুনা লৈবা—ভেলেঙ্গা উদা পনবা।

পাঙবা— হাংদোকপা--মিং পাঙবা।
মপুংফাবা—থবক পাঙবা।
পানবা—(অৱাংবদা) শাসন তৌবা—নিংথৌনা পানবা।
,, উহৈনচিংবনা পাম্মীদগী থোকপা--উহৈ পানবা।
,, থবক্কী মহৈ য়ানবা— হন্দক্তি মহাক্কী থবক অহু পাল্লে।
,, পুনশিনবা—সাইকল পানথংপা।
,, পান্দমফমদা থ'বা—কাং পানবা।
(অনেম্বদা) অমোৎপা নীংখিনা চৎপা—ফি পানবা।
পেবা— পোঙথোকপা—পুক পেবা।
কপনীং-কপনীং তৌবা--অঙাংনা পেবা।
পৈবা— (অনেম্বদা) ঙামথবা—উ পৈবা।
(অৱাংবদা) পুনশিনবা—ফো পৈবা।
পোনবা—ৱাংথংপা—নম পোনবা।
খাদা লৈবা—মীথা পোনবা।
ফংবা— খুল্লা চনবা—লাইব্রিক অমা ফংবা।
শিবা—মহাক বৃন্দাবন্দা ফখ্রে।
য়েৌবা—মুনিং চুপ্পা চৎলগ খুঙ্গ অহু ফংগনি।
ফকপা—মগাউ অমা পীবা—হে আস ফকই।
শেত্তোকপা—উকু ফকপা।
ফনবা— (অৱাংবদা) শক্তোকপা—উশানা ফনবা।
,, চাউথোকপা—শেন পায়ৱনা মহাক ফল্লে।
(অনেম্বদা) চোংবা—অঙাংনা চোং-ফনবা।
ফানবা—(অনেম্বদা) থকপা—খুদোংফানবা, চা ফানবা।
(অৱাংবদা) ককপা—কোই ফানবা, শঙ্গীক ফানবা।
ফাবা— (অনেম্বদা) নমহুনা খুং চল্লনবা—হুৱানবা ফাবা।
,, অমগা অমগা পুনশিনবা--লানা ফল্লাং ফাবা।

(অরাংবদা) শন্দোকপ —শম ফাবা।
,, চাইথোকপা--মহাক শেন ফাদোকই।
নবা— খন্দোকপা—যৌ মমব, য়েনশাং মনবা।
অরিবা ওইবা—কি অসি মনলে।
াবা— উদবা পোং শোকপগী পাম্বৈনা পিবা—পোং মাবা।
মাঙবা—য়েরুম মাবা।
মুনব — নমথেক্ক্‌না লৌব—শেল মুনবা, .পাং মুনবা।
শুম্বাংপা ওইবা—লাইরিক্তা মুনবা, ঈশৈদা মুনবা।
মপুং ফাবা—কৈ মুনবা।
য়ানবা—(অনেম্বদা) ককপ—থাঙ্‌না য়ানবা।
(অরাংবদা) হাপ্প ---শঙ্গোমদা ঈশিং য়ানবা।
,, অরাংবদগী হাইথহন্দুনা থঙ্গা—কি য়ানবা।
য়েংবা—মিংনা উবা- থা য়েংবা।
হোংনবা—মহাক কুনাসিদি পরীক্ষাদা শোয়রে, নোংমৈ অমুক্তা য়েংথিগনি হায়।
নাবা ফনবা হোংনবা—নারিবা মী অসব্‌ মাইবা অসিনা য়ে বিরি।
পুকনীং থিংজিনবা--য়ে উ, মহাক ফত্তবা মীগা সঙ্গ তৌগন্নু।
লংবা— তুনবা--লৈতুম লংবা।
অরেম্বদা কোয়বা—নহাশিংনা লপীদা লংবা।
ঙানবা—কোল অসি লংই।
ফত্তবা হায়বা—বা ঙাঙবদা মীবু লংবা।
লানবা—(অরাংবদা) চুমদবা ওইবা—চক্ক লানবা।
,, অরানবা শাজং চংপা—অগল্লম্মন্দা লানবা।
(অনেম্বদা) নাকল অমদগী অন্দা চংপা—তুরেন লানবা।
,, কৈগাকৈনা চংপা—খোং লানবা।
,, শিবা—মী অহু লানবা ঙমদহুনা বানা লৈরি।

(অনেস্বদা) শংথৈ হেন্দোকপা—কাংক্রম লানবা।

লিংবা—পরেং ওইনা লৈবাক্তা থাবা—লৌ লিংবা, হঙ্গাম লিংবা।

পাঙ্গল লৈবা—শেন্দা মহাক লিংই।

শেমশাবা—পুংলিংবা।

লুবা— শাংনা মুংদা চঙ্‌শিনবা—গুফা অসি লুই

মুপীগী থাগী মাংবা শেংনবা ইক্কজবা—মুগী অসি ওসিদি কোক লুগনি।

মরৈমরা তৌবা—মহাক লুমম্লি, ভিম্নবা ওন্মোই।

লৈবা— (অয়াংবদা) মপু ওইবা—এগী লৌ পরি মণ্ডা লৈ।

,, মতম লেনবা—য়ুমদা লৈবা।

,, হিংবা—অনাবা মী অহু লৈরি।

(অনেস্বদা) মমল পীদুনা পোৎ লৌবা—শল লৈবা, পোৎ লৈবা।

,, কোয়না কোয়না চৎপা—পৃথিবীনা সুমিৎপু কোয়না লৈদুনা চৎলি।

লোনবা—(অনেস্বদা) ওাঙবা—ইংরাজী লোনবা।

,, থিংজিনবা—থোঙ্‌ লোনবা।

ফি অমদা লং থেৎচিনবা—ফনেক লোনবা।

নৈদুনা তোৎপা—লফুগা আলুগা লোনবা।

,, ঈশৈ শকপনা সঙ্গপা লোয়নবা ওাঙবা—মহাক্তি ঈশৈ শকপদগী লোনবদনা হেন্না কৈ।

(অয়াংবদা) অমদগী হেন্না থোনবা—মুপী লোনবা।

,, শাহনবা—ঈশিং লোনবা, চা লোনবা।

লৌবা—(অনেস্বদা) ফংবা—মুপী লৌবা, শারীরিক লৌবা।

(অয়াংবদা) মৈদা থিংজিন্দুনা মুহুনবা—ওা লৌবা।

,, পনবা—ভিংথংদা ফি লৌবা।

,, য়া ওাঙ্‌বদা মরৈ তৌবা---য়া ওাঙ্‌বদা লৌবা।

শঙ্বা— মচু ওল্লনবা—মচু শঙবা।
শেন্নবা--পোৎ শঙবা, য়ুম শঙবা।
শম্বা— (অনেম্বদা) কাওত্না চংপা—ইংখোল শম্বা, জঙ্গল শম্বা।
,, তেনশিনহনবা—শাংনা ভাঙ্গম্ন, বা শমউ।
(অরাংবদা) মতেং পীবা—মিত্তাঙ্বনু শম্বা।
,, ভাইনহনবা—লং শম্বা, উ শম্বা।
শানবা- (অনেম্বদা) লাম্না চংপা—মহাক মাঙ্জোংদা শাল্লি।
,, চংপা তৌবা—মহাক হয়েংদি খোঙ্ শাল্লগনি।
(অরাংবদা) রায়বা পীবা—য়ুম শানবা।
,, কৰ্রিগুানা ফুবা—চৈনা শানবা।
শিংবা — অতোনবা শেগ পীবা—শেল শিংবা।
বান্ধ লৈবা--মহাক শিংই।
শিবা -- পরায় লানবা -মহাক শিগ্রে।
চুম্না থাবা--পয়া শিবা।
হকচা দা শীঙ্কন্নবা--উরীক শিবা, লীক শিবা।
শুম্বা - তুমংনবা--মঙাং শুম্বা।
চংকম লৈহন্দবা—কৈয়েন্দা শুম্বা, শক্তংদা শুম্বা।
শূপ্পা--- হকচা দা ফিনা কুপ্পা--নিংমমথাদা ফৈজুপ শূপ্পা।
পূম্নমক ভম্বা--ইমুং অসিদা মহাক্না ইশূপ শূপই।
মক্তেক মতেক ওইনা থেকচিনবা--মায়খনগী কি শূপ্পা।
শেনবা--(অনেম্বদা) চুমদিংচুম্বা ওইদবা--পয়া শেনবা।
(অরাংবদা) শঙ্বা--শন শেনবা।
শোকপা--হকচাংগা শম্নবা--খুম্না শোকপা।
মহীলাভবা পোৎ লৌবা--ঈশিং শোকপা।
চীকপা--কৈনা শোকপা।
খেৎপা নত্রগা য়ানবা--হৈজ্রাংনা খুৎ শোকপা।
শোবনা---(অনেম্বদা) পাঙ্গল বাংপা--অহল অম্ন শোম্নে।

(অনেম্বদা) হাইগৎপা--ইন শোনবা।
(অরাংবদা) চীন্না হায়বা--নাম শোনবা, মন্ত্র শোনবা।
" মমল হায়বা--মমল শোনবা।

শৌবা— শারন্থুনা কোঙ্গোন কাবা—চাক শৌবা।
মনিন থোকপা—ছমাং শৌবা।
ঙাকপা—রানা য়ুম শৌবা।
চোংথৎপা—ফংলায়েন শৌবা।

হকপা— লুম্বা—হকচাং হকপা।
খুৎলাইগী মকম থম্বা—উদা থাঙ্না হকপা।

হনবা— (অনেম্বদা) খোক্তোকপা—খুৎলাইনা উপাক্তা হনবা।
,, নুং হঞ্জিন্না থিবা—হন্দুনা হন্দুনা অচুম্বা পোৎ থিবা।
(অরাংবদা) লাকফম রোমদা মায় হন্দুনা চৎপা—য়ুমদা হনবা।
,, পোৎ অমবু অমুক হন্না পীবা—লাইব্রেরীগী লাইব্রিক হনবা।
,, অমুক হন্না তৌবা—লীলা অদু অমুক হনগদৌরি।
,, চহী হেনবা—মহাকপুদি ঐনা হল্লি।

হাৎপা—শেম্বা—শম হাৎপা।
শিহনবা—জীববু হাৎপা।

হানবা—মাঙজৌনবা ওইবা—ঐনা মাবুদি য়োবদা হাল্লি।
থলহনবা—বোরাদা ফৌ হানবা।

হাম্বা— (অরাংবদা) চঙদবা, হাঙ বা—মরা হাম্বা।
(অনেম্বদা) শে'দোকপা—খোঙ্ খুৎ হাম্বা।
,, পুক্কী অমাংবা পোৎ থাদোকপা—অমাংশঙ্দা খোঙহাম্বা।

হায়বা—মা ভাঙ্‌বা—মহাক্না ঐবু চৎলু হায় ।
তাকপা—মহাক ঐনা হায়বা তাদে ।
হেনবা—(অমাংবদা) কমিগুম্ববু তু ওইননা থম্বা—তমাদগী তমাংঙানা হেল্লি ; লাম্নাংক্কো হেনবা ।
,, মায় ওস্তোকপ—চমা হেনবা ।
(অনেম্বদা) ফজবা—শক হেনবা !
হৈবা—(অমাংবদা) খঙবা—লাইরিক হৈবা ।
(অনেম্বদ) হাপ্পা—যুম্ফমদা লৈপাক হৈবা ।
,, কনশিনবা—কৌ শুমংদুনা খুগাং হৈবা ।
,, মতৌ লাঙ্‌বা পোৎ তাইনবা—ঈ শং হৈবা ।
,, সাঁচাদা পোৎ শাবা—কোফু হৈবা ।

মাহৎপরেং

১। থাদা ইরিবা মাহৈশিংবু তোঙান তোঙানবা অর্থ অনাদা শাজিন্নদুনা বাক্য শেমউ :—

উবা, কিবা, চঙবা, থোবা, ঙানবা, চিনবা, চমব, চিংনবা, চনবা, দিবা, চোংবা, তাঙবা, তুম্বা, নৈবা, পোংবা, পোৎ, নংবা, পাঙব, পৈবা, ফকপ, মনবা, মাবা, শঙবা, শিংবা, শুম্বা, শেনবা, হকপা, হাৎপা, হানবা ।

২। থাদা ইরিবা মাহৈশিংবু তোঙানবা অর্থ অহুমদা শাজিন্নদুনা বাক্য শেমউ :—

শপ্পা, শিবা, হাম্বা, হেনবা, লবা, মুনবা, থানবা, ঙম, থাবা, কপা, তাকপা, তাঙবা, নিংবা, তোনবা, থকপা, খোংবা, খোম্বা, ননবা, নোনবা, থাকপা, ককপা ।

৩। তোঙানবা অর্থ মরীদা শেমউ :—

কোনবা, কৌবা, খনবা, থাঙবা, শম্বা, শানবা, শোকপা, শেনবা, শৌবা, হনবা, হৈবা, চাবা, তুম্বা, থোনবা, থাবা, তাবা, কাবা, থৌবা, পনবা, পানবা, ফাবা, য়েংবা, লংবা, লানবা, লিংবা, লোনবা, লৌবা, লৈবা ।

৮। থাদা পীবিরা ক্রিয়াগী বাক্যাংশশিংগী অর্থ ফোংদোকপা য়াইৈপকে শেমউ :—

চাক কাবা, ফংশিৎ কাবা, ঐপূং থাবা, মাৰ্ফিং কাবা, লাম্লুপ কাবা, মযুং থাবা, খোংচনা চাবা, থম থাবা, শেন থাবা, চাং থাবা, শেন থাবা, কা থাবা, খেয় থাবা, ফৌ থাবা, কুপী থোংবা, য়া ৬ কপা থোকবা, মীপু থংথনা থাউবা, খদাপা কংবা, নাবা থেংবা, খথীনা চাবা, কৈনা লোকপা, হবাক থৈবা, খৈপাক থৈবা, হি থাউবা।

চৎলবী য়ৈ।

মণিপুরী লোনদা হাইখেৎ মাহুরা থবকশিংগা তোঙান তোঙানবা য়াইগা পুনবা মতমদা মংকুশিং অমুক তোঙান তোঙানবা থাইমা ফোংদোকই। অমিগুম্না পুনম থরা থাদ পীরি :—

মুল্লনবা—চাক থোংবা, ঙা থোংবা, য়েনশাং থোংবা, কাঙৌ ঙৌবা, ঙা ঙৌবা, শঙ্গোম ঙৌবা, থাউ ঙৌবা, ঙা লৌবা, মোরোক লৌবা, মোরোক ঙানবা, ওল হৌবা, ক্ষীর হৌবা, খেচৰী হৌব, চগেম পোম্বা, চফুৎ ফুংপা, মিঠাই হৌবা, অমিনচিংবা।

ফদপা—উ ককপা (তুবৎ), উ থায়বা (মযুং ইম্না), শীং ককপা, শীং থায়বা, বা ককপা, বা থায়বা, মরৈ য়েংবদা ককপা (লানবা উংপা), পম্না শিবা (পা-না মযুং ইম্না থায়বা), চীং ককপা, লী ঈংপা (খজিক খজিক খেংপা), কি চম্না (কাতিগুম্বনা ককপা), ফিরান য়াংপা (মংং অমা তাননবা ককপা), উশা থাবা, শীং য়ানবা, ই ফানবা, নাপী কানবা, লৌ থাঙবা, বা লেনবা (হোরাইগুম্বনা), খুং লেনবা (থাঙ্‌গুম্বনা), বা য়ানবা, শীংজঙনা য়ানবা, থাঙবা য়ানবা, শম ককপা, কোই কোকপা, অমিনচিংবা।

পাম্বাকপী চোংথোকপা—মপান শংবা, লৈ শাংপা, হৈ পানবা, মহৈ য়ানবা, ময়ান চোংবা, মশা লোঙ্বা, মনা পানবা।

লৈপাক চোংথোকপা—শম্পোং শাইবা, লৈপাক তৌবা, লৌ থইবা, লৌপাক যনবা, লৌপাক চৌবা।

টো থোকহনবা—টো তৌবা, টো থংবা, টো থাগংশা, শীং থাগংশা, থঙাই থানবা, থাঙাই কাপ্পা, টো হুই, টো শম্বা, সুম থাবা, টো লৌবা

হকচাংদা পোং শীঁজিন্নবা—চেকোম শেংপা, খুটৈ শংপা, ফুরিং লৈংবা, ফি ইনবা, খুদাক ইনবা, কোটি লাংবা, পোংথাউ উপ্পা, কোশরেং যেংপা, মোজা উপ্পা, খুঙুপ উপ্পা, খুকম শাংবা, লেংগোং চোংবা, আনাক হাপ্পা, টপা উপ্পা, টাই পুনবা, জাতিন তুপ্পা, লে খনবা, শকপিন পনবা, চংশান থিনবা, উরক শিবা, নপুণ থাংবা, নীক শিবা, মচু শবা, শনা হানবা, খুদোপ শেগা।

চাম্পা তারদোকপা—ঈশ শকপা, শেরেং থীবা, যারী লৌবা, শা চাঙবা, মন্ত্র লোনবা, খা লোনবা, পুস্তা পীবা, শ্লোক পীবা, ইংরাজী লোনবা ঙাংবা, বাঙালা লোনবা।

অশংবা- অশ বা(মুদ্রিবা) হৈ. অশংবা(থাঙ্দ্রিবা)মোরোক।

অতেকপা— অতেকপা বা (কংদ্রিবা), অতেকপা মোরোক (কংদ্রিবা অচাঙ্বা অমসুং তাংদ্রিবা)।

য়োনবা— পোং যোনবা, কৌ ডাইবা, খুম ডাইবা, কা থাবা (য়োনবা). চেঙ্ ডাইবা।

লৈবা—পোং লৈবা, কৌ বানবা, চেঙ্ বানবা, খুম ডাইবা (লৈবা)।

চীনগী থোঙ্দা পুক্তা হাপ্পা—চাক চাবা, তল চাবা, ঈশিং থকপা, চা থকপা, হৈ চাবা, হৈ (মহী) থকপা, হীদাক (মধু) থকপা, হীদাক (নাহুনা মহীলাঙৰ) থকপা, হীদাক (নাহুনা নপাং) চাবা,

কানি চাবা, হু চাবা, য়ু থকপা, গঞ্জা থকপা, কীগোম মহী চুপ্পা (মপং হন্দোক্নবা), চুহী থকপা (চুহী থইনা), চুহী লেকপা (লা-গু দেগী লৈনা লৌবা)।

চংপা— শাত্তানবা চংপা, কৈথেল কাবা, স্কুল কাবা, লৌ কুম্বা, পাং কুম্বা।

থিজিন খংজল্লগা অচৈ অচৈংঙু থোরকখিগনি হায়না আশা তৌই।

য়াহংপরেং

১। থাগী কাডম্পুল থুপিংগী বাক্যাংশশিংগী অর্থনা লেপ্পবা তাকউ :—

রা লেনবা, রা ককপা, রা লৌবা, রা থায়বা, রা য়ানবা, রা শম্বা। ফি চঙা, ফি য়াৎপা, ফি পানবা, ফি হানবা, ফি থোনবা। শাং থাংবা, শাং ককপা, শাং চনবা, শাং লেম্বা শাং য়ানবা। শম ককপা, শম লোকপা। য়েনশাং চৌবা, য়েনশাং থোংবা। ডা থোংবা, ডা চৌবা, ডা তৌবা। ই ফানবা, ইশিং ফানবা। পয়া শিবা, ঘড়া শিবা, ঘড়া শিবা। ফৌ য়ানবা, ফৌ তাহবা, ফৌ লোকপা, ফৌ গুনবা, ফৌ হৈবা, চুহী থকপা, চুহী লেকপা। লৌ থোকবা, লৌ শানবা, লৌ উবা, লৌ থাওবা, লৌ শিংপা। মোরোক লৌবা, হপী লৌবা। হপী লোনবা, পোড় লোনবা, ফনেক লোনবা, ফম লোনবা, অশিং লোনবা। হৈ থকপা, হৈ চাবা। তেংক্লা পনবা, ইশিং পনবা, রা অমত্তু পনবা, মফম অমদা পনবা।

নোল্লুকপা য়াঙাঙ্

য়াঙাঙ্ হায়বসি মথল অনুম থেক্লা থায়োকপা য়াই। থাদা লৈবা মীদা ডাঙ্বা বা, লেংমান্নবা মীদা ডাঙ্বা বা অমসুং থক থোংবা মীদা ডাঙ্বা বা। থক থোংবা মীদা ডাঙ্বা য়াঙাঙবু কনাগুম্বনা থোগলোল কৌই। থোগলোল হায়বা অসিদি নিংথৌ

পাঁমবা মতমদা নিংথৌদা মনাইনা বা চঙ্গ খী মতুং ওইবনা নিংথৌ-পানবগী মতমগী মনম ননই। থৌগঙ্গোল হায়বা খুনবিবা বাং ও অসিদু মীচমগী লক্তা নতা এইবা নত্রগা খাগী মীনা থকী এথা ব বহারগা লোয়নন নোল্লুক ৱাতাঙ্ ব। মতমদস্ থোইনমক মীখিনগা ৱাতা মরম অসিনা খসিগা ৱাতাঙ্গী থৌগঙ্গোল খো নো নোল্লুকপা ৱাতাঙ্ হায়না খোৱা চৎই।

চৎনগী ৱাতাঙ্দা খাবক্তগা ৱাখেক হাপচিল্লগা নোল্লুকপা ৱাতাঙ্ ফংবা যাই। মরমসিদনা চৎনগী ৱাতাঙ্গী খাইদগিংদা থা-তৌন থাংমনা খংনা নোল্লুকপা ৱাতাঙ্ ওই। হীরম অসিগী মরমদা মীথাংনা খংদা লেনবা

মাতুং 'চ' খাক্তগী চপাক্লগা নোল্লুকপা ৱাতাঙ্ ফংবা যাই। স্বরবর্ণ অমসুং খাতুলুপকী অহনবা মায়েক নত্তবা মায়েক অখনগী খংদা 'ং' না 'জ' অহ। খাতুলুপকী অহানবা মায়েকী মাদু দ 'চ' গী মখক অথাম্বক লেইদনা লৈ। কক্+চ+গনি=কক্চগনি ; কপ্+চ+গনি=কপ্চগনি, চৎ+চ+গনি=চৎচগনি নত্তগা চৎচগনি (মাখগী অগম্বগী তুং হন্না কন্নাঙ্ তনৌখিবা)। ৱা+চ+গ=ৱাজগে, চা+চ+গ=চাজগে ; হায়+চ+বা=হায়জবা, নম্+চ+গনি=নমজগনি, পন্+চ+গনি=পনজগনি নত্তগা পঞ্জগনি (ন্+জ্=ঞ+জ=ঞ্জ)।

ক্রিয়াবিভক্তি 'ই' গী মহুৎদা 'চৈ' হাপ্লগা নোল্লুকপা ৱাতাঙ্ ওই। 'চৈ' গী 'চ' দি থক্তা পীরিবা নিয়মগী তুং হন্না চ ওইনা লেইদনা লৈ মথগা ক ওই। মাদুদি—'কপ্+ই' না কপ্+চৈ=কপ্চৈ ; তৌ+ই=তৌ+চৈ=তৌজৈ ; থঙ+ই=থঙ+চৈ=থঙজৈ।

বিধার্থক প্রকার (Imperative mood) গী খাগী মীদা য়াথং পীবা ক্রিয়াবিভক্তিগী মহুত্তা শুংশিবা ৱাতাঙ্দা 'চো' হাপ্লগা। 'চো' গী কিশভদি থক্তা শুন্না ওই। মাদুদি—কপ্+উ=

কপ + চা = কপ্চো; চা + উ = চা + চো = চ + জো = চাজো।
অক্সা নীনগী য়াপঃ নিগা মক্মদদা ক্রিয়াবিভক্তী মতুঙ্গা চ' বা চক শাংহ। মাহুৰি — ং + ক = ং + ং + গ = ংংগ; চো + গ = চো + চ + গে = চোচগে।

অনাং' হায়বা য়াহু অনি লংলোপানবা মতংগী চেংচোংবা হংবৰম চুমগী নীংশংগী লক্ত — থোইদোক চেংথোক্লা, শুক্তুৰবা চেংনকপা বা থাউবা কংদা, চহল হইবৰা ব্রাহ্মণ শংদা থাগা নীনা ভাচপা নত্তনা অমসু নিংথৌ হোংশংগী লক্তা ভৌজিকসু চোয়না শীজিন্নৰি। পুন্নমক অসিগী ফ ভাবনা হচম চপা মীশংগী লক্তা বাহৈ অ সবু শীজিন্নবা উৱি। মসি নত্তনগী ভুইদা চোবহিগানি হায়না মাংহ।

প্রবর্ত্তনার্থক প্রকার (Imperative mood) গী ক্রিয়া বিভক্তিগী মতুংদা 'প' চৈংপ অমি নোঙ্কপা বাংডাঙদা হাপ্‌চ'ম 'পি' গী 'প' বি কাঙ্‌জুংবী অহানবা নত্তবা মতেক অচৈগা ভুনা 'ৰ' ওন্ন। মাহুৰি—চং + পি + উ = চংপিয়ু; চো + পি + উ = চো + বি + উ = চোবিয়ু; খাম্ + পি + উ = খাম্পিয়ু, অসিনং।

হৰাই খুমগা মীশিংদা বা ভাউগা মচমগা চুমগী মচমগী লক্তা শীজিন্নবা বাহৈংগী চোডানবা বাহে শীজিন্নৈ। চখোয় অদুগী খুদম খরা থাদা পীৱি :—

নোঙ্কপা বা	অচম্বা বা	নোঙ্কপা বা	অচম্বা বা
লুক	চাক	বোকথোল	বোবয়েং
খাঙজেং	ফৈজোম, ফনেক	খুদা	খিদা, ফমফম
চমথাং	ফুরিৎ, ইমফি	খুদোং	হীদাক
অপ্পোইবা	মরা	শঙ্গায়	য়ুৰ
লাউথুবী	মতু	অনাংশঙ	খিগোনশঙ
অমাংবা	খি	য়াস্কু	য়াম্বা

পুংলিঙ্গবিশেষ্যগী মাঙদা 'ইবুংঙো' অমসুং স্ত্রীলিঙ্গবিশেষ্যগী তুংদা 'ইবেম্মা' হাপ্লুনা নোল্লুকপা ৱাহৈ শেমই। মাহুদি—ইবুংঙো চাউবা, ইচে ইবেম্মা, ইবুংঙো তোম্বা, ইতৈমা ইবেম্মা।

ক্রিয়াশিং :—

নোল্লুকপা ৱা	অচম্বা ৱা	নোল্লুকপা ৱা	অচম্বা ৱা
মিংয়েংতাবা	য়েংবা	হাবা	চাবা
চেপ্পা	তুম্বা	কানবা	থকপা (মহী লাঙবা পোৎ)
নোঙ্গাবা	শিবা	খুদোং ফানবা	হীদাক থকপা
লুক চনবা, লুক	চানবা	লেঙবা	চৎপা
কৎপা	পোৎ পীবা	লেঙথৎপা	তৌগৎপা
লুক কাইবা	চানবা পোৎ লৌথোকপা	থোনবা	শেৎপা
মপান থোকপা	য়ুং হানবা	চাইথবা	ইরুক্কবা
মঙুং চঙবা	খি ফায়বা	চীনকুপ্পা—য়া থিনবা,	চীন তেংবা
য়াথং শাউথবা	য়াথং পীবা	হক্লৎপা	হায়বা
মিংয়েং তাবা	য়েংবা	হকচাং ঈবা	নাবা

ৱাহংপরেং

১। থৌগল্লোল হাপ্পরম্নিগী অর্থ করিনো ? নোল্লুকপা ৱাঙাঙগী মগিপগী লক্কা শেম্নবা করি তৌগে ?

২। থাতুদা করি করি ৱাহেক হাপচিনগা নোল্লুকপা ৱাহৈ শেম্বা য়াবগে খুদমগা লোয়ননা তাকউ।

৩। থাদা ইরিবা ৱাহৈশিংবু নোল্লুকপা ৱাহৈদা ওন্থোকউ :—

লাকনি, পারোই, চৎলোইদ্রা, ফমউ, ককও, চাগনি, লৌথোকউ, ইতৈমা, চৎপা, য়েংবা, শিবা, মূর্বিৎ, তৌ, চাও, থমউ, ফনেক, খিদা হীদাক, থকপা, চাবা, তুম্বা, ফৈজোম, ইম্মফি, চৎলু, কপউ, কোকয়েৎ,

ইচে, ইকজবা, চায়বা, নাবা, চংলো, লৌথিগন্থ, চংনীংক্রা, মুম, পাথিরোই, তৌকথিগন্থ, চংলম্লোই, চথোরকে, হরকন্থ, চাগন্থ, কপকন্থ, চানীংদে।

ব্যাকরণগী নিয়মকায়বা চংনবী

মণিপুরী লোন্দা অসিগুম্বা বাহায় খরা চংনরি মাহুবু ব্যাকরণগী নিয়মগী তুং ইন্না চুমই হায়না উংপা য়াদে; তৌইগুম্বসুং চংনরিবা ওইবনা মাথোয় অহুবু অহুম্মক থম্বা তাই। মাথোয় অহুগী খুদম খরা থাদা পীরি।

১। 'ঐহাক অজ্ঞাদা গুরু ওইজগে' হায়বা বাক্য অসি ব্যাকরণগী নিয়মগী তুং ইন্না চুমদবনি। মাদুগী হায়বদু বাক্য অসিগী ব্যাকরণগী ওইবা কর্ত্তাদ 'এহাক' নি, ক্রিয়া 'ওইজগে' নি, পূরক মা 'গুরু' নি। অদুনা বাক্য অসিগী ব্যাকরণগী অর্থদি ঐনা গুরু ওইগদৌরিবনি। মতৌ অসিগী বাক্যগী চংনবা অর্থাদ মাহু মত্তে; ঐহাক্কা অজ্ঞাবু গুরু ওইনা লৌবনি অজ্ঞানা ঐহাক্কী গুরু ওইগদৌরিবনি। মাসি 'অজ্ঞা' হায়বা বৈগী কর্ত্তাদা তপলিবা সপ্তমীবিভক্তি অসিনগী মরমনা। অজ্ঞান গুরু ওইবা ফোংদোকপদা মোল্লুক্কা হায়নগী চংনবা সপ্তমীবিভক্তিগী অমুম্মা শীজিন্নবা বাংলালোন্দসু ফংই। "মশায় কামড়ায়" হায়বা বাহৈ অসিদা 'মশায়' দা লৈরিবা সপ্তমী বিভক্তি অসি কর্ত্তাদনি

২। "তাইবুংখোগী ঘড়দা পূ কয়া তাবিরগে?" বাক্য অসিদা 'তাবিরগে' হায়বা বাহৈদা শীজিন্নরবা লোল্লুক্কী খুদম 'রি' অসি তাইবুংখোদা উংপানি। ক্রিয়া 'তাবিরগে' গী কর্ত্তাদি 'পুং' নি। অদুনা 'পুং' দা লোল্লুক্কী বাহৈ শীজিন্নবা

ওইনা লৈরিবা অসি ব্যাকরণগী ওইননি। মণিপুরী লোন্দা নোল্লুকপা বাহায়গী খুদমদি ক্রিয়াগা অয়াম্বা মতমদা পরুহুনা লৈ। 'তাইবুঙো' দা উৎপা নোল্লুকপা অহু 'পুং' গী ক্রিয়াগা পরাখবনি।

৩। "ঐগী থবক অসি ওস্তোক্না চিনপ্রে, ঐঙোন্দা পাংবিনবস্থু অমত্তা লৈতে।" মফম অ'সেদা 'ঐঙোন্দা' হায়বা চতুর্থীবিভক্তিদা লৈবা যাহৈ অসি কর্ম্মকারক্কান; দ্বিতীয়াবিভক্তিগী মহুত্তা চতুর্থী-বিভক্তি ওইরিবনি।

৪। "নহাক্না নীংবা অহু ঐঙোন্দা হায়য়ু।" মফম অসিদস্থু 'ঐঙোন্দা' হায়বা শব্দগী চতুর্থীবিভক্তি অসি কর্ম্মকারক্কান।

খির থিরগা তুংদা অসগুম্বা খুদম মথং মথং থোরকথিগনি হায়না আশা তৌই।

লেপফম খুদম (Punctuation)

ঐখোয়না বা ভাঙবা মতমদা ইরেপ লেপ্পানা ভাঙবা থক ভমদে। ভাঙগদবা বা পূম্নমক ইশন্নশমজিন্নবা থেংনোকী চাং অমত্তদা ভাঙল-বদি তারিবা মীনা অর্থ খঙদবা য়াই। মরম অসিনা অর্থগী তুং ইন্না মফম চানা লেপ্পা তাই; অর্থগী তুং ইন্না খোঙ্হ্ক খোংবস্থু থোক-হনবা তাই। পূম্নমক অসি ঐখোয়না ভঙ পং. বাগী অর্থ শেংন-নবনি। ইবা মতমদস্থু ইরিবা অহুগী লক্না লেপফম উত্তুনা ঐখোয়গী বাক্যশিংগী তোঙান তোঙানবা শরুক ভুংশিনবগনি। অস্তুম্না বাক্যশিংবু খুদম থন্না অর্থ শেংননবা থায়দোকপা অসিবু লেপফম তাকপা কৌই অমস্তুং মখোয়গী খুদমশিংবু লেপফমখুদম কৌই।

মরুওইবা লেপফমগী খুদমদি থাগীশিং অসিনি :—

ভাইহাক্তং লেপফমগী খুদম—	,	Comma.
তংখাই লেপফমগী খুদম—	;	Semicolon.
থরা হেন্না শাংবা লেপফমগী খুদম :	:	Colon.

চৈথৈ (পুমলেপ লেপফম) গী খুদম।		Full stop.
অহংবা খুদম	—	? Note of interrogation.
ঙকপনচি.বগী খুদম	—	! Note of exclamation.
লৌথংপগী খুদম	—	" " Quotation marks.
কোংশিনবগী খুদম	—	( ) Brackets.
ভাইশিন্নবগী খুদম	—	- Hyphen.
তেনশিনবগী খুদম		. Mark of abbreviation.
লক্তা পনবগী খুদম		—Dash.

ঙাইহাক লেপ্পগী খুদম (Comma) গী শীজিন্নফম

(ক) পদ নত্রগা বাক্যাংশগী পদশিংনা বাকাদা ব্যাকরণগী চপমান্নবা থৌ পাঙথোক্লবদি অতুগা মাখোয়গী লক্তা অব্যয় লৈত্রবদি মাখোয় খুদিংগী লক্তা ঙাইহাক্কুং লেপ্পগী খুদম (,) থম্মি। মাহুদি— রাম, শ্যাম, যদু অমস্তুং মাধব লাক্লমই। খুংগিন্দা তোম্বনা যুমদা হল্লক্লমই, ইরুজরমই অমস্তুং অতুগী তুংদা চংথোক্লমই। লক্তা অব্যয় লৈত্রবদি হায়রাসিদগী খণ্ডপদবনি, অব্যয়না লক্তা থন্নবদি খুদম অসি শীজিন্নরোই। মাহুদি— মধু অমস্তুং তোম্বা লাক্লমই।

(খ) বাক্যগী মুংদা চপমান্নবা কারক্তা থম্বা পদ নত্রগা বাক্যাংশগী লক্তা খুদম অসি শীজিন্নৈ মাহুদি— জোনষ্টোন স্কুলগী ওজা, চাউবা নোঙ্গাশ্রে।

(গ) হন্না হায়রবা বাহৈগী লক্তা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি— চংলো, চংলে, থুনা চংলো।

(ঘ) মরী লৈনদবা নীংতম্বা বাক্যাংশগী তুংদা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি— থাদৈশেংবা বা হায়রবা তারবদি, মহাক হুরান-বনি। মুনিং ঙাঙ্গাদা, ঐখোয় খোঙ, শাদ্দোক্লে।

(ঙ) কনাঙ্গুম্বনা হায়রবা বা অতু মঙং কায়দানা লৌথজুনা

পাউ তম্নদি নাত্থগী মাওদা থুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি— রামনা হায়, "ঐহাক ঙসি চংকনি।"

(চ) পুকনীংগী ঈথক ফোংদোক্লবা চুম্নগী সম্বোধন কারক্কী তুংদা থুদম অসি শীজিন্নৈ। রাম, অসিদা লাক্লো। সম্বোধন কারক্কা পন্নগী লক্কা লৈরবদি মাহুগী মাও অমসুং তুং অনীমক্তা থুদম অসি হাপই। মাহুদি— লাকউনে, অঙাং, থুনা চংলসি।

(ছ) বাক্যগী লক্কা হাপচিল্লকপা শব্দ, বাক্যাংশ অমসুং উপবাক্যগী মাও অমসু তুংদা থুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি—স্কুলগী তাত্রশিংনা যাম্ন কল্লা হোৎনরমই। মাখায়না, অতুম ওইনমক, খোইবল ওমখদে। অঙাংশিংনা, মাহৌশাগী ওইনা, ওসিসু শান্নব ... অদু শিংনা, মাখোয়না হাম্না আশা তৌবগনসু কুইস্ন ... তৌদবনা য়েংবা যংদ্রে। "লাক্রো" মহাক্না হংখ্রমই, "লাই ... রক তৌররো"।

(জ) ক্রিয়াপদ অমবু অমুক হন্না হংখ্রদ্রবসু থওনবা মওংদা ... মতুংদা থুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি— অফবা কর্মনা পুণ্য পুরকই; ফত্তবনা, পাপ। মাসিনা ঐগী যুমনি; মাহুনা, ... হাম্নগী।

(ঝ) হোম্তান তোঙানবা কর্তাগী বাক্য অনীবু 'অমসু' অমায়না তাইনহল্লবদি অহানবা বাক্যগী তুংদা থুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি—থম্বাল য়াম্না কয় নাবে, অমসুং মপুরোইবন লৈফে চংখ্রে। কর্তা অমত্তগী বাক্য অনীবু 'অমসুং' না তাইনহল্লবদি অহানবা বাক্যগী তুংদা থুদম অসি শীজিন্নরোই। মাহুদি মহাক্না স্কুলদা চংলমই অমসুং লাইরিক তম্লমই।

(ঞ) ক্রিয়াবিশেষণগী উপবাক্যনা বাক্যগী হৌরকপদা লৈরবদি উপবাক্য অদুগী তুংদা থুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি— মপানা স্কুলদা চংলরকপা মতমদা, মচা পুন্নমক লাক্লে।

তংখাই লেপকমগী খুদম (Semicolon) গী শীজিন্নফম

(ক) অবায়না তাইনহন্দবা তোঙান তোঙানবা কর্তাগী বাক্য অনীবু পুনাশনবা মতমদা অনাগী মরক্তা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাদুদি— ঐগাক মহাক্না হায়বা পুন্নমক তারে; মহাক্না হায়রিবা পুন্নমক অরানবা ওাক্লনি।

(খ) তোইশুনমক, অদুম ওইনমক, মরম অসিনা, অসিনচিংনা তাইনহনবা বাক্যাগী মরক্তা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাদুদি— মহাক লাহে হায়বা তাবদা ঐহাক য়ামা থুনা চংলমই; তোইশুনমক্ত এহাক্কি শিরমে। মহাক যাম্না লাইরে: অদুম ওইনমক মহাকী পুক্ত নংহৈ। মহাক থবক শুদ্দংদে; মরম অসিনা মহাক লাইরে।

থরা য়েন্ন শাংবা লেফমখুদম (Colon) গী শীজিন্নফম

(ক) মপুংফাবা বাহায় অমগী তুংদা মশী থাবা ওইনা, খুদম ওইনা, ফল ওইনা নত্ত্রগা মরম পীবা ওইনা অমা নত্ত্রগা অদুদগী হেনবা হায়দনা ইল্লবদি অহানবগী মপুং ফাবা বাহায় অদুগী তুংদা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মতুদি—

থবাকলগী বাবগী পটৈ লৈত্রে: মচাম্নগী কাযনরে: মপুরোইবা লংকে চংত্রে; নবনা মশাম্ন হৌগং-কাওখৎপা ওমত্রে।

খাদা ইরিবা লাইরিকশিং অসি থাদরকউ :— (১) কমলগী মাখদী (২) চাওবগী থায়নগী লৈবাং— লাইরিক অমমম।

বিশেষ্যগী খুদমশিং : মী, শা, উচেক, অসিনচিংবা।

মহাক ওাওরবনি : মহাক্না মরৈ য়েৎনবা অংবেম্নি।

কনাম্ন শোয়বা তৌদে হায়বা হৌনদে : খ্বাইদগী হেন্না শিংবা মীম্ন শোয়দবা ওমদে।

(খ) করিগুম্বা পাউ অমা মওং কায়দানা তম্বা মতমদা মাদুগী মাওদা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাদুদি—মহাকী পাউত্তাক্তি অসিনি :

"পাউ, লাইরিক কয়া পাউ।" করিগুম্বদা খুদম অসিগী খাদা কক্তা পনবগী খুদম ,— (dash) লাকই। মাহ্রদি— মহাকী পাউতাক্তি অসিনি :— "পাউ, লাইরিক কয়া পাউ।"

চৈখৈ (Full stop) গী শীজিন্নফম

মপুংফাবা বাক্য খুদিংগী লোইবদা চৈখৈ শীজিন্নৈ। মাহ্রদি— রাম অংস্থ শ্যাম লাক্লমই।

অহংবা খুদম (Note of interrogation) গী শীজিন্নফম

চুম দ্রংহুম্না হংবা বাক্যগী তুংদা অহংবা খুদম শীজিন্নৈ। মাহ্রদি — নহাক কদোইদা লাকান?

লোইনা পাউ ওম্বা (Indirect speech) গী মায়কৈদা য়াওবা হংবগী ৱাহায়দদি খুদম অসি শীজিন্নদে। মাহ্রদি— মহাক কদোইদা লাকনি হায়না ঐনা হংলমই।

ঙকপনচিংবগী খুদম (Note of exclamation) গী শীজিন্নফম

ঙকপা, হরাউবা, ৱাবা, তুকচবা, অসিনচিংবা পুকনীংগী ঈথক যোংদোকপা মতমদা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহ্রদি— ওস্তোকপনি ! অৱাবনি ! নুংঙাইদা ! অচ্চা ! ইস ! অসিনচিংবা !

পুকনীংগী ঈথক্কা লোয়ননা ৱাকত্তুনা কৌবা মতমদা সম্বোধন কারক্তা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহ্রদি— সীতানা কপ্লদুনা হায়রকই, "ইমা পৃথিবী ! ঐবু লৌবিরবো !"

লৌথংপগী খুদম (Quotation mark) গী শীজিনফম

করিগুম্বা ৱাহায়গী মওং কায়হন্দানা লৌথংলবদি ৱাহায় অদুগী হৌবা অমসুং লোইবদা লৌথংপগী খুদম " " শীজিন্নৈ। মাহ্রদি— ওঝানা হায়রমই, "লাইরিক কয়া পাউ।"

লৌথংপা ৱাহায় অমগী মুংদা য়াওবা লৌথংপগী ৱাহায়

অমবুদি খুদম অসিগী তংখাইতনা কোংশিনগদবনি। মাদুদি—
এশানা মচাদা চায়রমই, "কদোৗউদস্থ হায়গনু, 'ঐ তল্লি'।"

করিকম্বা বাহৈ অমবু অতোপ্পা বাহৈশিংদগী থোইদোকপা নত্রগা তোঙানবা ওইনা উৎপা মতমদা বাহৈ অদুবু কোৗখংলগী খুদমা কোংশিল্লি। মাদুদি— ঐহাক "মংগবী" পাবে। করিগুম্বদস্থ খুদম অসিগী তংখাইতমক শীজিল্লে। মাদুদি—'ক' দগী 'ম' ফাওবা ময়েক।

কোংশিনবগী খুদম (Brackets) গী শীজিন্নফম

বাহায় অমগী মতুং বাহায় অদুগা ব্যাকরণগী মরী লৈনদানা অর্থ শেংহন্নবগী দমক্তা করিগুম্বা বা খরবু হাপ্‌চিন্নদা হাপচিল্লিবা বা অদুবু খুদম অসিনা কোংশিল্লি। মাদুদি— দুইনা লাইনি ওসগী তুংদা তোয়না (মচাক্তা পামজবদি অসিগুনি) মচানপা, অনা কাক্ত-রমই। ঐগাক তাং ১৬ (নিংথৌকাবা) তা লাকনি। (পানন-রোমদা যেংদুনা) ওস্তোকপনি' ওসিদি ঐহাক খুদো দৈনা লাগ দৌরিবানে।

তাইশিল্লবা (Hyphen) খুদমগী শীজিন্নফম

বাহৈ অমগা অতোপ্পা বাহৈ অমগা পুনশিন্নবা মতমদা বাহৈ অনীগী মরক্তা খুদম অসি শীজিল্লে। মাদুদি— ঐগী অবাং-অপা কাল্লমঙা লৈকে। অতৈইগুম্বসুং পুনশিন্নরিবা বাহৈশিং তাদু য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা ওইনা খাইনা খণ্ডবদা বাদ্রবদি মক্তা খুদম অসি হাপ্পদে। মাদুদি— নিংথৌমচা, মমামপা, অসিনচিংবা

বাহৈ অমগী অক্ষর (মচেক) অমবু পরেংগী লোইবদা থম্বা তুংদা লেমহৌরিবা মচেক অদুবু মথং পরেংগী হৌবদা পুরকপা তাবদি অহানবা মচেক্তী তুংদা খুদম অসি শীজিল্লে। মাদুদি— তৌই অং দু।

ভেনশিনবগী খুদম (Mark of abbreviation) গী শীজিন্নফম

খ্বাইনা খঙনবা, পুল্লপ ইবগী কান্নবা লৈঙবা বাহৈশিংগী অহানবা ময়েক্তা তুংদা খুদম অসি শীজিল্লৈ। মাহুদি—বি.এ., এম.এ.

মীগী মিংবু শম্নানবা মতমদসু খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি—ডি. এম্. কলেজ।

লক্তা পনবগী খুদম (Dash) গী শীজিন্নফম

কারণুম্না বাক্য অমগী লক্তা নাইতম্না বাহৈ, বাক্যাংশ নত্রগা বাক্য অমনা অদ্রয়বদি হাপচিল্লবা শব্দক অদুগী তোইবা অমসুং লোইবদা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদ—কবিরাজ অসিনা—ঈশ্বরনা মহাকী মঙ্গল পীসনু—এইনা শগদবদগী কনবিরে।

পোৎমশী খাবগী তোইবা নত্রগা লোইবদা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি—ভোম্স, চউবা, যত্নু—পুম্নমক লাইবই। মহাকীদি লোইন-নক খাঙন্ত্রে—মচানুপী, মপুরোইবা, য়ুম।

মাবী শাদা বা ঙাঙবা মীগী খাদা খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি—মহারাজ—কনা কনা লৈ ?

অর্থ শেংনবগী শব্দোচ্চা হাপবা মতমদসু খুদম অসি শীজিন্নৈ। মাহুদি—মহাক্না ঈশ্বর য়াম্না নাখিনা শকই—মণিপুরগী লুংলবি মহাক্না ইহেন হেনবা, ওইবা য়াই।

মাহৎপরেং

১। লেপফমখুদম হায়বদি করিনো শেংনা তাকউ। করি মখলগী হযক খুদম অসি চঙবগে ?

২। লেপকমখুদমগী মথং কনানো অমসুং করি কয়িনো ?

৩। খাদা ইফিবা বাক্যশিংদা মফম চানা লেপকমখুদম হাপউ :—

রাম অমসুং শ্যামনা যৌবনা তুংদা চাউবা মধু তোন্বী অমসুং লোন্ন লাকলমই মণিপুরগী চীফ কমিশনার বালেশ্বর প্রসাদনা পায়মই ঐহাক

লাকপা ওয়োই লাক্লো ইচে গা'ডৌ থাগদৌরে অচুম্বা চায়রবদি মহাক ফক্তনা মান মকম অসিগী মীং মহৌশাগী গুইনা মৌউবগী থবক্না থবায় য়াওবা উৎলি ঐনা ভারতোং চাগনি। ওনা মতু লৌবো হবু ওে লাইরিক লৌবো মংক্লা ফাসনা। ত্রয়ই অময়ক্ন পোৎ অতু পীবগই মহায় স্কুলদা চংখ্রে অমতুং ঐনা তুগতুনা লৈগৌবে মহাক লাইবিক বল্লা পাই অত্তুদি ওইবগা পরীক্ষাদদি লোমন ঐদি ওংখ্রাব্রা ফুংগ ইবে ইচ' অমা। এম এ পাশ লৌবে অমনা মচানিপা অমা কংগো ঐংাক্লা লাবদগী ফরে ঐনা মাংগোন্দা চাবমই নংাক বচৌ'ড লাকং'ন লাল্লদকো নহাক অসি। হাক কালিদাসকী শকুন্তলা পারব্রা ঐনা মতেজ্ঞা চায থনক আম লৌগ চাগয় ঐগী অচেং অকৌম পুংমক মংাব্রা থওই মচাক্লা চাযবগই মাতুদি পৃথিবীনা ফাতংপু কোযতুনা চংলি নহাক বি এ পাশ লৌরব্রা ঐনা নাব্রবদি মা'স খোজবা ওইসন্তু পুন্দ।বন্দা চৎপা ওয়রোই

—

লোইববা

মণিপুর সরকারনা য়ারবা

মণিপুরীলোনগী বানানকাঙলোন

১। অকার অমসুং আকার :— মণিপুরীলোনগী অকার অমসুং আকারগী চৈথপ তপ্পা বাহৈশিংগী শোন্ন্ক্কা অৱাম-অয়াং অনীগী খেন্নবা মখেক লেংন। উৎপ' চন্নবা পাশৈ লৈতে। অহুবু অৱাম খোন্নোক্কা মখোযম শীজিন্নবা ত'রপদি. মখোযগী থাদা লৈয় চিংবাস অভিধান (Dictionary) চপি তৌগদবনি। মাহুদ :—

(১) অকার

অয়াংবা		অৱাম্বা	
কম্বা	(মথাউ রাংপা)	কম্বা	(ভকুম্বা ককপা)
নম্বা	(মনম লৌবা)	নম্বা	(ছাপা নম্বা)

(২) আকার

তাবা (উন দগী তাবা) তাবা (নাকোংনা তাবা)

পাবা (লাইরিক্কাচ বা পাবা) প'বা (পাদবা)

নোংগদবা :— (ক) বিভক্তি, অবায়নচিংবগী মমৈগী আকার :— বিভক্তি অবায়নচিংবগী মমৈগী আকার অসি কনাগুম্বনা ত্তেন্ন, অতুগা কনাগুম্বনদি শানা হায়লোকই। হেন্না হায়বা কাওবুনা আকারগী মহুং অসি অকারনা শিল্লি। কাওবু খুদিংগী চপ মান্নবা বাহৈগা তোতাম তোতানবা বানান লৈবা য়াদবনা মমৈগী আকারবু শীংথোক্লবদি মফম মরাং থঙদবগী মতৌ থোক্লবা ঙসম্মুগী থুদম লেপ্যনা শীজিন্নবা তাবনা অমসুং মখাগী আকার অসি থায়নদগী থমলক্লবনা, মমৈগী আকার অসি লৌথোকলোইদবনি। মহুদ :—

কত্রা—চংকত্রা প্রা—চংপ্রা

ত্রা—লাক্রা রা—চংশিরা

প — চংপা	কা — মখাকা
কুম্ন — মখাকুম্না	না — ঐনা
তা — লৈপাক্তা	কাওবা — মহূ কাওবা
দা — মড়েন্দা	

অসিগুম্বা আকারনা লোয়্বা বাহৈশিংগী তুংদা অতোপ্পা বাহৈ নত্রগা হংভক্তি ওপাশক্লবদি মখৈগী আকারবু অকারনা শিনগনি। মখুদি :—

চংকদুনে, লাক্কুববা, মভোন্দস্থ।

ন, শ, থানা নিংবা মশানা আকারনা লোয়্বা বাহৈশিংগী মতাংদি মথক্কী পথাপ অসি লৈনরোই। মখুদি :—

নাদা, শাদা, থাদা।

(খ) অয়ানবা মওঙদা আকারগী মহুংপু বিসর্গ (:) না শিনবা :— মথক্কী পথাপ অসি থুগায়রগা আকারগী মহুং অসি কনাগুম্বনা বিসর্গনা (:) শিল্লি। মখুদি :—

ওইবঃ নীংথিদঃ
থরতঃ ফজৈদঃ

বিসর্গ (:) না আকারগী মহুং শিনবসি মণিপুরী লোনগী চৎনবী (Convention) অমসুং থোঙ্খোক্কী পরম থুগায়বনি। বিসর্গ (:) না "স্" অমসুং "হ্" গী থোঙ্খোক্কী মহুৎ শিনবদি বৈজ্ঞানিক ওই। মরম অসিনা বিসর্গ (:) না আকারগী মহুৎ শিনবসি তৌরোইদবনি। মথক্কী খুদমশিং অসি— ওইবদা, থরতা, নীংথিদা, ফজৈদা হায়না ইগদবনি।

২। ই অমসুং ঈ— ব্যঞ্জন মখেক্কা পুন্দবা মতাংদা, অয়াংবা থোঙ্খোক্কা ই অমসুং অরুম্বা থোঙ্খোক্কা ঈ শীজিন্নগনি। মখুদি :—

অয়াংবা	অরুম্বা
ইনবা (হকচাং দা ফিগুম্বা ইনবা)	ঈনবা (শাফু পীরুনা ভুক্কবা হোৎনবা)

অয়াংবা	অরুম্বা
ইবা (লাইরিক্কুম্বা ইবা)	ঈবা (হকচাং ঙমদবা)

য়েংগদবা :— (ক) আকার অমসুং ওকারগী তুংদা য় :— অরুম্বা খোন্থোক কোংদোকপা মতাংদা আকার অমসুং ওকারগী তুংদা য় থমগনি, ঈ থমলোই। মহুদি :—

(১) আকার

অয়াংবা	অরুম্বা
কাইবা (খাইবা)	কায়বা (মচেৎ তাবা)
পাইবা (উচেক্কুম্বনা পাইবা)	পায়বা (খুৎকুম্বনা পায়বা)

(২) ওকার

কোইবা (লম্বী শাংদোকপা)	কোয়বা (অয়ুক্কম্বদা কোয়বা)
তোইবা (মচেৎ তাবা)	তোয়বা (ইতৎতত্তনা তৌবা)

(খ) উ অমসুং উকারগী তুংদা ই :— উ অমসুং উকারনা অরুম্বা খোন্থোক খঙহনবা মতাংদা মখোয়গী তুংদা ই থমগনি, ঈ থম্মোই। মহুদি :—

অয়াংবা	অরুম্বা
উইবা (তুনশীংবা)	উইবা (তেক্কন্দবা)
হুই (শীংচেপ)	হূই (শাউবা, শা মথল অমা)

(গ) ঐ হায়বা সর্ব্বনামদগী থোকপা ইয়ুম, ইপোংনচিংবা রাহৈশিংগী ই অমসুং ধাতুগী মাঙ অমসুং তুংদা ওপ্পা ইগী খোন্থোক অসি লূম্মবসু 'ই' না শিনগনি। মহুদি :—

(১) ঐদগী থোকপা ই—ইপোৎ, ইয়ুম, ইরৈবাক।

(২) ধাতুগী মাঙগী ই—ইচপ চপ্পা, ইপা পাবা।

(৩) ধাতুগী তুংগী ই—ককই, থকই।

৩। ইকার অমসুং ঈকার—অয়াংবা খোন্থোক্তা ইকারগী চৈতপ অমসুং অরুম্বা খোন্থোক্তা ঈকারগী চৈতপ শীজিন্নগনি। মহুদি :—

অয়াংবা	অরম্বা
থিবা (ফংনবা হোৎনবা)	থীবা (ফজদবা)
শিবা (থবায় থাবা)	শীবা (পাখোনগুম্বা শীবা)

য়েগদবা :—(ক) অসি অমসুং মসি হায়বা সর্ব্বনামগী মমৈগী ইকারগী খোন্থোক অসি থর লূম্না উই। অদুবু চংনরকপগী মতুং ইন্না মখোয় অসি ইকারগী মতেংনা ইগনি। মত্বাদ :— অসি, মসি।

(খ) অব্যয়, ক্রিয়াবিভক্তি অমসুং প্রত্যয়শিংগী মমৈগী ইকারগী খোন্থোক্ত লূম্নবসু ইকারনা শিনগনি। মত্বদি :—

তি—মত্বাক্তি, থি—চৎথি, রশ্মি—চারশ্মি
চিন—হাপচিনবা, থি—নমথি, রি—চারি,
মিন্ন—চামিন্নবা, পনি—চৎপনি, শি—চাশি
কনি—চৎকনি, পি—তাকপি।

(গ) সম্বন্ধবোধক অমসুং অপাদান কারক্কী বিভক্তি অমসুং স্ত্রীলিঙ্গগী খুদমগী মৈদা লাকপা স্বরগী খোন্থোক্তি চৎনবীগী মতুংইন্না ঈকারনা উৎকনি। মত্বদি :—

কী, গী (সম্বন্ধকারক্কী বিভক্তি)—মত্বাক্কী, মাগী
দগী (অপাদানকারক্কী বিভক্তি)—মত্বদগী, রামদগী
পী, বী (স্ত্রীলিঙ্গ খুদম)—

অঙাওবী, অশংবী, খোঙবী, খুৎপী, নাপী, পাম্বী, শেকপী, ভারাকপী, লম্বী, কম্বী।

৪। উ অমসুং উ—ব্যঞ্জন ময়েক্কা পুন্দবা মতাংদা অয়াংবা খোন্থোক্তা উ অমসুং অরম্বা খোন্থোক্তা ঊ শীজিন্নগনি। মত্বাদ :—

অয়াংবা	অরম্বা
উন (ঈশিংগী ফমজিনবা শক্তম)	ঊন (হকচাংগী ফুরাংপান)
উম্বা (য়া মনুংদা থম্বা)	ঊম্বা (ফন্দোক্তবা)

য়েংগদবা—(ক) আকারগী তুংগী উ অমসুং ও—আকারগী তুংদা উ থমদুনা অয়াংবা, অদুগা ও থমদুনা অরাম্বা খোঙ্গোক উংকনি। অরাম্বা খোঙ্গোক উংননবা উ থমলোই। মদুদি :—

অয়াংবা	অরাম্বা
কাউবা (নীংশিংদবা)	কাওবা (খোঙপাকনা কাওবা)
লাউবা (বা কয় ভাঙবা)	লাওবা (খদবা)

(খ) উ অমসুং ক্রিয়াবিভক্তি :— ক্রিয়াবিভক্তিদা য়াওবা উ গী খোঙ্গোক্তি উ না শিনগনি মদুদি :— ককউ, থকউ।

৫। উকার অমসুং ঊকার— অয়াংবা খোঙ্গোক্তা উকারগী চৈতপ অমসুং অরাম্বা খোঙ্গোক্তা ঊকারগী চৈতপ শীজিন্নগনি। মদুদি :—

অয়াংবা	অরাম্বা
পুবা (মকম অমদগী অমদা য়েঁহনবা)	পূবা (শেল পূবা)
শুবা (মকুপ তাহনবা)	শূবা (থবক তৌবা)

য়েংগদবা—(ক) ধাতুগী মাও অমসুং তুংদা অমদি অব্যয়গী তুংদা লাকপা উকারগী খোঙ্গোক্তি লুম্লবসু উকারনা শিনগনি। মদুদি—কমু—চংকমু, লু—চংলু, পুম—পুমচা চাবা, শমু—চংশমু, শুক—শুকচা চাদবা, সু—এসু।

(খ) অদু অমসুং মদু হায়বা সর্ব্বনাম অমসুং মখোয়দগী শেম্বা ক্রিয়াবিশেষণশিং অদুগা অসি অমসুং মসি হায়বা সর্ব্বনামদগী শেম্বা ক্রিয়াবিশেষণগী উকারদি লুম্লবসু উকারনা শিনগনি। মদুদি :— অদু, অদুক, অদুম, অসুক, অসুম, মদু, মদুক, মসুক, মসুম।

৬। একার, ঐকার, ওকার, ঔকার :— একার, ঐকার, ওকার অমসুং ঔকারগী চৈতপ অপ্পা বাহৈশিংগী খোঙ্গোকী অরাম অয়াং অনীগী খেন্নবা মওঙ অসি তাকপা য়াবা পাম্বৈ লৈতে।

অতুবু অৱম্বা খোন্থোক তাকপা মতাংদা মখোয়বু শীজিন্নবা তাৱবদি মখোয়গী মথাদা লৈয়ি চিংবসি অভিধান (Dictionary) দদি তৌগদবনি। মথুদি :—

(১) একার

অয়াংবা	অৱম্বা
চেনবা (পাউনচিংবা চেনবা)	চেনবা (লমজেন চেনবা)
থেনবা (উৎননবা হোৎনবা)	থেনবা (লুদবা)

(২) ঐকার

পৈবা (খোমজিনবা)	পৈবা (ভামথবা)
লৈবা (য়ুমগুম্বদা লৈবা)	লৈবা (মমল পীতুনা লৌবা)

(৩) ওকার

থোনবা (কোক্তা থাংগৎপা)	থোনবা (ফিনচিংবা শেৎপা)
লোনবা (চাগুম্বা লোনবা)	লোনবা (থিংজিনবা)

(৪) ঔকার

তৌবা (থবকনচিংবা তৌবা)	তৌবা (লৈপাক্লচিংবা তৌবা)
লৌবা (মৈদা ওমতুনা মুনহনবা)	লৌবা (খূৎ চনশিনবা)

খেংগদবা :— ঐকারগী অৱম্বা খোন্থোক ফোংদোক্লবা কনাগুম্বনা শেরাম্লনা অয় শীজিন্নৈ। মথুদি :—

কয় (কোৎ) মহয় (পাম্বীগী মহৈ মরোং)

মরয় (য়োংলীগুম্বা লৈশিনবগী মওং) বাহয় (শব্দ)

ঐকারগী অৱম্বা খোন্থোকী মহুৎপু অয়না শিনবা অসি মণিপুরী লোনগী খোন্থোক অমসুং চৎনবীগা চানদে, মসি তৌরোইদবনি। মথক্কী খুদমশিং অসি—কৈ, মরৈ, মহৈ, বাহৈ হায়না ইগদবনি।

৭। অনুস্বার (ং) অমসুং ঙ :— অয়াংবা খোন্থোক্তা অনুস্বার (ং) অমসুং অৱম্বা খোন্থোক্তা ঙ শীজিন্নগনি। মথুদি :—

অয়াংবা	অরূম্বা
কাংবা (লংপা)	কাঙবা (হাংদোকপা)
থেংবা (য়ৈশিনবা)	থেঙবা (ঙন্দবা)

য়েংগদবা :— (ক) অনুস্বার (ং) নত্রগা ঙ্ অনী থংনবা লৈবা মতাংদা অহানবা অনুস্বার (ং) নত্রগা ঙ্ গী মহুৎপু কনাগুম্বনা চন্দ্রবিন্দু (ঁ) না শিল্লি। মতুদি :— চাঁঙ্, মুঁঙাইবা, শীঁঙেন, লাঁঙোন।

চন্দ্রবিন্দু (ঁ) না অনুস্বার নত্রগা ঙ্ গী মহুৎ শিনবসি চংনবী, অমসুং থোক্লোকা চানদে, মসি তৌরোইদবনি। মথক্কী খুদমশিং অসি— চাংঙ্, মুংঙাইবা, শীংঙেন, লাংঙোন হায়মা ইগদবনি।

(খ) ঈ, ঈকার, ঊ, ঊকারগী তুংদা অনুস্বার (ং) :— ঈ, ঈকার, ঊ, ঊকারনা অরূম্বা থোক্লোক খঙহনবা মতাংদা মথোয়গী ং দা অনুস্বার (ং) থমগনি, ঙ থমলোই। মতুদি :—

(১) ঈ

অয়াংবা	অরূম্বা
ইংথোন (য়ুম শাদুনা লৈংবা মসংমা)	ঈংবা (শাদবা)

(২) ঈকার

চিংবা (থোরাঁ শুম্বা চিংবা)	চীংবা (উৎপা)
তিংবা (থোয়দবা)	তীংবা (ঈশিংদা থম্বা)

(৩) উ

উংবা (তৌকম খঙদবা)	ঊংবা (থুংশুম্বা উংবা)

(৪) ঊকার

তুং (মাঙগা অমাইতনবা নাংন)	তূংবা (পুনশিনবা)
নুং (মনুং)	নূং (থৌদু, নুং)

৫। ব্যঞ্জন ময়েক (Consonant) অনী ওপশিন্নবঃ—থংনবা লৈবা ব্যঞ্জন ময়েক (Consonant) অনীদি সদ্ধি অমসুং থোক্লোক্কী

পন্নম মতুং ইন্না তপশিন্নগনি। মতুদি :— কম্বা (কম্+বা); ছিক্না (ছিক্+না)।

য়েংদনা :— 'ন' গা মতুংগী ভুং থবা 'ব' গা তপন্নবদি 'ব' গী খোন্থোক অদু 'ব' গী খেন্থোক শন পাবা য়াবগী থুদোংথীবা লৈ। ব্যঞ্জন ময়েক অমগা চুনা 'ব' তপশিন্নবা মতমদা 'ব' গী মখাদা চিংনিবা লৈতেক আস লৌখোকখি। মতুংদা :— ক্বাক, খ্বাই, ম্বা, শ্বা, শ্বায়। মরম অসিনা অনী অসি তপন্নবোইদৌবনি। কনবা, চনবা— অসুমনা ইগনি, কব হায়না ইরোইদবান।

৯। মরেনগী বাহৈ (loan words) শিং :— মশক মগুং, অসুংনা খোন্থোক চপচানা লোনবা মীরোনগী বাহৈ (loan words) শিংদ মশা মশাগী বানান মগুং লেংদনা থমগনি। মতুদি :— পণ্ডিত, মন্ত্রী, মন্দির।

মণিপুরী খোন্থোকী ঈবায় ইনিনা মতুং শন্না মশক হোংলবা মীরোনগী বাহৈশিং অদুদি লোন আসগী বানান কাংলোন মতুং ইনগনি। মতুদি :—

তেরসিং (কেরোসিন); বামোন (ব্রাহ্মণ), অসিনচিবা।

NOTE

বিভক্তি :— বাহৈগী মনৈদা অর্থ হোংননবা তপ্পা মতেক অমনি।

অব্যয় :— বিভক্তি তপ্পগা মশক হোংদবা বাহৈবু অব্যয় কৌই।

সর্ব্বনাম :— মিংগী (Noun) মহুত্তা শীজিন্নবা বাহৈবু সর্ব্বনাম কৌই

ক্রিয়াবিভক্তি :— তৌবা, ওইবা, লৈবা, অসিনচিংবা খণ্ডহনবা বাহৈবু ক্রিয়া কৌই। মহুগী মনৈদা তপ্পা বাতেক অদুবু ক্রিয়াবিভক্তি কৌই।

প্রত্যয় :— বাহৈগী মমৈদা অর্থ হোংননবা তম্না অহুবু প্রত্যয় কৌই।

সম্বন্ধবোধক :— পোৎ অমগা পোৎ অমগগী মরক্তা লৈবা মরী থঙহনবা।

অপাদান :— পোৎ অনী কায়নবা মতমদা কায়রক্লিবা পোৎ অহুনা হায়না লৈরম্বা মকম অহুবু অপাদান কৌই।

বিশেষ্য :— পোৎকী মিংবু বিশেষ্য (Noun) কৌই।

বিশেষণ :— বিশেষ্যগী গুণ কোংদোকপা অহুবু বিশেষণ কৌই।

ক্রিয়াবিশেষণ :— ক্রিয়াগী গুণ কোংদোকপা অহুবু ক্রিয়া-বিশেষণ কৌই।
